5814

ꯅꯨꯡꯁꯤꯒꯤ ꯏꯆꯦꯜꯗ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯑꯆꯧꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯔꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ

নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সী

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সী খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

BVP05814

BVP - 2695
21|2|19

3/5

BVP05814

হুসনাগী মরী অসি খবর কাগজ কয়াদা, মীয়াম মরক্তা তোয়না তোয়না খন্নবা, নৈনবা হৌরক্লে । ভুত্তো হাৎকদবনি হায়বা অহকপা ব্রাফম অমা লাহোর হায় কোর্টতা য়েৎনরকপা মতম অদুদনি হুসনা শৈখনা লন্দন্দগী জোন মেথ্যুজ কৌবা লোয়ার (উকিল) অমা ভুত্তোগীদমক থারকখিবা অমসুং হুসনানা তৌরকখিবা থৌরাঙ অদুনসু অমুক্তা হেন্না নাকল অমদা জাহুর ইলাহিগী ব্রাফম অদু চুম্মী হায়বা প্রমান তৌখ্রে । মী অমা ওইনা মশাগী ব্রাখল, পুক্লিংগী মিৎয়েংদা কুপথনা খল্লুরগসু হুসনা শৈখ হায়বীদু থোইদোক্লা পুকচেল চাওবী নুপীনি হায়বদি মী খ্বাই পূন্নমক্লা খঙনবনি । মহাক্লা ভুত্তোগী মচানুপা অনিমক, মপা হাৎপিখ্রবা মতুংদা মহাক্কা লোয়ননা লন্দন্দা পুরগা নাওকোন্দুনা লৈমিন্নখি । নসরতকী মশাদা লায়না অমনা হকচাঙ শোকচীন্না নারক্লবদা, লন্দন্দা লায়েংনবগী থৌরাঙ তৌখিবসু মহাক্লি ।

ভুত্তোনা শিদ্রিবৈঙে, জেলদা পুন্সী লেপ্লিবৈঙেগী মতমদা হুসনাবু উনিংবগী ঈখৌ লাংখি । মহাক্লা পাকিস্তানগী দিক্তেটর জিয়া-উল-হক কী মফমদা হুসনাবু মহাক্কা জেলদা অমুক্তং উনহল্লগা অমুক লন্দন্দা হনখিবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়জরুবদা, জিয়ানা পাকিস্তান্দা হুসনানা লাকপদি করিসু অয়েৎপা পীদনা, অমুক হন্না লন্দন্দা পাইখিবদি য়ারোই হায়না খুমখিবগী হায়নবসু লৈ । তশেংবমক্তি, নসরত অমসুং বেনাজিরনসু হুসনানা জেলদা ভুত্তোবু উনবদু পামখিদবনি ।

হুসনাদি ভুত্তোগী নুপীশিংনা মঙোন্দা থল্লিবা হৈনিংদবগী ব্রাখল অদু ওইদুনসু মতম পুন্বদা মখোয় পূন্নমক্লি মফমদা পুকচেল চাউথোকপা উৎচখি, মহাক্লা ঙমজবগী থাক অদু ফাওবদি মখোয়গী মতেং পাংখি । বেনাজিরগী লুহোংবদসু অচৌবা শেনফম কয়া মহাক্লা লন্দন্দগী থারকখি ।

- লোইরবা -

নুংশিগী ঈচেলদা
পৃথিবীগী অচৌবা মীওই
খরগী পুন্সী

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

ইমাখোল পব্লিকেসন্স, মণিপুর
(ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জৈ লূপ)
অৱাং পোৎশংবম, ইম্ফাল ইস্ট

TITLE :- NUNGSHIGEE EECHELDA PRITHIBIGEE ACHOUBA MEEOI KHARAGEE PUNSHI

"A short anthology of love stories from the lives of five great People of the World, written out in Manipuri by Khuraijam Nimaicharan Singh."

অইবা ঃ- খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ

ফোঙজবা ঃ- অইবা মশা "ইয়াখোল অৱাং পোৎশংবম, গীদমন্তং।

© কোপীরাইট ঃ- অইবগী

অহানবা ফোঙবা ঃ- ২০১১

কোপী মশীং ঃ- ১০০

মমল ঃ- ৯৫/-

ফংফম ঃ- ইম্ফালগী মরুওইবা লাইরিক য়োনফম অমসুং অইবগী খুরাই লমলোং এ পি রোডতা লৈবা য়ুম

নম্ফম ঃ- লৈমহল কম্প্যুটরাইজদ প্রেস
খুরাই লমলোং, ইম্ফাল

খুদোল তমজবা

- করিগুম্বদা-

পূক্লীং নুংশি নুংওন্না
চিক্লা মৈশা লাংজবী
পাইমনুংগী মপাওসু
কনাগী নাপদা তমদ্রবী
পুন্সী লম্বী লাকপদা
মিৎলু পিরাং কংখ্রবী
নুজা ওইবী কয়াদি
নুংশি পরৈ হনখ্রবী
মখোয় অদুগী
মফমদা ।।

ৱাহৈ খরদং

ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জেই লুপ (ইমাখোল) গী লাইফ মেম্বর অমা ওইবীরিবা শ্রীখুরাইজম নিমাইচরন মনিপুরী সাহিত্যগী লমদা নৌনা শকতাক্লীংঙাই ওইদবা অইবা অমনি। অইবা অসিনা শৈরাংবা ঈশৈ কয়া ঙল্লিথৈ মতমদগী হৌনা রেদিওদা কলাকার কয়ানা শক্কুনা মীয়াম্মা তানখ্রবনি। মনিপুরী সাহিত্য লৈকোন্দা ঈশৈ শৈরেং য়াওনা লৈচল কয়া খুদোল তম্বীখ্রবা অমদি হন্দোকলোয় অমা ওইনসু "নুংশিত্তি পাবা হৈতে" অমদি "মনিপুরদা ঐগী চহি অহুম" হায়বা লাইরিকশিং পুথোকপীখ্রবা শক্লাইরবা অইবা অমনি। অইবা অসিগী নৌনা পুথোকচরিবা লাইরিক "নুংশিগী ঈচেলদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সি" হায়বা লাইরিক অসিনা 'ইমাখোল' গী ২৯ (কুনমাপল) শুবা লাইরিক্লি। লাইরিক অসিদা নুংশিববু শকতাকপগা লোয়ননা শক্লাইরবা মীওই খরগী পাকচাউরবা পুন্সি ৱারীশিংগী মরক্তগী 'নুংশিবা' হায়বা শকউদবা অদুগা য়াম্লদি মরু ওইবা মচল অসিমা লৌখত্তুনা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা কনা কনাগা করম্না নুংগী ওইবা নুংশিবা মরি থম্লখিবা অমদি নুংশিবগীদমক কদায় ফাওবা কথোকপা ঙমখিবগে হায়বদু মরীক চুম্না ফোঙদোক্লি। অইবনা অখন্ননা 'নুংশিবা' হায়বসিবু লৌখৎলুবগী মরমদি তাইবঙপান অসিবু শেম্লকপা মতমদা 'নুংশিব' হায়বা শকনাইদবা অসিদা য়ুমফম ওইরকখিবনি হায়বসিনি। খুদম ওইনা 'অদাম অমসুং ইভ', 'দ্যুজ অমসুং নেচর', য়িং অমসুং য়াং', 'লাইনিংথৌ অমসুং লাইরেম্বী' অসিনচিংবা লমদম লমদমগী ওইবা থাজ ৱারী কয়া লৈরি। নুংশিবগী মরমদা অইবনা হায়রি - "নুংশিবা হায়বসিনা নুপা নুপী অনিগী মরক্তগী হৌরক্লগা মথঙ মথঙ লৈবাক্কি ওইনা, লনথুমগী, ইকাইখুম্নবগী, মিংচৎকি, মহৈ-মশিংগী অমসুং ঈশ্বরগী মফমনচিংবা মরম কয়ানদসু খাইদোকখি।" অশেংবনি, নুংশিবগী মায়কৈ ফাংলবা হীরমশিং অসিদা নুং য়ৌনা চঙশিনখ্রবা মীশক অমদদি নুংশিবগীদমক থৱায় থাদোকপদা করিসু চিংনদে। থাসু থাদোক্লরি। মরৈবাক নুংশিবগীদমক থৱায় থাদোকখিবা লন-থুম নুংশিরুবদগী হাৎনখিবা কয়া ঐখোয়না তারি উরি। অদুগা খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংলিবা নুংশিবদি মীওইবগী থোৎ নৌরবা ঈহুল পোকহন্বা নুংশি-নুংওল অসিনি। লয়লা-মজনু, রোমিও-জুলিয়ট, সোহিনি-মাহিৱালনচিংবনা নুংশিবগীদমক থৱায় থাদোকখি।

অইবনা লাইরিক অসিদা মীওইবগী থম্মোয়গী ওইবা নুংশি-নুংওলগী লমসিদা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্লগা নৈনরি । পৃথিবীগী শক্লাইরবা অচৌবা মীওইশিংসু লৈবাক্কী ওইবা চিল্লবা থৌদাং কয়াগী মরক্তা নুংশি-নুংওলগী মহাও লৌনখিবা মীওই খরগী ৱারী থন্বীরি । ফিল্মগী ফাওরবা দাইরেক্তর ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না কোমেদিয়ান অমা ওইনা শীংথানরিবা চার্লি চাপলিন্না নুপী কয়াগা নুংশিনখিবগী অমদি মদুদগী থোরকপা থৌদোক কয়া মরীক চুম্না পুথোরক্লি । অমনা নুঙগী থম্মোয়নি হায়না খল্লুবা 'জর্মনিনা ঐগী কন্যানি' হায়খিবা মী হাৎপদা হালেংদ্রবা হিটলর ফাওবা মাগী চিল্লবা রাজনীতিগী থৌদাং মরক্তা নুপী মরীগা নুংশিনখিবগী কাউঙমদ্রবা ৱারী কয়া ফোঙদোক্লি । অদুগা আমেরিকাগী ফাউরবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা জোন, এফ, কেন্নেদিগী য়াম্লবা নুংশি-নুংওলগী ৱারীশিং মরীক চুম্না শৈথাদুনা মীয়ামদা খঙহন্বা ঙমলি । লোয়ননা মতম অমদা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্ট অমসুং মিসসিগী নুংশি ৱারী অমদি পাকিস্তানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা জে, এ, ভুত্তো অমসুং হুসনা শৈখ অনীগী নুংশি ৱারী কয়া অইবনা ফোঙদোক্লি । মীয়াম্না থাক ৱাংনা খন্নরিবা মীশকশিং অসিগী নুংদসু মীচমশিংগা মান্ননা নুংশিবগী ৱাখল তুঙদুনা লৈ হায়বসিনি অইবনা উৎপা পাম্লিবসি । তশেংবনি নুংশিবা হায়বসিদি চহী লৈতে লায়র-ইনাকখুন্বা খায়দে, জাৎ-বীজাৎ নাইদে । অশেংবা নুংশিবদি নুংশিবগীদমক থৱায় থাদোকপদা অকিবা লৈতে । নুংশিবা হায়বসি লৈবদগীনি ঙসিগী তাইবংদা থোক্লিবা, নুংশি-চান্নবা, লান-নচিংবা কয়াসি । অইবনা হায়রি "নুংশিবগী খমথেংবদি ওইজবা থাদোকপনি । মসিগী ঙমখৈ নাইদে, মদু ফাওবনি হায়বগী অরেপ্পা লৈই চিংদে ।" নুংশিবনা ঙাওহল্লি, ফজহল্লি, নুংঙাইহল্লি । লাইরিক অসিদা অসিগুম্বা নুংশিবনা ওইহনখিবা শকলোন কয়াবু পাবদা নুংঙাইবা পোকহনগদবা মওংদা লেংশিন্দুনা ফোংদোক্লি । মীয়াম্না পাবীদুনা মহাও তংবীনবা খ্বাইগী খুত্তা শীন্নজরি ।

ডা: চন্দ্রকলা চিঙ্গাংবম
প্রেসিদেন্ট, ইমাখোল

ৱাহৈদোক

“নুংশিবা, মতম পূম্নমক্কী ওইনা মীওইবা খুদিংগী পুন্সীগা শাগোন্ননা লৈরিবা পুক্নিংগী থোৎলবা ইহুল অমনি । মখলদি য়াম্মী, ইমা ইপা, ইচিল ইনাওশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবা, ঈশ্বরগী ভক্তি প্রেমদা লৈনরিবা নুংশিবা, লেঙলি পাল্লিবা প্রকৃতি অমসুং মহৌশাবু নুংশিবা, ইরৈবাক ইরমদমবু নুংশিবা, তোল্ল তারবা, থৱায় পানবা জিবশিংবু নুংশিবা অমসুং নুপা নুপী, শাবী শানৌশিংগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবা অসিনচিংবনি । পনজরীবা অকোনবা মখল অসিগী মরমদনি, লাইরিক অসিগী মরু ওইবা পান্দম ওইরিবদি । মীওইবা পূম্নমক্কী থম্মোয়নুংদা লৈনরিবা, মমিংদি লৈরগা মশক উবা ঙমদবা Abstract হায়বদুগী চপচাবা খুদম অমা ওইনা লৈখ্রবা Love হায়বা পোৎশক অদুদা Focus তৌরিবা, পৃথিবীগী মীওই অয়াম্বনা মমিং তানরবা মখোয় খরগী নুংশি ৱারী য়াওরবা লাইরিক মচা অসি ইমালোন্দা ইথোক্লবা খনজরকপদা, ইশাগী পুক্লিংনা ঐগী ৱাখল অসিদা কয়ারক হন্না হংখি - “নঙগীসিবু য়াগদ্রা ? মচু তাবা, ৱাখলগী বিচার লৈবা, অসি-ফৈ, ফত্তে হায়বগী য়াম্না ঙৌখি ঙৌয়াবা, সাহিত্যগী, সমাজগী মীওই কয়ানা লৌশীনবিগদ্রা, চৈবিরকওইদ্রা ?” অসিনি । ৱাহং অসিদা ইথন্তনা অমুক খুমজৈ- “য়াগনিনা, মীওইবগী ৱারীনি, ঐখোয় মীওইবা ঙাক্তনি । মা-মাগী পুন্সীদা, নুপীবু ওইরবসু নুপাবু ওইরবসু করিগুম্বা খরদি শোয়দনা লৈনরমগনি, অৱাবগী, নুংঙাইবগী, ৱারৌনখিবগী, পেন্দবগী অমসুং নিংঙমদবগী থৌদোক ৱাথোক ৱারী কয়া কয়া । মসি পূম্নমক অসিসু পুন্সিগী শরুক অমনি, তাইবং মীগী লোনচৎনি । করিগুম্বদা মদুগুম্বদু শুকয়াওমক য়াওখিদ্রবা, থেংনখিদ্রবা, অপাম নুংশিগী মহাও হায়বদু খজিক্তংফাওবা তংখিদ্রবা পুন্সী অদুদি অকঙবা, অশঙ অমাল অমত্তসু উদ্রবা লমগং ঙাক্তগী লমহাঙগা মান্নরবা, অহিংদা থাবল উদ্রবা পুন্সী মখল অমনি হায়বদা থোইনা লানগদবা মান্দে ।”

মখা তারকপদা, লাইরিক অসিদা হাপচরিবা ৱারী খরা অসিদি, ঐনা থেংনজরুবা অতোপ্পা লাইরিক খরদগী খোমজীঞ্জদুনা পুথোকচবনি ।

হন্দোকপা ঙাক্তনি হায়বসু য়াদবা, হন্দোকপা নত্তে হায়বসু য়াদবা লাইরিক মখল অমনি হায়জবা তারে । পৃথিবী অসিগী শক্লায়রবা, হীরম কয়াদা মমিং লৈখ্রবা মীশক কয়ানা মালেম অসিদা হিংলিঙৈ পাঙথোক্লম্বা অচৌবা থবক থৌরম কয়া অদু নত্তবা, মখোয় মখোয়গী ওইবা পুন্সীগী অতোপ্পা নাকল নাকলদা য়াওনরম্লিবা, থম্মোয় হায়বদুগা মরী লৈনবা নুংশি নুংওলগী থোৎলবা ৱারী কয়াগী পাউদমনি, কায়নখিবা, থুংনখিবা, শিমিন্নখিবা অসিনচিংবা মখল কয়াগী থৌদোকনি । ঙসি ঙসি হিংনরিবা তাইবং অসিগী চরাঙনরবা পুন্সীগী মৈরক অসিদা ঙাইহাক্তংদা ওইরবসু পুক্নিং হকচাঙগী পোত্থাফম অমদি লাইরিক অসিনা পীবা য়াগদ্রা খঞ্জরুবা অসিনা অপঙবা ঐগী ৱাখলনি ।

মখা তানা খন্থরুবদা, অশুম্নসু পুক্নিংদা ফাওরকই, "মখোয় খরগী মফমদা থোকখ্রিবা ৱারীশিং অসিনা, ঙসি ফাওবদা তাইবং অসিদা নুংশিনখিবা, নুংশিনরিবা কয়াগী মহুৎ শিনবা য়ারগদ্রা ? মখোয়গীশিনা লোইরবরা ? লোইবা য়ারোই, মখোয়গী খরা অসিনা অরোয়বা নত্তে, চাউরবা তাইবংপান্নি, মীওইবা কয়াগী পুন্সীনি । ঙসি তাইবং ফাওনা ঙাঙ্না শক্লরিবা নুংশিগী ৱারী কয়া অসি নত্তবা, তাইবং কনানসু খঙবীদনা অহাঙবা মালংদা তিনখ্রবা, মতমগী ঈপাক্তা লুপখ্রবা, নুংশিনখিবা কয়াগী থৌদোক ৱারী কয়া কয়াসু, করিগুম্বদা অইবা কনানা ইথোক্তুনা ফোঙলম্লবদি তাইবংনা শকখঙবা নুংশি ৱারীরক্তা তিল্লম্বসু য়ারবা শাবী শানৌ কয়াগী ফোঙদোকখিদ্রবা নুংশি ৱারী কয়া অমসু মরন্নাই তেংথানরগা মতমগী ঈরোন্নুংদা লুপ্পখিবা মশিং নাইদনা লৈরমগনি । অশুম্না, তাইবং মীওইবগী থম্মোয়নুংদা লোত্তুনা লৈনরিবা" নুংশিবা, হায়বসিদি লাইরম্লেন্দগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবা অমসুং মীওইবা কয়ানা লৈহৌগদৌরিবা মালেম পৃথিবী অসিদা মুৎপা লৈতনা মতম পূম্বগী ওইনা লৈহৌরগদবা পোৎশক অমা ওইনা অসুম খনজরুবদা, W.J. Long কৌবা ইংরাজি সাহিত্যগী স্কোলার অমনা ইরম্বা অতেনবা শৈরেং অমা নিংশিংলকপদগী মতাংচানা ইমারোন্দা হন্দোক্তুনা হাপচরি ঃ-

য়েংউনে !
কুইরক্লবা মতমদগী
মরী চৎলক্লি মীওইবগী হৌনশা
মরা তারক্লি লোইবা লৈতনা
নুংগী ওইবা নুংশিবগী পাম্বীনা ॥

হুন্নক্লি পান্বী মাগী মনাক্তা
মতম মতমগী মালংবনা
থাক্লক্লি মচীঞ্জাক
পুন্সী কৌবনা ৱাৎতনা ॥

ঙমদে মাবুদি হনুহনবা
মতমগী চৈশীঙ কয়ানা
ঙমদে মাবুদি শিহনখিবা
অশীবা কৌবগী পাঙ্গলনা ॥

কবিনা শৈথারিবা অতেনবা শৈরেং (Sonnet) অসিদা নুংশিবগী লোইনাইদবা ঈচেল অমসুং মগুনবু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি । নুংশিবা (Love) হায়বসিমদি চহি চা কয়াদগী ঙসি ফাওবা হিংলক্লি, হিংহৌখিনি মীওইবনা লৈরিবা তাইবঙ অসিদা । তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈ, অইবা, কবি অমসুং স্কোলার কয়ানা নুংশিবা হায়বসিগী মরমদা মাগী মাগী পুক্লিংদা ফাওনরকপা অশম্বা ৱারোলদা অর্থ চেনবা কোটেসন্স (Quotations) কয়া থম্বীরম্বশিংদুদগী, পাবীরিবশিংগী পুক্লিংবু মিকুপ খরদং চিংশিঞ্জবা ওইনা মখাগী ৱারোল খরা অসিসু হাপচীঞ্জরী ।

(i) অচূম্বা নুংশিবা হায়বদুদি পুন্সীদা পঙনা থোক্তে হায়বগী মতাঙদা, CHER চ্যর কৌবা (১৯৪৬) ইংরাজি স্কোলার অমনা অশুম্না হায়রী - "If grass can grow through cement, love can find you at everytime in your life" বিলামাতিগী লৈমায়দবু নাপী হৌগৎলকপা ঙম্লবদি নখোয় ঐখোয়গী পুন্সীগী মতম অয়াম্বদা নুংশিবসু হেক্তা ফংবা য়াগনি, অসিনি । অচূম্বা নুংশিবদি য়াম্না অতাঙবা পোৎশকনি, হেক ওইথোক্তে হায়বনি । পনবা য়াবা ৱাফম অমদি, নুপা নুপী লৌন-লৈনবা ঙাক্তনসু নুংশিবগী মহুৎ শিনবা য়াদে । চুম্লগী ফাগী ওইনা নুংশি হায়নবা Flirt অমসুং Dalliance হায়বা অদুদগীসু লৌন-লৈনখিবা কোঙ্গায়নি । মখোয় অদু, কোন্নদি সমাজগী চৎনবী কিশিনা পুনখিবদগী, তৌফম থোক্লবা obligation কয়াগী মখাদা পুন্সী লেন্নবনা অয়াম্বনি । অমরোমদা, নুংশিনরম্বা কনা-কনাসু লুহোংলবা মতুংদদি নুংশিবগী নুমিৎ তাখ্রে হায়বগী Quotation অমসু লৈরী মদুদি "Love is the dawn of marriage and marriage is the sunset of love" অহানব নুংশিনবা

হায়বদুদি লুহোংনবা ওইরক্লবগী নোং ঙাল্লকপা অয়ুক্তনি, অদুগা লুহোংবা হায়বসিনা ওইখ্রবদি নুংশিবগী নুমিৎ তাখ্রবনি, মতম চুপ্পা নুংশিনদুনা লৈত্রে হায়বনি । ব্রাফম অসিদা Oscar wilde গী Quotation অমনসু অমুক পাংশিল্লি "One should always be in love. That is the reason one should never marry. পুন্সীদা মতম চুপ্পা নুংশিনদুনা অদুম লৈগে হায়রবদি কনানসু লুহোংলোইদবনি হায়বসিনা অচুম্বা মরমনি হায়বনি ।

(ii) Boris Pasternak (1890) না হায়রীবনা -"Most people experience love without noticing that there is something remarkable in it" নুংশিবা হায়বসিগী মরমদা খঙজীনবা য়াবা করিগুম্বা খরা য়াওরী হায়বসি করিমত্তা খঙনদনা, অয়াম্বা মীনা নুংশিনরীবনি হায়দুনা নুংশিনৈ । পূম্নমক্কা তৌনরিবসু মসিনি, ব্রাফম অসিসু অচূম্বনি ।

(iii) অমরোমদা অমুক Louis De Berneires (1950) না হায়রী - Love itself is what is left over when being in love has burned away. নুংশিবা হায়বসিমক্তি মীওই অনি নুংশিনবগী মতম অদু চাকথেক্তুনা লোইখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা পুন্সীগী শরুক অদুনি । মসিসু অচুম্বা ব্রাফমনি, কায়না মৈশা লাংহৌরবা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীশিংগী মফমদদি ।

(iv) নুংশিবগী পাঙ্গল, শক্তিগী মরমদা Laoren Bacalls (1924) না হায়রী How in hell can you handle love without turning your life upside down? পুন্সীবু মথক মখা ওনবা ঙমদবা নঙনা, করম্না নুংশিবগী খুর্জি পায়গদৌরিবা ? অরুবা তানফম লাক্লবদা মায়োক্লবা ঙমদবা নুংশিনবা কনাগী মফমদা থম্লকপা ব্রাফম অমনি ।

(v) মীওই অয়াম্বনা খাঙনরিবা মৈশা অমনি হায়বসিদা Robert Graves (1890) না নুংশিববু অশুম্না ফোঙদোক্লি । - Love is a universal migrain, a bright stain on the vision blotting out reason. নুংশিবা হায়বসিদি জগৎ অসিগী ওইনা লৈখ্রবা, লায়েংফম খঙদনা চিকপা কোকচিক মখল অমনি, পুক্লিং অসিগী মিৎয়েংদা উবা ঙম্বা, অচূম্বা হায়বদু নপথোকখ্রগা চুদুনা লৈহৌবা অরঙবা মচু অমনি । নুংশিবনা অচূম অরাল খংদে, নুংশিরিবা অদুনা অচূম্বনি হায়বনি ।

(vi) লোইনাইদ্রবা নুংশিবগী মরমদা Somerset Mougham (1874) না হায়রম্মী The love that lasts longest is the love that is never returned. খ্বাইদগী মতম শাংনা চৎপা নুংশিবদি ঐঙোন্দা অমুক হল্লকখিদ্রবা, ঐগী ওইজহৌবা ঙমদ্রবা অদুনি । কনাদসু ৱাকৎলুবা লৈতনা, কায়নখ্রবদা থম্মোয়নুংদা মতম কুইনা লৈহৌই হায়রিবনি।

(vii) অয়েৎপা অপনবনা থল্লবা নুংশিবগী খোংচৎনি হায়বসিদা William Shakespeare (1564) না হায়রম্মী - The course of love never did run smooth. অশেঙবা নুংশিবগী লম্বীদি কৈদৌঙৈদসু কোম্না, লায়না চৎতে। মসিসু খ্বাইনা খঙন-তান্নরিবা ৱারী কয়ানা শাখিনি ।

(viii) মতম নত্তনা থেঙনা নুংশিনরুবগী মরমদা Donghlas Jerrold (1803) না হায়রম্মী Love is like measles, all the worse when it comes late in life নুংশিবা হায়বসি হকচাঙ শীন থুংনা লাইকুপ থোকপগা চপ মান্নে, থেঙলক্লবা পুন্সীগী মতমদা খঙনরুরবদি খাঙবদা হেন্না অৱাবগী মশক্লি ।

(ix) থুংনবা কায়নববু করিসু খন্দনা নুংশিবতবু নুংশিজবা Alfred Lord Tennyson (1809) না হায়রম্মী - Tis better to have loved and lost than never to have loved at all. নুংশিবা হায়বদু শুকফঙ ফংলোইদৌবগী শরুকবুদি নুংশিনরগা মাঙজবনা হেন্না ফৈ । মতম চুপ্পদা নুংশিববু ঈরাৎচবগী ৱাফমনি ।

অশুম্না, ঐগী ৱাহৌদোক অসি লোইশিল্লকপগা লোয়ননা থমজরিবা ৱাফমদি, লাইরিক অসিদা য়াওরিবা পৃথিবীগী শক্লায়রবা মীওই খরা- চার্লি চাপলিন, হিটলর, জোন এফ কেন্নেদি, প্রেসিদেন্ট রুজভেল্ট অমসুং জুলফিকর আলি ভুত্তো, মখোয় খরা অসিগী অপাম নুংশিগী ওইবা ৱারীগা মতাঙ চাননা মথক্তা থমজরিবা, মমিং লৈরবা মীওই খরনা পনবিরম্বা নুংশিবগী ৱাফোঙদোক (Quotation) শিং অসি হাপচীঞ্জবনি, পাবীরিবশিংনা হেন্না খঙবীরবা ঙাক্তনি । মখোয়গী অশম্বা কোটেসন্স খরা অসিদা যুম্ফম ওইরগা মীওইবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা লৈনরিবা "নুংশিবা" হায়বদুগী মরমদা নৈনবা য়াবা মাইকৈ কয়াগী লম্বী তাক্লবসু, ৱাহৌদোক অসিগী পরিংদা থমজনিংবা ৱাফমদি, মফম মতম কয়াগী

তাঙ্কক্তা থোকখ্রবা নুংশি ৱারি কয়া-কয়াদি মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা সমাজ খুদিংমক্কী মনুংদা মশানা লৈফম থোক্লবা-থোকখ্রবা থৌদোক ৱাথোক ঙাক্তনি হায়বসিনি । ৱারি কয়া অদু তারুবা পারুবা কয়াগী পুক্লিংদসু মতম পূম্নমক্কী ওইনা অৱা নুংঙাইগী ইথিল চপচানা পীরিবা ঙাকনি । অসিগুম্লবা ৱারিশিং অসিদি মরন্নাই মীশক খরগীত ওইনা ইন্থোক্তুনা থম্বা য়াদবা, লৈবাক পুংজাও থিনবা হায়বদু ওইখিদবা কয়াসু লৈখিদবা নত্তে । গ্রীক মাইথোলোজিদা য়াওরিবা Helen of Troy সু অসিগুম্বা থৌদোক্কী চাওরবা খুদমনি । ৱারি কয়া লৈরি মীওইবগী ইতিহাসতা অদুবু পূম্নমক অদু ওইরসনু; ঐগী ৱাহৌদোক অসি লোইশিল্লকপগা লোইননা ঐনা পামজবদি মীওইবগী মফমদা ঈশ্বরনা পীনবিরম্বা সংসার অসিগী ওইবা নুংশিবা হায়বা পোংশক অদু য়াম্না পাক চাওথোক্লা তাইবংপাল অসিদা লৈরিবা মীওইবা পূম্নমক্কী মফমদা, ধর্ম্মগী, জাৎকী, কুচুগী অমসুং লাইরবা ইনাকখুনবগী খেন্নবা লৈতনা পূম্নমক নুংশিনবা (বীশ্বপ্রেম) Universal love and Friendship হায়বদুগী মঙাল অমত্তং মীওইবা পূম্নমক্কী থম্মোয়দা ফংহনবীয়ু হায়দুনা তাইবংশেম্বা ইবুংঙো মাগী মফমদা নিজবা অসিনি ।

ৱাফমস্সিগা লোয়ননা ঙসি ঐ-ঐগী ওইনরিবা, চিল্লবা, পোত্থাফম খঙনদনা চরাঙনরবা মতমগী মরক অসিদা মীকুপ খরদং ওইরবসু ঙসি ফোংজরিবা লাইরিক অসিগী লামায় খরা হাংদোকপীরগা সহিত্যগী লৈচল অমনি খনবীদুনা ঙাইহাক্তংদি পাবিয়ু, চোকথরবা পুক্লিংগী মচিঞ্জাক পীবিয়ু হায়জবসিনা ঐগী নোল্লুক ৱাহে ওইজগে, লোয়ননা লাইরিক অসিগী মরমদা মমল য়াম্লবা ৱাফম ফোংদোকপীরকপী, ইমাখোল (অৱাং পোৎশংবম) সাহিত্য সংস্থান অসিগী ইকাই খুম্নজরবী প্রেসিদেন্ট, ইবেম্মা ডাঃ চন্দ্রকলা চিঙ্গাংবমগী মফমদসু থম্মোয় শেংনা থাগৎচবগা লোয়ননা লাইরিক অসিগী নম্ফম লৈমহল কম্প্যুটরাইজদ প্রেস খুরাই লম্লোঙদা লৈবগী প্রোপ্রায়টর শ্রীথৌদাম কান্তা সিংহ (ঐগী ইনাও) অমসুং মাগী প্রেস ষ্টাফনা লাইরিক অসি পুথোকনবা হোৎনবদা মতম চংনা হন্না হন্না ৱাবিখিবা অদুগীদমক্তসু ঐনা লম্মন তোনশিঞ্জবগা লোইননা তৌবিমল খংবা উৎচরী ।

খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ
২৪/৬/২০১১

হীরম লামায়

লামায়

১ — "নুংশিবা" পুন্সীগী মরুওইবা মচল অমা ।
(নৈনরোল অমসুং খুদম ৱারী মচা-মচা)

২৭ — নুংশিগী ৱারীদা পৃথিবীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সী ।
১- চার্লি চাপলিন ।

৪০ — জর্মনগী হিটলর -
মাগী নুংশি নুংওল ৱারী

৮৬ — জোন ফিট্জরাল্দ কেন্নেদিগী নুংশি লিলা ।

৯৯ — ফ্রাঙ্কলিন দেলানো রুজভেল্ট অমসুং মিসসি ।

১১১ — জুলফিকর আলি ভুত্তো
অমসুং হুসনা সৈখ ।

নুংশিবা

পুন্সীগী মরু ওইবা মচল অমা

(নৈনরোল অমসুং খুদম ৱারী মচা-মচা)

জগৎ সংসার অসি লৈরকপদগী হৌনা মীওইবা কয়ানা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈনরক্লিবা মালেম পৃথিবী অমসুং মশিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীৎনা উবা ফংলিবা, ফজবা নুংশিবা কয়ানা থল্লবা মালেম তাইবংপাল অসি ইহান হান্না ওইরকপগী ৱারী কয়াদি নুংশিবা কৌবা শকনাইদবা পোৎশক অমদা য়ুম্ফম ওইরকখি হায়বসি ধর্ম্ম পুরান কয়াগী মোতনি । নুংশিবা হায়বা অসিদি জগৎ সংসার অসিগী ওইনা লৈরিবা, য়াম্না মরু ওইখ্রবা নুংগী ঈচেল অমনি । মালেম তাইবংপাল অসি লৈত্রিঙৈ, কুইখ্রবা মতম, চহি লিশিং লখা কয়াগী মমাঙদা লৈখিবা, পূমহাঙ হাঙলম্বা মালং অদুদা, করিগুম্বা মশক মওং নাইবা, থৱায় পানবা পান্দবা, মমিং অসি নত্রগা অদু কৌই হায়বগী পোৎশক অমত্তসু লৈরমদে হায়বসি পুন্ন মক্না থাজনৈ । মশিগা মদুগা মান্নে, অসিগা মসিগা খেন্নে হায়বগী খুদম অমত্তসু খোঙ্গুল লীরুবা ঙমদনা জগৎ হায়বদুগী আত্মানা তৃমদুনা লৈরম্বগী মওংনি অমসুং মতম অদুদা, মশক মওং নাইদ্রিবা অহাঙবা মালং অদুবু মমিংদি লৈত্রিবা অচৃম্বা কৌবা অশেঙবা পোৎশক্কি কুয়োম অমনা কৃপশীন্দুনা লৈরম্বগী শকওংনি হায়নসু লৌনরী অমসুং শকওং অদুমক্তি, জগৎ অসিগী নুংগী মশক ওইরবা লৈশেল্লকপা মপু (হিন্দু বেদগী মতুং ইল্লগা) ব্রহ্মা হায়বদু ওইনা থাজনৈ । অদুগুম্লবা ফীভম অদুদগী নোংমা ব্রহ্মা অদু মশা মথন্তগী ৱাখলদা মপুক্লিং চিংশিঞ্জদুনা মশা মথন্তবু নুংশিরকপগী ৱাখলদা লুপখি । মতাঙ অসিদনি মহাক্লা মপুক্লিংদা মথঙ মথঙ খন্থরকপা-ঐ ইশাদি অমত্তনি, ঐগী মশিং য়ামহনবীয়ু হায়না হন্না হন্না মশাগী পুক্লিং চিংশিল্লকখিবা । অশুম্না হায়নৈ, খুদক্তা মহাক্লা নিংলিবা অদু থুংখি, নুমিৎ-থা-থৱানমিচাক্লচিংবা মথঙ মথঙ জগৎ অসিদা লৈরকখি ।

মথঙদদি, ওইরক্লিবা পোৎশক পুম্নমক্কি তুং কোইবা খোঙচৎ অমা কায়দনবগীদমক্তা, নিংশিংবা থোক্ত্রবা কুইখ্রবা মতম অদুদা ৱাখল লাকখ্রবা ব্রহ্মানা অনৌবা পোৎশক অমদগী অনিথোক্লা অমুক শেম্বগী অপাম্বা, হায়বদি ঈশ্বর অমসুং মায়া, অমরোমদা হায়রগা মীওইবা অমদি মহৌশা (প্রকৃতি) হায়বসিগী থৌশীল, ৱাখল পুথোকপা হৌরক্লে । অসিগী মতুং তারকপদনি, তোঙান তোঙানবা লমগী, ধর্ম্মগী মতুং ইন্না তাইবংপাল অসিদা মীওইবনা লৈবা হৌরকখি হায়না থাজনরিবা । মতাঙ অসিদা পনবা য়াই তাইবং অসিদা চাদা নাওদারকখিবা অহানবা নুপা অমসুং নুপী, মখোয় অদুদি অদাম অমসুং ঈভ (খৃস্টিয়ান ধর্ম্মগী) দ্যুজ অমসুং নেচর, (লেতিন ধর্ম্মগী) য়িং অমসুং য়াং (চাইনিজগী) অসিনচিংবা । ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনসু মীহৌরোলগী ৱারীদা থাজনবগী মতুং ইন্না তাইবং শেম্বা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী ৱারী লৈখ্রিবা অসিগুম্না ।

অসুম তৌদুনা তাইবংপাল অসি শেমলকদৌঙদগী য়াওরক্লবা "নুংশিবা" কৌবা শক্লায়দবা পোৎশক অদুমদি, মথঙ মথঙ লেপ্তুনা ঈশ্বরনা পীনরক্লবা, হুল্ল হুল্লগা হৌরকপা মরু মখল অমা ওইনা লাইরম্লেন্দগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবদা মীওইবগী মরক্তা লৈহৌরবনি ।

ইজরিবা অসি, "নুংশিবা" হায়বদুগী মরমদা ওইবনা, ৱাফম অসিদা অমুক খরগা শাংথনা ইজবনা লাইরিক অসিদা হুন্দোক্লম্বা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা মখাগী ৱারোল খর অসি থমজরি । মদুদি মশক নাইদবা, উবসু ঙমদ্রবা, মমিংদি খ্বায় পুম্নমক্লা ঙাঙনবা" নুংশিবা, হায়বদুদি থৱায় পানবশিংগী, মরু ওইনা তাইবং মীওইবগী ৱাখল, পুক্নিংগী ওইবা মহৌশাগী অথোৎপা অমেঙবা ঈহুল কয়াগী মরক্তা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈখ্রবা নুংগী ঈহুলঅমনি হায়বদা থোইদোক্লা অরানবা ওইররোই । পাক চাওরবা নুংশিবগী ৱাহন্থোক্কা লোয়ননা, মশিবু মুন্না মশক খঙবা তারবদি মীওইবা অমনা মশাগী ওইবা ৱাখলগী খমথেংনা য়ৌরবা থাক অমদা ওইজবা পুম্বা থাদোকপা ঙম্বগী লিংজেল অদুমক্কা, মহাক্লা নীংজরিবা, নুংশিজবা অদু ফংজবগা চপ মান্ননা লৌই হায়বশি ঐখোয় মীওইবনা খঙফম

থোকপনি । মতৌ অশুম্না, নুংশিবা হায়বসিদি ঐখোয় মীওইবগী থম্মোয়নুংদা ঈশ্বরনা পীবীরক্লবা গুন কয়াগী মরক্তা তোপ তোপ্পা গুনগী মখলনি । অদুবু, মীওইবা খরগী মরক্তসু, নুংশিরুরিবা অদুগী আত্মা, থৱায় অদুগী মফমদা অয়ৌবা থাক্কি ৱাখল চেন্দবা, পুক্নিং হকচাঙগীতা ওইবা ৱাখলগী মখা পোন্দবসু নত্তে; অসিগা খেন্নবদা, কনাগুম্বা অমনা নুংশিবা হায়বদুগী মফমদা থম্লকপা ৱাখলগী পন্থুংদি, ফংজগদবা পোৎশক, হকচাঙ অদুতা নত্তনা, মহাক্কি আত্মা, থৱায় অদুবুসুনি হায়বসি মশানা ফোংদোকচৈ । য়োৎচাবীগী মশাদা চিংশিনবগী শক্তি লৈবগুম নুংশিবনসু মীওইবা কনাগী পুক্নিং হকচাঙ অমসুং আত্মাগী মফমদা ফাওহল্লি । নুংশিবা হায়বসিদি থৱায় আত্মা মশেল শক্তাক্লবনি, পুক্নিং ৱাখলদা লুপ্ন বনি অমসুং থৱায় অনীগী ঈচেল অমত্তা ওইনা চেন্থবনি । ঈশ্বরনা পীনবিবা নুংশিবগী অশেঙবা ফম্বাক অসিদা মীওই পুম্নমক্কি, অমগা অমগা লৈনবা মরী, থম্মোয় পুক্নিং ৱাখল অমসুং হকচাঙবু অমকপা য়াওদনা শেংদোক্লে৷ জগৎ সংসার তাইবংপাল অসিবু শেমগৎপা, হৌদোকপগী মরমসু নুংশিবগী ইরোয় লোইবা, অমত্তা ঙাইরবা অকনবা শক্তিননি । মশিদি অথোৎপা লিংজেল অমগী অকীবা ফংনা পাঙ্গল্লবা মশক্নি । রোবার্ট জে: স্তেনবর্গ কী মমিং চৎলবা থীওরী "নুংশিবগী মমায় অহুম" হায়বদুদগী শমজিন্না খজিক্তং অমুক হায়জরবদা - - - ।

অহানবদা মীওই অনিগী চান্নবা (ৱাখলগী মচাক মান্নরকপা) অমদি নুংগী ওইবা ৱাখল মিৎয়েং ফোংদোক্লরকপদগী অমুক্তা হেন্না চেৎশিন্না নকশীন্নরকপা অসিনি ।

অনিশুবদা :- অথোৎপা পুক্নিংগী মচাক লৈনরকপা, ফোঙদোক্লরকপা অমসুং মদুগী মতুং ইন্না নুংগী অপাম্বা ৱাখলবু হকচাঙদা ইহুল পীরকপা - - - অসিমসুনি ।

অহুমশুবদা :- য়ানবগী ৱারেপ পুরকপা অমসুং নুংশিবা মহাক অদুগা লোয়ননা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল অমা লেপথোক্লরকপা, অসিনি ।

অশুম্না, মীওইবগী মরক্তা লৈরিবা খুৎশেমগী ওইবা আইন, চৎনবী অমদি থবক থৌওং কয়াবু নুংশিবনা পাক মতুং ইন্না চত্তে । নুংশিবদা

য়াওরিবদি মশাগী ওইজবা থাদোকচবা অমসুং থাদোকপদা পেনজবা অদুনি । স্বর্গগী অমৃতগুম, ঐগী ওইজগে হায়বা ৱাখলনা নুংশিবগী খমথেংবা ফিরেপ্নি । নুংশিবননি, মীওইবগী পুক্লিং হকচাঙ অমসুং থৱায়বু অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙম্লিবা । মহাক্কিদমক্তা পৃথিবী অসিদা মীওই কয়া লৈমিন্নরী, খৎনরী, কায়নরী পূন্নরী, পুল্লপ শু নোমদুনা হিংমিন্নরী অমসুং খাঙনরী ঙাইনরী । হয়েং কৌবা তুংগী মতম অমা ওইরক্ল বগীদমক্তা পুন্যগী মশক ওইরবা নুংশিবনা তৎপা লৈত্রবা মরী অমা ওইনা, হৌখ্রবা ঙরাংগী মতমগা ঙসিগী মতম অসিগা শম্নহল্লি । মীওইবগী মরক্তা, কবি কয়ানা, অইবা, অশৈবা কয়ানা মতম পুম্নমক্কী ওইনা মহাক্তবু শক শোন্নদুনতা লাক্লি । মতম পুম্বদা, যুগ কয়াদা শংদুনতা, ঙান্দুনতা লৈহৌরগদবা নুংশিবা কৌবা মহাক্লা অহৌবনি, অরোয়বনি জগৎ অসিদা ।

অমরোমদা অমুক ; নুংশিবা হায়বসিনা নুপা নুপী অনিগী মরক্তগী হৌরক্লগা মথঙ মথঙ মওং কয়াদা, হায়বদি শাগৈ নাতৈগী ওইনা, লৈবাক্কি ওইনা, লনথুমগী, ইকায়খুম্নবগী, মিংচৎকি, মহৈ মশিংগী অমসুং ঈশ্বরগী মফমনচিংবা মরম কয়াদসু খাইদোকখি । কনাগুম্বা নত্রগা কনাগুম্বী অমবু নুংশিবগী ওইরবসু, সমাজ অমবু নত্রগা লমদম অমবু নুংশিবা ওইরবসু, নুংশিবগী মফমদদি পুন্সীগা থৱায়গা করিসু মরী লৈনরক্তবগুম তৌরকই । অশম্বা থৌদোক ওইনা খুদম খরা পনজরবদা ইসলামজগৎকী নুংশি ৱারীদা য়াওরীবা মজনুনা মাগী নুংশিজবী লয়লাবু থিবদা মাগী পুন্সী কৎখিবা, মমা লৈবাকপু নুংশিবা মীওই (শহিদ) কয়ানসু মমা লৈবাকপু মীখা পোন্দনবা হোৎনরকপদা মাগী মাগী থৱায় কৎনখিবা কয়ানি পুন্সীবু পাম্মুবা লৈতনা- - । অমরোমদা কৃষ্ণবু নিঙজবী মিরানা মানা নুংশিজবা কৃষ্ণবু ফংননবগীদমক্তা হু হাপচীল্লবা ঈশিংবু হাওরবা অমৃতগুম থকখিবা । অসিগুম্লবা ৱারি কয়ানি মীওইবনা লৈরিবা মফম পুম্নমক্তা, খুদম ওইনা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু মাঙলমচৎকী ৱারীনা শাক্ষি ওইরগদবা কয়া-কয়াসু ৱাত্তনা লৈরি .... মখোয় অদুগী মরক্তা অঙনবা মতমগী সতি কন্যা, য়াইরিপোক থম্বালনু অমসুং মোইরাং কংলৈরোলগী খম্বা-থোইবী, তোনু লাইজিংলেম্বী অমসুং পান্থোইবীনচিংবগী ৱারী কয়াদি নুংশিবগীদমক্তা থাদোক্লখ্রবা থৱায়গী শেংলবা খুদম ঙাক্তনি ।

নুংশিবা হায়বসিগী ইহান হানবা হৌরকফম কদায়দগীনো হায়বসিদি চপচানা ফোংদোকপদা ওইথোক্কে, অসিনি হায়বা পাউখুম লৈতে। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে, মীওইবগী পুন্সী অমসুং লেংলি পাল্লিবা থৱায়পানবা পূন্নমক্না নুংশিবগী মতুং ইল্লকই হায়বসিদি অচুম্বনি। মতমগী খোংচৎ কয়াদসু নুংশিবগী মওং অমসুং মহৌশাদি খক হোংবা লৈরক্তে। অসিনা অশেঙবনি, অচুম্বনি হায়বগী ৱাফম খল্লুবা অমুক লৈতনা, নুংশিববু মতমচুপ্পদা ইরাৎনরক্লি, ঈরাৎনদুনা লৈখিগনি তাইবংপাল অসিনা লৈরিবমখে। মীওইবগী মরক্তা জাৎ কুচু, চহি, লম, লায়রবা, ইনাকখুনবা, শাগৈজাত অফবা ফত্তবা পূন্নমকপু অমত্তা ওইনা পূনশিনবা ঙম্বগী য়ুমফমদি নুংশিবনা ওইবনি।

অথোৎপা মীওইবগী থম্মোয়নি হায়বগী অরেপ্পা খুদমসু নুংশিবনা শাক্কিনি, অমরোমদ অমুকসু, কনখ্রবা, থুগাইবা ঙমদ্রবা থৌদু নুঙগী পাঙ্গলদুসু নুংশিবদা লৈ হায়বগী খুদম কয়াসুনি। অশুম্না, মরক মরক্তা সমাজগী চাওখৎপা ওইনা খন্নরবা চৎনবী নিতি নিয়ম কয়াবুসু নুংশিবনা মাইয়োক্নবা তারকই। লৈরিবা সমাজ অমগী মপানথোংগী চৎনবী কয়া অসিদি নুংশিবগী মফমদা খুৎশেমগী অপনবশিংনি। অপনবশিং অসিনি নুংশিবনা থুগায়রিবা, অদুগা থম্মোয় থম্মোয়গী, থৱায় অনিগী লৈপুল শেম্নরিবা অমসুং থম্মোয়নুংদগী হৌরকপা নুংশিববু য়ৈখায়নবা লৈরিবা চৎনবী পল কয়াদুবু করিসু ওইদে খঙহল্লিবা!

করিগুম্বদসু তিন্নবা য়াররোইদবা, ক্বাক্বা শাইরোংগগী মশক ওইরবা নুপা নুপী অনিবু লৈমিন্নহল্লগা চাদা নাওদাহল্লিবা, অদুগা অমরোমদনা নুংশিজরবী অমবু নুংশিজবা নুপা অমনা শোক্লুবদা পাপকী ৱাখল ওইহনবা, অরানবা ওইনা খনবিরিবা চৎনবী ময়াম অসি কয়াদা মনুং ফুনখিদ্রবা নিয়মগী মশক্নো .... ! নুংশিনদবা মশেল কয়াবু চৎনবীনা নমদুনা লৈপুল শেম্বীরিবা কয়া অসিদি নুংশিবনা তুক্কচৈ।

কংবা নাইদ্রবা, থম্মোয়নুংগী ঈফূৎকী মশক ওইরবা, পুক্লিংবু থৌগৎলিবা নুংশিবগী ঈচেলদি পোকপদগী হৌরক্লে। মমা-মচা অনিগী মরক্তবু ওইরে, মচিল-মনাও-মচল মচেশিংগী মরক্তবু ওইরে, নুংশিনবা

শাবী শানৌ কয়াগী মথানুংদবু ওইরে .... নত্ত্রগা করিগুম্বা অখন্নবা ফিদম পামজবগীবু ওইরে পোকপদগী য়াওরক্লবা থম্মোয়গী শেংলবা ঈফুৎ অমনি ।

নুংশিবগী খমথেংবদি ওইজবা থাদোকপনি - - - । মশিগী ঙমখৈ নাইদে, মদু ফাওবনি হায়বগী অরেপ্পা লৈই চিংদে । কবিরদাসনা হায়খি :- "নুংশিবদি হৈকোলদসু হৌদে, লৈকোলদসু শাৎতে কৈথেলদসু য়োন্দে । নিংথৌবু ওইরে, মীচম্বু ওইরে, থৱায় অমগীদমক্তা থৱায় অমা কৎথোকপা ঙম্লবদি নুংশিববু ফংবনি ।" ওইজবা থাদোক্লবা, থৱায়বু পাম্মুবা লৈরক্ত্রবা মতমদতা নুংশিবগী ময়েক শেংলকই । জীয়ু মশিং লাকঙমদনা, ঙাকপীহৈতনা হাৎপীখ্রবা মরিংজেল খারবা হিটলর ফাওবা ময়ায়কল্লবা নুংশিগী তেন্দগী নাম্থোক্তুনা চেনবা ঙমখিদে । নুংশিবগী লম্বীদি চঙশীনবা অরায়বসু নৎতে । কবিরদাসনা অমুকসু হায় - "নুংশিবা হায়বদুগী লৈফমদি কনাগুম্বা অমনা হেক্তা চঙলুবা য়াবা মনে মন্দোলগী য়ুম অদুগুম্বা নত্তে, নুংশিবগী লম্বীদা চঙনিঙলবা মহাক অদুদি শুকশোয় শোয়দনা মশাবু কৎথোকচননবা শেম শাবা তাই ।" মুসলিম ধর্ম্মগা শাগোন্ননা লৈরক্লবা লয়লা-মজনু, সিরিন ফরহাদ, সহিনি মাহিৱাল অমসুং হীর রনঝা-নচিংবা ৱারী কয়াদি নুংশিবগী শেংলবা অমকপা লৈত্রবা ফম্বাক্তা মখোয় মখোয়গী থৱায় কৎথোক্লখিবগী ৱারীনি অমসুং মদুগী খোন্থাংনা ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী পুক্লিং, থম্মোয় ফাওনা য়েহৌরী ।

কনাগুম্বনা হায়, নুংশিবা হায়বা ৱাহৈ অসিদি অঙাওবগী ৱাখল চেনবা ৱাহৈগা পাংখকনি, অদুবু অফবনি, ফত্তবনি খল্লুদনা অঙাওবগী ৱাখল চেনবসি অমরোমদা অমুক নুংশিবগা লাপথোক্লবসু য়াদে । নুংশিরুরিবা পোৎশক, মীশক অদুগী পুক্লিং হকচাঙবু ঐগী ওইজরগতা পেনজগদবা নুংশিবগী অকনবা ঈহুলনি । মহৌশা কৌবী মহাক্লা পীবীরক্লবা খুদোল ওইবগা লোয়ননা পীশিনবা অমসুং লৌশিনবগী অপুনবনি । নাকল অমত্তনা নুংশিবদি মশা মরোমদোম পুন্সীবু কৎথোকচবনি, অমরোমদা থম্মোয় অনিমক্লা নুংশিবগী মৈরীবু পুন্না

চুখৎমিন্নরবদি নুংশিগী পাম্বী অদু শারেফ ফানা চাউরবা, শিঙেল চুম্লা শাৎলবা, মহৈ য়াল্লবা হায়বদু ওই।

মীওই কয়াগী মরক্তা অমুক থিংলুবা ঙমদনা অমগা অমগা য়েংথিনবা, মিহাৎ মীপুনগী থবক্লা কা হেন্না থোক্লবা ঙসিগী তাইবংদা নুংশিনবা হায়বসিদি খ্বায়না পাম্নরবা অতাঙবা পোৎশক অমা ওইরক্লে হায়বসু য়াই। নুংশিবনা থম্মোয়বু খোইরুগী মতৌগুম্না শৌদোকহনবা ঙম্মী। অমরোমদা অমুক কনাগুম্বা মীশক অমনা মানা নুংশিরুবা মীশক অদুনা মহাকপু নুংশিদে হায়দুনা, মাঙ তাকহন্নিংবগী অমসুং মাবু লৈখা তাহন্নিংবগী ৱাখল পোক্লক্লবদি, মহাক্লা খল্লিবদু নুংশিবগীনি হায়বদি য়াররোই। নুংশিবনা নুংশিরুবা অমবু য়ারকউ হায়দুনা নমজা নমথেক্লগদবা, পাঙ্গল শিজিন্নগদবা নৎতে। নুংশিনবদা হকচাঙ অনিগী নক্লবা, অরাপ্পগী ৱা লৈতে। মসিদি ৱাংখ্রবা ৱাখলগী থাক অমনি, লোইবা খম্বা নাইদ্রবা, মতম চুপ্পগীনি। খুদম অমা পঞ্জরবদা :- মতম অমা, নেতাজি সুভাসচন্দ্র বসুনা স্বিটজর্লেন্দগী হোসপিতাল অমদা লৈরিঙৈ, মহাকপু সেবা তৌরিবী নর্স অদুবু নুংশিখি, মখোয় অনি নুংশিনখি। খঙহৌদনা সুভাস, মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখলনা কৌরক্লবদা মখোয় অনি থুনমক কায়নবা তাখি। মখোয় অনি কায়নখি অদুবু নুংশিনবা অদুদি মতম চুপ্পগী ওইনা লৈহৌই। মচানুপী অমা পোক্তুনা নুংশিগী মহৈ য়াল্লবগুম নর্স অদু মথন্তা হিংহৌই। অতেনবা মিকুপ খরদা ওইখিবা নুংশিবগী চাংজৌ ঈপাক অদুনা নুপী অদুগী পুক্লিং, থম্মোয় থুমখিবনা মশাগী পুন্সীগী অরোইবা শরুক ফাওবদা অতোপ্পা কনাগী ৱাখল তৌরুদনা, অয়ুক্তা থোকপা নুংশাগী মেঙলবা মঙালদা হিংবগুম মাগী পুন্সী লেনজখি।

“নুংশিবা” অঙকপনি, মগুন চাউই, অকনবা নুংজাও শৌদোকপা ঙমই। অদুম্নদি ওইরগা সামাজগী চৎনবী কয়ানা ফাজীল্লবা, মশাগী ৱাখল হোংদোকচবা ঙমদ্রবা, অখূবা মিৎয়েংগী ৱাখল পরিং অমদা লৈখ্রবা মমা মপা কয়া অমগী থম্মোয়দি মচা ওইবশিংগী মফমদা নুঙগুম্না কনবসু য়াওদবা নত্তে। অদুগুম্লবা শৌদোকহনবা ঙমদ্রবা মখোয়গী নুঙগুম্লবা থম্মোয় অদুনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা, নুংশিবদা ঙাওরবা মখোয়গী মচা

অমগী থব্রায় মাঙবা তারক্লবসু মখোয় করিসু নাচুংদে । অসিগুম্বা থৌদোক কয়াদি, ঐখোয়না নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী হৌনা লাইরমলেন্দতা নত্তনা তাইবং মীরক্তসু থোক্তুনা লাক্লবনি । অদুবু মরক মরক্তা মীওইবনা নুংশিবা কৌবা মহাকপু ইকায়খুম্নদ্রবসু মহাক্তি অসুক্কি মতিক অশেঙবনি হায়বা অদুদি ঈশ্বর মহাক্লদি খঙলবনি ।

পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা, নুপা নুপী অনিগী নুংশিনববু, লুহোংবা কৌবা, ধর্ম্মগী খাজীন্দুনা লৈবা চৎনবীগী পন্নুং অমদা পুশিল্লক্লবা হোৎনবসি, কুইরবা মতমদগী হৌরক্লে অদুম্নদি ওইরগা তশেংনমক মতম পুম্নমক্তা মহৈ য়াল্লবা থৌরম অমরা হায়বদুদি নত্তে । লুহোংবা হায়বসি সমাজ অমনা শেম্বনি, নুপা নুপী অনীবু চৎনবী পথাপ অমগী মখাদা মরী লৈনহনবনি । মদু ওইদুনসু, য়ানদবা মীশক অনিগী মরক্তদি লুহোংবনা নুংশিবগী থোং শাবীবদি ঙমদে, হেন্নদুম কায়দুনা তারকই, লৈঙোয় ঙাক্তনা শারবা য়ুম্বীগুম নীংখায়রকই । অচেৎপা, নুংশিনবগী য়ুম্ফম নৎত্রবদি, শ্বোর হোন্দোকফম লৈত্রবা লাং অমদা ফাজীন্দুনা থম্বগুম পুন্সী লেলহল্লি ।

কনানা কনাবু কদাইদা, করম্বা মতমদা নুংশিবা হায়বদুদি হান্না খঙদোকপা, হায়দোকপদি মতম অয়াম্বদা ওইথোক্তে । নুংশিবা (Love) হায়বসিদি হেক্তা খঙবা ঙমদবা, অরেপ্পা মওং হায়বা ঙমদবা মহৌশাগী মতৌ অমনি । অসুক্কি মতিক পাঙ্গল্লবা, মীওইবগী পুক্লিংদা য়াওবা ইহুল মখল অসিনা চপচানা হৌরকখ্রবদি অপনবা পুম্নমকপু থদৎলি অমসুং নুংশিনবা অনিগী থব্রায় হকচাঙ অনীমক নুংগী শুমহৎপা ব্রাখলগী শুমহৎয়াই অমনা লাঙ্গোয় চল্লগা পুক্লিংগী পোৎথাজবা ফংজে, শিবা চঙবা কাউনৈ, খঙনদে ।

খুদম ওইনা ব্রারী খরা পনজরবদা :-

Paris (পেরি) সহরগী অচৌ অশাং ইমুং অমদা ইং ১৭৫৪ দা পোকখিবী, মেরী জিন্নে কৌবী চহি ২৬ লোম শুরক্লবী লৈশাবী অমনা, মহাকপু পোকপা মপাগা থবক তৌমিন্নবা জাকোবিয়ান নুপা অমবু হায়ফম খঙদনা নুংশিখি । নুপা অদুগী মমিং রোলান্দ কৌই, মপাগা চহি লেঙ্গানি, অদুবু অসুক্কি মতিক থৌনাফনা অপনবা অথীংবা কয়া মায়য়োক্লনা মাগী

নুংশিজরবা রোলান্দগা লৈমিন্নখি । জিন্নে হায়বী লৈশাবী অদুনা, করি অমুক হায়গনি, মপাগী অয়াবা ব্রাফম ফাওবা ঙাইখিদে । মতম অদুদগী হৌনা মহাক্কি মপা অদু মাগী মফমদদি খ্বাইদগী তমথিনা য়েক্লবসু ওইরকখি । রোবস পিয়ারে কৌবা, মতম অদুগী ফরাসি লালহৌ (French Revolution) দা য়াওবা নুপা অমদা জিন্নেগী মপানা অতৎপা লৈতনা তকশীল্লকপদগী চহি তরাহুমদোইগী মতুংদা জিন্নেবু গুইলোটাইন (ঙক ককফম) দা লেপহল্লগা মঙক কক্তুনা হাৎলগনি হায়না কিহল্লবফাওবা রোলান্দবু থাদোকউ য়াখিদে, অদুগী মহুত্তা হরাও হরাও নুংশিবগী দন্দি অদু ফংজখি । (মঙক কক্তুনা হাৎপিখি) মসিনি নুংশিবগী মপাঙ্গল ।

অতোপ্পা খুদম ব্রারী অমনা :- চহি কুন শুরক্লবী মার্টা কৌবী লৈশাবী অমনা মঙোন্দগী চহি য়াংখৈহুমদোই হনবা পাবলো কাসাল্সকা নুংশিনখি । কাসাল্স, সেল্লো যন্দ্রগী ইশৈ খোংবদা পৃথিবীদা মমিং চৎখিবা নুপানি । মখোয় অনী লুহোংবা নুমিত্তা মার্টানা হায় - "ঐগী খ্বাইদগী নুংঙাইজবা মিকুপতি ঙসিগী নুমিৎ অসিনি, ঐগী থম্মোয় অমসুং পুক্লিংবু পাবলোনা মপুংফানা কোনশিনবী, অদুনা ঐ, অতৈ অতোপ্পা কনাগী ব্রাখল তৌরুবা ঙমদ্রে" । অশুম্না মখোয় অনি, নুংঙাইরবা য়ুম্বানবগী পুন্সীদা চহি কুন হেন্না লৈমিন্নখি । কাসাল্সনা শিরমদাই, চহি মরীফুতরা হুমদোই শুরকপদা হায়খি :- "ঐ খমথেংনা নুংঙাইজে, ঐগী পুন্সীগী খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইজবা মতমদি, মার্টাগা ঐখোয় অনি লৈমিন্নরকপা মতমসিনি । ঐগী মার্টা পুকচেল চাউবীনি, মগুন লৈবীনি, ঈশ্বরগী শাইওন্নি, থোইদোক হেন্দোকপা কলাকার অমসুনি, ঐগী চহি মতাঙ অসিদা মার্টানা ঐগী পূম্নমক্কি ।" ডশেংনমক কাসাল্সনা পাখংমচা অমগুম্না, ইং ১৯৭০ গী মতম, মশাগী চহি ৯৩ শুরকপগী মপোক নুমিৎ অমদা, সেল্লো খোংবা মীওই চাম্মগী অপুনবা ওরকেস্ত্রা অমা নিয়ুয়োর্ক সহরদা মহৈ য়ান্না পাঙথোকপা ঙমখি ।

কুইদ্রিবা, হৌজিক্কি মতম অসিদসু নুংশিবনা চহিগী অপনবা অমদি সমাজগী কল্লবা চৎনবী কয়াবু ইরায় লায়না কোমথোকখিবগী খুদম ব্রারী

কয়া লৈখ্রে । পৃথিবীদা মমিং চৎখ্রবী সারাহ্ মিল কৌবী একত্রেস অমনা মঙোন্দগী চহি কুনগী মথক ওইবা দ্রামাতিষ্ট রোবার্ট বোল্টকা লুহোংখি । অমসুং চহি ৩৫ শুরবী জাকলিননা চহি মরীফুমঙা শুরবা অফাওবা লাইয়েকপা পাবলো পিকাসোগা লুহোংদুনা লৈমিন্নখি । চহি কুন্থ্রা শুরবী লিয়ানন চহি হুম্ফুহুমদোই শুরবা কেরী গ্রান্টকা নুংশিনখি অমসুং মখোয় অনি লুহোংখি । ফাওরবা ফিলম স্টার সোফিয়া লোরেন্না মশাগী চহি কুনমাথোই শুরকপা মতমদা মশাগী চহিদুগী শরুক অনি হনবা কার্লো পোর্ন্টিগা লৈমিন্নখি । দ্রামাগী মমিং চৎলবা ইয়ুজেন-ও-নৈলগী মচানুপী চহি তরাতরেৎতা ঙায়রীবী উনা-না মঙোন্দগী চহি ৩৭ হনবা পৃথিবীদা শকখঙনরবা চার্লস চেপলিনগা লুহোংদুনা লৈমিন্নখি । (মখোয় অনিগী ৱারীদি, লাইরিক অসিগী চৎথরকপা লামায়দা ফংবীগনি) ।

ওন্ন তৈনবদা, নুংশিনবনা নহা ওইবা নুপাবু চহি য়াম্লবী নুপীগী মপুরোইবা ওইনা লৈমিন্নবা :- নুংশিবা হায়বসি অঙকপা মওংনি । পনজখ্রিবা ৱারীশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মারিয়া লৈটর কৌবী অমগী ৱারীদি তোঙানবনি । স্কুল অমদা মহাক অঙ্ক অমদি ইতিহাসকী ওঝানি । ৱাল্ফ গেং স্কৱার্জ কৌবা চহি ১৫ দমক শুরিবা ছাত্র অমা মহাক্কি ক্লাস অদুদা য়াওরম্মি । কদোমদগীনো খঙদনা মারিয়া লৈটরগা ৱাল্ফকা নুংশিনবগী মওং অমা নোংমা নোংমগী অশুম কনশীনবা হৌরকখি । ৱাল্ফনা স্কুলদা লাক্তবা নুমিত্তা, মারিয়া লৈফম চাফম খঙলমদে । অমরোমদনা করিগুম্বা মারিয়ানা ছুটি লৌখিবা নুমিত্তসু ৱাল্ফনা ইকায় ইকি খঙদনা মারিয়াগী য়ুমদা হংবা চৎলি । থা তরুক্কী মতুংদদি মখোয় অনীমক খাইদোক্লবা লাপথোক্লবা য়াদবগী ৱাখল ফাওনরক্লে । অশাঙবা ছুটিগী মতমদা, ৱাল্ফ, ময়ুমদা চৎখ্রগা নোংমদি মহাক্কি মমা-মপা ইনগ্রিদ অমসুং জোর্জ গেংগী মফমদা মাগী ওঝা নুপী মারিয়াগা মহাক্না নুংশিনৈ হায়বদু হায়দোক্লুরে । “মহাক চহি কয়া শুরে?” মমানা হংই । “য়ামদেদা, ঐঙোন্দগী চহি ২০ লোমদি হনগনি ।” ৱাল্ফনা মশাবু থাজনা, অচেৎপা ৱাঙাঙদা খুমজৈ । মচানুপাগী পুক্লিংদা খল্লক্লিবা ৱাখল অদুগী মরমদা মমানা থাজখি-মদুদি শোয়দনমক মাগী ওঝানুপী অদু যাদু হৈবী নুপী অমা ওইরমগনি ।” মরম অসিদগী ৱাল্ফকী মমানা মাগী নুপাবু মারিয়াগী মরমদা

ব্রাকৎ-চে পীরুনবা দার্তমন্দদা লৈবা ইদুকেসন দিপার্টমেন্টা চৎহনখ্রে। ব্রাফম অসিদগী থুনমক মারিয়া থবক্তগী লৌথোক্লে অসিগা লোয়ননা ব্রাফম অদু অমরোমদা মাগী নুপানা খঙলক্লবদা মারিয়াবুসু খাইনবিরে। মারিয়া করিগুম্বা অমত্তা হায়জখিদে ইদুকেসন দিপার্টমেন্টতসু, মাগী নুপাদসু। মতুং তারকপদা, ইদুকেসন দিপার্টমেন্টনা মহে তমফমশঙ পূম্নমক্তা নোটিশ অমা থোকলমই - মদুদি মারিয়া হায়বী নুপী অদু ছাত্রগী অফবা লমচৎতা অকায়বা ওইবা মরমনা, মাবু করিগুম্বা স্কুল অমত্তদা ওঝাগী থবক পীবা য়ারোই হায়না -।

হৌজিক্তি, ব্রাল্ফপু নুংশিবনা মারিয়াগী পুন্সীদা হিংননবগী মরু ওইবা পাঙ্গল, থৌনা অমা ওইরক্লে। ব্রাল্ফতি হান্নগুম্বা অদুম স্কুল অদুদা চৎলি, ছাত্র ওইরি। মরক মরক্তা মহাক, হেগেন্দা লৈবী মারিয়াবু উনবসু চৎলি। মহাক্না মারিয়াদা ব্রাশকই :- "ঐ নঙবু কৈদৌনুংদসু থাদোক্লোই।" মতম অসিদা, হেগেন হায়রিবা লম অদুদদি, ব্রাল্ফ অমদি মারিয়াগী ব্রারীনা য়ুমখোঙ খুদিং শীনখিরমই। ইনখৎলক্লিবা ব্রাল্ফপু নমদুনা থেন্নগী ব্রারোলদা মারিয়াবু মরাল পীবা হৌনরক্লে। মারিয়াদি ইংথনা তপ্পা অদুম খাঙলম্মী, মমৈথংদা মাগী মথক্তা থাঙ্গৎলকপা পোলিস কেস অদুসু কোর্টতা মায়থীখি। ব্রাল্ফ মশাগী চহি ১৭ (তরাতরেৎ) শুরকপা মতমদদি, ত্রেনি ইঞ্জিনিয়ার অমা ওইনা থবক অমা ফংলে। মারিয়ানা মহাকপু হেগেন হায়বা লম অদুদা কৌশিন্দুনা লৈমিন্নরকপা মতমদা, সমাজনা মখোয় অনীবু হন্থনা য়েংবীরমই অমসুং অঙাংশিংগী লমচৎকী মতাঙদা খুদোংথিবা ওইনা মখোয়বু খনবীরমই।

ব্রাল্ফ, চহি ১৯ শুরকপদা, অঙাং নুপীমচা অমগী মপা ওইরে অমরোমদা মারিয়াদি চহি ৩৯ শুরক্লে। মখোয় মতৈ মনাও অনিমক সমাজনা ইন্থোকপিখি। অশুম তৌনা চহি অনি ফারক্লবা তুংদা ব্রাল্ফনা মারিয়াবু "রেজিস্ত্রার" ওফিস তা পুবীরক্লগা মখোয় অনিমক লৌন-লৈনরবা নুপা নুপী ওইনা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা ব্রারী অসি ব্রাল্ফ অমসুং মারিয়া, মখোয় অনিগী অসিতনা তোঙানবা নত্তে। মমিং চৎলবা গ্রেট ব্রিটেনগী প্রাইম মিনিস্তর দিজরৈলি

ফাওবা মশাগী চহি ৩৫ কুম্থ্রামঙা শুবদা চহি ৪৭ (নিফুতরেৎ) শুরবী আন লেভিসকা লুহোংখি অমসুং পুন্সী চুপ্পা লৈমিন্নখি । খ্বায়না শকখঙলবা (মমিং তারবা) ইংরাজি কবিতা কয়া ইরম্বা রোবার্ট ব্রৌনিংসু মঙোন্দগী চহি তরুক হনবা, মখোঙনা লেপচবা ঙমদনা ফিভম শোয়রবা ইলিজাবিথ বারেতকা নুংশি শকখঙনখি । মপানা ইলিজাবিথপু মপানগী দৃশ্য উবা ফংহন্দনা য়ুমগী কৈশুমশঙ অমদা থম্লবসু, নুংশিবা হায়বদুনা মশাগী শিংলিদা চেনখৎলক্লবদা মশাগী চহি ৪০ (নিফু) শুরকপা মতমদদি কৈশুমশঙদগী নাম্থোক্তুনা মাগী নুংশিজরবা রোবার্ট ব্রৌনিংগী মথানুংদা চেনশীনজখি । মখোয় অনি লুহাংলবা মতুংদা ব্রৌনিংনা নাপল তৌনা ফোংদোকচখি :- "ইলিজাবিথ ঐগীদি ফিদম্লবা য়ারবা নুপীনি ।" অমরোমদা বৃটিস ইম্পায়ারগী নিংথৌরেল ৮শুবা এদৱার্দনা নিংথৌগী শাগৈদা পুশিনবা য়াররোইদবা অনিরক মযুম পাল্লুরবী নুপী অমবু নুংশিরুবদগী মপুন্সিগী ওইনা নিংথৌগী সিংহাসন থাদোক্তুনা নুপী অদুগা লোয়ননা মফম অমদা নুংঙাইনা পুন্সি লেনখি ।

নুংশিবনা শুমহৎখিবা, পৃথিবীদা লৈবা নুপা নুপী কয়াগী নুংশি ৱারীরক্তগী ইসলাম জগতকী থোইদোকপা নুংশি ৱারী লয়লা মজনু, সীরিন ফরহাদ, সোহিনি মাহিৱাল অমসুং হীর রনঝা নচিংবা ৱারী কয়া অমদি মতম পুম্নমক্তা নিংশিংনিংঙাই ওইনা মীওইবগী মরক্তা মতিক ময়াই চেন্না লৈহৌরবা ঙাক্তেনি । ৱারীশিং অদুগী মরক্তগী লয়লা মজনু অমসুং সোহিনি মাহিৱালগী শমলপ্পা ৱারীদি মখাগী অশুম্না থমজরী :-

লয়লা মজনুগী মুৎনাইদ্রবা নুংশি ৱারী -

মতম অমদা, আরব লৈবাক্তা লৈবা সাহ্ আমারি কৌবা আরব লুচিংবা নুপা অমগী মচা নুপা অমা পোকলমই । পিক্লিবা অঙাং অদুবু মমা মপানা কায়িশ হায়না মিংথোনখি । তুংগী পুন্সীবু খঙ-উবা পাঞ্জিশিংনা, পিক্লিবা কায়িশকী মরমদা অশুম্না ফাওখি, মদুদি "কায়িশনা চহি ১২ (তরানিথোই) শুরকপা মতমদা অঙকপা ফংনা নুংশি নুংওলদা ঙাওচৎনগনি, লৌবুক লমহাঙ কয়াদা কোইচৎ চৎকনি অমসুং মাগী পুন্সীদি নুংশিবগী ৱারীদা মমিং চৎকনি ।" মাবু পোকপা শাহ্ আমারিনা

মতম অদুগী অখণ্ড অহৈ তান্নদুনা মন্ত্র যন্ত্রগী লিক পরেং কয়া মচাগী ঙকশমদা শিবীখি অমসুং অল্লাহ্গী মফমদা কায়িশপু কনবীনবা প্রার্থনা তৌজখি । অদুবু পোকপদগী হৌনা নোংদম্বী বিধাতানা তমখ্রবা মচাগী মরায়বক তকদির অদুদি খক হোংদোকহনবা ঙমখিদ্রে ।

কায়িস নুপামচা অমা ওইনা চাওখৎলক্লবা মতমদা দামাস্কস তা লৈবা সুমলমান ধর্ম্মগী স্কুল অমদা মহৈ মশিং তম্লনবা থারমই । স্কুল অদু অহল ওইরবা মৌলভী সাফি উল্লাহ্গী মখাদা চলাইবা, নুপা নুপী পুন্না তম্মিন্নবা মফমনি ।

তুংগী পুন্সীবু উবা ঙম্লবা পাঞ্জিনা মাঙজৌননা হায়খ্রবা অদুগী অচুম্বা মতম য়ৌরক্লে । স্কুল অদুমক্তদা নাজাদ লুচিংবগী মচানুপী লয়লা কৌবী অমসু মহৈ তম্বা থারক্লমই । কায়িসনা নুপীমচা অদুবু অহানবা উবমক্তদা মাগী পুক্লিং শুমহৎখি, মতম পূম্নমক্তা লয়লাবু মাগী ৱাখলদা উদুনতা লৈখি । মতম খরগী মতুংদদি, মহাক্কি ৱাখল অদু হোংদোকহন্নবা মৌলভী ওঝা, ছাত্রশিং, মমা-মপা অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা হোৎনরক্লবসু, কায়িসনা পূম্নমক্কী ৱা অমত্তসু লৌখিদ্রে । লয়লাগী মফমদসু, কায়িসনা নুংশিরিবদু য়োৎচাবীগী মতৌগুম্না ফাওরক্লে, মহাক্কি মথম্মোয় চিংশিল্লক্লে । থুনমক, লয়লা কায়িসকী ৱারীসে লয়লাবু পোকপা নজাদ লুচিংবগী নাকোং য়ৌখিরমই । মহাক মশাগী সনমান (ইকায়খুম্নবা) ঙাক্লবগীদমক্তা মচানুপী লয়লাবু স্কুলদগী লৌথোক্লগা ফক্লাং মরিনা কোয়শিনবা মাগী য়ুমগী কা অমদা ফাজিন্দুনা থমখ্রে ।

লয়লাগী মশক উবা ফংলক্ত্রবদা কায়িস, নাজাদকী উমং ৱামং ফাওদুনা অঙাওবগুম্না মথন্তা কোইচৎ চৎলম্মী, মশানা মশাবু কাউরম্মী । অমরোমদা লয়লাসু কায়িসকী মশক উবা ফংদনা, মহাক য়াওদনা লৈরকপদা নোংম-নোংমগী ময়াঙ কংশিনবা হৌরক্লে । মমা মপানা মঙোন্দা হায়বা, থেমজিনবা পুম্নমক অরেম্বা তারম্মী । মশাগী ৱাখল মশানা খন্নজবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে ।

মতম অদুদা কায়িসসু মশাগী মহৌশা ৱাখলগা মান্নদনা মতমচুপ্প লয়লাগী ৱাখলতনা অফা অপূন্নবগী মওংদা অশুম লৈরক্লবদা, মীয়াম্না

মহাকপু "মজনু" হায়বদি খনখিবা ৱাখলদা অঙাওবগুম্না, অপু-নবা ৱাখল অমদা লুপখ্রবা মীশক অমনি হায়না খন্নরক্লে .... ঙসি ফাওবদা খঙনরে । থোইদোক হেন্দোক্লা নুংশিবদা ঙাওরবা মীশক অমগী মমিংবু মজনু হায়বা ৱাহৈ অসিনা মহুৎ শিন্না লৈহৌরে ।

নোংমদি মজনুনা, করিসু হান্না খল্লুবা লৈতনা নাজাদ লৈবাক্কি লুচিংবা নিংথৌ অদুগী কোনুং মনাক নক্লা "লয়লা লয়লা" হায়দুনা কৌনা কৌনা চৎলিঙৈ, কোনুং মনুং অদুদা মপাগা ৱারী শানদুনা লৈরিবী লয়লানা তাবা ফংখি । অতৈ অতোপ্পা থবক অমদা মপাবু পুক্লিং চঙহল্লম্লগা, চেন্থোরক্কুনা মাগী থোঙনাওদগী য়েংথরকপদা মখাগী লম্বীদা চৎলিবা মজনুবু উরে । মিকুপ অদুমক্তদা, মথক্তা য়েংলুবা মজনুগী মিৎয়েংগা লয়লাগী মিৎয়েংগা উনবদা মজনু, লৈমায়থক্তা ৱান্থখি । ঙাইহাক ৱান্থরগা শ্তান লাকপা মতমদদি মাগী নুংশিজরবী লয়লানা মঙোন্দা য়েংদুনা হায়রকপা ৱাহৈশিং অদু তারম্মী :- "ঐগী নুংশিরবা কায়িস, নঙগী থম্মোয় চাউখৎপিয়ু, খাংঙমদবা তৌবীগনু, ঐ ইশামক নহাক্কিনি ঐহাক নঙোন্দগী তোঙান্না লৈগদবা নচ্চদে ।" নুংশিবা ৱাহৈশিং অদু হায়না হায়না লয়লা খংহৌদনা মকোক ঙাওরক্লে, থোংনাও মনাক্তা লেপ্লম্লদগী লৈমায়থক্তা তাশিল্লে । উনগনি থাজদনা মখোয় অনি উনবগী থৌদোক অদুদা মজনু, অমুক্তা হন্না শ্তান মাঙখিরম্ই ।

থৌদোক অসিগী মতুংদা লয়লাগী মপানা নোংমা মজনুবু পোকপা সাহ আমারীগী মফমদা লাক্কুনা হায়রৈ - "নঙগী নচা অসি অঙাওবনি, অদুনা ইচানুপীবু মঙোন্দা লুহোংদুনা পীরোই ।" সাহ আমারীনা মচা অঙাওবা নত্তে, অমসুং অচুম্বদু খঙবীনিংলবদি নোংমা লাক্কুনা খঙদোকপীয়ু হায়না হন্না হন্না হায়জখি । মখাতানা হায়জৈ মদুদি মাগী মচানুপা মজনু, লয়লাগী ৱাখলদা লুপখ্রবনি, মহাক কৈদৌনুংদসু অঙাওবা নত্তে হায়না - ।

অসিগী তুংদা সাহ আমারীনা মচাগী খোঙ্গুল লীদুনা মফম খুদিং থিরকলে । মচানুপা কায়িস (মজনু) উপাম্বী অমগী মখোঙদা তাদুনা লৈরম্বদু থেংনরুই । মশাদা ফুরীৎ লিংলমদে, ফিসু ইল্লমদে ।

সাহ্ আমারিনা মচাবু কোনখৎতুনা লৈরিগৈ, তপ্না তপ্না মজনু জ্ঞান লাক্লদুনা হায়রকই:- "কনানো, লয়লা রা ঐগী লয়লারা ? "

সাহ্ আমারি মচাবু থেমজিল্লি, "ইবুংঙো নঙ অমুক্তদি জ্ঞান তাও, লয়লাবু পোকপা মপাগী মমাঙদা অঙাওবা নত্তে হায়বা অমুক্তদি খঙহল্লু, অদু ওইরবদি মচানুপীবু শোয়দনা নঙোন্দা লুহোংদুনা পীরনি ।"

ব্রাফম অদ মজনুনা য়ারে । নোংমা খ্বাইদগী ফজরবা ফিজোল শেৎহল্লগা মজনুবু মপানা নাজাদ লুচিংবগী কোনুংদা পুরক্লমই, মহাক ঙাওদে হায়বদু খঙহন্নবগীদমক্তা । কোনুংগী ফম্ফম কাদ ফল্লিগৈ, হুই অমা খঙহৌদনা কা অদুগী মনুংদা চঙলকপদা, নাজাদ লুচিংবনা হুই অদু মচানুপী লয়লাগীনি হায়না তাক্লম্মী । মিকুপতুমক্তদা মজনুনা হুই অদুবু নুংশিনা কোনশিল্লমই অমসুং চুপলম্মী । মজনুনা তৌরিবা মওং অদুদা লয়লাগী মপাদি অমুক্কা হেন্না শাওখ্রে - - - অদুগা হায়রকখি "নচানুপাসি তশেংনমক ঙাওরবনি, নৎত্রবদি মহাক্না হুই অসি চুপকদ্রা ?"

নাজাদকী লুচিংবা ওইরিবা নিংথৌ অদুনা মচানুপীবু মজনুদা পীগনি হায়খ্রগা, মশাগী ব্রাশক ঙাক্তবগী পাউ অদু অরাপ্পা অনকপা মফম শীন্না তাখি । আরব লৈবাক্কি অতোপ্পা লুচিংবা নাওফিল কৌবা অমদি ব্রাফম অদুদা কন্না অশাওবা পোকখিদুনা নাজাদ লুচিংবগী লমদা লান্দাশিল্লগা মহাকপু ফাজীনখি । নাজাদকী লচিংবা, লয়লাগী মপা অসিনা, মহাকপু ফারীবা অতোপ্পা লুচিংবা মীশক অদুদা হায়জখি - "নঙনা করিগুম্বা লয়লাগী মপা ওইরম্লবদি, অঙাওবা পাখং অমদা নচানুপীবু লুহোংদুনা পীগদ্রা, পীগনি হায়রবদি, ঐহাক নঙনা হায়বা ইনগনি । মহাক্না হায়রীবদু য়ানিংবা পোক্লদুনা খুদক্তা নাওফিলনা নাজাদ লুচিংববু থাদোকপিরে । লয়লাবুদি মাগী নুংশিজবা মজনুদা পীথোকপসি মপানা খোঙফম চেৎনা য়াখিদ্রে, অদুগী মহুত্তা অমির সালিমগী মচানুপা বখ্ট কৌবা নুপা অমদা লুহাংদুনা পীথোকখ্রে । উপাই লৈত্রবা মজনু, "লয়লা, লয়লা, কৌদুনা মরুভুমীদা উরক ব্রারক্তা কোয়চৎ চত্তুনা লৈখ্রে ।

লুহোংখ্রবী লয়লা, মহাক্কি নুপা বখ্‌ট হায়বা অদুনা অহানবা উনবগী নুমিত্তা মহাকপু কোনশিনগে হায়দুনা পান্থোম তিংথোরকপদা মহাক খাঙজবা ঙমখিদে । বখ্‌টকী মমায়দা লয়লানা খুপাক্লা থারম্মি অদুগা হায়খি :- "মজনু খক্তনা ঐগী নুপা ওইগদবনি, নঙ ঐবু শোকপা য়ারোই ।"

বখ্‌টনা খুমখি :- "অদু ওইরবদি ঐখোয় অনি খাইনগদবা নৎত্রা ? ফরে, খাইনগনি, ঐ নঙগা খাইনগনি ।"

খাইনবদি ইসলাম ধর্ম্মগী চৎনবীনা য়াবনিনা, লয়লা বখ্‌টকা খাইনরে । খুদক্তা নাজাদকী জঙ্গল তম্না চৎখ্রে মাগী মজনুবু থিবা । আল্লাহগী থৌইনশিন্না মখোয় অনি উনরম্মী - - উনবা মিকুপ্তুমক্তদা নুংশিনা চেৎনা কোনশিন্নরগা জ্ঞান মাঙদুনা লৈমায়থক্তা তাদুনা লৈনরম্মি । লয়লাবু খোঙ্গুল লীরকপী মমানা মফম অদুমক্তদা মতমচানা য়ৌরক্তুনা মচানুপীবু উটকী মথক্তা হাপকৎলগা ময়ুম পাংনা লাক্লে অমসুং লয়লা মশাগী জ্ঞান লাক্লবদা মশাগী ওইরম্লিবা ফিভম অদু খঙজরকপদা মাগী নুংশিজবা মজনুগী মনাক্তগী মহাকপু তোখাইনা পুবীরক্লে হায়বা ৱাখলদা মহাক্কি থম্মোয় কায়বা হৌরক্লে, অমসুং অৱাবা শরুক্লা অশুম অশুম লাকশীল্লকপদগী মাগী পুন্সীগী অরোয়বা ওইখ্রে ।

অমরোমদা, লয়লা শিখিবগী পাউ তারকপা মিকুপ্তুমক্তদা, অৱাবনা ঙাওরবা মজনুসু ৱান্থদুনা পুন্সীগী অরোয়বা ওইখ্রে । মজনুগী অচুম্বা মশক খঙবা ঙমখিদবা নাজাদকী মীওই পূম্নমক্লা, মহাক শিরবা মতুংদদি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইনখিদে । মখোয় পূম্নমক্লা মহাক্কি অশীবা হকচাঙ থিবা চৎনখি । মমৈথঙদা মজনুগী অশিবা হকচাঙ ফংলবদা মহাকপু সহরদা পুরকখি । নুংশিনবা মখোয় অনিগী অশিবা হকচাঙ অনিমক পুল্লপ্না সংস্কারগী (ফুম্ফম) মফমদা থম্নরে । ধর্ম্মগী সমাজগী, চৎনবীগী ফম্বাক্তা লয়লা মজনু অনিদি মখোয় অনিনা খনজবা, নিংজবা অদুগীদমক্তা থৱায় কৎথোকপা হায়বদু ওইখরে । তাইবং অসিদা মখোয় অনিগী পন্থুং ওইখিদবগী মরমদি, থম্মোয় অনিগী নুংশি পন্থুং য়ৌনবা তাল্লকপদা চৎনবী সমাজগী মখা পোনবা তাখিবা অমদি সমাজ অদুনা মখোয় অনিবু

য়াবীখিদবা অদুনি - - - অদুবু শিরবা মতমদদি অনিমক্কী থৱায়না নীংজবা পন্থুং য়ৌরবগুম মখোয় অনি অমত্তা ওইমিন্নখিবগী লন্দীনি ।

অসুন্না মখোয় অনিগী নুংশিববু নাচুংবীখিদ্রবা, উনগী মতৌগুম নঙশীনখ্রবা সমাজগী ৱাখল্লোন অদুসু, নিংঙমদনা লোইখ্রবা মখোয় অনিগী নুংশি ৱারীদা অমুক হন্না শৌদোকখি পুন্নমক থম্মোয় শোক্লখি । থৱায় য়াওদ্রবা লয়লা + মজনুগী হকচাঙ অনিমক মোংফম অমত্তদা, অমগী নাকলদা অমবু য়াতাহল্লগা লৈনুং চনবীখি । তাইবংদা নুংশিনবা অনিদুবু থুংনহল্লগা লৈরাং খুজোক-খুজোক চাইথবীগদবা খুবাম কয়া অদুনা, মখোয় অনিগী অশিবা হকচাঙ মথক্তা, লৈপাক ওইনা চাইশিনবীরগা মখোয় অনিবু লৈরোন চনবীখি । মখোয় অনিগী মফমদা মুবারক (মঙ্গোল) পীবগী ৱাহৈ ফোঙদোকনিংখিদবা চিন্বালশিং অদু মমৈথঙদদি অৱাবগী শ্বোর হোল্লকখি, খোঞ্জেল থোক্লা কপ্লকখি । মখোয় অনিগী মোংফমদি, পৃথিবীদা লৈবা শাবী শানৌ কয়াগী শেংলবা তির্থ স্থান অমা ওইহৌরে । লোইনাইদ্রবা মতমগী শাফু কয়ানা মোংফম অদুগী মথক্তা অকায় অতোয় থোকহনখ্রবসু লয়লা মজনুগী নুংশি ৱারীদি মতমচুপ্পগী ওইনা লৈহৌরে ।।

সোহিনি মাহিৱালগী ৱারী -

পঞ্জাবতা চেল্লিবা চেনাব তুরেলগী মপান্দা তাবা গুজরত কৌবা সহর অমদা নোংমা তুলা কৌবা চফুশাবা অমগী মচানুপী অমা পোকখি । অঙাং ওইরিবী নুপীমচা অদুগী মশক অদু খমথেংনা ফজবদগী মমা মপা অনিনা মহাকপু “সোহিনি” হায়বদি নিংথিরবী হায়না মিংথোনখি । হায়রীবা মতম অসিদনি, বলখ্ বুখারা হায়বা মফম অদুদসু মোগোলগী লল্লোনবা নুপা মির্জা আলি হায়না খঙনবা অমগী মচানুপা অমা পোকখিবা - - । নুপামচা অদুগী মমিং ইজ্জট বেগ হায়না থোনখি । হায়রীবা ইজ্জট বেগ অসিগা, চেনাব তুরেল মপান্দা লৈবী সোহিনিগা অথোৎপা মরী লৈনরক্কনি হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তগী মমঙদা ফাওবা মঙনখিদে, অদুবু মতমগী মতুংইন্না মখোয় অনিগী লৈনরকখিবা মরী অদুদা চেৎনা

কিশিন্নখ্রবা নুংশিগী কিশি অদুদি অমুক তৎখিবা, মুৎখিবা লৈতনা মীওইবা কয়াগী নিংশিং অতিয়াদা লৈহৌরী ।

মতম অদু, ভারত্তা মোগোল শাগৈনা পানবা মতমনি । দিল্লি সহরগী মমিং অমদি মিংচৎ, হান্ননা মফম খুদিং শীনখ্রবনি । চহি তরামরী শুরবা ইজ্জট বেগ, দিল্লিদা চত্তুনা লল্লোনবা পামখি । মরম অসিগীদমক মহাক, মপাগী অয়াবা নিজবা তারম্মী । মপাগী পুক্লিংদদি, নহা ওইরিবা মচানা লাপ্না চত্তুনা লল্লোনবগী থবক তৌরুগনি খনবদা ৱাজরম্মী । অদুবু, মচানুপানা হন্না হন্না হায়জরক্লবদা য়াদবা ঙমদ্রদুনা মচাগীদমক মতিকচানা লল্লোনপোৎ থৌরাঙ তৌবীরে, সনা লুপা কয়াসু পীরদুনা, মাগীদমক থবক তৌবীনবা মিনাই খরগা লোয়ননা ইজ্জট বেগ পু দিল্লিদা থারক্লমই ।

ইজ্জট বেগ, দিল্লি য়ৌরক্লবদা, মফম অদুদা কয়া হৈনিংবা পোক্তদুনা লাহোর তান্না অমুক লাক্লমই । লাহোর য়ৌরবদসু মশাগী হৈনিংদবদু অদুম লৈবদগী, ময়ুম মাইকৈ পাংখ্রগে খন্দুনা মাগী খোংচৎ অদু অমুক হল্লক্লে ।

ময়ুম মাইকৈ পাংলকপা লম্বীদা মহাক গুজরত হায়বা সহর অদুদা মতম খরা পল্লিঙৈ,মপুক্লিংদা খল্লকই :- "মতম খরা পন্থদুনা, ঐগী পুরক্লিবা লল্লোনপোৎশিং অসি মফম অসিদা য়োল্লগে ।" মথঙগী নুমিত্তদি, সহর অদুগী খ্বাইদগী মমিংচৎপা পোৎথোক করিনো হায়বসি খঙনিংলদুনা, মখোয়না থুংলুরিবা মীথুংশঙ অদুগী য়ুম্বুরেম্বী অদুদা হংলুবদা খঙবা ঙমলে মদুদি তুলা কৌবা চফুশাবা নুপা অমনা শাবা লৈপাক্লি চফুনা খ্বাইদগী মমিংচৎলবা পোৎথোকনি হায়বদু । ইজ্জট বেগনা, তুলাগী লৈপাক্লা শাবা চফু অদুবুদি ময়ুমদা পুনিংলমদে, অদুন্নদি ওইরগা মীশক অদুগী মমিংচৎলবা চফুশাবগী হৈথোই শিংথোইবা (কলা) অদুবুদি থোইদোক্লা য়েংনিংবা পোক্লমই । চুম্না হায়রবদা, মীথুঙশঙগী নুপী অদুনসু, মাগীদা থুংলরিবা নুপাশিং অদুবু, অমরোমদা, তুলাগী মশক ফজরবী মচানুপীবু উহন্নিংদুনা, মফম অদুদা থাখ্রগে হায়বসিনি । মতম অদুগী সোহিনি হায়রীবী অদুদি থাঙ্গৈমকশেংনা ফজবা কৌবী লাইরেম্বী অদুমক্লা ওল্লকপমক্লি হায়নরিবনি ।

ইজ্জট বেগনা, তুলাগী ময়ুম খঙদোক্লবা অমদি মানা হৈশিংনা চফুশাবগী মওং অদু য়েংলুরগা মঙোন্দা পাউ তম্লনবা মাগী মীনাই নুপা অমা হান্না চৎলহনখ্রে ।

মীনাই নুপা অদুনা অসুম হংনা-হংনা তুলাগী ময়ুম থিরকপদা ফংলে । খ্বাইদগী ঙক্লা মহাক্লা উরকপা অমদি, শুমাঙদা ফমদুনা লংচাক চাক্তুনা লৈরম্বী নিংথিরবী লৈশাবী মচা অদুনি । মিনাই অদুনা, তুলানা শাবা চফুময়াম অদুসু উরে, চফু অমসু লৈশিল্লগা পুরক্লে। মীথুংশঙ য়ৌরবদা ইজ্জট বেগকী মফমদা পাউ তৗল্লে ঃ- "তুলাগী খ্বাইদগী ফজবা চফুদি মাগী মচানুপী অদুনি, কা হেন্না ফজবীনি ।"

মীনাই অদুনা পুরক্লিবা ফজবগী পাউ অদুদা ইজ্জট বেগকী পুক্লিং লুপখ্রে । থীন্দনা অতোপ্পা মীনাই অমগা লোয়ননা মহাকসু তুলাগী য়ুমদা লাক্লে ।

"ঐ, লৈপাক্লা শাবা খুজাই খরা লৈজগে ।" তুলাদা হায়জরমই । মতম অদুদা, তুলাগী মখুৎ অদুদি লৈপাক তোত্তুনা লৈরম্বনা, মচানুপী সোহিনিদা অশাবা খুজাই খরা পুথোরক্লবা অমসুং লাক্লিবা নুপা (ইজ্জট বেগ) অদুদা উহন্নবা হায়রক্লমই । ইজ্জট বেগ মশামকসু হায়রীবা মতম অদুৱাইদদি চূং-ফিরান চানা ফজরবা মপুং ফারক্লবা মীশক্লি, নুংশিবগী মহাও খঙনিংবনা ঙাওরক্লবা মতমনি । সোহিনিগা অহানবা মিৎচানবা মিকুপ্তুদা, মাগী থম্মোয়দা সোহিনিবু নুংশিবগী মরু হুনখ্রে । সোহিনিগী মশক্লা মহাকপু জ্ঞান মাঙহনখ্রে ।

মীনাই অদুনা, ইজ্জট বেগকী ওইরিবা মওং অদু খঙলদুনা, মহাকপু ইঙথনা ৱাখল লাকহল্লগা, সোহিনিনা পুথোরক্লিবা চফু খুজাইনচিংবদু উহল্লমই । অদু ফাওবদা, ইজ্জট বেগতি, পোৎশকশিং অদু নাকন্দা ইন্থোক্লগা সোহিনিবু মিৎ কুপ্তুনা য়েংদুনা লৈখ্রে । সোহিনি, ইকায়বা পোকলকই, হৈনরক্রে, ইকায়না চৈরকই - " হেই ! লল্লোনবা নুপা, অশুক য়াম্বা পোৎ, চফু খুজাইনচিংবসি উহল্লবফাউবদা অমত্তসু পামদবা ? চৎলো নঙগী অপাম্বা চফুদো অতোপ্পা মফম অমদগী লৈরুরো ।" ঙাইহাক

অদুদা ইজ্জট বেগকী ৱাখল চম্মম্নখি, করমতৌনা সোহিনিগী থম্মোয়বু খুদুম চনবা ঙমগদগে খল্লুবদা মথন্নতা ৱাজখি । খুদক্তা মপুক্লিং লেপ্লে, - "সহর অসিদা চফুগী দুকান অমা হাংদোক্লগে, নুমিৎ খুদিং লাক্তুনা, মহাক্না মমল ৱাংনা য়োল্লকপা চফু পুম্নমক লৈরগে মহাক্না উনবা ফংনবা ।" মদুমক চথবা হৌরে; মতুং তারকপদদি মহাক্কি শেল নোংম-নোংমগী পুৎথবা হৌরক্লে । ফিভম অদু লাক্লবদা মহাক্না লোয়নরকপা মীনায়শিংসু বুখারাদা অমুক হনখ্রে ।

তুলাগী শেল শিংকৎপা ঙম্লক্ত্রবদা, নোংমদি ইজ্জট বেগ, তুলাগী মফমদা চত্তুনা হায়জরমই । "ইকায় খুম্নজরবা ইবুংঙো ! ঐগী দুকান্দা থমজবা পোৎমখৈ লোইনা হুরানবিখ্রে, ঐহাক অৱাবদা তারে, ঐগী ইতেং পাংবীবা ওইনা, ঐহাক ইশামকপু নঙগী থবক্তা শীজিন্নবীয়ু ।"

চফুশাবা নুপা অদুগীদমক্তদি কনাগী মতেং দরকার (তঙাইফদবা) ওইরমদে, অদুবু ৱাফম অদুদা মহাক্না খনখিবা অমদি - - নোংমগী তল খরা পীজরগা খুঙ্গংগী পুখ্রিদগী লৈখোম পেকপগী থবক অদু ইজ্জট বেগপু তৌহনবা, থবক শুফমগী অমোৎ অকায় লোইশিনহনবা অমসুং শনজাবুংদা নিতিগী ইরোই শেলহল্লুবা অসিনি । হায়রীবা ৱাফম অসিদা ইজ্জট বেগসু য়ারমই । পঞ্জাবকী লমদদি ইরোইবু মাহিয়ান কৌই, অশুম্না ইরোই শেনবগী থবক তৌই হায়দুনা ইজ্জট বেগপু মাহিৱাল হায়না খঙনবা হৌরক্লে ।

চেনাব তুরেলগী মপান্দা তুলাগী ইরোই পুম্নমক অদু নিতিগী মাহিৱালনা শেনবা হৌরক্লে । মাহিৱালনা শেল্লিবা ইরোইময়াম অদুসু কয়াদা মপুক্লিং হরাওনা অশঙবা নাপী থৎতুনা চাজরিবা অমসুং তুরেলগী ঈশিং মনাক্তা কুমথরগা চেনাবকী ঈশিং থক্তুনা কয়াদা খৌরাংবা কোকচরবা । য়াচঙলকপা মতমদা ইরোই শঙ্গু অদু ময়ুম তান্না হোইদুনা পুরকপদা, সোহিনিনা মাহিৱালবু পুক্লিং তানা য়েংজৈ অমসুং মাহিৱালগী পুক্লিংদা খল্লিবা পুম্নমক অদু লোইনা মহাক্কি ৱাখলদসু উরম্মী । থম্মোয়গী ইহুল পীরক্লবদা, নোংমদি সোহিনিনা মাহিৱালগা উননবা তানজা অমা শীনজরে অমসুং মাহিৱালগী পুক্লিংদা লৈরিবা ৱাফম পুম্নমক

ফোংদোকহল্লগে খল্লক্লে । নুমিৎ অদু ওইরক্লবদা, মখোয় অনি কনাসু খঙদনা মফম অমদা লোন্না উনরম্মী । মাহিৰালসু মিকুপ অদুদদি মহাক্তি থম্মোয় অদু থিংদুনা থম্বা ঙমলমদে । থম্মোয়দা লৈরিবা অরোনবা নুংশিগী ৰাখল পুম্নমক অমত্তা চিৎথদনা ফোংদোক্লদুনা হিক হিক কপ্লমই । মহাকপু অহানবা উবদা নুংশিবগী ৰাখল পোকখ্রবা সোহিনিগী থম্মোয়দসু মাহিৰালনা ফোংদোরক্লিবা নুংশিগী ৰাহৈশিং অদুনা মৈরী ওইরগা মাগী থম্মোয় লকাদসু মপুংফানা নুংশিগী মৈরীনা মৈৰায়বা হৌরক্লে ।

নুমিৎ খরনিগী মতুংদনি, নোংমা সোহিনিগী অপোকপী মম্যানা মখোয় অনিগী অচিকপা ৰারী তাবা ফংখ্রে । মখোয় অনিগী মরী অদু য়ানিংদবদগী নোংমদি সোহিনিবু মমানা য়াম্না থীনা চৈবীরমই । সোহিনি, ইকায়বা পুম্নমক থাদোক্লুনা মাগী থম্মোয়গী চৈনা পুম্নমক মমাগী মফমদা অখাকপা লৈতনা ফোংদোকচরদুনা হায়জখি - "ইমা ! নঙসু নুপীনি, ঐনা হায়জরিবসি অমুক্তা ৰাখল তৌবীয়ু । ঐদি মাহিৰালগী নুংশিববু কাউজবা ঙমলোই, মহাক্লা ঐগী থৰায়নি, ঐগী অফ-ফত্ত, অৰা নুংঙাই পুম্নমক্কী ৰাখলসু মহাক্লি । মশাগী মরমদম থাদোক্লম্লগা, মহাক্তি শিনফম হুন্দোক্লগা ঐগী ইফমদা মীনাই ওইনা চঙজরক্লবনি । মাগী কোকথক্তা, ইমুং অসিগী ফমুং কাংথোল কোইপু পুদুনা চৎলিবনি, ঐগী মরমগীদমক্তা ইরোই ময়াম শেল্লিবনি, অদুনা ইমা ! ঐদি মাহিৰালগীনি, ঐবু হাৎকে হায়রবসু হাত্তোকপীয়ু ইমা - - ।"

মচাগী মচিন্দগী কবোক পোকপগুম্লা খুমদোরকপা ৰাহৈ কয়া অদুনা সোহিনিগী মমা অদু পঙথরম্মী, অদুম ওইনমক, ইমুং অদুদা য়ৈরক্কদবা চৎনবী সমাজগী খোল্লাও অদু খল্লুবদা কা হেন্না অকিবগী ৰাখল অমা মপুক্লিংদা ফাওরকখি । নোংমা য়াচংলকপদনি, মাহিৰাল, ইরোই শেল্লুবদগী হল্লক্লে । মহাক হল্লকপা মিকুপতুমক্তদা সোহিনিগী মমানা য়াম্না থীনা চৈ-থাংনা ৰারকপা হৌরক্লে । সোহিনিগী মপা তুলানা মরক থত্তুনা খামজরুববু মঙোন্দা ওনশীন্দুনা ঙাঙথরকই - "নঙনা মাবু নঙগী ইরোই শেন্নবা, হোইদুনা পুনবা থবক পীবা নৎত্রা ? মাদি হৌজিক নঙগী নচানুপীবুসু হোইদুনা পুরবনি, নঙ খঙদ্রা - - ?"

হৌজিক্তি তুলানা য়ুম অদুদগী মাহিৱালবু তাম্হোকপিরক্লে । তৌফম খঙদ্রবা মাহিৱাল, চাওরবা উমং অমদা চঙখ্রগা কপ্তুনা মতম লেনজবা নত্তনা মহাক্কি উপাই লৈজদে, মফম অদুসু মঙোন্দদি অমহানি, করিসু খেন্নবা লৈরমদে - - - মহাক্তি অদুম কপচবা তাই, নুংশিবা অদুগীদমক্তা মতম খুদিংদা মফম খুদিংদা, অদুবু তাইবংপাল অসিনদি নুংশিবগী মরোল ময়েক শেংনা খঙবীদে, অদুগী মহুত্তা চৈ পায়দুনা, শেল উত্তুনা নুংশিবগী মাইয়োক্তা লেপ্পনবগী থৌনা ফুদোকই । মাহিৱাল, নুমিৎচুপ্পা থম্মোয় শোক্লা কপচৈ, কপ্পা কপ্পা মথন্তা হায়জৈ ঃ- "ও সোহিনি !! নঙগী মরমগীদমক্তনিকো - - সাহগী মিংগৌ পক্লম্বা ঐনা ইরোইশেনবা মাহিৱাল ওইরুবা - - - অদুবু ঙসিদি পিকখ্রবা, তোনখ্রবা মীনাইগী ফম অদুফাওবা ফংহনবীদ্রবা । হায়য়ু ঐবু কদাইদা চৎলু হায়বনো কদাইদা নঙবু উনবা ফংগদবনো ?"

সোহিনিগী মফমদসু নুংঙাইবা থৌদোক ওইরমদে, মতমচুপ্পা মাগী চিম্বালদা মাহিৱালবু শোন্দুনা লৈখি । করিদি উপায় লৈরী - - মহাক খাঙদুনা লৈবা তাই । নাকল অমরোমদা, মাবু পোকপা মপানা মতমগী মতুং ইন্না সোহিনিবু অতোপ্পা নুপা অমদা লুহোংবগী থৌরাঙ লোইখিরমই । মহাক নুপা অদুদা লুহোংখ্রে । অহানবা, লুহোংবগী অহিং অদুদা সোহিনিনা মাগী মপুরোইবা ওইরবা মীশক অদুদা হায়জখি ঃ- "নকশিনবীরকখিগনু, ঐহাক ঈশ্বরগী মফমদা প্রার্থনা (নমাজ) অমত্তা তৌজখিগে ।" সোহিনি, অতিয়াগী মাইকৈদা মখুৎ থাঙ্গত্তুনা হায়জরকই - "হে! পুম্নমকপু কনবীরিবা তেংবানবগী মপু - - - ঐ ইশাগী অচূম্বা ৱাখল অসিবু নহাক্লা ঙাকপিয়ু, নহাক্লা কনবিয়ু - - ঐগী পুক্লিং হকচাঙদি মাহিৱালগীনি । ঐগী ইপুরোইবদি মহাক মথন্তনি, মহাক নত্তনা কনা অমত্তা ঐগী ইপুরোইবা নচ্চদে ।"

সোহিনিগী লাইশোল অদু মাগী নুপা অদুনা তারে, মহাকপু কোনশিনগে খন্দুনা তিংথোক্লুবা মখুৎ অনিমক থাদখ্রে । অঙকপনি, মঙোন্দা হৌরক্লম্বা পুক্লিংগী ঈথক অদু খঙহৌদনা নেমথখি, মাগী ইন্দ্রিগী অপাম্বা মৈশা অদু মুৎখ্রে ।

অমরোমদনা মাহিব্রাল, সোহিনিগী ৱাখল ঈপাক্তা তাওরী, উমংদা কোইচৎ চৎলি । লাইগী নোংদম্লি, নোংমদি মহাক্তা সোহিনিগী মমান্নবী অমা উনবা ফংলুবদগী, মশাগী ৱাহৈ খরা মশামক্কী ঈ-না মুক ওইনা ইরগা সোহিনিগী মখুত্তা য়ৌহনখিরমই । চে অদুদা মহাক্লা ইখি ঃ- নঙদি থাজবা য়াদবীনি, ঐ নহাক্কা অমুক্তংদি উনজবা পামজবনি - - - অতৈ করিসু পামজদে ।”

অতেনবা ৱাহৈ খরগী চিথি অদু পারুবদা সোহিনি, মিৎকি পি খাম্বা ঙমদনা শিন্থরমই । মঙোন্দা থম্মোয়শোক্লা অৱাবা ওইখিবদি মাগী থম্মোয়দা লৈখ্রবা, মাহিব্রালবু নুংশিজবা ৱাখল অদুবু মাহিব্রালনা করিসু থাজবীরমদে - হায়বা অসিনি । মানা অমুক অশুম্বা পাউখুম হনখি- “নঙনা হায়নিংবা হায়য়ু, ঐদি নঙগী ৱাখলদা ঙাওরবীনি, অহিংচুপ্পা নঙতবু নিংশিংনা মতম লেপ্লিবীনি । নঙগা কায়নবদা ঐগী থৱায় অসি থাগদৌরবনি । নঙনা খল্লিবা, নুপা অদুগা ঐহাক্কদি করিসু মরী লৈনদে, হৌজিকফাওবদা মানা ঐগী হকচাঙ শোক্ত্রি । ঐদি নঙগী ওইদুনা লৈরীবনি, মতম চুপ্পা নঙগী ওইদুনা লৈখিগনি ।”

সোহিনিগী চিঠি অদুনা মহিব্রালগী পুক্লিংদা খল্লম্বা পুম্নমক মমায় লৈহনখ্রে । লম্বোইবগী ফিজেৎ শেত্তুনা মশক ওল্লগা চেনাব তুরেল মপানগী মফম অমদা নুমিৎ খুদিং ফম্লরে । নোংমদি, সোহিনিনা লৈরিবা লম অদুগী অনকপদা ভিক্ষা নিবা চৎলুবদা, মহাক্কি খোঞ্জেল, সোহিনিনা খঙবদগী, চেনথোরক্তুনা মখোয় অনি শক্কা শক্কা উনখি । অহাঙবা, কনাসু উদ্রবা মফম অমদা মখোয় অনি চেৎনা কোনশিন্নখি । থৌদোক অসিদগী, মাহিব্রালনা সোহিনিগী মফমদা মহাক্কী লৈফমসু খঙহল্লম্লে ।

চেনাব তুরেলগী অশোম ৱাংমগী মপান্দা তারিবা ঙাফাবা মীয়ামগী মরক্তা, মাহিব্রাল অসি লাইগী শক্তি লৈবা, অঙকপা সাধু অমা ওইনা লৌনরম্মী । ঙাফাবা (দুম) শিংনা চেনাব তুরেলদগী নোংমগী ওইনা ফারকপা ঙাশিংদগী নিতিগী ওইনা মহাক্কি শরুক তম্লমই । মাহিব্রালনা ঙাশিং অদু য়াইথোক্লগা, হায়নখিবা মতুং ইন্না, চেনাব ৱাংমা লাম্থোক্তুনা মফম অমদা ফম্লগা সোহিনিবু ঙাইদুনা লৈ । খঙনখ্রবা মফমদনি, সোহিনি,

অহিংগী মতমদা কনা খঙহন-উহন্দনা থোরকই । মখোয় অনি নুংশি ৱারী শামিন্ন, মাহিৱালনা পুরকপা অয়ায়বা ঙাশিংদু চামিন্নে ।

লাইবকথিবদগী নোংমদি, মাহিৱালগী মখোঙদা অশোক অপন অমা থোকপদগী চেনাব তুরেল লাম্থোক্তুনা লাকপা ঙমখিদ্রে । পাউ ফংলবা সোহিনিনা মহাকপু ঙাইবীরম্মু, পোত্থাদুনা লৈবীরম্মু খঙহল্লক্লে । অথেঙবা অহিংগী মতমদা চেনাব তুরেল লানগদৌরি সোহিনি - - মহাক্কী ৱাশক ঙাক্লবা, নুংশিজবা মনাক য়ৌনবা । নুংথিলগী মতমদা, কনাগুম্বা অমত্তদসু খঙহন্দনা, মৈ ইক্লবা ঈশিং পুন অচৌবা খরা মোংশোং মরক্তা লোৎশিন্দুনা থমহৌরগা, অহিং-অহিং ঈশিং পুন অহাঙবশিং অদুগী মতেংনা চাওরবা চেনাব তুরেল লাম্থোক্তুনা মাহিৱালগী মনাক্তা লাকচবা ঙম্মী । মখোয় অনি নুংশি ৱারী শামিন্নে, মাহিৱালনা পুরকপা অয়ায়বা ঙা চামিন্নে ।

পাঙথোক্লরিবা অরোনবা থবক অসি, নোংমদি সোহিনিগী মনম্মা নুপী অদুনা খঙবা ঙমখ্রে । মহাক খমথেংনা শাওরমই, সোহিনিগী মফমদদি ফোঙদোক্তনা, অরোনবা থৌরম অদুগী অরোয়বা ওইহল্লগে হায়বগী ফত্তবা ৱাখল অমগা লোয়ননা সোহিনিনা লোত্তুনা থল্লিবা মৈ ইক্লবা পুনশিং অদুগী মহুত্তা মৈ ইক্রিবা লৈপাক অহিংবগী পুলনা মহুৎ শিনজিল্লগা থমখ্রে । মহাক্কি থৌরাঙদি - - অহিং অদুদা সোহিনিনা করিসু খন্থবা লৈতনা, মৈ ইক্রিবা পুনশিং অদুগা লোয়ননা ইরোয়দুনা চৎখিবদা শোয়দনমক্কী পুল অদু কায়দুনা সোহিনিবু ঈরাক্লদুনা শিহনখিবা অমসুং নুংশি চিরোলগী থবক অদু মতমপুম্বগী ওইনা লেপহনখিবা অসিনি ।

থাবল ফরবা অহিংনি । তানজা য়েংদুনা সোহিনি, মৈ ইক্লবা ঈশিং পুল লোৎশীনজরম্বা মফম অদুদা লাক্লে । মহাক খঙলম্মী মদুদি থমজরম্বা পুল অহনবশিং অদুগী মহুত্তা মৈ চঙদ্রিবা লৈপাক্কী পুলনা মহুৎশিন্না থমজিনবীরমবদু, অদুবু মহাক্কি নিংজরিবা থবক অদু পাঙথোক্কনি হায়বগী চেৎনা থাজবা ৱাখলনা মাঙওইনখিদুনা, অকিবা, খুদোংথীবগী ফল ওইগদবা থবক অদু কাউথোক্তুনা মহাক্কি নিংজরিবা অদু পাঙথোক্লবা পুক্লিং লেপখ্রে । করি থোক্লগদগে হায়বগী ৱাখল য়াওদনা ঈমায় চোন্না

চেল্লিবা তুরেল অদুদা পুল অহিংবশিং অদু মখুৎনা কোল্লদুনা কুমথরক্লে, ঈরোয়বা হৌরক্লে ।

মালেমথক অসিদা উরিবা পোৎশক কয়াগা মান্নদনা, মাহিৰালগী নুংশিবনা য়োম্লবা সোহিনিগী আত্মা (থৱায়) অদুদি হান্নদগী হৌনা তুরেল অদু লাম্থোক্কুনা মাহিৰালগী থৱায়গা পুন্না লৈমিন্নখ্রবা ওইরমানে, অদুবু অৱাবদি, মীওইবা ঐখোয়দা ওইরিবা মপাম্থোংগী হকচাঙ অসিদদি মদুমক্তি ওইথোকপা ঙমদবনিনা - - - সোহিনিনা ঈরোয়বা হৌরকপগা থুনমক, লৈপাক্কী চফু অহিংবা অনিদুদি ঈশিং চূপশীনবা হৌরক্লে । ঈপোম হৌনা চেল্লিবা চেনাব তুরেলগী ঈপাক্তা চফু অনি অদু কায়দুনা মাঙখ্রবদা সোহিনি ঈরাক্লনা তাওথখ্রে ।

তুরেলগী অতোপ্পা অশোমৱাংমদা মাহিৰালদি ঙাইরী মাগী সোহিনিবু । তুরেলগী ঈশিংদা, লৈরায়দগী মখোং য়াম্থদুনা তোরবান্দা ফল্লি ঈপাক্তা য়েংনা য়েংনা । লাইগী নোংদম অঙকপনি, ঈশিংদা তাওথরক্লবা সোহিনিগী অশিবা হকচাঙ অদু মাগী মখোঙমক্তা পল্লরে । তাইবংপাল অসিনা মঙোন্দা নমথাক তৌবীরবগুম, মাহিৰাল ইঙক ঙক্লা, হায়ফম খঙদনা হৌগৎলমই । সোহিনিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাঙ অদু লৌখৎতুনা কোনশিল্লমই, চুপলম্মী, থম্মোয় শোক্লা কপ্লমই । করি তৌরুনি হিংলুবগী কান্নদ্রে, সোহিনিবু মথাদা চেৎনা কোনশিল্লগা চেনাব তুরেলদা চোংথখ্রে ।

নোং ঙাল্লক্লে, নুমিৎকী মঙালনা মফম খুদিং শীল্লক্লে । ঙাফাবা দুম পুম্নমক মাগী মাগী ঈল পুদুনা তুরেল মপাল য়ৌরকপদা, মখোয়না নুংশিনা তৌজবা লম্বোইবা অদুগী অশিবা হকচাঙগা চফুশাবা তুলাগী মচানুপীগা পুল্লপ খুৎকা খুৎকা লৌশিন্নদুনা, হকচাঙ অনি নপশীন্নদুনা শিমিন্নরম্বদু উবা ফংলম্মী ।

ঙাইহাক্কি মনুংদা মাইকৈ খুদিং পাউথাং য়ৈখিবনা মীয়াম কাংবু কাংবু মফম অদুদা তিল্লরে । মাহিৰালনা অয়াম্বা মতমদা ফম্লম্বা মফম অদুমক্তদা মোংফম অমা তৌথোক্লমই । অনিমক্কী সংস্কারগীদমক শেমশাবা লোইশিল্লমই । তুলানা মচা নুপীবু মৈ থাদুনা পোৎলোইবা পামলমই,

অমরোমদা ঙাফাবশিংদুনা মাহিৱালবু লৈরোন চনবা পামজরমই, অদুবু খুদক অদুদা অশিবা হকচাঙ অনিমক্কি মখোঙ মখুৎ ইকন কনশীন্না চেৎনা য়েৎশীন্নখিবদগী কনানসু হকচাঙ অনি অদু খাইদোক্লবা ঙম্লমদে। মখোয় অনিগী ওইনদি, নুংশিগী লৈপুন হায়বদুনা অশুক্কি মতিক চেৎনা, তশেংনমক পুনশিন্নখ্রমানে। চেৎনা কোনশিন্নদুনা লৈরিবা মওং অদুমক অমুক কায়হনবা লৈতনা মমৈথঙদদি অশিবা হকচাঙ অনিমক পুল্লপ, লৈরোন চনশিনবীখিরমই। ঙাফাবশিংনা মফম অদুবু মাজার (মোংফম) হায়না খঙনৈ, চফুশাবশিংগী মফমদনা সামাধি হায়না খঙনৈ। ৱাহৈগী খেন্নবদনি করিসু লৈতে, চপ মান্নখ্রে। মীয়াম্না মফম অদুদা লৈশু কৎনখি, ধুপ থাওমৈ কত্তুনা নুংশিনখিবা মীওই অনিগী আত্মাদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মসিনি তাইবংপাল অসিগী লোনচৎ-- মহাক্না মখোয় অনিবুদি ইঙনা পুন্সী লেনমীন্নহনখিদে অদুবু মখোয়না শিরবা মতমদদি মখোয়গী আত্মাবু অমুক মীওইবনা পুজা তৌনরি।

নুংশিবগী ৱারীদা পৃথিৱীগী অচৌবা মীওই খরগী পুন্সী

১- চার্লি চাপলিন

থোইদোক্লা হৈশিংলবা, ফিল্মগী দিরেক্তর অমা ওইনা, মিংচৎকি অৱাঙবা থাক্তা মমিং লৈখ্রবা ৱারি কয়াসু আমেরিকাদা পুথোকখ্রবা, মী পিকপা, অনেম্বা, কোয়চৎ চৎপা, ফাগি পূবা জোকর অমা শাবদা পকচনা পৃথিৱীগী অয়াম্বা মীনা চার্লি চাপলিন হায়না খঙনখ্রবা, ফিল্মগী সংসারদদি অমত্তা ঙায়রবা তোপ-তোপ্পা মফম অমা ফংখ্রবা নুপানি হায়বদা লাল্লরোই। মহাক ১৮৬৯ গী এপ্রিল তাং ১৬ তা লন্দন সহরদা পোকখি। Charles Spencer Chaplin হায়বসি মহাক্কি অঙাং ওইরিঙৈগী মমিংনি। মাবু পোকপা মপাদি খমথেংনা লাইরবা হায়বদুনি, হোটেলদা ঈশৈ শক্তুনা শেল তাল্লি, মমৈথঙদদি চার্লিনা অঙাংমচা ওইরিঙৈদা মাবু পোকপা মপানা চার্লি মমা মচাবু হুন্দোক্তুনা চৎখিবদগী চার্লিগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সীদি অৱাবনা থল্লবা মতম হায়বদু ওইখি। মহাকনা চহি নিপান শুরকপদা মখল মখাগী ঈশৈ শক্তুনা অমসুং ফাগী তৌদুনা মীয়াম তিনফম হোটেলনচিংবদা থবক তৌরকই। মহাক্কি মমা অদুসু ঈশৈ শকপা পামজবী অমসুং ঈশৈগী যন্ত্র খোংবদা হৈনজবী মীশক্লি, অদুবু লাইবকথীবদগী মহাক ৱাখল চোইনা ঙাও-ফৈনা নারকপদগী কোনথংদদি অঙাওবী অমা ওইনা ৱাখল চোইরবা মীওইশিংগী লায়েংশঙ অমদা লৈহনখি। মতাঙ অসিদগীনি, চার্লিনা মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাংশিংগী লৈফম orphanage অমদা চাওরকখিবা। অঙাং ওইনা চার্লি, মশানা মশাবু য়েংশিনজরকই --- অৱাবনা থল্লবা মাগী পুন্সী ওইরবসু মহাক্কি আশাদি চাওরকই। ঈশৈ শকপা অমদি ঈশৈগী যন্ত্র খোংবগী ফজরবা মহৈ, মগুন অমা মাবু পোকপি মমাদগী চার্লিনা ফংজহৌবদগী, হীরম অদুদা মশামক থোইদোক্লা হৈথোই শিংথোইবা ওইরকখি। পিক্লিঙৈদা, অৱাবগী মৈশা লাংলবসু

মপুক্লিংদা খনজখি -- "পৃথিবীদা লৈরিবা ফাগী হৈবা কয়াদগী নোংমদি ঐহাক্না শোয়দনা হেনগনি ।"

মতম শাংনা থবক শুফম চৎফম খঙদবগী চৈনা খাঙলক্লবা তুংদা, শোক ১৯১৩ দদি নোংমা ইংলেন্দগী ফম্বাক লিলা শান্নবা থিয়েটর কাঙবু অমগা চার্লিগা থেংনদুনা শকখঙ মায়খঙনখি । চার্লি, মখোয়গী মরক্তা য়াওখ্রে । অশুম্না লিলা কাঙবু অদুনা আমেরিকা মহাদেশতা লাকপদা মহাকসু কাঙবু অদুগী মেম্বর অমা ওইনা য়াওরকখি । মতৌ অশুম, চার্লিনা আমেরিকাদা লৈরকপা মতম অসিদনি, মশাগী ওইনা লিলাদা হৈথোই শিংথোইবা মগুন অদুবু আমেরিকাগী ফিল্ম পুথোকপা (প্রোদ্যুসর) অমনা খঙলকপদগী চার্লিবু মহাক্কি ফিল্মদা কোইচৎ চৎপা,ময়ুম মকৈ লৈতবা মীশক অমা শাহনখিবা ।

মতম অদুমক্তি, সিনেমাদা খোঞ্জেল হাপত্রিঙৈগী মতমনি । অশুম্না মহাক্কি অহানবা চহি অমগী মনুংদা ফিল্ম নিপান কুমদুনা দোল্লার মিলিয়ন কয়ামরুম তানশিনবা হৌখ্রে । মথঙ তারকপা চহি তরেৎকি মনুংদদি চার্লিনা আমেরিকাদা ফিল্ম হুস্ফুমাপন য়াওখি । ফিল্ম কয়া অসি য়াওরক্লবা তুংদা কোন্নদি শোক ১৯২০ গী মতমদা চার্লি মশানা ফিল্ম পুথোকপগী থবক পায়খৎপা হৌরক্লে ।

মিলদ্রিদ হেরিস কা খঙনবা ঃ

ইং শোক ১৯১৬ কী মতমদা চার্লিনা মিলদ্রিদ হেরিস কৌবী চহি তরামরী শুরক্লবী আমেরিকান লৈশাবী অমগা ইহান হান্না শক খঙনখি । মহাকপু খঙনবতা নত্তনা ইকুই কুইদনা মশাগী অপাম নুংশিগী ব্রাখল অমা হেরিসকী মফমদা থম্লকপা হৌরকই । অমরোমদা হেরিস হায়বী লৈশাবী অদুদি মপুকচেল কয়া শেংদবী, মীহৌচাওবী মমাগী থৌইনশিন তুংইন্না চৎপী নুপীমচা অমনি । মমা মচা মখোয় অনিনা, শেল পায়রক্লবা চার্লিগী মরল মথুম চুপ্পবা ফত্তনা ব্রাতান্নবা অদু চার্লিদি করিসু খঙজরমদে । মতম খরগী মতুংদা মিলদ্রিদ হেরিস হায়বী অদুনা চার্লিগী মফমদগী মশা মীরোল্লে হায়না তৌশিন্নখি । ব্রাফম অদুগা মরী লৈননা, পুকচেল ফত্তবী মমা অদুনসু মচানুপীবু চার্লিগী নুপী অমা ওইনা লৌশীন্নবা কন্না তকশীল্লক্লে ।

পুকচেল ইচম চমজবা চার্লিদি মমা মচানা খল্লিবা ৱাখল অদু উদবনিনা, হেরিস কৌবী লৈশাবী অদুবু ১৯১৮ গী ওক্তোবর তাং ২৩ দা মাগী নুপী ওইনা লুহোংখি । চার্লিনদি হেরিসপু পুকচেল শেংনা নুংশিজবনি, অদুবু মমা মচা লৌতুনরগা মহাকপু মউন খোকপগী ৱাখল, থৌরাং অদু খঙলকপা মতমদদি মহাক্কি থম্মোয় কা হেন্না শোকখী । মথংগী চহিদদি হেরিস, শোইনাইবা মচানুপা অমা পোক্লে, অদুবু অঙাং অদু নুমিৎ হুমনিদং হিংলম্লগা শিখি । মতুং তারকপদা, চার্লি চাপলিন্না মহাক্কি অহানবা নুপী মিলড্রিদ হেরিস, শোক ১৯২০ গী মতমদা খাইনথোকখি । মহাকপু খাইনদ্রবদি মশাগী অৱাবা কোক্লরোইদবা মরমনা, খাইনবগী থবক অদু পাঙথোকপদা মশাগী লৈজবা শেল য়াম্না তিংখি ।

মথঙদা লিতা গ্রী

হান্নদগী হৌনা, শোক ১৯১৪ গী মতমদা চার্লিনা লিতা গ্রী কৌবী অঙাং ওইরিবী আরটিস্ত (Artist) কলাকার অমদা মশাবু শক্তাকচদুনা খঙনবা হৌখ্রবনি । ১৯২০ দা চার্লিনা মাগী অহানবা নুপী হেরিস খাইনবা মতমদা লিতা গ্রী হায়বী অদুদি চহি তরানিথোইতা শুরী । মতম অসিদা মহাক্তি (লিতা-গ্রী) চার্লিগা লোয়নবা নুপী কয়ামরুমশিং --- মমিং পল্লবদা, ক্লেইয়র ৱীন্দসর, মে কোপ্লিন্স, লিতা লি, পেগী হোপকিন্স, জোয়স অমসুং মমিং লৈরবী পোলা নেগ্রীনচিংবা কয়াগা মতম অয়াম্বদা তোৎন তিন্নদুনা লৈরক্লবীনি । মদুগী মরমদি, হায়রীবা নুপীশিং অদুগা তিন্নরগা মখোয়গী মরক্তা লৈজরগা লিতা গ্রী হায়বী অদুনা চার্লিগী মনাক নকশীনজবা পামজখি, অমসুং খুদোংচাবা অদু ফংজরগা চার্লিবু মশাগী ওইজগে হায়না চপ য়ুংনা খনখি । মমৈথঙদা পোলা নেগ্রীনা চার্লিবু তুক্কচনা লোয়নবগী মওং উরকপা মতমদদি লিতা গ্রী অমসুং চার্লি নকশীন্নবগী তানজা অদু লাকলমই । মমৈথঙদা লিতা, মহাক্কি নিংজবদু থুংজখি অমসুং মশাগী চহি ১৬ (তরাতরুক) শুরকপা মতমদা চার্লিগী মফমদগী মশা ৱাই শংলকখিদে । মতম অদুদা চার্লিনা, মঙোন্দা পোক্কদৌরিবা অঙাং অদু য়ৈথনবা, -Abortion তৌনবা কন্না খন্নখী, অদুবু ৱাফম অদু লিতানা য়াখিদে । চার্লিনা অসিফাওবা থেমখি মদুদি

করিগুম্বা লিতানা অতোপ্পা নুপা অমদা লুহোংখ্রবদি, দোল্লার লিশিং কুনফাওবা পীগনি হায়না । চার্লিনা পুখৎলকপা ৱাফম পুন্নমক লিতানা লৌখিদ্রবদা, উপাই লৈরক্তদুনা চার্লি, শোক ১৯২৪ গী নভেম্বর তাং ২৪ দা লিতাবু মেক্সিকোদা লুহোংখি ।

চার্লি চাপলিন অসি থম্মোয়নুংদদি নুংশিববু ঈরাৎচবা মীশক অমনি । লিতানা মঙোন্দা লুপলিবা পুক্লিং অদুগীদমক চার্লিনা মাবুসু অশুম অশুম নুংশিবা হৌরকখি । মতমগী মতুং ইন্না মখোয় অনিগী মচানুপা অনি পোকখি । অমগী মনিংনা চার্লস জুনিয়র, অনিশুবা অদুনা সিদনি কৌই । মখোয় অনি লুহোংদুনা লৈমিন্নবদি চহি অহুমগী মতম খক্তনি, থুনমক চয়েৎনবা ৱাফম অমদা মখোয় অনি খাইনবা তারকখি । লিতানা চার্লিদা শীরকপা মরালগী য়ুম্ফমদা মীওই কয়াগী পুক্লিং চিংশিনখি । মহাক্কি ৱাকৎতা য়াওরী - লুহোংদ্রিঙৈগী মমাঙদা চার্লিনা মহাকপু মাংথোকপীখি হায়না, অমসুং নুপা নুপী ওইনা লৈমিন্নরক্লবা মতমদসু পুকনুংগী অঙাং মাঙহনখিনবা অদুগা অতোপ্পা নুপা অমদা চৎখ্রবদি শেল য়াম্না পীগনি হায়না থেমখিবগী ৱাফমসু য়াওখি ।

মখোয় অনিগী ৱাফম অসি মীয়াম্না খঙনরকপদা, মখোয় অনিগী ওইবা, নুংশি চান্ননা পাঙথোকখিবা থবক পুন্নমক মমৈথঙদদি অচৌবা ৱাথোক ওইরকখি, অদুবু কোইচৎ চৎনা ঙাওজবা পাম্বা মী অপিকপা চাপলিনবুদি মীয়াম্না অসুক্কি মতিক নুংশি হায়বগী খুদমদি মাগী মীচঙদা মী পুম্নমক্না লেপখিবা অদুনি । অমরোমদদি, আইনগী মিৎয়েং মতুং ইন্না মখোয় অনি খাইনহনবদা ৱায়েনশঙনা চার্লিবু চাওরবা শেনফম অমা লিতা-দা পীহনখি ।

পাওলিট গোদার্দ

চাপলিনগী পুন্সিদা মথঙ-মথঙ অনিরক লুহোংলুরগা খাইনখিবগী থৌদোক অসিনা মতুংদদি নুপী ওইবীশিংবু কিরকপা, খীরকপা হায়বদু ওইরকপনা, মাগী মতুং তারকপা পুন্সীগী চহি মাপনগী মতমদদি কনাগুম্বী নুপী অমত্তগা মহাক্না নকশীন্নরমদে । অদুবু তম্বা ঙমদে, কোন্নদি পাওলিট

গোদার্দ কৌবী কা-হেন্না শকহেল্লবী নুপী অমা, মহাক্কা অমুক নুংশি শকখঙনরক্লে। পাওলিট গোদার্দ, চার্লিগী পামজবা ৱাখল লৈকোল অমগী লৈরাং ওইনা নাইতোম শাৎলরে। মহাক মতম অদুদা মপুং ওইবা ফিল্ম কয়াগী হিরোইন অমসুনি। মখোয় অনি শোক ১৯৩৬ তা লুহোংদুনা লৈমিন্নখি। লুহোংবা মতমদা, চার্লিগী অহুমশুবা নুপী পাওলিট গোদার্দ চহি ২৫ (কুনমঙা) শুরে। চার্লিগী মফমদদি, ওইরক্লিবা হন্দক্কি, মখোয় অনিগী লৈপুল অসিদি য়াম্না অপেনবা অমা ওইনা খনজরুবনি অদুবু মহাক্কি নুপী অদুগী কা হেন্না চাওমনবা আশা কয়া কয়ানা মরম ওইদুনা, মখোয় অনি চহি তরুক্কি মতুংদা খাইনদুনা মাগী মাগী ওইবা অপাম্বা লম্বীদা তোঙান্না অমুক চৎনখি।

অসিগী মতুং চহি অনি লৈরগা, চার্লিগী মরায়বক্তা অমুক হন্না অচৌবা নুপীগী ৱাথোক অমা থেংনৌ হায়না তমখ্রমানে। ৱাথোক অদুদি একট্রেস জোন বেরী হায়বী অমগী মরমদনি। মহাক্না চার্লিগী মথক্তা শীরকপা মরালদি, চার্লি অসি জোন বেরীগী মচানুপী কেরোল আন হায়বী অমগী মপামক্কি হায়বসিনি। মতাঙ অসিদদি, অয়াম্বা মীনা চার্লিগীদমক লেপ্পগী মহুত্তা জোন বেরীগী মাইকৈদা মীনুংশি থম্বগুম তৌখি। তশেংবমক্তি জোন বেরীনা চহি ২২ (কুন্নিথোই) শুরকপা ১৯৪১ গী মতমদা চার্লিগা থেংনখিবনি। বেরীগী মরুপ তিম দুরান্ট কৌবী অমনা মহাকপু চার্লিনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অমদা য়াওননবা অমসুং চার্লি উনরগা ওদিসন য়াওনবা তৌ হায়না মঙোন্দা কন্না ইনশীল্লকপগী মতুং ইন্না, নোংমদি অহানবা ওইনা শক্তাক্লদুনা চার্লি অমসুং বেরী খঙনখিবগী মতমদুদা, চার্লিনা মঙোন্দা চয়োল খুদিংগী দোল্লার ৫০-৫০ (য়াংখৈ-য়াংখৈ) পীদুনা থা তরুক্কি ওইনা থবক তৌহনবা য়ানখি। মথঙ তারকপা থা তরুক অমদি চয়োলগী দোল্লার চাম্ম-চাম্ম পীগনি হায়নসু চার্লিগী অরেপ্পা ৱা থমখি। থীন্দনা, মতম অদুদগী হৌনা জোন বেরী, চার্লিগী লৈশাবী খোংলোই ওইনা লৈরকখি হায়বসি মীপুমতিংনা খঙনখি। ১৯৪২ গী ওক্তোবর থাগী মতমদা চার্লিনা জোন বেরীগী মফমদা লৈরকপা মাগী হৈনিংবা পুন্নমক অমুক মাঙথরকপগুম তৌরমই। মতম অসিদা জোন্নসু মাবু থৌশাবীদ্রে হায়দুনা ৱাকৎপা

হৌরক্লে । জোন্না চয়োলদা ফংলম্বা শেলগী চাং অদুসু, লমচৎ চুমথোক্লিবনি হায়দুনা চার্লিনা দোল্লার কুনমঙাদা ককথখি ।

অশুন্না অহোংবা মওং অমগা লোয়ননা চার্লিনা জোন বেরীবু নোংম-নোংমগী থাদোকপা হৌরক্লে, অমসুং চৎথরক্লিবা থৌওং অদুদা জোন বেরীগী মপুক্লিং য়াম্না নুংঙাইহনখিদে । পোৎ বনধান লৌফম দুকান অমদগী পয়শা লৌরুরগা বেরীনা নোংমৈ অমা লৈরুরে । মহাক্না চুমদ্রিং চাপলিনগী ময়ুমদা চত্তুনা মঙোন্দা নোংমৈ কাপশিল্লুই, অদুবু চাপলিন্দা পানখিদে । মথঙদদি মহাক (বেরী) মথন্তা শিজরনি হায়নসু চাপলিনগী মমাঙদা ধমকা তৌজখি । ৱাখল থোৎলবা চার্লিদি জোন বেরীগী মওং অসিদা শাওবা ঙমখিদে, মহাকপু ইঙনা তপ্পা থেমজিনবা নত্তনা । মখোয় অনি অমুক ইঙথনা লৈনরে অদুবু মতম কুইখিদে । মতম অদু, চার্লিগী পুন্সীদা খ্বাইদগী মমল য়াম্লবা পোৎশক অমনা মাগী পুন্সীগী লম্বীদা চঙশীল্লকপা মতমনি । পোৎশক অদুদি অতৈ কনাসু নত্তে, মশাগী চহি ১৩ খক্তং শুরক্লিবী, মমিং চৎলবা ফিল্মগী ৱারী ইবা য়ুজিন-ও নৈলগী মচানুপী উনা-ও নৈল হায়বীদুনি, মহাক্তি চার্লিগী মফমদা ঈশ্বরনা পীনবীরকপা খুদোলনি । অসিগুম্বা খোঙথাং অসিদনি জোন্না য়াম্না পাখৎচনা মিহৌজখিবা অমরোমদসু হেন্না নিংবা কায়রকপা, মহাক মশা মীরোল্লে খঙলকপদা - ।

জোন্না কোর্টতা চত্তুনা আইনগী থোংদা চঙজফম লৌদুনা ফোংদোক্লুরে মদুদি আইন্না য়াদবা মওংদা লৈনরকপা নুপা নুপীগী মরীদা মহাক্না মীরোল্লিবা অঙাং অদুগী মপাদি চার্লিনা ওইগদবনি হায়না । ৱাকৎ অদুগী পোরম চৎথরকপদা কোর্টসু মতম খরা চঙখি । মরক অসিদা জোন, মচানুপী অমা পোকখি, মমিং কেরোল আন, হায়না থোনখি । কেরোল আন্না চহি মরী শুরকপা মতমদা চার্লিনা মশাগী ঈ অমসুং অঙাং অদুগী ঈ চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা মহাক্তি মচা নত্তে হায়বদু চাংয়েং অদুনা উৎখি, অদুম ওইনমক কোর্টনা চার্লিবু অঙাং অদুনা চাওরকপা মতম ফাওবদি য়োক-থাকপগী খরচ পুন্নমক পুহনখি ।

চার্লিগী নুংশি শাইওন ওইবী

উনা-ও-নৈল

হান্নসু পনজখ্রে - উনা-ও-নৈল হায়বী লৈশাবী অসি আমেরিকাগী ফিল্ম ব্রারী ইবা য়ুজিন-ও-নৈল হায়বা অদুগী মচানুপীনি । মহাক্না চহি ৫৪ য়াংখৈমরী শুরবা চার্লিগা শকখঙনবা মতমদা মশাগী চহি তরাতরেৎতমক ঙায়রী । শোক ১৯৪২ দা মহাক্না কুমগদবা ফিল্ম অদুদি অমুক হন্না পুথোকখিদ্রে । মতম অস্বায়দনি মহাক্না চার্লিবু উনখিবা অমসুং মহাকপু নুংশিজরুবা - - । অশুম লোয়নরকপনা নোংম-নোংমগী নকশীন্নরকই, মখোয় অনি চহি শাংনা খেন্নে হায়বদু খঙনা খঙনা কাওরকই । ইকুই কুইদনা, খঙনরকপা চহি অমগী মতুং ১৯৪৩ জুনগী তাং ১৬ তা মখোয় অনি লুহোংদুনা লৈমিন্নখি । হৌজিক্তি, চহি ১৮ (তরানিপানতা) ঙাইরিবা উনা-না চার্লি চাপলিনগী মরীশুবা মবেম্মা ওইররে । মখোয় অনিগী লুহোংবদি, য়াম্না চম্না কারপিনতেরিয়া হায়না খঙনবা কেলিফোর্নিয়াগী সান্তা বারবারাগী অপিকপা খুঙ্গং অমদা পাঙথোকখি । তাবদা পেন্নদবা, নুংঙাইনদবা লুহোংবগী পাউ অসি লৈবাক শীনবা থুংনা খবর পুম্নমক্কি মকোক্তা হাপ্পখিবগা লোয়ননা অশুম্নসু ফোঙদোক্নরকখি মদুদি মখোয় অনি হরাও তয়াম্না নুংঙাইনরিবা অদু মতুংদদি অব্রাবা ওইরক্কনি হায়না ! মতম শাংনা চৎপা চৎতবা উনা-না চার্লিগা লুহোংবদা খনজখিবা ব্রাখল অদুদি কনানসু উরমদে । অমরোমদা, লুহোংবা অদুগী মরমদা মীয়াম্না খনবীরিবা অদুসু চার্লিনা করিসু থৌশারমদে ।

অঙকপদি, উনা-না চার্লিগী শেল থুমদা করিসু কল্লকপা মিহৌজদবা অসিনি । মহাক মশামকসু, চাউখৎলবা মচু তারবা ইমুং অমদগী হৌরকপনি । চার্লিবু থম্মোয়শেংনা নুংশিজখিবা নুপীসু মহাক মথন্তনি । মহাক্কি অশেঙবা নুংশিবগী ব্রাখল কয়া অদুনা, চার্লিগী পুন্সীদা লৈরক্লবা মাগী হাঙলবা পুক্লিংগী মফম কয়াদি উনা-না মেনশিনজবা ঙমখিবগা লোয়ননা চালিগী মতিক মগুন কয়া উৎথোকপদা লৈরম্বা অপনবগী মরম

কয়া লৈহন্দদুনা, চার্লি মশাগী লৈজরক্লবা মতিক মগুন মপুংফানা ফোঙদোকপা, উৎথোকচবা ঙমহনখিবনি । উনা, মাগী চালিগী অরোইবা পুন্সীগী মিকুপ অদুফাওবা মনাক্তা লেপখি । মখোয় অনি, শাংলবা চহি কুন্থ্রামরীগী মতমদি লৈমিন্নখি । নুংঙাইনা, পেন্না লৈমিন্নখিবগী মতম অদুদা চার্লিসু মাগী খ্বাইদগী মমিংচৎলবা ফিল্ম কয়া পুথোকখি, ইশৈ কয়াগী সুর পানখি । মানা হায়খি ঃ- "ঐগী পুন্সীগী মরম পুন্নমক, ঐনা উনা-বু নুংশিজবদুগী মখা পোনবা ঙাক্তনি, ঐগী উনা, ঐগী ইফমদদি অঙকপগী মশক্লি ।" তশেংবমক্লি, অচম্বা মরম কয়া অমনা পুল্লপ পুনশিন্নরগা চালিগী পুন্সীদা শীঙনরকপা য়াবা মরম কয়াগী লম্বিদা হৈ শিংলবী, চেকশীল্লবী উনা-না অথীঙবা পীদুনা অৱাবা খুদোংথিবা অমত্তা থোকহনখিদবনি ।

চার্লি চাপলিন্না চাগদবা নিতিগী চিঞ্জাক পুন্নমক মহাক্লা চেকশীন্না য়েংশিনজৈ, থৌরাঙ তৌজৈ । মসিমক্লা চার্লি, মশাগী চহি ৮৯ মরীফুমাপন শুরবা ফাওবদা মানা চহি নিফুদা ওইখিবা মাগী শকওই, শাওং-শাদা করি অমত্তসু হোংখিদবা অদুনি । মহাক ১৯৭৭ কী দিসেম্বর তাং ২৫ দা তাইবংপান থাদোকখি । মাগী পুন্সীগী অরোইবা চহিফাওবা, মশাগী হৈ শিংবা, থবক শুবগী মথৌনা মপাঙ্গল অদু করিসু হন্থদনা লৈবা ঙমখি ।

মখোয় অনিগী পুন্সীদা, পুল্লপ্পা অঙাং নিপান য়োকখি । মঙা অমনা উনা-না পোকচবা, অহুম্না হান্নগী নুপীশিংনা থল্লম্বনি । মখোয় অনিগী মঙাশুবা অঙাং পোকপা মতমদা চালিগী চহি ৭৮ (হুম্ফুতরানিপান) শুরে । মমা ওইবীগী নুংশিবা, অঙাংশিংগীদমক তঙাইফদবা চেকশীন থৌরাঙ পুন্নমক চপ মান্ননা, মীচং মীখায় নাইদনা হান্নগী অঙাং অহুম অদুদসু ফংহল্লম্মী, নুংশিনা য়োক্লমই । উনাগী মচানুপী খ্বাইগী অহল জিরালদিন চাপলিন্না হায় - "ঐখোয়গী ইমাদি ঐখোয় পুন্নমকপু পুল্লপ্পা য়েংই, ঐনা উজরকপা নুপীশিংগী মরক্তা মহাক্তি খ্বাইদগী মপুংফাবী নুপীনি ।"

চার্লিগা উনাগা লুহোংদুনা লৈমিন্নরক্লবা চহি কুন্থ্রাগী মথক হেল্লবা ফাওবদা, চাপলিন্না উনাগী মফমদা অহানবদগী হৌনা লৈরক্লবা মশাগী

হৈনিংবা ৱাখল অমসুং নুংশিবা অদু কৈদৌনুংদসু ময়েং তাথরকপা, হন্থরকপা লৈখিদে । মানা তৌজবা থবক্কি অফবা ফল, মগুন পুম্নমক, উনা-না মাগী মফমদা থল্লিবা ৱাখল, নুংশিনা খনজবা পুম্নমক অদুগী মখা পোলহল্লি । চার্লিনা মতম পুম্নমক্তা, মীয়ামলক্তা নত্রগা সমাজগী মমাঙদা অমসুং লন্নাইগী পুন্সীদা মাগী নুপী উনাবু চপচানা ব্যবহার তৌজে । করি অমুক হায়গনি, মমান্নবশিংগা মাগী ফম্ফম কাদ ৱারী শানদুনা ফল্লিৗেদসু মাগী মখুৎ তিংথোক্লগা উনাগী মখুৎ পায়দুনা চঙহল্লি, অমসুং ৱারী শানা-শানা মহাক্না উনাবু কয়াম নুংশিজবগে হায়বদু মরক থত্তুনা হায়দোকচৈ, অমসুং মাগী মরুপশিংদা পাওদমজৈ, মদুদি মাগী পুন্সীগী মরম পুম্নমক মানা উনাবু নুংশিজবগী মখা পোল্লি অমসুং মানা পুন্সীদা অসুম হিংদুনা লৈনিংবগী মরমসু মাগী উনাগীদমক্তনি হায়দুনা ।

উনা-না আমেরিকাগী নাগরিক (সিতিজেন) ওইবা তোক্লে হায়না লাউথোকচবা ঃ- শোক ১৯৪৭ তা চার্লিনা "মোনসিয়র ভরদো" হায়না মিংথোনবা ফিল্ম অমা পুথোকখি । হায়রীবা ফিল্ম অসিদা উৎলিবদি আমেরিকান মীওই কয়াগী মথোঙ মরম হুক্তবা পুন্সী মরেন অমসুং লমচৎকি মওং অদুনি । মরম অসিদগী য়ু-এসকী ফিল্ম সেন্সর বোর্দ অমসুং আমেরিকাবু শৌগচ্চবা খবর কাগজগী মীওই পুম্নমক্না চার্লিগী মফমদা মৈ হৌনা শাওবদা নত্তনা আমেরিকা সরকারনসু মঙোন্দা য়েংথিবা পোকখিবগী মতাঙনি । মতম অসিগী মমাঙদসু, চাপলিন্না "দি গ্রেত দিক্তেতর" হায়বা ফিল্ম অমসু পুথোকখি । ফিল্ম অদুদা উৎখিবনা, হিটলর অসি শক্তি পায়বা মীফৎত অমা ওইহল্লগা, মীচং ওইরীবা ইংলেন্দ, আমেরিকাগী অপুনবা শক্তিনা অনিশুবা কাংবু অমা জর্মনিগী মাইয়োক্তা শেমগৎলগা হিটলরনা রাসিয়াদা লান্দাবা য়াহল্লোইদবনি হায়বসিনি । পাক হেক্তা য়াগদবসু নত্তবা অচম্বা ৱাফম অদুদা চার্লি চাপলিন অসি কম্ম্যুনিজম পান্বা মীশক্কি হায়বরোমদা অর্থ হন্দোক্লখি । ১৯৫০ গী অঙনবা মতমদা আমেরিকা সরকারগী মায়য়োক্তা লৈবা লেফতিস্ট কাংবু পুম্নমক তকখায়বগী খোংজং অমা মাক কার্থীগী অকনবা পাউজেল অমগী মখাদা চঙশীন্নরকখি । চাপলিনদি করিগুম্বদসু মশানা লেফতিস্টকী ৱাখল চেল্লি হায়বগী অরোনবা অদু কনাদসু খঙহনখিদবনি । অদুম ওইনমক, চার্লিবুসু

কোইতান তান্নবা হৌরক্লবদা, মহাক ১৯৫৩ গী মতমদা মাগী নুপী উনাগা লোয়ননা মশাগী অঙাংশিং পুদুনা য়ুরোপ য়ৌনবা সমুদ্রগী খোঙচৎ অমদা লৈরীঙৈদা য়ু-এস সরকারনা চাপলিনগী, আমেরিকা চঙবা য়াবগী ভিজা (Visa) ককথৎলে হায়না লাওথোকখি । মরম অসিদগী মখোয় (চাপলিনগী ইমুং মনুং) য়ুরোপ মহাদেসতা লৈহনখি । থৌদোক অসিনা চার্লি মশাগী ইজ্জৎতা য়াম্না শোকপগুম লৌখি । মহাক্লসু, মহাক মশা অমুক হন্না আমেরিকাদা হল্লকপগী পার্মিট অদু য়ু এস অথোবিতিদা পীথোকখি, অশুম্না চহি য়াংখৈ মহাক্না আমেরিকা সরাকরগা শম্নরকপা মরী অদু অমুক হনজিনবা য়াদনা থদৎনখি ।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চার্লিগী নুপী উনাসু মশাগী চাংয়েং অমদা লেপ্না তারকপনা, ব্রাখলদা মপুং ফারবী নুপী অমা ওইনা চিংদুম অমগী মতৌগুম মাগী নুপাগীদমক্তা লেপ্লগা য়ু এসকী নাগরিক (সিতিজেন) অমা ওইরম্বদু থাদোক্লে হায়না মশাগী অচৌবা ফিরেপ অদু লাওথোকচখি । মতম অদুদগী হৌনা চার্লিগী অনৌবা লৈফম অমগীদমক মহাক্কি নুপী, অঙাংশিংগা লোয়ননা স্বিটজর্লেন্দা লৈবা ভেভি কৌবা মফম অমদা খোঙশাল্লমই, অমসুং স্বিটজর্লেন্দগী আল্পস চিঙজাওদগী য়েংথবদা জেনেভাগী পাত উবা ফংবা মফম, ফজরবা অঙৌবা য়ুম অমদা লৈখি । স্বিটজর্লেন্দা য়ুমলিংদুনা অসুম লৈরক্লবদা চার্লিন ইশৈ কয়া ইখি, সুর কয়া পানখি, অনৌবা ফিল্ম খরসু পুথোকখি । মহাক্কি অয়াম্বা, পোত্থাবগী মতমদা প্যানো খোংদুনসু লেল্লি । মতম অসিদা পুথোকখিবা মাগী ফিল্মশিংগী মনুংদা "এ কাওন্টেস ফ্রোম হোংকোং" মমিং পনবা য়াই, অমসুং মানা ফিল্ম প্রোদ্যুসর ওইরকপগী মনুংদা থোইদোক্লা মমিং লৈখ্রবা ফিল্ম অমসুনি । ফিল্ম অদুদা সোফিয়া লোরেন অমদি মার্লো ব্রান্দো য়াওখি । নোংমা সোফিয়া লোরেন্না চার্লিদা হংখি, "অদোমগী ওইরিবা চহি মতাঙ অসিদা অশুক য়াম্না হকচাঙ খীংনা অমসুং থবক তৌবদা মচু তানা পাঙথোকপা ঙম্লিবসিগী অরোনবা করিনো ? " ব্রাহং অসিদা চাপলিন্না মোমোন নোক্তুনা খুমখি, "ঐনা থবক ফনা, পুন্সী নুংশাংনা লৈবা ঙম্বগী মরমদি উনা নত্তনা অতৈ করী অমত্তসু নত্তে, করিগুম্বা পুন্সীগী অহানবা তাক্কত্তা উনানা ঐগী পুন্সীদা লাক্লম্বা থোক্লবদি,

নুপী কয়াগা মরী লৈননা ঐনা মাইয়োক্লখিবা অৱাবা কয়াদু করিগুম্বদসু থোক্লম্লোইদবনি । মহাক্লা ঐগী পুন্সীগী থবক কয়াদা খুজিল থৌরাঙ তৌরগনি হায়বসি মাঙজৌননা করিসু খঙবা ঙমদনা ঐগী চহি ৫৪ (য়াংখৈমরী) শুবা মতমফাওবা মাবু ঙাইরকপনি হায়বা তারে । ঐঙোন্দদি, ঐগী উনা নুংশিবা হায়বদুগী শাইওন্নি, মহাক্কি থম্মোয়দি, নুংশিবা অমসুং অথোৎপা ৱাখলনা থল্লি, লৌনম নমথাক হায়বদুদগী য়াম্না লাপথোক্লা লৈ, কৈদৌনুংদসু করিগুম্বা পোৎ অমত্তা মহাক্লা ঐঙোন্দা পীয়ু হায়খিবসু লৈতে । মাগ ঐগ উনবা মতমদা, মতম কুইনদগী হৌনা খঙনরক্লবগুম ঐখোয় অনিমক্কি পুক্লিংদা ফাওনখি, মানা ঐগী পুন্সীদা চঙলকপদি, কনাগুম্বা মীশক অমনা মশাগী ময়ুমদা চঙলকপগা চপ মান্নে ।”

ওস্কার মনা পীবা ঃ

চার্লি চাপলিনবু য়ু এস সরকারনা আমেরিকাদা চঙলকপা য়াহনখিদবা অদুবু, হোলিউদকী ফিল্ম সংসারদা লৈবা মীওই পুম্নমক্লা থোইদোক্লা পেন্নখিদে, পুক্লিং নুংঙাইনখিদে । মখোয় পুম্নমক্লা, অথীঙবা অদু লৌথোকপিননবা হনবা লৈতনা তক্লদুনা লাকপদগী য়ু এস গোবর্নমেন্টনা চার্লিগী মথক্তা লৈরম্বা অথীঙবা অদু কোমথোকপিখ্রে । অসুম্না ইং ১৯৭২ দা আমেরিকাগী ফিল্ম একাদেমিনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎননবা লেপ্পখি । মতম অসিদনি, চাপলিন অমসুং মহাক্কি নুপী উনা, আমেরিকাদা অমুক হল্লকখিবা । চাপলিন্দা ওস্কার মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা নুমিত্তা মীয়াম্না উনা-দা হংখি, “আমেরিকাগী য়ুমদা অমুক হন্না লাকপদা করি ফাওবীবগে ?” ইরায় লায়না উনা-না খুমখি, “ঐগী লৈফমদি ঐগী ইপুরোয়বনা লৈরু লৈরুবা লমদম অদুদা অদুম ওই ।” মহাক অমুক হন্না আমেরিকাগী সিতিজেন ওইখিদ্রে । মহাক চার্লিগী নুপীনি, মানা পোকচবা অঙাং মঙাগী মমানি । ভেভি হায়বা মফম অদুদা মখোয়গী ময়ুম লৈজবা য়াবীখিবগীদমক্তা স্বিটজলেন্দগী মফমদা তৌবীমন খঙবা উৎচখি । চার্লি মশাগী ওইনা অফবা ৱাখলদা পুক্লিং চেৎপা মীশক অমনি । মানা হায়, পৃথিবী অসিনা মশাগী ওইবা করিগুম্বা ফত্তবা অমত্তা য়াওদ্রবা, খ্বাইদগী

ফরবা অদুবু ঐঙোন্দা পীনবীরবনি, অদুবু ঐগী পুন্সীদি ঐনা হান্না ওইখিবদগী ঙসিনা অমুক্কা হেন্না পুক্লিং মকা লামজরে । ঐঙোন্দা পুন্সীগী নুংঙাইবা হায়বদুগী অচুম্বা মশক খঙহনবীবদি ঐগী নুপী উনা নি, মহাক্তি ঐগী ইফমদা আমেরিকানা পীবীবা খ্বাইদগী চাওরবা খুদোলনি ।”

মহাক্কী ফিল্ম পুম্নমক যু এসতা য়াম্না পাম্লনা মমিং চৎখিবা অদুগীদমক্তসু মহাক্লা পেনজখি । করি অমুক হায়গনি, মাগী ফিল্ম উৎখিবা আমেরিকাগী সিনেমা হোল পুম্নমক্কি টিকেট ককফম খুদিংদা চপ মান্ননা ইখিঃ- “হাওস ফুল ওইরে, লেপ্পিগে হায়রবদি য়াগনি ।”

ইং ১৯৭৫ দা গ্রেট ব্রিটেনগী মহারানিনা চাপলিনবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা নাইটহুদকী ফমথোন পীবীখি । নাইটহুদ ফংবগী থৌরম অদু য়াওবা লাকপদা, মহাক্কি নুপী উনাবু ময়ামগী মমাঙদা মমাঙ থাহন্দুনা পুশিনখি । মহাক্তি করিগুম্বা মতমদসু মাগী নুপীবু মাগী মতুংদা চৎলহনখিদবা নুপানি, মরমদি চার্লিনা মহাকপু অৱাঙবা থাক অমদা ব্যবহার তৌজে (ইকাইখুম্নজে) অমরোমদা হায়রগসু চার্লিনা উনাগী মশক উদনা চৎপা পামজদে । মহাক্কী মরুপ পুম্নমক্তা চার্লিনা হায়খিবা অমা লৈ মদুদি, নুপী ওইবীশিংগী মফমদা সনমান (ইকাইকুম্নবা) উৎকদবনি হায়বসি ঐগী উনানা ঐগী ইফমদা অৱাঙবা থাক্কি ৱাখল অমগা লোয়ননা খঙহল্লে ।

চার্লি চাপলিন্না মশাগী ওতোবাইওগ্রাফিদা অশুম্না ইরি - “ভেভি লমদমদা লৈবা অচৌবা লম্বীশিংগী নাকল নাকলদা লৈবা মরাকচপ্পা অখুবা লম্বীশিং অদুদা মহাক্লা ঐগী মাঙ থানা চৎপদু উবদি খঙহৌদনা নুংশিবগী ঈথক অমসুং মহাকপু ঐনা থাগচ্চবগী ইহুল অমা ঐগী থম্মোয়দা ফাওরকই অমসুং মহাকপু কা হেন্না নুংশিরকই ।”

চার্লিগী মরমদদি মাগী নুপী উনা-না করিগুম্বা অমত্তা ওইরবসু কয়া তোয়না পাক হায়দোক্তে । অমুক্তংদি মাগী মপানা চার্লিগী মরমদা খরদং হায়য়ু হায়না তকশীল্লক্লবদা মহাক্লা ফোঙদোকখি - “চার্লি হায়বসি মরম পুম্নমক্তা মপুং ফারবা মীশক অমনি । নুপা অমনা নুপী অমগী মফমদা

পীফম থোকপা পুম্নমক অদু ঐহাক্না চার্লিদগী ফংজবা ঙম্মী । মহাক্কি থম্মোয়দি, নুংশিবা হায়বদুনা পীকথন্না লৈ । মহাক লৌথুপ লৌকোই লৈজদবা অচম্বা মীশক অমনি । ঐ অসে ঈশ্বরনা মহাক্কীদমক শেন্বীরম্বনি অমসুং লাইবক্তা মহাকপু ফংজৌ তমখ্রবনি, ঐ থোইদোক হেন্দোক্না নুংঙাইজৈ ।”

উনাগী পুন্সীদা কৈদৌনুংদসু কনাগুম্বা অতোপ্পা নুপা অমগী ব্রাখল তৌখিবা লৈতে । মহাক্না (উনা) লুহোংলবা মতুংদা চার্লিসু কনাগুম্বী অতোপ্পী নুপী অমগা অরোনবা মরী লৈনখিদে । পৃথীবীদা ফাওখিবা চার্লি ইং ১৯৭৭ গী দিসেম্বর ২৫ খৃষ্টমাস নুমিত্তা, মশাগী চহি ৮৯ (মরীফুমাপন) মপুং ফারকপা মতমদা তাইবংপালদগী বিদাই লৌখি । মহাক্না কায়নবদা উনাগী থম্মোয়সু কায়খি । মহাক খঙজৈ, চার্লিনা মঙোল দগী চহি ৩৬ (কুন্থ্রাতরুক) হল্লি হায়বসু, অদুবু মখোয় অনিগী পুন্না লৈমিন্নরকপা পুন্সীদা চহি য়াম্না খেন্নবগী মরমদি কৈদৌনুংদসু পুক্লীং অনিদা ফাওনখিদে । কাইনথংদা উনা, চার্লিগা কায়নবা অদু ঈশ্বরনা তম্লক্লবনি খনজনা, অব্রাবা কয়াবু কোমথোকচনা খল্লগা তুংগী পুন্সী অমা শেমজহৌবা ঙমখি ।

জর্মনগী হিটলর

মাগী নুংশি নুংঙল ৱারী

- অহানবা মতাঙ -

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জর্মনগী নাজি কাংবুনা লাইগুম্ন া লাৎনখ্রবা, জিয়ুশিংগী মফমদদি তমথিবদা হনবা নাইখিদ্রবা অমসুং নীংহন্নবা লৈতনা মশাগী অরোইবা মিকুপ ফাওবা লানফম কয়াদা মরৈবাক্কিদমক্তা য়েক্লবগা মাইরোঙ য়াখিবা জর্মনি লৈবাক্কি হিটলর, পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা মমিং তাদবা লৈরম্লোই। অদুম্নদি ওইরগা, অদুক তমথিনা খঙনখ্রবা, তাবদা কিনরবা মহাক অদুগী থম্মোয়দি নুংশি নুংঙলগী মাইকৈদা অশুক্কি মতিক থোৎখি, নুংশিবতবু ইরাৎচৈ। নুংশিবা মশক খঙজবা মহাক্না অতৈ অতোপ্পা কনাগুম্বীগী থম্মোয়দসু নুংশিবগী ময়োল চোংহল্লি। মহাক মশাগী ওইখ্রবা লন্নাই পুন্সীগী নুংশি ৱারীদি মখল মখা কয়ানি, মশিং য়ামই। মহাক্না নুংশিনখিবা ইবেম্মা কয়াগী মরক্তা অমদি আত্মাঘাত তৌদুনা শিখি, অমনা আত্মাঘাত তৌরগে হোৎনরকপদা লইবকফবনা হিংহৌই, অহুমশুবা অদুনা হিটলরগা লোয়ননা পুন্সীগী অরোইবা মিকুপ ফাওবা লৈমিন্নরগা মখোয় অনিমক পুন্না আত্মাঘাত তৌদুনা শিমিন্নখি। করি ওইগনি, কল্লবা শারবা লানফমগী মৈরক্তা, নুংশি ইখৌ লাংনখিবা নুংশিবগী ঈচেলনি, লানফমগী মৈশারক্তা কংশিনখ্রবা নুংশিগী ঈচেলদি নুংশিবগী পম্বুংনি। নুপী ওইবী কয়া অমসু লৈখ্রে মহাক্কি পুন্সীদা লোয়নরকপা, অদুবু মখোয় খরা অদুদি মরম অমগীবু ওইরে অতোপ্পা মরমগীবু ওইরে মথঙ মথঙ কায়নখি মাগী পুন্সীদা।

মহাক্না পাখং ফারকপা, ঙল্লিঙৈগী পুন্সীদদি, মঙোন্দগী চহি হল্লবী, মমিং লৈরবী জর্মনগী নুপী কয়ানা মহাক্তবু তান্নখি। মহাক্না মরুপ ওইজবা ফংখিবী নুপীশিংগী মরক্তগী হেলেন রেক্সতিন কৌবী, জর্মনগী ইনাক খুল্লবা প্যানো যন্ত্র শাবা কার্ল বেক্সতিন হায়বদুগী নুপী অদুসু অমনি। হায়রীবা হেলেন অসি হিটলরদা শুমহৎখি। পুং কয়া চপ্না হিটলরবু

অয়াম্বা মতমদা মতম্বাক্তা ঙাথহন্দুনা নুংঙাইনা মতম লেলহল্লি, মশম-মনা শেম্বী, মকোক নোইবী । হেলেন্না হিটলরবু নুংশিনা কৌজে "ঐগী কৈশাল" অমসুং করম তৌনা শেৎ-চাবা অমসুং লু হেনবগী মরমদা মখোয় অনি ৱারী শামিন্নে, ৱাফম কয়াসু হেলেন্না তাকপি ।

হেলেন হায়বীশিগী মীশুম্বা শক্তিগী মখাদা হিটলরবু থম্লনবা হোৎনবসি মহাক্কী ৱাখলনি । মহাক্কী মরল মথুম কয়া হিটলরগী থবক্তা মরাঙ কায়না থাদবীখি । মতম খরগী তুংদা, মহাক্না খনজরিবা, হোৎনরিবা পুম্নমক শোয়রক্কদৌরে হায়বা খঙলক্লবদা, মানা পোকচবী মচানুপীবু লাং ওইনা শিজিন্নরগা হিটলরবু অমুক ফাননবা হোৎনখি । হেলেন হায়বী নুপী অসিনা জর্মনগী অচৌ অশাঙ নুপী কয়াগী ওইবা হরাও নুংঙাই কাংবু (পার্টি) কয়াসু শীল্লি, অমসুং শক্তি লৈরবা ম্যুনিক সহরগী ইমুং অয়াম্বনসু মশক থোক্না, হিটলরগী রাজনিতি কাংবু শেমগৎপদা শেলগী মরাঙ কায়রবা তেংবাঙ ফংহনখি ।

হেলেন্না, হিটলরবু ইলজা ব্রুকমেন কৌবী, শেঞ্জাও পায়বা হ্যুগো ব্রুকমেনগী নুপীগা শকখঙনহল্লুবদা ইলজা হায়বী অদুসু হিটলরগী ৱাখলদা লায়চুখি, অমরোমদা হিটলরনসু মহাক্কি মফমদা পুক্লিং চঙশীল্লকপদগী চহি অনিগী মতমদি মখোয় অনি, খাইদোক্লবা ঙম্নরমদে । থৌদোক অমদা নোংমা, মখোয় অনি ৱারী শান শান লৈমিন্নরিঙৈ, ইলজানা হিটলরগী উইথরকপা মমিৎ অদু উবদা করিগুম্বা অৱাবা অমা লৈরে খল্লুরমানে, মপুক্লিং নুংঙাইতনা ইলজানা হিটলরদা হংখি "করিনো নঙনা খল্লিবা অৱাবদু - - ?" ৱাহং অদুদা হিটলরনা খুম্মী - "ঐগী পার্তিগী চয়োলগী ওইবা খবর অমা ফোঙগে খনবনি, অদুবু শেল লৈতে ।" খুদক্তা ইলজানা হিটলরগী দরকার ওইবা চঙগদবা শেল কয়ানো হংখি অমসুং শেনফম কয়া মখুত্তা শিন্নখি মদুগা লোয়ননা হিটলরবু মিসিজ গারক্রুদ ভোন সিলিজ্জ কৌবী লল লৈরবী ফিনলেন্দ পেপর মিল অমগী মপু ওইরীবী অদুগী মফমদসু শক্তাক্কুনা খঙনহনখি । হায়রিবী নুপী অসিনসু হিটলরনা ফোঙগদবা খবর অদুগী চহি তরাগী ওইনা চঙগদবা চে পূম্নমক মমল লৌদনা পীখিবনি । হায়রীবা মতম অসিগী মনুংদা, হেলেন, ইলজা অমসুং সিলিজ্জ নুপী অহুম্মক অসিনা হিটলরবু লোয়নবগী নুংঙাইজবা অদুগী

অপূনবা শরুক মখোয় অহুম চপ মান্ননা য়েনথোক্লদুনা ফংনখি । সনা মিল্লিয়ন কুনমঙাগী মার্ক (জর্মনিগী শেল) হিটলরগী ফুরিৎ খাওদা হাপখিবনি হেলেন অমসুং ইলজানা । হায়রীবা তেংবাঙ (ফন্দ) অসিদগীনি, হিটলরনা মতম অদুগী অনৌবা মার্সিদিজ বেন্জ কার অমা মশাগী ওইনা শিজিন্ননবা লৈখিবসু । হিটলরনা ওবরসাল্জবর্গ তুরেলগী মপান্দা লৈবা ব্রাচনফেলদ কৌবা ফজরবা, নুংঙাইরবা ভারাগী য়ুম (ভিল্লা) অমসু থাগী মার্ক চাম্ম চাম্মা পীদুনা লৌখি অমসুং খরচ পূম্নমক হেলেন্না পুবতা নত্তনা হিটলর মশাগী অনৌবা য়ুম অমা শাননবসু মহাক্না শেল পুথোকখি । হায়রীবা য়ুম অসিদগীনি মহাক মশাগী অহানবা নুংশি নুংওলগী ব্রারী অমা হৌরকখিবা অমসুং মবেম্মা অদুগী পুন্সীদি আত্মাঘাত তৌজদুনা লোইখিবা ।

জেলি রাওবল ঃ-

হিটলরগী অনৌবা য়ুম "হাউজ ব্রাচনফেল্দ" হায়বদুদা মহাক্না লৈবা হৌরকপদগী য়ুম অদুবু য়েংশিনবীনবা মীশক অমগী তঙায়ফদবা ওইরক্লমই । মতম অদুদা মহাক লুহোংদ্রি, লুহোংগে হায়নসু খল্লমদে । মাগী মরুপ- মপাঙ অতৈ মীওইশিংদা মহাক্না হেক হেক হায়খিবা অমদি ঃ- "ঐদি জর্মনি হায়বা লৈবাক অসিগা লুহোংলবনি, জর্মনিনা ঐগী কন্যানি ।" মাগী ইমুং মনুং মীওইশিংগী মরক্তা আনজেলা রাওবল হায়বা অদুখক্তনি মহাক্না খরা তোৎন তিন্নবা। হায়রীবী নুপী অসিনা মঙোন্দগী চহি তরুক হল্লি, লুখ্রাবীনি, নক্লবা মরীদা মহাক্কি মচেনি । মহাক য়াম্না লায়রনা, মচানুপী জেলি কৌবী অমগা মাগী পুন্সী লেনজবীনি । হিটলরগী মফমদদি মহাক অসি, হিটলর মশাগী মমাগুম্বীনি, পুম্নমক অসিগী মথক্তা মখোয় অনিগী মপাসু অমত্তনি । হিটলরবু পোকপা মপা আলোয়স হায়বদুসু, মারিয়া আন্না সিকলগ্রুবর কৌবী খুঙ্গংগী লৈশাবী অমনা অফোঙবা লুহোংবা নত্তবদা পোকখিবনি । মহাক পোক্লবা চহি মঙাগী মতুংদা নুপী অদু অমুক হন্না জোহান জর্জ হিদলর কৌবা অতোপ্পা নুপা অমদা লুহোংখি । হায়রিবা জোহান জর্জ হিদলর অসিনা আলোয়সপু মচাগুম্না শকখঙখিদে । জর্জ হিদলরগী মচিন মনাও অমনা আলোয়সপু ময়ুমদা

পুদুনা য়োকখি । পুকচেল চাওরবা নুপা অসিগী মফমদা তৌবীমন খঙবা উৎচবা ওইনা, মহাক্কি হান্নগী মমিংদা য়াওবা সিকলগ্রুবর হায়বদুগী মহুত্তা, ইং ১৮৭৭ তা হিটলর হায়না ওনখি । আলোয়স হায়বা নুপা অদু মপুন্সীদা অহুমলক লুহোংবদা অনিশুবা নুপীনা আনজেলা পোকখি । অহুমশুবা অদুনা পৃথিবী শীন্না খঙনখ্রবা অদোল্ফ হিটলর পোকপনি ।

ব্রারীগী মখা তারকপদা, হায়রীবা আনজেলা অসিনি হিটলরনা মচে অমা ওইনা নকশীন্ননা তিন্নরকপা । মহাকপু য়ুম অদুদা পুরক্তুনা লৈহনখিবনি মচানুপী লৈশাবী অদুগা লোয়ননা । য়ুম অদুগী থৌরম, মরম পূম্নমক আনজেলানা দায়িত্ত লৌরমই, (মশাগী থৌ ওইনা পুরমই) মতম অসিদা আনজেলাগী মচানুপী জেলি অদু চহি তরাতরেৎ শুরক্লে । হিটলরনা, মমা তিন্নদবী মচেনা পোকপি জেলিগী মফমদা অথোৎপা মিৎয়েং লৈরকপদগী কাইনথংদদি জেলিবু য়ুমগী মবেন্মা ওইহল্লগে হায়না পুক্নিং লেপখ্রে । পারপ তৌনা তোংগানবী জেলি, মতমগী মতুং ইন্না খঙহৌদনা মপুং ফারবী শকহেনবী অমা ওইরক্লমই । হিটলরগী তূম্ফম কাগ হেক থংনবা কা অমদা জেলিগী কা অমা শেন্লমই, মমাগী লৈফম কানা য়ুম অদুগী মমাঙথংবা শরুক্তা ওইহল্লমই । তৌরিবা থবক মরম পূম্নমক অদু আনজেলা ফজনা খঙই, অদুবু মহাক করিগুম্বা ব্রা অমত্তা ঙাংদবা তাই, মরমদি মহাক মশাবু হিটলরনা ঙাক শেনবীরিবা, চঙজফম ফংহল্লিবা পূম্নমক অদু মাঙহনখিবা পামলমদে ।

হিটলরনা জেলিগী থম্মোয় খুদুমচনশিনখ্রে, মমল য়াম্লবা খুদোলপোৎ কয়াসু খুদোল তমখ্রে । জেলি, মহৌশানা ঈরাঙ পাম্বী নুপীনি । থৌশা ব্রাশাদনা মশাবু কোমথোক্লা চৎপীনি অমসুং হরাও-তয়াম কুম্মে ফিয়োংদা পুক্নিং চঙবীনি । মাগী মখুত্তা মরাঙ কায়রবা মতম ফংবনা মহাক্কি মী ব্রাৎলমদে, অদুবু ব্রাখল অমনদি মহাকপু খন্থহল্লি মদুদি হিটলরগী অরঙবা, নুংঙাইরবা তুংগী পুন্সী অমা লৈরী হায়বসিগী মরমদা । অশুম তৌনা, হিটলরনা পীরক্লিবা নুংশিবা অদু মহাক্লা হরাও-হরাও চিংনবা লৈতনা লৌশিনজখ্রে, মপুক্নিংদা লাংতক্লবা য়াওদনা । কনা অমত্তা খঙহন্দনা মখোয় অনি নুংশিনবগী অরোনবা খুদম, খুদোল কয়া পীনবা হৌখ্রে ।

জেলি অমদি হিটলর, অনিগী লৈনরকপা মরীসিগী মরমদা কনাগুম্বা পার্তিগী মেম্বর অমনা পেন্দবা, শাওনিংবগী মওং উৎলকপা মতমদা হিটলরনা শেংদোকই, মদুদি মহাক্না তৌফম থোক্লবা ইমুং মনুংগী থবক কয়াদা মশানা খঙশিন উশিন্নদনা লৈথোকপা ঙমদে হায়না । অশুম্না মহাক্কী মরমদা অশাওবা ফোঙদোরকপা কনাগুম্বা, মাগী পার্তিগী মরক্তা য়াওরক্লবসু, মহাক অদুবু মাগী (হিটলরগী) পার্তিদগী তানথোকই । ইশৈ নোংমাইগী মরমদা জেলিনা থব্রায় য়াওই খঙলকপদগী, মী অতৈগী মফমদা হিটলরনা অশুম্নসু ফোঙদোকখি, মদুদি জেলি অসি ম্যনিক সহরদা ইশৈ তম্বা লাকপনি, অদুবু করিগুম্বা মফমদসু মহাক্কি লৈফমগী শেল পীনিংঙাই লৈজদবনা মহাক্কি য়ুমদা লৈহনবনি হায়না । মহাক্লসু জেলিবু ইশৈগী পারা খরা হৌননবা থৌরাঙ তৌখি । অদুবু জেলিনদি ঈশৈ তম্বদা অদুক হাক্লা পুক্লিং লুপখিদে । হিটলরনা মহাকপু হরাও নুংঙাই মীয়াম পুনবা মফম পার্তিনচিংবা কয়াদসু মরক মরক্তা পুরম্মী, অমরোমদা হিটলরনা খরা লাপ্পা চৎখিবা নুমিৎশিংদদি, মহাক খঙলরোই হায়দুনা অতৈ নুপাশিংগা লোয়ননা নোক-খেদুনা নুংঙাইথোকই, থিয়েটর য়েংবা চৎমিন্নে ।

জেলি অসি, হিটলরনদি মহাক মশা মথন্তগী ওইনা থমজবা পাম্বনি । নোংমা মঙোন্দা হায়খি - “ঐনা নহাকপু ইশাগী ওইনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা পাম্মী ।” হিটলরনা খনখিবদি, মহাক্কি জেলি, কনানসু শোক্লিবা তনৌ তনৌজরিবা, মপুং ফারবী নুপী ওইবী অমগী শক্তমনি হায়বসিনি । মদুগী ওন্নবদা, নুংশিবা নত্তবা, তৌশিন্নবা নুপা কয়াগী অকাম্বা থবক্লা জেলিগী অতাঙবা, ফজরবা হকচাঙদা শোকখ্রবরা হায়বগী চাংয়েং অমদি পায়খৎনবা মশানা থৌরাঙ তৌবা হৌরে । অচুম্বমক্তি, জেলি হায়রীবী অদুদি ঈরাং পুবীনি, মীবু ঈথক হৌহনবীনি । মহাক্তি, মাগা খঙনবা নুপা খুদিংমক্কা নুংশিনৈ, অমসুং মাগী অঙ্কল (মাম্মা) থোকপা হিটলরনবু খঙদ্রবদি নুপা কয়াগা অরোনবা মতম লেনমিন্নে । পুম্নমকসি ওইদুনসু, হিটলরগা অতোপ্পা নুপীশিংগা লৈনবা মরীবুদি মহাক্না খক খঙশীন্নদনা লৈরমদে । নোংমা ইভা ব্রাউন কৌবী নুপী অমনা ইরকপা চিথি অমা মহাক্লা হিটলরগী ফুরীৎখাওদগী ফংলুবদা মহাক্না হিটলরবু চৈখি । মতাঙ অদুদা, “ঐ লাল্লে, হায়দুনা হিটলরনা মহাকপু শাওহনখিদে । নোংমা

জেলিনা মাগী মরুপ অদা দোর্ট কী মফমদা হায়খি - "মিতিং কয়াদা থৌনাফনা লাওখোংলিবা নুপা'সে ঐনা অপাম অপাম্বা লম্বীদা চৎলহনবা ঙম্মী, মাদি ঐগী খুদোম্বীনা পুবনি" ।

জেলি মথন্তা শিজবা ঃ-

হিটলর, মাগী রাজনিতিগী থবক কনশীল্লকপা হৌরক্লে, লোয়ননা অতোপ্পা মাগী লন্নাই নুপীশিংগা লৈনবা মরীসু হেল্লক্লে । মহাক জেলিগীদমক্তা মতম কাইথোকপা অৱাবা ওইরকখি । থৌওং অদুদগী জেলিনা মঙোন্দা ৱাকৎলি মদুদি হিটলরনা অহানবদা মঙোন্দা চঙলম্বা পুক্লিং অদু করিসু থৌশাবীরক্তবগা লোয়ননা শোয়দনমক মহাক অতোপ্পা নুপী অমগা মরী লৈনরমগনি হায়দুনা । মরম অসিদগী, অয়াম্বা মতমদা হিটলরনা চৎপা খুদিংগী মহাকপুসু পুবীনবা তকশীন্দুনা লাকখি, অদুবু অয়াম্বা মতমদা হিটলরনা মহাকপু পুরমদে ।

ইং ১৯৩১ গী সেপ্তেম্বর তারিখ ১৭নি । ইলেক্সন নকশীল্লকপগা লোয়ননা হিটলরগী থবক য়াম্না চিল্লক্লে । মফম কয়াদা মী খোম্বা তাই, মিতিং কয়া চৎপা তাই । নোংমগী নুমিৎনি, ইলেক্সন কেমপেইনগীদমক্তা জর্মনিগী অৱাং লোমদা লৈবা লমশিংদা চৎননবা মহাক শেম শাখি । প্রেসকী মীওই কয়া উনগদবা, ফোতো কয়া কাপ্পুগদবা লৈবনা, মহাক্না চৎমিন্নবদা নুংঙাইগদবা মিস্তর হোফমেন কৌবা নুপা অমা লোয়নবা তাখি । নাকল অমরোমদনা জেলি, মহাকপু পুবীদবা য়ারোই হায়না হিটলরদা কন্না তকশীল্লক্লি । হিটলরনা হন্না হন্না খুমখি - "চৎপা য়ারোই ।" খোঙশানবগী মতম য়ৌরক্লে, পুননবা পোৎ-চৈ য়োমশি দুনা য়ুমগী মথক কাদগী পরপ পরপ কুমথরক্লগা কারগী বেকসিততা ফমখ্রে । য়ুমগী অনিশুবা মথোলদা লৈবা মাঙ্গোলদুদা জেনি থোরক্লুনা য়েংলকই । হিটলরনা কার মনুংদগী মহাকপু উই, শাওরপ্না লাওরকই - "ঐনা অকোনবা ওইনা হায়রীবসিনি, নঙ চৎপা য়াদে ।"

হিটলরনা দ্রাইভরদা ইঙ্গিত তৌবগা মার্সিদিজ কার অদু থৌখ্রে । জেলি মহাক্কী কাদ চঙশীনখি, ঙাইহাক কপ্পুনা লৈরুরবা তুংদা মথ্বায়

নুংঙাইতবা অদু লাকশীনজরে । নুমিৎ অদুগী য়াচংলকপদা মহাক, হিটলরগা লোয়নবা জুলিয়স স্কাব কৌবা নুপা অদুগী নুপী ফ্রাও স্কাবকা লোয়ননা ম্যুনিক সহরদা লিলা য়েংবা চৎলুই । লিলা য়েংনা য়েংনা মহাক ৱাখলনা ফুল্লম্মী । ময়ুমদা হল্লক্লগা ফমুংদা অদুম চঙখ্রে । নোংঙাল্লকপগী অয়ুক্তা ফ্রাও এন্নি ৱিন্টর কৌবী হিটলরগী মীনায় নুপী অদুনা জেলিগী কাদ খবর থম্লুনবা লাকপদা, নুমিৎ খুদিংগা মান্নদনা কা অদু থোঙ লোল্লম্মী । থোঙ থীল্লুবদা কনানসু খুল্লমদে । ৱীন্টরনা ফ্রাও স্কাব অমসুং জেলিগী মমাগা লোয়ননা য়ুম অদু চেক তৌবদা শোয়দনমক জেলি, কা মনুংদা লৈরমগনি হায়বা খঙলে । ফ্রাও স্কাবনা মাগী নুপা কৌরগা থোঙ অদু নমখায়দুনা হাংদোকপদা, জেলিগী তুস্ফম কাগী লৈমায়দা মহাক্কী মশা তাদুনা লৈরম্বদু উখি । মহাক শিরম্লে, হিটলরগী ৱাল্টর 6.35 পিস্তোল অদু মখুত্তা য়াওরম্লি । পিস্তোল অদুদগী গুলি অমনা মথন্তা মাগী থবাক্তা কাপশিঞ্জরম্বনি ।

মীনায় নুপী ফ্রাও ৱীন্টর, খুদক্তা মানা তৌগদবা থবক করিনো হায়বা খনখী । রুদোল্ফ হেস কৌবা নুপা অদু থুনমক পাউ পীখ্রে । মিনিট খরগী মনুংদা হেস থুংলরে । মরম পুম্নমক ৱীন্টরদগী খঙলবদা, হেস- না, হিটলরনা অহিং লেল্লমগদবা ন্যুরেম্বর্গতা লৈবা দ্যুটচর হোফ হোতেলদা খুদক্তা তেলিফোন তৌখিরমই । মতম অসিদা হিটলরদি বৈর্যুথ-তা লৈবা মহাক্কা নুংশিনবা ৱীনিফ্রেদ ৱাগনর কৌবী অমগা উনবা চৎখিরম্লে । হোতেলগী মীনা হিটলরবু থিবা ওইনা টেক্সি অমদা তান্নরকপদা, ন্যুরেম্বর্গতিগী মাইল খরা লাপথোরকপদা তান চানরুদুনা লম্বীদা হিটলরগা উনরে । কার খাম্লে, হোতেলগী অঙাং বেল হোপ না ম্যুনিক্তগী হেসনা তেলিফোন্দা পীরকপা পাউ অদু তম্লে ।

পাউ অদুনা হিটলরবু পঙথহনখি, মহাক তৌফম খঙখিদে, অদুবু মিকুপ খরগী মনুংদা ৱাখল অমা লাকখি মদুদি থোক্লিবা সুইসাইদকী থৌদোক অদুনা, চঙশীল্লক্লিবা মাগী রাজনিতিগী খোঙচত্তা মহাক্কি লাম্বা ওইরিবা মীশক অদুনা শোয়দনমক অরুবা ৱাফম অমা ওইহল্লকপা য়ানা, শিরিবা অদুগী মরম পুম্নমক হিটলর মশাগী দায়িত্তনি হায়না

শন্দোকপিরকপা য়াই হায়বা অসিনি । অশুম্না, জেলি শিরে হায়বগী অৱাবা নুংঙাইতবা অদু মাগী পুক্লিংদা নমশীন্দুনা থম্লগা, মহাক্না হেস-তা হায়খি - "ঐনা অমুক হল্লক্ত্রিঙৈদা অশিবা হকচাঙ অদু ওস্ত্রিয়াদা পুরগা ফুমজিল্লুরো ।"

ৱাফম অসিগী মতুং ইন্না, নাজি কাংবুবু শৌগৎলিবা বেভেরিয়ানগী বিচার মন্ত্রি দাক্তর ফ্রাঞ্জ গীর্তনরদা হেস-না খুদক্তা তেলিফোন তৌখি, ৱারোলদি, অসিগুম্বা সুইসাইদকী কেস-তা চৎথগদবা, কোর্টকী থবক অমত্তা য়াওদনা মহাক্কি শক্তিদগী ৱাফম অদু মখা অমুক তাদনা লোইশিনখিনবা তৌবীয়ু হায়না । অসিগী মতুং ইন্না, দাক্তর গীর্তনরনা, জেলিনা শিরিবা অদুগী মরমদি মশানা শিজফম থোক্লবা, অমুক থিজিনফম থোক্রবা মখল অমনি হায়না ফোঙদোকখিবদগী থুনমক লৈরোল চন্নবা থৌরাঙ তৌখি ।

জেলিগী অশিবা হকচাঙ অদু, মিশিনা শৌজিল্লবা কু অমদা হাপ্লগা ভিয়েন্না য়ৌনবা জাহাজ অমদা পুরক্লগা ভিয়েন্নাগী কেথোলিক সেন্ত্রেল সিমিটারীদা ফুমখি । লৈনুং চনবগী থৌরম অদুনা আর্গস্ত রোহম অমসুং হেনরিক হিমলরনা হিটলরগী মহুৎশিনবা ওইনা য়াওখি । হিটলর য়াওখিদবগী মরমদি, মতম অদুদা ওস্ত্রিয়ান সরকারনা লৈবাক অদুদা হিটলরবু চঙহনখিদে । হিটলর থম্মোয় শোক্লা ৱাখি অদুবু মহাক্না লোয়নবশিংনা মাবু কুপ্না শেন্নখি, মহাক্কি রাজনিতিবু কনখি । মহাক্কি মরু ওইবা পাউ শন্দোকপগী লুচিংবা ওইরিবা গীবল্সনা জেলি শিখিবগী থৌদোক অদু তোঙানবা ৱারী অমদা শেমজীল্লগা অশুমতৌনা শন্দোকই মদুদি জেলি হায়বী নুপী অদু ভিয়েন্নাদা লৈবা ইশৈ শকপা নুপা অমগা নুংশিনবনি, নুপা অদুগী মফমদগী মহাক মীরোলহৌবনি হায়না - - । হিটলরগা লোয়ননা জেলিনা ভিয়েন্নাদা চৎপা য়াখিদবগী মরমদি জেলিগা নুংশিনবা ইশৈ শকপা নুপাদু জিয়ু অমনি । মরম অসিদগীনি নিংবা কায়না জেলি, হিটলর চৎখ্রবা মতুংদা মথন্তা আত্মাঘাত তৌজখিবা - - ।

শন্দোক্লিবা পাউ অসিদগী হিটলরনা মীয়ামগী মিনুংশি ফংবা ঙমখি । তশেংবমকসু মিনুংশি ফংফম থোকপনি মরমদি জেলি শিখিবদা

মহাক্কি অৱাবা খাঙবা ঙমখিদে । মতম খরদি মহাক কনাগসু উনদনা মথন্তা লৈখি । চয়োল অমরোমগী মতুংদা মাগ লোয়নরিবা মীশিংনা ওস্ত্রিয়াগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা য়ানবা অমা পুরক্নুনা হিটলরবু করিগুম্বদসু ফাজিন পুনশিনবগী ৱাফম য়াওদনা পুং ২৪ গী মতম ভিয়েন্নাদা লৈবগী অয়াবা পীখি । পীরিবা মতম অদুগী মনুংদা হিটলরনা জেলিগী মোংফমদা চৎলগা পুং খরগী মতম লেল্লুই । থৌদোক অসিবু গীবল্সনা পাক শন্না ময়াম খঙনবা শন্দোকখি । থৱায় নুংঙাইতনা মফম অদুদা হিটলরনা লেপ্তুনা লৈখিবগী ফোতো কয়া কাপ্তুনা খবরদা হাপ্লগা অসুন্না ইখিঃ- "ৱারবা, থম্মোয় কায়রবা হিটলর" হায়না । মতম অদুদা হিটলর হায়বসিবু হিংচা-য়াইতম্বগী মুর্ত্তি ওইনা খন্নখিবা মীওই কয়াফাওবা মাগী মশক উবদা নুংশিবা পোক্লখি ।

হিটলরনা জেলিবু নুংশিখি হায়বগী প্রমান মতম শাংনা ফোঙদোকখিবা অমদি, জেলি মথন্তা শিজখিবা নুমিৎ অদুমক্তদা ওইখিবা, জেলি মশাগী লৈফম কা অদুগী শক্তম কায়হন্দনা থমখিবা অদুগী মথক্তা নুমিৎ খুদিংগী হেকপদা ঙায়রীবা লৈ মখল শুনা মাগী তেবলদা থমহনখিবা অদুসুনি । অদোল্ফ জিগলর কৌবা লাইয়েকপা নুপা অমদা জেলিগী মশক অদু ওইল কলরদা য়েকহল্লগা হিটলরগী য়ুমদা লৈবা মীয়াম চঙলকফম কা অমদা চিং লেম্না থম্মী । চহি অনিগী মতুং, হিটলরনা জর্মনিগী চান্সেল্লর অমসুং ফহ্রর ওইরক্লবদা প্রো ঃ জোসেফ থোরাকনা জেলিগী বাস্ত (কোক্তগী থবাকফাওবগী শকওং) মুর্ত্তি অমা শারগা হিটলরনা হায়জবা মতুং ইন্না বার্লিন্দা লৈবা চান্সেল্লোরী ওফিসকী মফম অমদা খিনখি ।

হিটলর, মথৌ চিল্লবা মীয়াম্বু থৌদা ৱাতাকপা লুচিংবা (দিক্তেটর) অমা ওইনা অরুবা, অৱাবা পুন্সীগী মতাঙ কয়াগা ইরোয়ননা হিংখিবা মীশক্কি । মশাগী ওইবা, পুক্নিংগী চরাঙননা লৈতাফম খঙলক্তবা মতমদা নুপী অমগী অথোৎপা, অমেঙবা নুংশিবগী ৱাখল, মঙোন্দদি য়াম্লমক তঙায়ফদবা ওইবনি । নুপী অমা য়াওদনদি মহাক্কি থম্মোয় পোথাফম খঙদে । জেলি শিখ্রবা মতুংদা, মহাক্না নুপী ওইবীবু নুংশিজবদু, মতম খরগী ওইনা মাঙলুরবসু, ইনৌ নৌনা অমুক অতোপ্পা কনাগুম্বী অমগা লোয়ননা নুংশিবগী ঈচেলদা তাওথমিন্নবগী তানজা ফংলকখিবনা, মাগী মপুক্নিংগী অৱাবা কয়াদগী অমুক হন্দোরকপা ঙমখি ।

হিটলরগী অনিশুবা নুংশি ৱারী
লেনি রিফন্সটাল

লেনি রিফন্সটাল নাজি ওলিমপিক্সকী লাইরেন্বী হায়না খঙনবা মিংথোল অদু মঙোন্দা চপ চানা থোকপনি । হিটলরগী পুন্সীগী মতমদা মরী লৈনখিবা নুপী পুম্নমক্কী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না ৱাথোক ওইনা য়েৎনখিবা নুপীদি মহাক্তনি হায়বা য়াই । ইং ১৯০২ দা মহাক বার্লিন সহরদা পোকখি । মহাকপু পোকপা মপাদি অচম্বা, ঈশিং পুনবা য়োৎকি পাইপ শমদোক শমজিন তৌবা নুপানি, কুম্মৈ ফিয়োং লিলানচিংবা খক য়াওখিদে । লেনিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা জগোয় শাবদা হৈথোই শিংথোইরবা অমসুং অতৈ কলাগী গুন য়াওরকপা উবদা মচানুপীবু বেল্লে (Ballet) জগোয় তমহন্নবগীদমক শেল তুঙশিনবা হৌখি । লেনি, চহি ১৭ (তরাতরেৎ) শুরকপা মতমদা স্তেজ লিলাগী মমিংচৎলবা প্রোদ্যুসর মাক্স রিনার্দনা পুথোকপা দ্রামা অমদা য়াওহনখি । লিলা অদুদা শকহেল্লবী রানি অদুনা অদুক্কি মতিক মচুতানা, নিংথিজনা উৎখিবদগী য়ুরোপকী মফম পুম্নমক মহাক্কি মমিংদা ঙাওনবা হৌরকই । লেনি, মশা খীংই, লিলা য়াওবদা নত্তনা শান্ন-খোৎনবা (স্পোর্টস) অমসুং চীঙ কাবনচিংবসু পামজৈ । শজি মচানা চোং-ফন্না চৎপগুম মহাক্না আলপাইন চীংদোল কাখি । উন্না কুপ্লবা অঙন্বা চীংমায়দসু পামজনা স্কি তোংদুনা চেন্থখি ।

চহি অহুমলোমগী মতুংদা মহাকপু জর্মনিগী মগুন লৈরবা ফিল্ম দিরেক্তর দোক্তর আর্নোল্দ ফাঙ্কনা উখি । মহাক্কুম্বী, মশক ফজবী, লিলা হৈবী লোয়ননা শান্ন খোৎনবদা পুক্লিং চঙবী অমা আর্নোলদ ফাঙ্কনা থিরকপনি । হায়রীবা মীশক অদুমক লেনি মশামক্কা চুনখি । ফাঙ্কনা মশিমসু খঙলকখি মদুদি লেনি, নহা ওইরিবী পুকচেল থোৎলবী নুপী অমা ওইনা মহাক্কি শুমহৎপা মশক্কা চাননা নুংশিবগী রোলদা মপুংফানা পাঙথোকপা উৎথোকপা ঙম্মী হায়বসু । দিরেক্তর অসিনা লেনিগী মফমদা মশাগী ওইজবা পুন্সী থাদোকচনা লোয়নরকপদগী মতুং তারকপা চহি মঙাগী মতমদি মহাক্না পুথোকপা ফিল্ম কয়াদা অমসুং য়ুরোপ' পুন্বগী ফিল্ম সংসারদা লেনি, থৱানমিচাক অমগুম ঙানখি ।

লেনি-না মপান ফরকপা -

অসুম, অসুম লেনি, মশাগী আশাসু মথঙ মথঙ চাওখৎলকই। ফিল্মস্তার অমা ওইনা ফংলিবা মিংচৎ অদুখক্তনদি মঙোন্দা অপেনবা ওইরমদে। জর্মনগী মীওই পূম্নমক, মরু ওইনা শক্তি লৈবা মমিংচৎপা মীশকশিং মঙোন্দা ঙাওহনবা পামলমই। অতোপ্পা আশা অমদি, মহাক মশা মথন্তনা ফিল্ম পুথোকচবগী ৱাখল অমসু শাগৎপা হৌরক্লে।

ইং ১৯৩৩ দা হিটলরসু জর্মনগী চান্দেল্লর ওইরক্লবনি। মতম অসিদা লেনিগী ৱাখল মিৎয়েং হিটলরগী মাইকৈদা চিংশিনবা হৌরকই। মহাক ফাঙ্কপু থাদোকলপ্লে অদুগা মশাগী ফিল্ম "দাস ব্লৌ লাইট, কৌবা অমা ইহান হানবা ওইনা পুথোকখ্রে। ফিল্ম অদুমক্তি, ফজরবা কলা (আর্ট) কী মাইকৈদা নিংথিজনা মহৈ য়ানখিবা অমনি। ফিল্ম অদুদা উৎখিবা মওংদি মহৌশাগী মীয়াম্না অতৈ ফিল্মদা উনরিবা মওং অদুগা শুকমান মান্নদবনি। মহৌশাগা মান্নদবা কেমেরাগী এঙ্গল শিজিন্নদুনা অমসুং য়াওরিবা এক্তর এক্ত্রেস পূম্নমক্কি মতুংলোমদা মঙাল পীরগা লৈচিল মরক্তা অমসুং নুমিদাং ৱাইরমগী মঙালদা উবগুম চেন-চোংদুনা শান্নহল্লিবা কয়া অদুনা অয়েংবা ভাবক পূম্নমকপু অঙকপা তাইবং অমদা পুদুনা চৎলি। অসুম তৌনা দাস ব্লৌ লাইট হায়বা লেনিগী ফিল্ম অদুনা পয়শা য়াম্না তানশিনখিবা ঙম্বতা নত্তনা ফিল্ম ইন্দস্ত্রিগী মরু ওইবা মীশক কয়াগী পুক্নিং চিংশিনখি, লোয়ননা নাজি কাংবুগী মিনিস্তর ওইবা গোইবেল্সনা থোইদোক্না পুক্নিং চঙখি।

লিলা য়াওবী এক্ত্রেসশিংবু তোপ তোপ্না গোইবেল্সনা পুক্নিং লুপখ্রবদি খক লেম্না থাদ্রবসু, লেনি হায়বী মহাকপুদি গোইবেল্স মশাগী অনিংবা ৱাখল অনিগী মখাদা পুশিল্লক্লবা লেপখ্রে। অহানবা ৱাখলদি লেনিবু মখোয়গী লুচিংপুরেল ওইরিবা ফহরর (হিটলর) গী মফমদা শিন্নদুনা, মিশুমহৈবী, হৈ শিংলবী লেনিনা হিটলরবু ইংথহনবা। অনিশুবা ৱাখল অদুনা লেনিবু গোইবেলস মশাগী তেংবাংবী অমা ওইনা শিজিন্নরগা হিটলর অসি গোইবেলস মশাগী অনিংবা মাইকৈদা হুমদুনা পুবা অসিনি।

ব্রাখল অসিগা লোয়ননা, হিটলরগী মফমদা লেনিবু মশক খঙহনবগী তানজা অমা গোইবেল্‌সনা ঙাইরক্লবা তুংদা, নোংমদি হিটলরবু মাগী য়ুমদা চাক চানবা বার্ত্তন তৌরুবদা হিটলরনা য়ারক্লে। নুমিৎ অদুগীদমক্তা গোইবেল্‌সনা মাগী নুপীদা লেনি রিফন্সটালবুসু য়াওহন্নবা শীল্লু হায়খি। লেনি হায়বী লৈশাবী অদুদি ব্রারী ব্রাতাই শানবদা থোইদোক্লা চঙখোনবী মীবু শুমহৎপগী মগুন চেনবীনি। মহাক মীনা ঙাঙবা তাবগী মতম খঙবতা নত্তনা, মশাগীসু করম্বা মতমদা করি ব্রাফমদা কয়াম্না ঙাঙগদগে হায়বদু চপচানা খঙবীনি। গোইবেল্‌সকী য়ুমদা হিটলরগা লোয়ননা চাক চামিন্নবা নুমিৎ অদুদা মহে য়াম্না হিটলরবু মহাক্না শুমহৎখি। হিটলর মশানসু, মতম খরা মাগী থম্মোয়দা নমশীন্দুনা থমখ্রবা নুংশিবগী অথোৎ অনৌবা ব্রাখল কয়া, করম তৌনা অমসুং কয়াগী মতিক ইনৌ নৌনা লেনি হায়রীবী মহাক্না, অমুক হন্না ইখৌ লাংহল্লকপা ঙম্বগী মগুন চেল্লল্লিবা হায়বদু খঙজবা ঙমখি।

মখোয় অনি মরক মরক্তা লোয়নবা হৌরক্লে। নোংমসু লেনিনা গোইবেল্‌স অমসুং হিটলরবু মহাক্কি স্টুদিওদা কোয়রক্লবা হায়জখি। হিটলরদি য়াম্না চৎনিংনা স্টুদিও অদুদা লাকখি অদুবু গোইবেল্‌সতি অমুক কুইথনা লৈবা তৌরমদনা, হিটলর অমসুং লেনি মখোয় অনিদমক লৈহলহৌরগা খরা ঙন্না হনখিরমই। নুমিৎ অদুগী অহিংচুপ্পা লেনিগী হকচাঙদা মপুংফাবা ফি শেৎতনা হিটলরগী মমাঙদা জগোয় শাখি। নুমিৎ অদুদগী হৌখ্রে - হিটলর অমসুং লেনিগী অরোনবা ব্রারী অমসুং অহিং কয়াগী জগোয়।

লেনিগী শুমহৎপা

মতম অসিদা হিটলরদি, মীয়াম্না কিনরবা তমথিবা মীশক অমা ওইনা পৃথিবীগী মফম পুম্নমক্তা খঙনবা হৌখ্রবনি, অদুবু লেনিগী মফমদদি, মহাক্কি কোমথোকপা, পুকচেল চাওবগী ব্রাখল অমা মপুং ফানা লৈখি। জর্মনি নাজি কাংবুগী মীয়াম তিন্নফম, রেল্লি চৎপনচিংবা কয়াদা হিটলরনা মহাকপু পুদুনা চৎলি। মীয়াম তিন্নবা মফম কয়াদা লেনিনা মী পূমনমক্কি পুক্লিং

চিংশিনবগী মওংদা মশাগী মথৌ ওইনা হিটলরগী মনাক্তা চঙশিল্লগা মঙোন্দা লৈ পরেং হুকপসি তোকপা লৈরমদে । অসিগুম্বা মহাক্কি হৈ-শিংনা পাঙথোক্লকপা থবক থৌওং অসিদসু মীয়াম্মা হিটলরবু থাগৎনবা হেল্লকখি অমসুং মফম পূম্নমক্তা মহাকপু তরাম্না ওক্লখি ।

লেনি মশামক্লা ফিল্ম পুথোকপদা হৈ শিংবগী মগুন অসি হিটলরনা ফজনা খঙই । মরম অসিদগী, নাজি কাংবুগী ন্যুরেম্বর্গতা চহি খুদিংগী রেল্লি কয়া পাঙথোকপা অদুগী মতুং তারকপা ওইনা মখোয়গী ফীরালবু ময়েক শেংনা খঙনবগী অহানবা থৌদোক অমা ওইনা সেপ্তেম্বর তারিখ ১দগী হৌরগা নুম্মিৎ তরেৎনি চথগদবা থৌরম পরেং অদু লেনিবু ফিল্ম লৌহন্নবা হিটলরগী পুক্লিংদা লেপখ্রে । ইং ১৯৩৪ গী মতমদা রেল্লি অদুগী থৌরাঙ পায়খৎপা হৌরে । ইং ১৯৩০ দগী হৌনা হিটলরগা লোয়নরক্লবা মহাক্কি মরুপ আলবর্ট স্পিয়ারনা পাঙথোক্কদৌরীবা রেল্লি অদুগী মরম পূম্নমক খুজিল থৌরাঙ তৌখি । লাক্কদবা মার্চ্চ পাস্ত অদুবু উনবা, সালামি ওকপগী মফম অমসুং পার্তিগী মীওই কয়াদা হিটলরনা হায়নিংবা হায়নবা অৱাঙবা প্লেটফোর্ম অমা শাগত্তুনা থম্লে । লাপ্না-শান্না চৎলগদবা মৈঙাল থম্লে । অসুম্না চর্চ্চকী শরিখ খীংলকপগা, সিফায়শিংগী অহৌবা বেংগুল খোংলকপগা লোয়ননা বেন্দ পার্তিগী খোনজেল মরক্তা মপুং ফারবা মওংদা মার্চ্চ পাস্ত লাক্লনবা অমসুং সালামি ওক্লনবা হিটলরনা চঙশীল্লক্কদবা লম্বীনচিংবা পুম্নমক শেম-শাবা লোইখিরমই ।

অচৌবা রেল্লি অমগী মপুং ফারগদবা শক্তম অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা অমসুং মীপুম খুদিংমকপুসু য়েংহন্নবা, য়েংবা ফংহৌদবা কয়াবুসু নিংঙমদবা ৱাখল পোক্তনবা হিটলরনা রেল্লি অদু ফিল্ম লৌননবা পুক্লিং লেপখ্রবনি । অসিগীদমক্তা মাগী চান্সেল্লর ওফিসকী ক্বার্টরদা লেনিবু নোংমা কৌরগা হায়খি । “নহাক্লা ঐগীদমক ফিল্ম অমা লৌহন্নিংই, পূম্নমক অদু ঐগী থবক ঙাক্তনি, ঐগী মরমদা ঙাক্তনি, অদুনা কুমশি চহিগী ওইনা ন্যুরেমবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়াম তিনবগী থৌদোক অসিবু নহাক্লা ফিল্ম লৌহৌবা অদুনি ঐনা পামজরিবা ।” হিটলরনা শিন্নরক্লিবা থবক অসিদা ঙমখৈ লৈতনা লেনিগী পুক্লিংদা হৱাওজখি, অমসুং মহাক্কি

নুংশিনবা নুপাবু থাগচ্চখি। হৌজিক্তি নহানমখৈ মখোয় অনিগী অরোনবা য়ুখল অদু অর্থ লৈরক্লে, মহাক মনিংতম্না লাক্লিংবা মতমদা হিটলরগী মনাক্তা লাকচবা ঙম্লে। মখোয় অনিগী মরমদা জর্মনিগী মীওই অয়াম্বনা ঙাঙনরক্লে খঙলবসু হিটলরনা মহাকপু অমুক্কা হেন্না থৌজানবীরি হায়বসি মপুক্লিংদা চেৎনা থাজজখি। মীপুম খুদিং খঙনখি মদুদি অহিং নোংয়াইগী মতমদা হিটলরগী মরন্নাই কারদা মাগী ড্রাইভর অমনা লেনিবু হেক- হেক ময়ুমদা থিনখিবদু। অসিদসু নত্তে, হিটলর মশাগী প্লেন অমদা লেনিবু পুরগা জর্মনিগী মাইকৈ মরীগী অতিয়াদা হঙ্গৎ হন্দা পাইদুনা কয়ারকসু কোয়মীন্নখি। হিটলরগী অরোনবা থবক পুরিবা গোইবেল্স অমসুং গোরিনা কনাগুম্বা মীশক অমত্তা হিটলরগা উনহন্দ্রবা মতম ফাওবদসু লেনিদি হিটলরগী লৈফম চঙবদা করিসু বেরা লৈখিদে। অমরোমদা - হিটলর অমদি লেনিগী মরমদা দায়িত্ত (মথৌদাং) লৌরীবা গোইবেল্সনা লেনিগী মনিং মখা তম্লকপা মতম অসিদা, মহাক্কি পুক্লিংদা চিংনবা পোক্লা নুংঙাইখিদে।

সোমদদি লেনি, মহাক্কি তৌগদবা থবক্তা পুক্লিং চপচানা চঙলকখি, অমসুং হিটলরনসু মহাক্লা পাম্বদু তৌজবদা অয়েৎপা লৈতনা মনিং তমহনখি। রেল্লি পাঙথোক্কদবা চয়োল অমা ৱাৎলিঙৈদা, লেনি রিফন্সটাল মহাক্কি থবক হৌনবা ন্যুরেম্বর্গতা থুংখ্রে। হিটলরগী পুংশুপ শুপ্পা হুকুমগী মখাদা, ফিল্ম অদু লেনিনা কাপ্পদা মতেং পীননবা, থবক তৌমিন্ননবা সহর অদুগী সরকারগী দিপার্টমেন্ট পুম্নমক্কা শেম-শাখি। করি অমুক হায়গনি, দরকার ওইবা এরোপ্লেন কয়া, অরুম্বা পোৎ থাঙ্গৎনবা লৈপাক কোৎনবা ক্রেন্স, রেলগারী, মখল কয়াগী হৱাগারী ত্রক্লচিংবা কয়া স্তেদিয়ম মনাক অদুদা শীজিন্নবা হৈবা মীওই কয়াগা লোয়ননা পৈদুনা থমখি। কেমেরাদা পিকচর লৌবগী থবকশিং অদুদি লেনি মশামক্লা তৌখি। কেমেরাগী থবক অদু এরোপ্লেন্দগী, অচেনবা রোল্লর স্কেচ্চ কয়াদগী অমসুং তৌথোক্লবা কোমগী মনুংনচিংবদা থল্লগা, পাইরগা ফিলম অদু লৌখি। "ত্রিউম্ফ ওব দ ৱীল, মিংথোনবা ফিল্মে অদুগী মরুওইবা স্তারদি হিটলরনি। মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিল্লিবদি, অদুক য়ামখ্রবা মীয়াম্বু মতৌকরম হিটলরনা মাগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুনগী

শক্তিনা, লমচৎনা, ব্যবহারনা ৱাঙাঙনা শুমহৎপগে, পঙথহনবগে হায়বদুনি। অখন্নবা মতাঙ অমদা হিটলর হিমলর অমসুং অতোপ্পা মীশক অমগা লোয়ননা যন্ত্রগী খোঞ্জেলদা খোংলিবা "আই হেদ এ কমরেদ" হায়বা ইশৈ অদুগী তানগা চাননা লম্বী মশাঙ অদুদা মখোয় অহুম চৎপদুসুনি। উৎলিবা অদুগী মরু ওইবা মরম অমদি তিল্লিবা মীয়াম অদুগী পুক্লিংদা অমুক মুৎপা নাইদনা হিটলরগী মমি তাহনবা অমসুং মদুগা লোয়ননা নাজিশিংগী লাইবক্তা নিংহন্নদবগী থৌনা ময়েকশেংনা য়েকখ্রবনি হায়বদুসু খঙহনবনি।

রেল্লি চৎখ্রবা মতুং থা তরুক্কি মতমদি ফিল্ম অদুগী ইদিতিংদা লেনিগী পুক্লিং লুপখি। "অনিংবগী জয়" দি ত্রিউম্ফ ওব দ ৱীল" হায়বা ফিলম অদু ১৯৩৫ গী মার্চ্চ তাং ২৮ দা মীয়াম মাঙদা অহানবা পুথোক্কুনা উৎখি। ফিলম অদু নাজি কাংলুপ্তা নত্তনা অতৈ কাংলুপ্লফাওবা, তশেং-তশেংবা থৌদোক অমা মপুংফানা ফজনা পুথোক্লবা ফিল্ম অমনি হায়না থাগৎনখি। হিটলরনসু পাঙথোক্লিবা লেনিগী থবক অদুগীদমক মমল য়াম্লবা মনি মুক্তানা থাম্লবা লৈতেংগী পোৎশক কয়া অমসুং অতৈ মমল য়াম্লবা খুদোল কয়ানচিংবা পীখি। লেনিগী মিংচৎ, মগুন অসি জর্মনি লৈবাক শীন থুংনা খঙনখিবা হায়বদু হিটলরগী আশানি। মহাক্না পাক শন্না, খবর অমদি রেদিওদা লেনিগী মগুন শন্দোক্লবা হুকুম তৌখি। অসুম্না লেনি অসি পৃথিবীগী খ্বায়দগী চাওবা মমিং চৎলবা ফিলম দিরেক্তরশিংগী মরক্তা মহাকসু অমা ওইখ্রে। ইতালি লৈবাক্কী দিক্তেতর মুসোলিনিনা জর্মনিদা কোয়রকপা মতমদা, ম্যুনিক্কি ব্রাউন হাউসতা তিনবা অফাওবা কলাকার কয়াগী মরক্তগী লেনিতবু হিটলরনা তোঙান্না মীরক্তগী কৌথোক্লগা মুসোলিনিগী মফমদা শক্তাক্কুনা খঙহনখি।

জর্মনিদা ওলিম্পিক

ইং ১৯৩৬ তা জর্মনিগী ম্যুনিক সহরদা ওলিম্পিক পাঙথোক্লবা ৱারেপ্প্লখ্রবদা, মমিং চৎলবা ফিল্ম দিরেক্তরশিং লুইস এক্করনচিংবা কয়ানা ওলিম্পিক অদু ফিল্ম লৌহৌবা পাম্লরক্লবসু হিটলরনদি থবক অদু লেনিদা শিন্নথোকপগী ৱারেপ লৌখ্রে। ওলিম্পিক অদুগী ফিল্ম লৌননবা মহাক্না মীয়ামদা লাউথোকপা মতমদা হায়খি ঃ- "ঐনা নুপা দিরেক্তর

কয়াবু ফিল্ম লৌহনখ্রে, হন্দকমুক্তি নুপী অমনা হোৎনহল্লগে হায়বগী থৌরাঙ ঐঙোন্দা লৈরে ।”

মহৌশা লৈরম্বা ৱাখলদগী হেন্না লেনি, অনৌবা থবক অসিদা পুক্লিং হকচাঙ চপচানা লুপখি । মহাক্না তৌগদৌরিবা থবক্তা থাজবা থমখ্রবা মীয়ামগী ৱাখলনি, অসুম্না ওলিম্পিকক্নী মশান্না থৌদোক খুদিংমক্তসু ফজরবী মহাক্কি মমি তাখি হায়বসু য়ারে । ফিল্ম কোমেরাশিংদুগা লোয়ননা নুংথিলগী মতমদা ঙাইহাক ফাওবা পোত্থাবা লৈতনা থবক চিঞ্জরগা নুংদাংগী মতমদনা হিটলরগা লোয়ননা জর্মনিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লিবা নাজি কাংবুগী পার্তি কয়াদা চৎমিন্নে ।

ওলিম্পিক লোইখিবগা লোয়ননা থা ১৮গী মতম চঙনা লেনি, মশাগী স্টুদিওদা ফিল্ম ইদিত তৌদুনা লৈখিরম্মী । মতুংদা ওলিম্পিক হায়বা ফিল্ম অদু ইং ১৯৩৮ দা রীলিজ হেক তৌখিবগা, হিটলরবু য়াবা, য়াদবা মীওই মখল পূম্নমক্না মপুং ফারবা ফজরবা আর্টকী থবক অমা ওইনা থাগৎনখি, অদুবু লৈরিবা মীয়ামগী আশা, ৱাখল অদুগা মান্নদনা অতৈ মপালগী লৈপাকশিংদদি ফিল্ম অদুবু অদুক হাক্না ফজনা ঙাঙনবীখিদে । ওলিম্পিয়া হায়বা ফিলম অদুবু অতৈ লমদা পাম্নখিদবগী মরমদি, হৌখিবা চহি খরদুগী মনুংদা জর্মনগী নাজি হায়বা কাংবু অসিবু পুকচেল চাওবা, অফবা মীওইশিংনা শেমগৎখিবা পার্তি নত্তে হায়না মপাল লৈবাকশিংনা খন্নখিবা মরম অদুননি । ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা, ফিল্ম অদুবু মগুন হাপলিবা আর্ট (কলা)গী থবক অদুবুদি ফজনা খঙনরবসু মখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি পুরিবা ঈচেল অদুবুদি পুক্লিং থৌগৎলোইদবনি হায়বসিনি ।

অমরোমদা, জর্মনিদা লৈবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ওলিম্পিয়া হায়বা ফিল্ম অদু মপাল লৈবাকশিংদা ফজনা তৌবীদ্রে হায়বদু লেনিগী মফমদদি থৌনাফনা হায়দোকপা ঙম্লখিদে । অদুম ওইনমক লেনিদি, মহাকপু অফাওবা, মমিংচৎলবা দিরেক্তর অমা ওইনা তরাম তরাম ওকপীগনি হায়বগী ৱাখলদা, আমেরিকাগী হোলিউদতা চৎলুবা মতমদদি য়াম্না নিংবা কায়না মহাকপু বোয়কোট তৌরম্বা, ৱা- ওই থওইবীরমদবা অদু থেংনখি । মদুগী মরমদি, মরু ওইনা মহাক্না, হিটলর অমসুং অতৈ

নাজি লুচিংবশিংগা তিন্নরিবা মরুপ মপাঙ ওইনরিবা অদুননি । মথায় নুংঙাইতনা লেনি, জর্মনিদা হল্লকখি, হিটলরগী মনাক্তা লাক্লগা কপখি । হিটলরনা মহাকপু অমুক অনৌবা ফিল্ম অমদা, অকোয়বদা লৈরিবা চিঙমান অমদি মহৌশাগী ফজবা কয়া লৌননবা থেমজিনখি । মতম খরদি, অমুক হন্না শিন্নরিবা থবক অদুদা মথৌ চিনবা হৌরে।

অকোনবগী অৱাবা -

নুংশিবগী সংসারদি পল্লেপফম খঙদ্রবা পাওখোঙ অমনি । অসিগী মথক্তা অমুক, কনাগুম্বা মতিক মঙাল লৈরবা, মশক মতৌ লৈবী পুন্নমক্লসু পাম্লরবা মতম অদুগী হিটলরগুম্বা অমগা নুংশিনরুবদি চম্মম্লবগী মশক্কি । থুনমক লেনি-হিটলর অনিগী মরী অসি মাইকৈ অহুম লোঙখিবদগী হেন্না অমুক মাইকৈ মরী লোঙলক্লবদা, খঙহৌদনা লেনিগী মরায়বক্তা খুদোংথিবা মাইয়োক্লৌ হায়না তমখ্রে । মচীল অহুম নাইরকপা নুংশিবা অদুগী মীশক অমদি, মতম অমদা লেনিনা হিটলরগী ৱাখলদা ঙাওজরকপা মতম অদুগী মমাঙদা হান্নদগী হিটলরগী অরোনবা মবেন্মা ওইখ্রবী ইভা ব্রাউন কৌবী অদুনি । মতম পুম্বদা ইভানা অমুক হন্না হিটলরবু মহাক্কি ওইজনবা অমসুং যাদু হৈবীনি হায়না খল্লবা লেনিগী মখুত্তগী মুন্ননবা থৌরাঙ কয়া তৌদুনা লৈরকপনি । মহাক্না (ইভা) খঙবা ঙল্লকখি মদুদি লেনি হায়বী নুপী অসিদি অতৈ অতোপ্পা নুপা কয়াগসু নুংশিনবগী মরী লৈনৈ হায়বসি । মখোয় অদুগী মরক্তা জর্মনিগী মমিং চৎলবা পাইলোট আর্নস্ত উদেতসু অমনি । মতম চঙনা থিজিল্লক্লবা মতুংদা ইভা ব্রাউন্না মদু খঙলকপা ঙমখিবনি । উদেত অসি খঙলকপদগী হৌজিক্তি, নুংশিবগী মাইকৈ অদু মরী থোক্লা ফাংলক্লে । হৌজিক্তি, লেনি অমসুং হিটলর অনিগী নুংশি লম্বীদা শিংচেপ অমা য়েশিনবগী তাঞ্জা ফংলবদা ইভা হায়বী নুপী অসিনা য়াম্না হৈ শিংনা মশাগী খুদোংচাবা লৌবা হৌরক্লে ।

উদেত হায়বা পাইলোট অদুসু পৃথিবীগী অহানবা লাঞ্জাওগী মতমদা য়েক্লবগী এরোপ্লেন হুম্ফুনিথোই কাপথবা ঙমখ্রবা খ্বাইনা খঙনবা, মমিং চৎলবা নুপানি । এরোপ্লেন থৌবদা হৈ শিংলবা পাইলোট অমা ওইনা পৃথিবীগী মফম পুন্নমক্তা মহাক্কি হৈ শিংনা পাইবগী মওং কয়া উৎখ্রবনি অমসুং মহাক্না য়ৌরুবা পৃথিবীগী মফম অয়াম্বদা তরাম্না ওক্লখ্রবা অমসুং

মহাক্না লাকপগী ইকায়খুম্নবা ওইনা কুম্মৈনচিংবা কয়া মহাক্কি মমিংদা পাঙথোকনখ্রবা নুপানি । মহাক মশক মতৌ ফজে, য়েংবদা নুংশি, মরম অদুমক্লসু নুপী অয়াম্বনা মহাক্না খঙনজবা, লোয়নজবা পাম্নখি । "ত্রিউম্ফ ওব দ ৱীল" অমসুং ওলিম্পিয়া ফিলম লৌবা মতমদা লেনিনা শিজিন্নখিবা এরোপ্লেনশিংদু মহাক্না থৌবনি । লেনি-নসু মহাকপু পামজনা, অসুম অসুম মখোয় অনিগী মরী লৈনবা হেল্লকখি । মখোয় অনি, অরোনবা লন্বীদা নিংবা থুংনখি । লেনি উদেত অনিগী লৈনরিবা নুংশিনবগী খুজিল থৌরাঙ অদু হিটলরদি করিসু খঙলমদে । হিটলরনবুদি উদেতপু পাইবগী দিপার্টমেন্টতা তেক্নিকেল চিফকী প্রোমোসন পীথোকখ্রবনি । উদেত হায়বা নুপা অদুদি মশাগী অরোনবা থমগন্দবা, মানা তৌরুবা থবক মীঙোন্দা তমথোকচরগা নুংঙাইজবা মীওইনি । মহাক্না অতৈ মমান্নবা ওফিসারশিংদা হিটলরগা মখোয় অনিদি নুপী অমত্তদা ঙাওমিন্নে হায়বসি তমথোক্লুরে ।

অমরোমদা হিটলরদি, মাগী মখাদা লৈবা কনাগুম্বা মীশক অমগা লোন্না মতম লেনমিন্নরুবা নুপীদি মহৌশানা মাগী ৱাখলদা খাঙবা ঙমজদে । হায়রীবা ৱাফম অদু মাগী নাকোং য়ৌরকপগা, মহাক্না থবক পুমিন্নরীবা হিমলর অমসুং বোরমেন্দা অরোনবা অদুগী অচুম্বা অমা খঙদোক্লবা শিন্নখি । হিমলরনা পুবা ওফিস অদুগী মীওই অমদা ইভা ব্রাউন হায়বী নুপী অদুনা লেনি অমসুং পাইলোট উদেত, মখোয় অনিগী তাবদা নুংঙাইরবা থৌরাঙ অদুগী মরমদা পাউ অমদি হান্না, লোন্না হুৎখ্রবনি । চয়োল অমরোমগী মনুংদা বোরমেন্না থিজিনবগী ৱাফম অদু অশেঙবনি হায়বা প্রমান হেক ফংবগা হিটলরনা লেনিগী মফমদা থম্লম্বা ৱাখল পূম্নমক খুদক্তা লোয়শিনখি । মীয়াম মাঙদা ফোংনা উদেত লেনিগী ৱাফমদি ফোঙদোকখিদ্রে, অদুবু পাইলোট অদুবুদি ঙাকপিখিদ্রে । মতুংদা পাইলোট অদুবু লেপ্পা লৈতনা মরাল শীবীখি মদুদি জর্মনগী লুফ্‌ট ৱাফ প্লেনশিংনা য়েক্লবশিংগী বোম্বর অমদি ফাইতরশিংবু মাইথিবা পীবা ঙমখিদবগী মরমদি উদেতনা অনৌবা মখলগী এয়ারক্রাফ্‌ট পীদবগী অশোয়বা অদুনি হায়না ।

মখোয়গী লুচিংবা হিটলরনা অশাওবগা লোয়ননা, উদেতনা শীল্লিবা থবক্তা ওৎখায়রকপা মতম অসিদা, উদেতকী পুক্লিং খমথেংনা শোকখিবনা ইং ১৯৪১ গী নভেঃ তাং ১৭ তা মহাক মথন্তা মকোক্তা কাপখায়জদুনা শিখি । মাগী অরোয়বা মিকপ অদুগী মতমদা লেনিসু উদেতকী মনাক্তা লৈরম্বা থেংনখি । উদেত শিখিবা অসি হিটলরনদি মীয়ামগী মফমদা এরোপ্লেনগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদনি হায়না শন্দোকখি অমসুং মতিকচারবা মিলিটারি সনমানগা লোয়ননা উদেতপু লৈরোন চনবগী থবক পাঙথোকখি ।

হিটলরনা উদেতকী থবকপু ফৈ-ফত্তে হায়দুনা কা হেনজিন্না অচুম অরাল থিজিল্লকপদগী উদেত মথন্তা শিজখিবনি হায়বসি লেনি মশাদি খঙখি । মহাক্না গোরিংদা হায়খি - "হিটলরনা লান্না কা হেনজিন্না হায়জিল্লকপদগী উদেত মথন্তা শিখিবনি ।" লেনিনা হায়রক্লিবা ৱাফম অদু ইংনা তারবা মতুংদা গোরিংনা হায়খি - "লুচিংবা হিটলরগী মায়োক্তা অসিগুম্বা দায়িত্ত খঙদবা ৱাঙাং অসি অশুম ঙাঙলবদি নঙসু শোয়দনা উদেতনা চৎখ্রিবা লম্বী অদুদা মাগী কাংবু ওইনবা থাখিবা তাবনি ।" ৱাফম অদুগী মরুওইবা অর্থ লেনিনা খঙজীনখি । হিটলরনদি মহাক্না অমুক হন্না উনখিদ্রে । অশুম্না য়ৌশিন্নরম্লবা নুংশি নুংওলগী ৱারী অমা কল্লক মৈশা লাংনরকপদগী অমসুং তুক্কচবা ৱাখল পোক্লরকপদগী অরেম্বদা উৎ ওন্দুনা মাঙখি খাংউথক্তা -।

হিটলরগী অহুমশুবা নুংশি ৱারী

নোংমা হিটলরগা নকশীন্না তিন্নবা আর্নস্ত হনফাঙ্গতাঙ্গলনা ম্যুনিক্তা লৈবা ওস্তেরিবা বাভারিবা রেস্তোরা অদুদা হিটলরগা ফম্মিনরিঙৈদা হায়খি - "ঐখোয়গী লুচিংবা ইবুঙো, (ফহ্‌রর) অদোম্বু য়ুনিতি মিতফোর্দনা অমুক্তংদি উনজবা পামজমানে।" "য়ুনিতি মিতফোর্দ হায়ববু কনানো ?" নাজি লুচিংবনা মঙোন্দা হংলম্মী। য়ুনিতি মিতফোর্দকী মরমদা শম্না হনফাঙ্গতাঙ্গলনা অশুম্না খুমখি - "মহাক বৃতিসকী হাউজ ওব লোর্দসকী মরু ওইবা মেম্বর লোর্দস রিদর্সদেলগী মরীশুবা মচানুপীনি। মহাক ম্যুনিক্কি স্কুল অমদা লাইরিক তমখিবনি। হিটলর ইবুঙোগী মরমদা, ৱাখলদা, শকওইদা থোইদোক্লা পুক্লিং চঙজবীনি।" অসিগুম্বা শকউদ্রিবী য়ুনিতি হায়বী অদুগী ইমুং মনুংগী মরী মখোং, লোয়ননা নুপীমচা অদুনা হিটলরদা চঙলন্লিবা পুক্লিং অদুদগী হেন্না হিটলরসু য়ুনিতি হায়বী অদুগী মরমদা লাংতক্লবা হৌরক্লমই। নোংমদি মহাকপু হিটলরগা চাক চামিন্নসি হায়দুনা ইং ১৯৩২ গী অঙনবা মতমদা পাউ থাখ্রে, বার্ত্তন তৌখ্রে। বার্ত্তন অদু ফংখিবা নুমিত্তগী হৌনা য়ুনিতিগী পুক্সীদা মরু ওইরবা তাংকক অমা হৌখিবগা লোয়ননা হিটলরগী ৱাখলনা মহাকপু কোইতান তান্নবা হৌরক্লে।

য়ুনিতিনা চাওথোকচনা খনজখি, পৃথিবীবু কনগদবদি হিটলর মথন্তনি। চাক চানবা নুমিত্তা, মহাক্লা লাৎচরিবা নুপা হিটলরগা উন্নদুনা ফম্মীন্নবদা মাগী পুক্লিং মথুম মরাং হৌখিবতা নত্তনা মানা খনজরিবা অদু অচুম্বা ৱাখলমক্লি হায়নসু মপুক্লিংদা মথন্নতা থাজখি। হিটলরগী মনুংগী ওইবা, অরোনবা, মহাক্লা থাজনা থম্বা মীওই কয়াগী মরক্তা য়ুনিতিসু য়াওখ্রে। ওস্তেরিয়া বাভারিয়া হোতেলদা য়ুনিতিবু চাক চামীন্ননবা, চা থকমীন্ননবা তোয়না তোয়না হিটলরনা বার্ত্তন তৌদুনা মখোয় অনি নুংঙাইনা মতম লেনমীন্নবা হৌরক্লে। তশেংবমক্তি, য়ুনিতি হায়বী ইংলেন্দগী নুপীমচা অসি মাগী অহল লম্মন্না জর্মনিদা মহৈ মশিং তম্নবা থারকপদা মাঙহল্লবী অঙাং অমনি হায়বসু য়াই। মহাক্কি মপানদি মাবু

পেরিস (পেরি) কী স্কুল অমদা তম্লবা কন্না হোৎনখি, অদুবু য়ুনিতি হায়বী নুপীমচা অসিনদি হান্নদগী হৌনা জর্মনিদা হৈনরকপদগী অমসুং লমদম অদুগী লুচিংবা ওইরিবা হিটলরগী ব্রাখলদসু ঙাওজরকপা মরমদগী জর্মনি লৈবাক্তা অদুম মহৈ তমদুনা লাক্লে । মচাগী অপাম্বদা লোর্দ রিদর্সদেল নসু ইনবা তাখিবনা মমৈথঙদদি জর্মনশিংগী সমাজদা মীনা মশক খঙনবা, ললথুম লৈবা অচৌ অশাং কাংবু, মমিং খরা পল্লবদা ব্রুকমেন্স, হনফান্সতাঙ্গল অমসুং বেক্সতিন্নচিংবা মীওইশিংদা মচানুপীবু শক্তাক্তুনা খঙনহনখি । মদুগী মরমদি মীওই কয়া অদু খঙনরগা, তিন্নরগা মচানুপীনা হিটলরদা লুপ্লুরিবা ব্রাখল অদু হোংখিগদ্রা হায়দুনা । রিদর্সদেলনা খঙজবা ঙমখিদে মদুদি হায়রীবা জর্মনগী মীওই কাংবু অদুদি হিটলরবু য়োকখৎলিবা অমদি দিমোক্রেসিগী চৎনবী লৈখ্রবা সমাজ অমদি গবর্নমেন্ট কয়াদগী মমায় লৈথোকখ্রবা মীওই ঙাক্তনি হায়বদু ।

বৈরুথ কুম্মৈ

হিটলর হায়বা নুপা অসিনা শুমহৎপদি জর্মনিগী ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিংখক্তা নত্তে, কলা বিদ্যাদা মমিং লৈরবা আর্তিস্ট কয়াগী মফমদসুনি । মহাক মশামক জর্মনগী মমিং চৎলবা ইশৈগী কম্পোজর রিচার্দ ব্রাগনর হায়বদুবু য়াম্না ব্রাংনা খনজবা নুপানি । হায়রীবা আর্তিস্ট অসিগী অমত্তা ঙায়রবা মচানুপা সিগফ্রিদ ব্রাগনর হায়বদুনা ইং ১৯২৩ দগী হৌনা চহি চহিগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা মপাগী নিংশিং কুমওনগী থবক্তা হিটলর মশামক য়াওরক্তবা লৈতে । হায়রীবা সিগফ্রিদ অসিদি নাজিগী নিতি নিয়ম্সু পামজবা মীশক্তি নত্তে, অদুম্নমক ওইরবসু হিটলরগী পুক্লিং পেন্না সেবা তৌদুনা লাকচবনি । মমৈথঙদা সিগফ্রিদকী মফমদা য়াম্না ঙক্লা খঙলকপা অমদি মহাক্কি নুপী ব্রীনিফ্রেদকী মফমদা হিটলরনা পুক্লিং চঙশীল্লকপা অদুনি, করি অমুক হায়গনি, হিটলরনা পামজরিবা সিগফ্রিদকী মপানা কম্পোজ তৌরম্বা ইশৈ কয়া অদুদগীফাও হেনকৎনা মহাক্কি নুপী ব্রীনিফ্রেদপু পামজরমই ।

সিগফ্রিদ ইং ১৯৩০ দা শিখি । মহাক শিখ্রবা তুংদা মাগী নুপী ব্রীনিফ্রেদনসু হিটলরবু মহৌশাগুম্না তরাম্না অদুম লোয়নরী, অমসুং মহাক্না

অমুক লুহোংগে হায়বগী ৱাখল তৌখি। লুহোংবদি হিটলরনা পামখিদে, অমরোমদা জর্মনি লৈবাক অসি মহাক্কী কন্যানি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি, মদুগী অর্থদি মাগী রাজনিতিগী পুন্সীদা ময়ুম পাল্লরোই হায়বনি, নুংশিবতবু লাৎচবনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা, চহি কুন্থ্রা হেল্লবী নুপী পুম্নমক্কি মফমদা কা-হেন্না পুক্নিং লুপ্তবসি মহাক্কি ফিরেপনি। অসুম্না ৱীনিফ্রেদ, হিটলরগী ফিরেপ অদুগী মনুংদা লৈখিবনা মখোয় অনি কা-হেন্না নকশীন্নরুদনা মতম শাংনা মরুপ-মপাঙ ওইনা লোয়নখি। চহি খুদিংগী হিটলরনা বৈরুথ কুম্মৈ য়াওবা লাকপদা ৱীনিফেদ ৱাগরনগী ময়ুমদা অতিথি ওইনা হেক-হেক লৈ।

ইং ১৯৩২ গী বৈরুথ কুম্মৈদা হিটলরনা ইভা ব্রাউন অমসুং য়ুনিতি মিতফোর্দ অনিমকপু বার্ত্তন তৌখি। য়ুনিতিবু, মপুং ওইবা, মরাঙ কায়না নুংঙাইরবা য়ুম অমদা লৈহল্লমই অদুগা ইভা ব্রাউন না হিটলরগা থংননা লৈবা কা অমদা। কুম্মৈ অদু হৌরকপা মতুং অহানবা নুমিৎ মঙানিগী মতমদুদা, হিটলরগী ফজবা থৌরাঙ অমগী মখাদা য়ুনিতিগা ইভাগা তোঙান তোঙান্না লৈহল্লিবদু করিসু কায়দ্রে হায়বা য়ারে, অদুবু থৌদোক হায়বসিদি থৌদোক্নি, মহাক্কি থৌরাঙ অদুদা অশোয়বসু য়াওখিদবা নত্তে। কুম্মৈ অদুগী তরুক্কি শুবা নুংদাংদা হিটলর অমসুং য়ুনিতি, হাউজ ৱানফ্রিদ হায়না খঙনবা লৈকোল অমদা কোয়থোক্লুই, অহিং অদু য়োংথোকখিবদা, নুংশিবা থাবলনা পুমঙাল ঙাল্লি। অসুম লাকমিন্নবনা থংনবা য়ুম অমগী অহাঙবা মাঙ্গোল অদু য়ৌরক্লে। য়ুম অদুমক্তদনি ইভাগা য়ুনিতিগা কুম্মৈ য়েংবা লাকপদা লৈমিন্নরিবসু। থাবলফরবা অহিং অদুদা ইখঙ খঙহৌদনা হিটলরগী পুক্নিংদা অথোৎপা নুংশিবগী ৱাখল অমা ঈহৌরক্লে। মিকুপ্তা, মাঙ্গোল অদুদা লৈরম্বা অপাকপা ফমুং অমগী মথক্তা য়ুনিতিগা মখোয় অনি মশা-মশা হৈনিংনা লৈমিন্নরিঙৈ মতম অদুমক্তদা মোনিতা গার্নিয়ার কৌবী ৱীনিফ্রেদকী মনাইনুপী ফ্রেন্স লৈশাবী অদুনা লম্বী অদোমদা লাকপদা ওইরম্লিবা থৌদোক অদু উখ্রে। মহাক মফম অমদা চঙশীল্লগা থবক অদুবু লোন্না য়েংদুনা লৈখি। ফ্রেন্স নুপী অদুগী পুক্নিংদা খনখি - "হিটলর অসিবু নুপা ওইবগী অরোনবা পাঙ্গল য়াওদ্রে হায়না মীনা ঙাংনবা অদু করিমত্তা অচুম্বা নত্তবরা হায়না। অশুম্না ঙাইহাক

লৈরিঙৈদা, মাগী য়েৎথংবা নাকল্লোমদগী মী লাকপগী থোঙথাঙ মখোল তারে। মহাক পাখৎলি, ইভা ব্রাউন্না মাঙ্গোলদু তম্না চঙশীল্লকপদা। খুদক্তা ইভাসু চপ লেপখি, মওং অমদা পুল্লপ লৈমিন্নরিবা হিটলর অমসুং য়ুনিতিদা য়েংদুনা। মিনিট অমরোম লৈরম্লগা মহাকসু অমম্বদুদা মাঙখ্রে। থৌদোক অদুবু ইভানা উখ্রে হায়বসি ফ্রেন্স নুপী মোনিতানা খঙবদা পাখৎচখি, মরমদি মহাক্না সেবা তৌরীবী ৱীনিফ্রেদনা খঙলবদি ৱাথোক ওইনবা তারে হায়দুনা। মহাক থুনমক ৱীনিফ্রেদকী মনাক্তা লাক্লগা মহাক্না উরকপদু তম্লুরে। ৱীনিফ্রেদ, হান্নদগী খঙলবগুম মোমোন নোক্তুনা তপ্না হায়রকই। "মদু ঐখোয়না কনাগুম্বা মী অমত্তদসু হায়রোইদবনি, চেকশিল্লুকো।"

ময়ায় কারুরগা অমুক ৱারকপা

গ্রেট ব্রিটেন অমসুং জর্মনি, মতম কুইনগী ওইনা চান্ন-চিন্ননা মরুপ-মপাঙ ওইনা লৈমিন্নফম থোকই হায়বা ৱাখল অসি অচুম্বনি হায়না য়ুনিতিগী পুক্লিংদা থাজজখি। মহাক মঙ অমা মঙবা হৌখি - করিগুম্বা মহাক্না ব্রিটেন অমসুং জর্মনি মরুপ ওইহনবা ঙম্লবদি, মশামক হিটলরদা লুহোংলগা জর্মনি লৈবাক্কী নিংথৌরোল অমগী মবেম্মা ওইজবা হায়না।

ইং ১৯৩৮ গী সেপ্তেম্বর থাদ বৃটিশগী প্রাইম মিনিস্তর নেভিল চেম্বরলেইন, হিটলরগা ৱারী শানবগীদমক জর্মনিদা লাকখি। মতম অদুদা য়ুনিতি মিতফোর্দ য়াম্না হরাওজখিবনি, মরমদি মহাক্কি পুক্লিংদা শানগদৌরিবা ৱারী অদুনা, মানা নিংজরিবা অদুগী মাইকৈদা অফবা লম্বী অমা শোয়দনা ওইরগনি হায়না।

হিটলর অমসুং চেম্বরলেইন, সেপ্তেম্বরগী তাং ১৫ অমদি ২২ দা জর্মনিগী বারগোফ অমদি গোদিসবর্গতা অনিরক থোক্লা উন্নখি। ৱাফম কয়া খন্নরে, সেপ্তেম্বর তাং ৩০ দদি হিটলরগী ৱাফমদা চেম্বরলেইন মশাগী, মরমদমগী ওইজবা থাদোক্লা য়ান-চে অদুদা সহি তৌখ্রে। ফ্রান্স অমসুং ইটালিসু ৱাফমশিংদু য়াখ্রে। য়ানবা অসিদগী ওইফম থোকপা হিটলরগী অনীংবা অপাম্বগী ঙমখৈ হেন্দোক্লা থবক মরম কয়া মথঙ মথঙ শন্দোরক্লে। থাঙ্গৈমকশেংনা য়ান-চে অসি সহি তৌনখ্রবা থা ১১গী

মনুংদা জর্মন লানমীনা ১৯৩৯ সেপ্তেম্বর ১ দা পোলেন্দ খুদুম চনখ্রে অদুগী মতুং সেপ্তেম্বর তাং ৩ দা ইংলেন্দনা জর্মনিগী মায়য়োক্তা লান তৌরে হায়বগী ৱারোল লাউথোকখি । অসিগা লোয়ননা হৌজিক্তি, য়ুনিতিগী সংসার অনিথোক্লা চিংখাইরে ।

ইংলেন্দ অমসুং জর্মনি, মরুপ ওইনা পুনশিন্নবা খনজরুবী য়ুনিতিগী চাওরবা আশা অদু কায়রক্লবদা অমসুং খল্লুবদা কিজবা পোক্লা মহাক্কি থম্মোয়দা অৱাবা ৱাখলনা নারকপগী মরম অমনা, হৌখিবা মতম কয়া অদুদা হিটলরনা মহাকপু অপঙবা তাহল্লক্লবরা হায়বসিনি । য়ুনিতি মিতফোর্দ খাঙবা ঙমখিদে । হিটলর মশামক্লা মঙোন্দা পীখিবা মশানা সহি তৌবা ফোতো, নাজিগী স্বাস্তিকা খুদমনচিংবা য়ুনিতি মশামক্লসু চাওথোকচনা কোইপু পুদুনা চৎলগা য়ুরোপকী মীয়াম কয়াদা উহনখ্রবা পোৎ পূন্নমক অদু অচৌবা ইনভেলপ অমগী মনুংদা চিথিগা লোয়ননা পুল্লপ হাপচীনজরে, অদুগা ঙাওরবা মীশক অমগুম্না ইনভেলপ অদু চাজুম নমশীল্লগা, সেপ্তেম্বর তাং অহুমগী নুমিত্তা ম্যুনিক্তা লৈবা মেয়র অদোল্ফ ৱাগনরগী ওফিসতা লাক্কুনা ইনভেলপ অদু হিটলরগী মখুৎ য়ৌবীখিনবা হায়জরখি । য়ুনিতিগী ৱাফম অদুদা ৱাগনরনা তপ্না জ্ঞান তানা হায়রকপদি - “নঙগী ইনভেলপ অসি হিটলরগী মখুৎ য়ৌদ্রিঙৈদা, নহাক জর্মনি লৈবাক থাদোক্কুনা নরৈবাক ইংলেন্দা চৎহৌবনা ফগনি ।”

য়ুনিতি জ্ঞান মাঙনা মঙোন্দা (ৱাগনর) য়েংদুনা লৈখি, হৌগৎলক্লে, মাগী ওফিস অদুদগী থোকখিরমই । মশাগী লৈফম কাদ য়ৌরক্লে, ঙাওরক্লবা মিকুপনি, মথন্তা মকোক্তা কাপশিনজরে । খুদক্তা মীয়াম্না মহাকপু লায়েংশঙদা পুরকখি । মথঙগী নুমিত্তা ম্যুনিক পোলিসনা নোতিস অমা থোরক্লে - “য়ুনিতি মিদফোর্দকী ফিভম খুদোংথিনিংঙাইনি ।” হায়না । হিটলরনা মাগীদমক খ্বাইদগী ফবা দোক্তর কয়া অমসুং প্রো ঃ মেগনস য়াওনা লায়েংহনবগা লোয়ননা অসুম্নসু ফোঙদোকখি মদুদি য়ুনিতিবু ফন্নবা লায়েংবদা চঙবা খরচ পূন্নমক সরকারনা পুগদবনি হায়না, অদুবু য়ুনিতি কৌবী মহাক্তি শিরগে হায়না চপ য়ুংনা খনখ্রমানে । মাগী মরুপ মপাঙশিংনা মঙোন্দা খুদোল তৌরকপা হিটলরগী ফোতো অমসুং স্বাস্তিকা খুদমগী পোৎশিং অদু মশাগী মচিন্দা নমশীন্দুনা য়োৎশীনখ্রে ।

অনিরকশুবা মাগী মথ্বায় কনবা ওইনা প্রোঃ মেগনসনা মদু ওপরেসন তৌদুনা লৌথোকখি ।

অনাবগী ফমুংদা তাদুনসু লৈরবা, অমসুং শোক্লরিবা লানগী চৎনবী মতুং ইন্না য়েক্লবগী প্রজা অমসু ওইরবী য়ুনিতি, হিটলরগী মফমদা পোত্থাফম খঙদনা মকোক ঙাওবা হায়বদু ওইরকখি । খরা লৈরগা, ইভা অমসুং দোক্তর থিওদর মোরিলনা য়ুনিতিবু অখন্নবা রেলগারী অমদা স্বিটজর্লেন্দ য়ৌহনখিবনা ফগনি হায়বসি হিটলরগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লবদা, য়ানিংবগা লোয়ননা ইং ১৯৪০ গী অঙনবা মতমদা হিটলরনা য়ুনিতিবু, মহাক্কি নর্স অমসুং দোক্তরগা লোয়ননা য়ুরিক সহর য়ৌহল্লক্লে । মফম অদু য়ৌরক্লবা মতুংদদি য়ুনিতিগী মপানা কেলে হিথাংফম ফাওরগা মচানুপীবু ইংলেন্দা পুখ্রে ।

য়ুনিতিগী অৱাবদি মসিদসু লোইদ্রি । মাগ নুংশিনজবা হিটলরদগী কায়নরকপদা ফংলিবা, লীফম খঙদ্রবা অৱাবা ৱারী অদুগী মথক্তা অমুক্তসু গ্রেট ব্রিটেনগী সিক্যুরিতি রেগুলেসনগী মখাদা মহাকপু ফাজীন্দুনা থম্বীরী । মহাকপু ওস্কফোর্দ তা লৈবা অপিকপা য়ুম চা অমদা থম্লমই, মমা মপানা য়াম্না চেকশীন্না অহৈ-অহৈবা দোক্তর অমসুং নর্সশিংবু শেন্নহল্লি। অদুম ওইদুনসু য়ুনিতি, মশা মথন্তা শিজরগে থৌরাঙলুবদা ওইহনখিবা মশাগী অশোকপা অদুদি অমুক ফরকপা ঙমখিদ্রে । মহাক ইং ১৯৪৮ দা মখোয়গী ইমুং মনুংগী ওইনা লৈজবা, স্কোটিস আইলন্দা লৈবা ইঞ্চকিনেথ হায়বা মফম অদুদা মপুন্সী লোয়খি । মহাক্কি ৱা তাবীখিদবা হিটলরবু মহাক্না ৱারৌখি । মহাক্কি থম্মোয় শোক্না নুংঙাইজখিদে । মহাক্না হিটলরগী মফমদা পীরুবা নুংশিবা অদুবুদি হিটলরনা হরাও হরাও লৌবীখ্রগা, মশাগী পোলিতিক্স, রাজনিতিগী লম্বীদদি কনা অমত্তনা মরক থৎপা য়াদে হায়বা হিটলরগী মচং ওইবা লমচৎ অদুবুদি য়ুনিতিনা হান্না খঙজহৌবা ঙমখিদ্রে । হিটলরগী রাজনিতিদা হৈ-শিংবা অদুবুদি য়ুনিতিনা চিংনবা লৈতনা খঙজখি । মাগী পুক্লিংদা ৱারৌনা খনজখিবা অমদি, হিটলরবু পাউতাক পীবা মীশিংনা শেরান্ননা মহাকপু লমজিংবীখি হায়বসিনি, মখোয় অদুগী মরক্তা, ইং ১৯৪০ দা মহাক্না য়ুরিক চৎলমদাইদা মঙোন্দা লৈ চবুল থারকখিবী ইভা হায়বী মহাক অদুসুনি হায়বা খঙজরকখি ।

হিটলরগী মরীশুবা নুংশি ৱারী

হেনরিক হোফমেন হায়বসি হিটলরগা লুনা তিন্নবা, মাগী ওফিসকী অরোনবা থবক পুবা নুপানি। মহাক হিটলরগী ফোতোগ্রাফর অমসুনি। অতেনবা মতম খরগী ওইনা হায়রীবা নুপা অসিগী মচানুপী হেন্নি কৌবী অমদা হিটলরনা পুক্নিং চঙবা মাল্লুবদগী, মপা অদুনসু মচা নুপীবু অথীংবা পীখিদে, হেন্নদুম পুক্নিং থৌগৎপিখি। মরম অসিদগী, হেন্নি হায়বী নুপীমচা অদুনসু হিটলরদা হেনজিন্না পুক্নিং চঙশীনখি। অদুবু মতম খরা লৈরগদি, হোফমেন হায়বা নুপা অসিনা হিটলরবু মমাকনিপা ওইনিংবগী আশা অদু কায়খি, করম্না কায়খিবা অমসুং হেন্নিনা হিটলরদগী করম তৌনা লাপথোকখিবনো হায়বদুদি কনানসু খঙনখিদে।

হিটলরগা তিন্নবা অতোপ্পা নুপা, আর্নস্ত হনফান্সতাঙ্গলদা করি মরমদগী হিটলরনা হেন্নিবু ইস্থোকপিখিবনো হায়বদুগী মরম ভাবনা শাবা ঙম্বা হায়বসি হংখি। হনফান্সতাঙ্গল হায়বা নুপা অসিনসু অহানবদা হিটলরবু মাগী মচল নুপী অরনাগা লোয়ননবা শীল্লুবনি অদুবু হিরম অদু থবক ওইখিদে, করিসু ওইদনা তোকখি। মরম থিজিল্লুবদা খঙলকখি মদুদি হিটলর অসি থাঙ্গৈশেংনা নুপা ওইবগী লিচৎ, ইন্দ্রিগী পাঙ্গল শক্তি অদু মথৌ তৌবা ঙমদ্রে হায়বা --- । হায়রীবা ৱাফম অসি মহাক্না হোফমেন্দদি হায়দোকখিদে মরমদি মহাকসু হিটলরনা থাজবা মীওই কয়াগী মরক্তা মীশক অমা ওইনা লৈজবদু অমকপা লৈহনজনিংদে। মহাক ৱাহৈ খরদি হোফমেন্দা খুমখি - "মহাক নুপী অঙাংদগীদি রাজনিতিদনা হেন্না পুক্নিং লুপখ্রমানেদা।" মশা মথন্তদি খঙজখি - থৌনাফবা মীশক অমা ওইরবসু, হিটলর, হি-য়াই কন্নবা নপুংশক অমনি হায়বসি। ৱাফম অসিগা হাইরপ তাইওন্ননা, হিটলরগী মফমদদি মশাগী ওইবা থাক অমা লৈজরী, পুক্নিংগী মহাও লেঙদনা লৈরী, মহাক্কি মফমদা থম্মোয়শেংনা পুক্নিং চিংশিল্লকপা নুপী ওইবীগী মফমদদি মহাক্কি শক্তি লেঙদনা লৈরী।

নোংমা হিটলরনা হোফমেনগী ম্যুনিক স্টুদিওদা লাকই, মহাক্না মনুং চঙলকপদা লৈশাবী অমনা অৱাঙবা রেক অমদগী ফিল্ম বোক্স অমা

লৌথনবগীদমক কৈরাক অমদা কাখত্তুনা লৈরম্বা উখি । হিটলর থোঙজিন্দা খংলেপ লেপই, লৈশাবী মচা অদুগী তোংগানবী শাবান, নিংথিজবী মায়থোঙ অদুবু মুন্না য়েংদুনা লৈখি । হিটলরনা পুক্লিং চঙলিবা অদু হোফমেন্না নুংঙাইনা য়েংলম্বদগী লৈশাবী অদুবু কৌদুনা হায়রকই - "ইভা ! নঙ অমুক্তা কুথরকখো, পাউখোল অমত্তা শীগে ।" লৈশাবী মচা অদু মাগী লেংজুম মপাদা মমায় লৈথোক্তুনা য়েংলকপদা হোফমেনগী মনাক্তা লেপ্লিবা শকখঙনদবা মীশক অদুবু উরে । মখোয় অনিমক মহাক্লা নোক্লকপা মোমোন মিনোক অদু উখি । খুদক অসিদা হিটলরদি ইভাগী মিনোক্তুদা শুমহৎলুবদু হন্থরক্লবা হোৎনরী । নুপীমচা অদুগী মায়থোঙদা হিটলরদি পুমঙাও ঙাওখিবগা চপ মান্নরে । ওইবসু য়াই, মহাক অমদি লৈশাবী অদুগী লাইবক্তা মখোয় অনি লৈমিন্নৌ হায়না তমখিবা, অদুগা পুন্সীগী অরোইবা মিকুপ অদু ফাওবা হিটলরগী মবেন্মা অমা ওইজবগী মওং অদুবু মহাক্কী থম্মোয়না মাঙজৌনননা খঙবগুম ।

হোফমন, ইভা অমদি হিটলর, নুমিৎ অদুদা, তেবল অমত্তদা কোয়না ফম্মীন্নরগা বীয়ার থকমীন্নখি । মহৌশানা ইভাদি হোফমেনগী স্টুদিওদা লাকপা নহা ওইরিবা মীশকখক্তদা পুক্লিং চঙজবনি, অদুনা মঙোন্দগী য়াম্না মথক ওইবা হিটলরদদি থোইদোক্লা পুক্লিং চঙশীনবা ঙমলমদে । মাগী পুক্লিংনদি খঙলকই, মাগী নাকলদা ফল্লিবা অহল অদুনা মহাকপু মরুপ মপাঙ ওইননবা হোৎনরী হায়বদু । মহাক করি তৌগদবনো হায়বদু অহানবদদি খঙলমদবনি, অদুবু মমৈথঙদা হিটলরবু মহাক্লা খুদুম চনশিনখি । মতম অসিদা ইভাগী চহি তরাতরেৎতা ঙাইরী, মশা মউদি চপচানা মপুং ফারে, লৌশিংসু লৈরে । য়াম্না হরাও নুংঙাইবা, ফাগী জুগায়গী মওংদা ইভানা ঙাঙবা, লীবা ৱারী মচা, ৱাহৈ ৱাতা কয়াদা হিটলরগী মায়থোঙদা নুংশিবগী মায়খুম হাইদোক্লকখি, নুংঙাইনা পোত্থাজখি ইভাগা লোয়ননা ।

হিটলর চৎখ্রবা তুংদা হোফমেন্না ইভাদা হংখি, "নুপা অদুবু নহাক খঙব্রা ?" "করিগী খঙলোই, মশাদা চাদবা ফি-রোল শেৎপা, চার্লি চাপলিন গুম্না মকোয় খাকপা নুপা অসিবু কনানা কাউগদৌরিবনো

খুদোংথীনিঙাইনি হায়খিবদুসু মতমগা চাননা চুমখিবনি । অদুগুম্বা ব্রাফম অদুবু নিংথিজনা পুক্লিংচঙনা খন্থনরম্লবদি জর্মন জাতিবু কনজবসু য়ারমবনি । থৌদোক্তি মচা ওইরবসু, ইভা হায়বী নুপীমচা অদুফাওবা মমৈথঙদা মথন্তা আত্মাঘাত তৌদুনা শিহল্লমদবা য়াবনি ।

মথক্তা পনজখিবা, ইভাগা মপামচা শানখিবা ব্রারী অদু ইভানা খং হোং হোংদোক্নুনা অতোপ্পা ব্রারীদা চৎথখি । অদুম্লদি ওইরগা, মপানা শাওনা হায়খিবা ব্রাফম অদুগী মরম অমদি লাংতক্লবগা লোয়ননা ইভাগী মফমদা খঙনিঙবা হেল্লকখি । মথঙগী নুমিত্তা ইভা, হোফমেনগী ওফিস অদুদা করিগুম্বা চে খরা উপু ময়ামগী কাখলশিং অদুদা অসুম থিবদা হিটলরগী আলবম অমা থেংনরুরে । হোফমেন হায়বা নুপা অদুদি হিটলরগী ওফিসিয়েল ফোতোগ্রাফর ওইবনিনা, অয়াম্বা হিটলরগী ফোতোশিংদি মহাক্কিদা লোইনা লৈরম্লে । ফোতো কয়া অদু উরুবদা ইভাগী পুক্লিং শুমহৎখি । ফোতো ময়াম অদুদা য়াওরি - নুপী কয়ানা হিটলরবু শোকপা ফংজনবা হায়দুনা, মাবু ঙাক শেল্লিবা মীরক অদুদা নমখায়রকপা, মাগী লম্বীদা লৈ চাইথরকপা, মাগী মার্সিদিজ বেন্জ কার মনাক্তা নুপী ময়াম্না মনাক নকশীনজরকপা- - অসিনচিংবা । হিটলর, অফাওবা মী অমনি হায়বা খঙলকপদা ইভা, পাখৎচনা মপুক্লিংদা মথুম মরাঙ হৌখি । হিটলরগী মমিৎ অনিদগী শুমহৎপা মঙাল কাপথোরকপা মানবা ফোতো অমা তোপ্পা উরুবদা ইভাবু মিকুপ খরদি পঙথহনখি । নুমিৎ অদুদগী হৌনা মহাক ঙাওবা হৌরে, হিটলরগী ব্রাখলদা লুপখ্রে ।

হিটলরগী মথানুংদা

মাবু মীয়াম্না শকখঙবা মীশক অমা ওইনা লৈরিবা মশাগী থাক অদুগী মতুং ইন্না, লৈবাক্কি থৌরম কনশীল্লকপগা লোয়ননা, নাকন অমদা য়াম্না তোয়না ইভাগী মফমদা পুক্লিং চঙশীনবা ঙম্লকখিদে । নোংমা ইভানা হিটলর মশাগী চহি হংজবা মতমদা মহাক চহি নিফু শুরে হায়বা খঙজখি । ব্রাফম অদু চহি তরাতরেৎতা ঙায়রীবী ইভানদি মহাকপু হনুরবনি খনখি, অদুবু মদুমক্তি ওইখিদে হিটলরগী মফমদা । ইভানা মহাকপু শুমহৎখি, অমরোমদা মাগী পুন্সীগী অতৈ থবক কয়াদগী হেন্না

মরু ওইনা খনখ্রবা মাগী রাজনিতিগী, অমসুং লৈবাক অদুগী আশাগী লম্বেলদা অথোৎপা ৱাখল অমনা অমুক হন্না মরক থৎপা, অকায়বা পীরকপদি মহাক্না (হিটলরনা) য়াহনখিদ্রে -- অদুন্নদি ওইরগা মহাক ইভাবুদি নুংশিখি ।

মতম অসিদা, ব্রিটেন অমসুং মখোয়গা মীচঙ ওইবা এল্লাইদ পাৱার-না জর্মনিগী মথক্তা শেন্বা য়ং প্লান হায়না খঙনবা থৌশীল অমগী মখাদা নিয়ম অমা চৎথরকই । হায়রীবা য়ং প্লান অসিগী মতুং ইন্না জর্মনিদা এল্লাইদ পৱারশিংনা মথঙ চহি য়াংখৈমাপনগী মতমদি, লান্দা মাঙ তাকখিবগী ক্ষতিপুরন পীহনবা অসিনি । ইং ১৯৩০ হৌরকপদা, য়ং প্লান অসিগী মাইয়োক্তা হিটলরনা কন্না য়েৎখি, মিতিং কয়াদা লাওখিবনি, চুমদবা ৱাফম্লি, নমদুনা লালহনবনি হায়দুনা, মহাক উপাই লৈতনসু কপখিবনি তিল্লিবা মীয়াম কয়াগী মমাঙদা । করি অমুক হায়গনি, ৱা ঙাঙনা ঙাঙনা মশাগী অশাওবা ফাজিনবা ঙম্লক্তদুনা তেবলদা চোংশিন্দুনা মখুৎনা থোমজিনখি, অদুগা অমুক ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না লৈখিবদা, তিল্লিবা মীয়াম পুন্নমক মাগী যাদু মন্ত্রনা শঙহৎলবগুম লৈনখি। ঙাইহাক লৈরগা অমুক খোঞ্জেল হৌনা লাওরকই, মথন্তা হায়জে - "হিটলর অমসুং মহাক্কি নাজি কাংবুনা এল্লাইদ পৱারগী য়ং প্লান হায়বদু তুমিন্না ওইহনখিবা য়ারোই, মসিবু য়াবা পাঙদবা সরাকরদি ঐখোয়না লৌথোক্কদবনি, হিটলরনা পামই, নখোয় পূন্নমক্না য়াবীবা, অদুবু ওইরবদি,মখা তারকপা পূন্নমক ঐ ঈশানা তৌগনি ।" মীয়াম পুন্নমক তুমিন্না তাখি মানা হায়রীবা পুন্নমক অমসুং মী লিশিং লিশিংনা মঙোন্দা মখুৎ হাইখি, নুপী অঙাং কয়ানা "জয় ওইয়ু হিটলর, হায়না লাওরকপা খোঞ্জেলনা পৃমনিল নিনখি । হিটলরনা ৱা ঙাঙফম ফম্বাক, রোস্ত্রম অদুদগী কুমথরকপদা মী লিশিং কয়া মঙোন্দা চেনশীন্নরকপা অমসুং নুপী অঙাং কয়ানা মনাক নকশীন্নরকপা, মশক উনবা হোৎনরকপা, মীয়ামগী ঈপোম অদুদি অচৌবা দৃশ্য অমনি। জর্মনি লৈবাক্কী লাইরিক লাইশু হৈরবা, ইনাকখুনবা মীওই পূন্নমক্নসু মরৈবাক্কী ইজ্জতৃতি হিটলরনা কনগদবনি হায়বসি মখোয়গী অচেৎপা থাজবনি । খঙহৌদনা, নোংম-নোংমগী জর্মনি হায়বা লৈবাক অদুগী অৱা নুংঙাই পূন্নমক হিটলরগী মরায়বক্তা

তম্লকপগুম থোক্লরে । জর্মনি লৈবাক্তা লৈবা অচৌ অচৌবা কল কারখানাগী মপু অমদি মমিং চৎলবা লল্লোনবা মীওই কয়া কয়ানা মখোয়গী লৈজবা শেল-মাল চাং পূন্নমক অমত্তা খাক্তনা হিটলরগী মখুত্তা শিন্নখি, নহারোল নুপী নুপা পূন্নমক নাজি কাংবুগী ওর্গেনাইজেসন্দা য়াওশীনখি ।

অসুন্না নোংমা, মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমগী কেমপেইন য়াওরুরগা হল্লকপদা, হিটলর করম্বা মীশক্লো হায়বসি ইভা-না খঙজবা ঙমখি । মহাক মশক ওল্লবা মীশক অমনি, মফি-মরোল ফজনা শেৎলি, ম্যুনিক্তা লৈবা অচৌবা য়ুম অমদা ভারা পীদুনা লৈ, অদুবু ইভা-নদি অহানবদা খঙলমদে মদুদি য়ুম অদুগী অপুনবা ভারাগী শেল পূন্নমক হিটলরগা হান্নদগী তিন্নরক্লবী চহি খরা য়াম্লবী হেলেন-বেক্সতিন হায়বীদুনা পীবনি হায়বসে । হেলেন অমদি অতোপ্পা নুপী হিটলরবু য়াজবা ইলজা কৌবী অমগা, মখোয় অনিনা হিটলরগীদমক্তা অচৌবা ফন্দগী শেনফম অমা খায়জীন্দুনা লাক্লি । হায়রীবা শেনফম অদুদগীনি হিটলরনা মহাক্কি অমুবা মার্সিদিজ কার অমা লৈখিবা. অমসুং হিটলরনা তোংবা কার অদুগী ড্রাইভরগী তলবসু ইলজা মশামক্ল পীরিবা ।

নোংমা হোফমেনগী স্টুদিওদা ইথা থাজদনা হিটলর লাক্তুনা ইভানা ফল্লিবা কাউন্টর দুগী মমাঙদা লেপ্তুনা হংলখি - "হর হোফমেন স্টুদিওদা লৈব্রা ? ইভা, মকোক হাইগত্তুনা য়েংলগা নোকলকই, হোফমেনবু দার্ক রুমদগী কৌথোক্লুই । হোফমেনগা ৱারী শানবা লোইরদুনা হিটলর, কা অদুদগী থোরক্লে, ইভারোমদা মকোক হাইরপ লুকথরক্লগা স্টুদিওদগী চৎখ্রে । হোফমেন, হিটলরনা চৎখিবদু ঙাইহাক য়েংলগা ইভাগী মনাক্তা চঙলক্তুনা হায়রে - "ইভা ! নহাক ঙসিদি য়ুম অসিদা চাকচাবা লাকহন্নিংই, হিটলর মফমসিদা লাক্কদৌরী, নহাকপুসু মানা য়াওহন্নিংই ।"

হায়নখিবা মতমদা ইভা, চপচানা হোফমেনগী ময়ুমদা য়ৌরকখি । হিটলরদি হান্ননা মফম অদুদা লৈরম্লে । ইভা বু উবমক্কা হিটলর চৌকিদগী হৌগৎলি, ইকায়খুম্ননা ইভা-দা মকোক নোম্থে অদুগা ইভাগী নাকন্দা ফমজে । মহৌশানা হিটলরদি পুন্সীচুপ্পা নুপীশিংবু ইকায়খুম্নজবনি ।

চাক চামিন্নবা হৌরে, চা-ন-চা-ন হিটলরদি ইভাদা পুক্নিং লূপচরী । ইভা সু মহাক্না ইকুই কুইদ্রিংঙৈদা উরুবা ফোতো আলবমদা য়াওরম্বা হিটলরগী মশক্না মহাকপু কয়াদা পুক্নিং লূপহনখিবা হায়বনচিংবা ফোঙদোকচরি । মতাঙ অসিদদি হিটলর মশাগী ৱাখল ফোঙদোকপগী মতম য়ৌরদুনা ইভাগী মমিত্তা মুন্না য়েংলগা হায়রকই - "ইবেম্মা ! ঐদি লুহোংলবনি, জর্মনি লৈবাক অসি ঐগী কন্যানি ।" ইভা নদি মহাক্না হারীবদু করিনো হায়বা খঙজরমদে । হোফমেন ভাব তারদুনা, থুনমক খুল্লকই, "ইবুংঙো হিটলর, নঙগী অপাম্বদি খনবা তাই, অদুবু ঐনা খঙই, নুপী অমত্তনা নঙবুদি লৈখা তাহল্লোই ।"

ইভাদি অদুফাওবা চম্মল্লরী । হিটলর মোমোন্তা নোকই অদুগা ইভাগী খুদাঙ পায়দুনা চৎখ্রে । ইভা খুদক্তা ৱাখল লাকখি, খন্থজরকই মদুদি জর্মনি লৈবাক্কি মরায়বক ওইগদৌরিবা মীশক অদুনা মপুন্সীগী লোয়নবী ওইনা মহাকপু খনবীরে হায়বসি । হিটলরসু ইভাগী ফিরেপ অদু পুন্সীগী অরোয়বা ফাওবা ইকাই খুম্নখি । চুম্মী, নুংশি নুংওলগী থৌদোক কয়া মাগী পুন্সীদা থোকখি অদুবু মাগী পুন্সীগী লোয়নবী মবেম্মা অমা ওইনা ইভানা হিটলরগী থম্মোয়দা কনজখিবা মফম অদুমদি কনানসু শিঙনবা ঙম্লরোই । মতম পূম্নমক্তা ইভা, হিটলরগী মফমদা অচুম্বা চৎখি । খুদোংথিরকপা, নিংবা কায়রকপা কয়াগী মিকুপ্তা মহাকপু খক থাদোকখিদে, করি অমুক হায়গনি, হিটলরনা মহাক্কি কন্যানি হায়জবা জর্মনি লৈবাকপু য়েক্নবশিংনা খুদুম চনখ্রবা মতম অদু ফাওবা । ইভা, হিটলরগা লুহোংখি অমসুং শিবা ফাওবদা মহাক্কা লোয়নখি ।

অরুবা তানজা

ইভা, লৌশিং লৈবী লৈশাবীমচানি । থুনমক মহাক্না খঙলকখি হিটলরনা অহানবদা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিজবদি মহাক্কি মরৈবাক জর্মনিবুনি হয়বা, অমসুং জর্মনিবু মাগী ওইনা ফংজনবা হোৎনবদা থোক্লবা য়াবা অৱাবা, খুদেংথিবা কয়াদি শোয়দনমক মাইয়োক্নরগদবনি হায়বসু । মরম অসিদগী, হিটলরগী নুংশিববু ফংজনবা আশা তৌজবা নুপী অমনা হিটলর অমদি মাগী থোইদোক্না নুংশিজরবা পোৎশক অদুগী মরক থৎলুদবনা

অফবনি হায়বদু মাগী পুক্লিংনা য়াজখি । অশুম্না, ইং ১৯৩২ দা মশাগী পুন্সী হিটলরদা কৎলগে অমদি মোমোন নোক্কুনা খুদোংথীরকপা কয়া মায়য়োক্লরগে হায়না ইভাগী মপুক্লিং লেপখি ।

মতম অদু, জর্মনিগী প্রেসিদেন্ট পোল ভোন হিনদেনবর্গনা হিটলর হায়বসি জর্মনি রাজনিতিদা খঙজীনবা য়ারবা শক্তি অমনি হায়বগী ভাব তারকপা তানজানি । মহাক্না খনখি, করিগুম্বা হিটলরগা য়ানদবা চান্সেল্লর অমা হাপ্লুবদা শোয়দনমক নাজিগী পেরা মিলিটারি এস এ অমসুং এস এস কী মরক্তা ইমু নাইমু তানরকপা য়াই হায়বদু ।

করিগুম্বা চান্সেল্লর ফমগীদমক্তা পাপেনগী মমিং পন্নরবদি, হিটলরসু ব্রা ইঙাঙ ঙাঙদনা ফ্রান্স ভোন পাপেনবু শৌগৎনিংই হায়বসি হিনদেনবর্গনা খঙলকপমক্কা, থুনমক অরোনবা অদু য়ানিংনা পাপেনবু চান্সেল্লর হাপ্লমই । অসিগী মতুংদদি পাপেন্না এস এ অমসুং এস এস কী মথক্তা লৈরম্বা অথীঙবা পূন্নমক লৌথোকখ্রে ।

ইং ১৯৩২ জুলাই ৩০ দা পাঙথোকখিবা রিক্সতাগ ইলেক্সন্দা, এসেম্ব্লী সিট ২৩০ লৈবগী মনুংদা নাজি পার্তিনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কাখি । হিটলর মশানা চান্সেল্লর ওইনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা রাজনিতিগী ব্রাফম কয়া খন্ন নৈনরকপগী ব্রাফম কয়াদা পুক্লিং লূপশীন্নরকপগী মরমনা হিটলর, ইভাগা লোয়নবগী মতম ইফঙ ফংলক্তরে । ইভা, মপুক্লিং নুংশিখি, নিংবা কায়রকখি, থা তরুক চুপ্না মহাকপু মখাতানা থৌশাবীরক্লুবদা । য়াম্না পাক চাওরবা সংসার অসিদা মহাক মথন্তা ইচিক চিক্না লৈরবগুম মাগী পুক্লিংদা ফাওরকখি । ময়ুমগী মী কনা অমত্তনসু মঙোন্দা মিনুংশি উৎপিখিদ্রে । মহাক্না হিটলরগা মরী লৈনখিবদগী মাবু পোকপা মপা ফাওবা মাগী মশক য়েংখিদ্রে । হিটলরনা অতোপ্পা নুপী- কয়াদা পুক্লিং লুপত্রে, মখোয়গা মরী লৈনদ্রে - হায়বদুতং করিগুম্বদা ইভানা খঙজরম্লবদি ব্রাকৎচরম্লোইদবনি । বৈরুথ কুম্মোদা, য়ুনিতি মিতফোর্দকা হিটলরগা নুংশি নুংওলগী মিৎ নারবা থবক তৌনখিবদুসু মশামক্লা উখ্রবনি । হিটলরদি ব্রীনিফ্রেদ ব্রাগনরসু কোয়বনি হায়না হেন্নিনা মঙোন্দা হায়খিবা মতমদুদা ইভানা খনখিবদি হান্নদগী হৌনা মহাক্তি ব্রীনিফ্রেদ ব্রাগনরদা ঙাওরম্লবা মীশক্লি হায়বা অসিনি ।

ইভা নিংবা কায়রবী নুপী অমা ওইনা মশাগী ব্রাখল পুজবা ঙমখিদে। ১৯৩২ গী নভেম্বর তাং ১গী নুংদাংদা মশাগী শোকচীল্লকপা ব্রাখলগা লোয়ননা মথন্তা নাইতোম ইচিক চিক্লকপগী অব্রাবা নুংঙাইতবা অদু লাকশীনজবা ঙল্লমদে। ব্রাউন এপার্টমেন্ট হায়বা য়ুমগী কা অমদা মথন্তা লৈবা মতমনি। মমা মপা অনিমক গীজেল হোরীং কৌবা মফম অমদা লৈবা মখোয়গী ইমুং মনুংগী ওইবা মোংফমদা লৈ কৎপা চৎখিরম্মী। নোংয়াই মতুং খরা ওইরকপদা, ইভানা মপাগী তেবল অদুদা য়াওবা উপু অশৎপী (দ্রাব্রার) অদু চিংথোক্লগা ৬.৩৫ এম এম গী পিস্তোল অদু লৌথোক্লে, অদুগা মশাগী ফমুংদা হিপথজরগা মথৌরী তম্না কাপশীনজখি। মফম চানা পালহৌদবনা গুলি অদু থৌরী উতোংগী নাকন্দা য়ৈশিন্দুনা লৈখি। শাথিনদি শোক্লগা, জ্ঞান তানা অদুম তাদুনা লৈবদুদা, ইভাগী পুক্লিংদা শিনিংলক্লে, হোফমেনগী মশেল নুপা দাঃ প্লেট হায়বদুদা মশানা তেলিফোন তৌখ্রে। ফোন অদু হেক ফংবমক্কা দোক্তর প্লেট, ব্রাউন অপার্টমেন্ট তা চেল্লক্লে। ইভাবু প্রাইভেত ক্লিনিক অমদা পুহল্লগা মাগী ঙকশমদগী গুলি অদু লৌথোকপিরমই। খুদক্তা, খুদোংথিবগী পাউ অদু দোক্তর প্লেটনা হোফমেন্দা খঙহনখিবদা, হোফমেন পাখৎতবা ঙমখিদে। ইভানা মরন্নাই শিজরগে তৌরল্লিবা থৌরাঙ অদু মহাক্লা হিটলরদসু ফোন তৌদুনা খঙহনখ্রে।

হোফমেনগী তেলিফোন ফংবগা থীন্দনা হিটলর ক্লিনিক অদুদা লৈ চবুল অমা পুদুনা লাকখি। থা কয়াগী মনুংদা মহাক্লা ইভাগী মনাক্তা লৈ পুদুনা লাকপসু নুমিৎ অদুনা অহানবনি। ইভাগী পুক্লিংদসু মহাক্লা নুংশিজবা নুপা অদুবুদি মতম অদুফাওবা নুংশিজনা লাৎচরি। হিটলরনসু ইভা মশাগী ফিভমগী মরমদা থোইদোক্লা পুক্লিং চঙশীনখি। মতাঙ অসিদা মীয়াম্না খঙনখিবদি, ইভানা তৌরল্লিবা থবক অদুনা ফোঙদোকপদি- - মহাক্লা হিটলরবু নুংশিজরগা ফংজবা ঙমলোইদৌরে হায়বগী মওংদা তৌবা চীরোল মখল অমনি হায়বসিনি।

হিটলরগী পুক্লিংদা পেনজখিবা অমদি, ইভানা অতৈ দোক্তর অমা কৌদনা দোক্তর প্লেটপু মশানা কৌজরম্বা অদুনি মরমদি অতোপ্পা দোক্তর অমা কৌরম্বা থোক্লবদি মখোয় অনিগী অরোনবা অদু খঙদবনিনা

থৌদোক অদু খুদক্তা মহাক্না খঙজবা ঙমলল্লোই । অমরোমদা হিটলরনা ইভাগী মফমদা মরক মরক্তা হায়খিবা অমসু লৈ মদুদি কনাগুম্বী নুপী অমনা মহাক্না নুংশিজবা নুপা অদুনা কোয়বা (নুংশিবা হৌবা) অতে নুপীশিংগী মফমদা কল্লক খম্বনগী ৱাখল পোক্ত্রবদি মহাক অদু তশেংনমক নুপা অদুবু নুংশিবা নত্তে । হোফমেন দা মানা হায়- "ইভানা হন্দক তৌরল্লিবসি ঐবু নুংশিবদগীনি, ঐনা মাবু অশোয় অঙাম থোক্তনবা চপচানা য়েংশিনগনি ।

নোংঙান্দ্রিঁৗদা অমম্বা

১৯৩২ গী দিসেম্বর থানি । হিটলরদা শক্তি শিন্ননবা হিনদেনবর্গনা থৌরাঙ তৌরমদে । হিটলর, মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইরমদে । মতম অসিদা মহাক্কি পুক্লিং ৱাখল চাউখৎনবা ইভানা কন্না হোৎনখি । নোংমা মখোয় অনি, ম্যুনিক্তা লৈবা কার্লটন হোতেলদা ফমিন্নরিঁৗদা হিটলরনা মকোক লূকশীন্দুনা তুমিন্না হায়খি - "ইভা! হৌজিকসি ঐগী পুন্সীদা খ্বাইদগী অমম্বা মতমদুনি ।" মহাকপু থেমজিনবা ওইনা ইভাগী অমেঙবা খোঞ্জেলদা খুন্নকই - "মতম লৈবখিবিক্তা নোংঙান্দ্রিঁৗগী মমাঙদদি য়াম্না মম্বনি ।" ৱাহৈশিং অসি তাবদা হিটলরগী মফমদা অঙকপা থৌনা অমা লাকখিরম্মী, ইভাগী মখুৎ পায়শীল্লগা মঙোন্দা অমুক তপ্না হায়খি - "ঐনা করিগুম্বা হন্দক্কি খৃষ্টমাসতা নহাক্কা লোয়নবা ঙমদ্রবদি, ঐবু লান্না খনবীগনুকো । ঐ অমুক হোৎনখিগনি, নঙনা হায়বদু চুম্মী, হৌজিক ঐনা মম্মি হায়বীবসি নোংঙানগদবা মতম ৱাৎলিবনি ।"

অসুম্না, থবক থৌরম অমত্তা মথোঙ মরম খঙদনা ১৯৩২ গী চহিদি হৌখ্রে । জানুৱারী ১৯৩৩ গী মতমদি রাজনিতিগী চয়েৎনবা কয়া লৈখি । চয়েৎনবা অদুদা চেন্নখিবা মীশকশিংদি - পাপেন, হিটলর অমসুং ললথুম লৈরবা ইন্দস্ত্রিগী মীওই সালৈচর অমসুং নেসনেলিস্ত কাংবুগী লুচিংবা কয়ানি । ১৯৩৩ গী জানুৱারী তাং ২৯দদি খমথেংনা অরুবা মতাঙ য়ৌরক্লে । হিটলরদা পাপেন্না হায়খি সালৈচরবু চান্সেলর ফমদগী লৌথোক্নবা হিনদেনবর্গনা থৌরাঙ তৌরি অদুগা পাপেন মশামকপু চান্সেল্লর ওইহনদৌরি অসিনি । ঙাঙনরিবা অসিগী শামিন ফংখ্রবা

সালৈচরনা জর্মন লানমীগী মতেংগা লোয়ননা (কু) তৌদুনা নমদুনা প্রেসিদেন্টগী শক্তি মুনবগা হিনদেনবর্গপু ফাজিল্লগা মিলিটারি আইন চলাইনবা থৌরাঙ তৌখ্রে ।

মতাঙ অসিদা হিটলরনা মাগী এস এ কাংবুগী মী পূম্নমক মিৎ না শিংনা লৈহনখি অদুগা পোরম অদু হিনদেনবর্গ মশামক্তসু খঙহনখি । জর্মন মিলিটারি ফোর্সকী কম্মান্দর ইন চিফ সালৈচরনা ওইবা মরমনা পুখৎনরক্লিবা অরোনবা অদু পাঙথোকপদা খরা লুনা থোকখি । থবক অদুগী অকুপ্পা অচুম্বা ব্রা খঙলবা মতুংদা হিনদেনবর্গনা হিটলরদা চঙজরগা মহাকপু কনবীনবা হায়জরুবা মতমদা হিটলরনা ফাগি ওইনা লক্লবগী মওংদা অশুম্না খুমখি "নঙনা পাপেনবু চান্সেল্লর ওইহন্নবা থৌরাঙ তৌরুবা নৎত্রা ? অদুনা, হৌজিক নঙগী নতেং অমুক পাংবা তারবদি মাগীদমক্তা নৎত্রো ? নুপা ওইবগী মপাঙ্গল হল্লে হায়রীবা মীশক ঐনা নঙগীদমক্তা করিগুম্বা খরা তৌবা ঙমগনি থাজব্রা ? ফরে ব্রাফম অদু তোক্লসি, ঐবু থাজৌ সালৈচরনা মথৌনা লৈনা নঙগী মাঙনবদি করিসু তৌরক্লোই ।"

হিনদেনবর্গ, মপুক্লিং নুংঙাইতনা থম্বীরম্লগা, হিটলরদি নাজি পার্তিগী হেদ ক্বার্টস য়ৌখ্রে । থুনমক, নোংয়ায় য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা, নাজিগী এস এ, এস এস অমসুং পেরাট্রুপর শিংনা প্রেসিদেন্টকী লৈফম কোয়শিন দুনা থমখ্রে । থৌওং পূম্নমক অসি সালৈচরনা খঙলকপদা, মশাগী থৌরাঙ অদু লোন্না খঙনখ্রে হায়বা খঙলকপদগী খুদক্তা মশামক মশাগী ফম থাদোকচখি । হিনদেনবর্গতা মহাক্না হায়খি - "হিটলরবু চান্সেল্লর ওইহনবদা ঐহাক ইশানসু য়াজরে, অদুগা ঐহাকসু হিটলরগী মখাদা ভাইস চান্সেল্লর ওইনা লৈবদা করিসু নুংঙাইতবা লৈজরোই ।"

থুনমক ১৯৩৩ গী জুন তাং ৩০ নুমিৎয়ুংবা মতমদা জর্মনি লৈবাক্কি চান্সেল্লর হিটলরনা ওইরে হায়না লাওথোক্লমই । অমরোমদা, হৌখিবা অহিং অথেঙবা ফাওবা থবক শুরকখিবনা, ইভাদি নুমিৎ অদুগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা, তূম্বদগী হৌগৎলমদ্রি । মহাকপু পোকপি মমা ফেন্নি ব্রাউন্না ইভানা তুম্লিবা কাগী থোঙ থীন্দুনা হায়রে - "ইভা ! হৌগৎলু, পাউ অমা

তমগেনে, লুচিংবা হিটলর অদু শক্তি পায়রেনে ।” মমানা হায়রকপা ব্রা তাবদা ইভা, হৌগত্তুনা খুকউ-খুদক কুন্দুনা ঈশ্বরদা খুরমজখি - - - “হে ঈশ্বর ! মীয়ামগী লুচিংবা অসিবু মতেং পাংবিয়ুকো - - ।”

নোংঙাল্লকপা অমসুং নিংবা কায়বা

মতম অদুদা বার্লিন সহরগী শক্তমদি হরাও নুংঙাইবগা লোয়ননা চরাঙনবনা মপুংনি । চান্সেল্লর ওফিসতা ফোন লাকপগী স্বিচ্চ বোর্দতা মাইকৈ কয়াদগী তৌরকপা, খীংলকপা ফোনগী মখোলনা পুমনীল নিল্লি । হিটলরবু য়াবা মীওই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা খীংলক্লি । মহাকপু য়াবা মীওইশিংগী মরক্তা নুমিৎ অদুদা ফোন খীংলক্তবসি ইভা মথন্তা ওইবসু য়াই অদুগা অনৌবা চান্সেল্লরনা পব্রার হেক পায়বা হৌবগা মপুং ওইনা মাগী ব্রাখলদা লৈখিবসু ইভাগী ব্রাখলনি হায়বা য়াই । অহিং অদুদা ইরায় লায়না তেলিফোন ফাওনখিদে, অমগা অমগা য়েৎশীন্নখি । হিটলরনা ইভাদা মতম চঙনা তৌখিবা তেলিফোন অদু নুমিৎ অদুগী হরাও নুংঙাই ফোঙদোক্লবা মরক অদুদা ইভানা হরাও ঈথক্কা লোয়ননা তাজবা ঙমখি । হিটলরগী পুন্সীদা নোংঙাল্লকপগ মান্ননা ওইরক্লিবা মওং অদুসু ইভাদা তমখি, মহাকপু থাগচ্চখি, নুংশিবা ফোঙদোকখি । হিটলরনা খঙহল্লখি - মথঙগী অয়ুক্তা মহাক ম্যুনিক্তা লাক্লগা ইভাবু পুদুনা ময়ুমদা অহিং অমা লেনমীন্নরুগনি হায়না ।

খুজিল থৌরাঙ অসি লোইনা য়ারে, অদুবু ইভাগী মতাঙদা অরুবা অমদি ওইরী । মতম অদুদা মহাক্তি মমা মপাগা লৈমিন্নরিবনিনা পোন্দা য়োকপী চেক্লা অমগা মান্নরম্মী । হান্নদগী হৌনা হিটলরনা মাগীদমক মনিংতম্লা লৈনবা য়ুম থৌরাঙ তৌদ্রি, মরন্নাই শেল থৌরাঙ তৌবীদ্রি - - । পুম্নমক অসি নত্তবদা ইভানা মথন্তা ব্রাজখিবা অমনা হিটলর হায়বা নুপা অসিনা মখাতানা অসুম নুপী কয়াগা তোরোখদানবগী মওং লৈবা, খুদম ওইনা পল্লবদা, লেনি রিফন্সতাল, য়ুনিতি মিতফোর্দনচিংবগা লৈনরিবা মরম কয়া অদুনা ইভাগী মফমদা ব্রাদবা ঙমদবা মচাক্লি, থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি । মরম কয়া অসিদগী নোংমা মে ১৯৩৫ গী নুমিৎ অমদা ইভানা ফোনোদোর্ম তেবলিট দজন অনি য়োৎশীল্লুরবনি, জ্ঞান

মাঙলুরবনি । লাইবকফবদগী মাগ পোকমিন্নবী মচে ইলজে হায়বীদুনা ইভাগী নাইট গাউন অমা ৱায়রুবগী থিনবা চঙলকপদা ইভা জ্ঞান মাঙনা ফমুংদা তারম্বদু থেংনরুবনি । খুদক্তা ইলজে হায়বীদুনা মাগী ইমপ্লোয়র (Employer) দাঃ মাক্স হায়বদু কৌদুনা য়েংহনখি, মানা য়োৎশীনখিবা হুগী তেবলিটশিংদু দাক্তর অদুনা পুং ২ চঙনা হোৎনদুনা লোইনা ওথোকহল্লগা মাগী থৱায় কনখিবনি । থৌদোক অদু হিটলর খঙহন্দনবা হোৎনখি মরমদি দাঃ মাক্স হায়বদু জিয়ুনি । অদুবু পুং খরগী মনুংদা অকুপ্পা ৱা পূন্নমক হিমলরগী নকোং য়ৌখ্রে, মহাকসু গেস্তাপো (নাজি কাংবুগী অরোনবা পোলিসকী) লুচিংবনি । হিমলরগী কাংবুনা জিয়ু দাক্তর অদুগী লৈফম থিরকখি অমসুং অচুম্বা মরম পুন্নমক হিটলরদা খঙহনখি । অসিগী মতুংদগীদি ইভা ব্রাউনগী পুন্সীদা অঙকপা অহোংবা অমা লাকখ্রে ।

মিকুপ খরগী মনুংদা লম্বীদা চেল্লম্বা গাড়ী পুন্নমক ইভাবু লায়কন্নরিবা ম্যুনিক সহরগী ক্লিনিক লৈবা মাইকৈরোমদা পাংখ্রে । মহাক্কি থাজরবা পেরাক্রপরশিংনা ঙাক শেন্দুনা হিটলর ক্লিনিক অদুদা য়ৌরক্লমই । মখুত্তা লৈ চবুল পায়রদুনা ইভাগী মকোক ময়াদা হিটলর লেপ্লে, মহাকপু য়েংদুনা হায়রকই - "ইভা! নহাক ঈশরগী ৱাখল তৌদুনা মদু অমুক হন্না তৌগনু । নহাকপু ঐনা ফংজরল্লোইদবা খজিক্তা ঙাইদো - - - নহাকপু কনানসু নহুৎ শিনবা য়ারোই - - ঐ নহাকপু মাঙজবা ঙমলোই ।"

ইভাগী পুক্লিং নেমজরে, মতুং তারকপা নুমিৎশিংদা হিটলরনা মাগীদমক্তা ফজরবা লৈ চবুল-চবুল থারক্লমই । নুমিৎ খুদিংগী ওইনা ইভাগী হকচাঙ ফগৎলকপগী মরমদা হংলক্লমই । শাথিনা, শুক্লা মমশীল্লবা অহিং অমগী মতুংদা ইভানা হিটলরগী পুন্সীদা নোংঙাল্লকপগী মশক ওইরমই । হিটলরনা ইভাগীদমক্তা পায়খৎকদবা থবক্তি, জর্মনিগী বোগনহাওজিন কৌবা দিস্ত্রিক্ত অদুদা লৈবা ৱিদরমিয়রস্ত্রাস কৌবা মফম অদুদা মহাক্কি লৈফম অমা শীনবনি । য়ুম অদুদা কা অহুমদমক লৈ, মীনায় নুপীগী অমা য়াওনা । থংনবা য়ুমদা অতোপ্পা ইমুং অমসু লৈবা মরমনা, হিটলরনা অরোন অথুপ ওইনা মফম অদুদা লাকপদা খুদোংথীবগী মরম খরদি লৈরে হায়বা খঙবদগী হিটলরনা অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্লুনা

অরুবা প্রোব্লেম অদুদি কোক্লে । ম্যুনিক সহরগী চিদাইদা লৈবা ইজার তুরেলগী ৱাংমদা লৈবা ভিল্লা (সহরদগী লাপ্পা লৈবা য়ুম) অমা দোল্লার লিশিং কুন্থ্রা পীদুনা লৌরমই । ইভা, মফম অদুদা চিক্লা লৈখ্রে, মশাগী টেলিফোন, মার্সিদিজ বেন্জ কার অমসুং নাজি পার্তিনা তলব পীবা দ্রাইভর, পূম্নমক শুনা ইভাগীদমক্তা থমখ্রে । স্কোটলেন্দগী হুইমচা অনিসু হিটলরনা মাগীদমক্তা পীরমই । হুই অনি অদু ইভানা স্তাসি অমসুং হীর্গস হায়না মমিং থোনজে । য়ুম ঙাক্লবা জর্মনগী হুইজাও, বাস্কো কৌবা অমসু ইভাগীদমক থন্বীরমই । ফম্ফম কাগী ফর্নিচর, মমল য়াম্লবা অয়েকপা লাই অমসুং লৈকোল অমা, লোইনা থৌরাঙ তৌবীখি । অসিগুম্বা পুন্সী অমদা ইভা, তশেংনমক চৎনবী অমগী মখাদা নৎত্রবসু, জর্মনি লৈবাক্কি ফার্ষ্ট লেদি হায়বদুদি ওইরবনি । হিটলরনা ম্যুনিক্তা লাকপা মতম খুদিংগী পুং ১০-১১ গী মরক্তা ইভাগী ভিল্লাদা য়ৌরকপনি । মহাক্কি বোদিগার্দ (শেন্নবশিংনা) ইংখোল অদুগী অকোয়বদা খারিবা অৱাঙবা চেকপল অদুগী মনুংদা শন্ত্রি তৌদুনা লৈ, অদুগা হিটলরদি, নুংঙাইনা পোত্থারবা অহিং অদুগী মতুং নোংঙাল্লকপদা মফম অদুদগী মোমোন নোক্নুনা হেক-হেক হনখিরমই । ম্যুনিক্তগী লাপ্পা চৎখ্রবসু নোংমগী মনুংদা অমুক্তং ওইরবসু হিটলরনা তেলিফোন তৌরক্তবা য়াওদে । হৌজিক্তি ইভা, কনাসু লৈজদবী হায়বদু ওইদ্রে । হিটলরগী লন্নাই পুন্সীগী মনুংদা ইভাগীসু লেমজরবা মফম অমদি কনজবা ঙম্লে । মহাকপু করিগুম্বদসু হিটলরনা থৌশাদনা থাদোকপা, হুন্দোকপা ঙম্লমদে । ইং ১৯৩৯ য়ৌরক্লবদা অনিশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওসু হৌরক্লে অমসুং লানফম কয়াদা জর্মন লানমীনা মায়সু পাক্লমই । ইভা, হিটলরগা লোয়নদুনা লৈখি, ম্যুনিক্কী মপান্দা মহাক্কা লোয়ননা চৎমিন্নখি । হিটলরগী মরু ওইবা মীশক অমা ওইনা ইভা, মনিংতম্না লৈজহনখি । হিটলরগী মরু ওইবা প্লেন, স্লিপ্পর ত্রেইন, অমসুং কার কারাভান্নচিংবা ইভানা শিজিন্নবদা অৱাংপা লৈহনখিদে ।

হিটলরগী লনথুম শেন্নবা, ত্রেজরর ওইবা নুপা অদু বোরমেন হায়বা অদুনি । ইভানা করিগুম্বদা শেলগী দরকার লাক্লবদি, হিটলরগী মথঙখনবা ওফিসার অদুনা বোরমেন্দগী লৌননবা হায়, অমসুং ইভানা শেলগী হিসাব

পূম্নমক চেকশিন্না হৈ শিংনা শীনজবা উবদা বোরমেন ঙক্কবা ঙমদে। ইভানা লৈরুবা পোৎ পূম্নমক্কি বিল বোরমেনগী মিংদা ইরগা রীচ চান্সেলোরীদা থাহল্লি। নোংমদি ইভানা বোরমেনগা লেপমীন্নরীবা হিটলরগী নাকোংদা হায়খি - "ইবুঙো, ঐনা তাজবদা বোরমেন্না মাগী নুপীগী মপুং ওইবা অহনবা ফি-রোল কয়া লৈশিল্লে হায়নৈ, মদু কদাইদগী পয়শাননো ?" খুদক্তা হিটলরনা খংশাও শাওনা বোরমেনবু চৈরমই। বোরমেনসু খঙজরে, মহাক মায়থীরে, লাংদা থুরে হায়বা। মহাক হিটলরদা খুম্না তাখি - "ফিরোল লৈবগী বিল ময়াম অদুদি ইভাগী ঙাক্কনি।" "অদু ওইরবদি, লোইনা পীথোকখো, ইভানা পামজবা পোৎ খুদিংমক হেক্তা লৈবা য়াই -- নঙনা বিল ফংলবদি থুনমক পীথোকখিগদবনি। নঙ ভাব তারব্রা ? ইভানা তৌবা থবক্তা অপনবা অমত্তা লৈত্রবনি।"

লুহোংবা অমসুং বিদাই

খুদোংথিবা কয়াগী থৌদোক মথঙ মথঙ লাক্লে, লানফম কয়াদা জর্মনি মায়থীবা ফংলক্লে। ফিভম কয়াসি লাক্লবদা হিটলর মশাগী থৌরাঙগা মরী লৈনরিবা মহাক্কি মীওই কয়াগী মরক্তসু মোত তিন্নরক্তবা, য়েৎনরকপগী মতাঙ কয়া ওইরক্লমই। অসিনচিংবনা মরম ওইদুনা, অঙাওবা মীশক্কা মান্ননা শাওবসু তোয়রক্লে হিটলর। মতম অদুদা ইভানা হিটলরগী হন্থরকপা লিংজেল, ব্রাখল, মশাগী নাপল -- পূম্নমক অদু হেক ঙম্বমখৈ হন্থদনবা অমদি মশাগী মায়থোং শাওং পূম্নমক চপচাবা ফিরেপতা লৈননবা কন্না হোৎনজখিবনি।

(বৃটিস আমেরিকান) এল্লাইদ বোম্বর প্লেন কয়ানা জর্মনিগী অয়াম্বা এয়ার দিফেন্স (নোংথক লান্দারকপদা ঙাকথোক্লবা) মফম কয়া থুগাইরক্লে। ম্যুনিক সহরদা অমাঙ অতা থোকহন্না বোম্বিং কয়া তৌখ্রে। ম্যুনিক্তা বোম থাদরকপগী পাউ লাওথোরকপা মতমদা ইভা, মহাক্কি ম্যুনিক্তা লৈবা ভিল্লা অদুদা লৈরমই। হিটলর য়াম্না লাঙতক্লবা পোকখি ইভাগী অশোয় অঙাম থোক্তনবগী ব্রাখলদা -- । মহাক, শাওরবা নোংশা অমনা শরং মনুংদা কোইচেন চেন্দুনা লৈবগুম য়াম্না নিংবা কায়রকপগা লোয়ননা তেলিফোন্দা ইভাগা পাউ ফাওননবা হোৎনখি। মতুংদা, ইভাগী অশোয়

অঙাম য়াওদবা পাউ ফংলবদা - মহাক্কি সেক্রেটরি ফ্রাও য়ুংগে দা হায়খি - "মহাক বংকর মনুংদা চঙদ্রমাল্লে, ঐনা অদুক তোয়না হায়খ্রবসু - - বংকর চঙবগী মহুত্তা মহাক্তি মফম অদুব্রাইদা চৎলগা, য়ুমথক্তা কাখৎলগা বোম পোকখায়রকপদু য়েংদুনা লৈরমানে - - । মহাক থৌনাদি ফবীনি, নাপল তৌবীনি, ঐনা মাবু চহি তরা হেন্না মশক খঙলক্লবনি, হোফমেনগীদা লৈরিঙৈদসু মহাক্লা ঐবু নোংমতা টেক্সিগী ভারা পীহনখিদে ।"

হিটলরগী সেক্রেটারি অদু, মহাক্কা কুইনা ৱারী শারবা মতুংদদি হিটলরদা ৱাহং অমা হংবগী থৌনা লাক্লদুনা অসুম্না হংখি "ইবুংঙো, অদোম্না লুহোংদ্রিবসি করিগীনো ?" ৱাহং অসিগী পাউখুমদি হিটলরনা মনুং হুনজিন্না খুন্নমই - "ঐ অসি, ইমুং অমগী অফবা মকোক অমদি ওইররোই । ঐগী নুপীদা মপুং ফানা পুক্নিং লূপশিনবা ঙম্লক্ত্রবদা, ঐগী ইমুং-মনুং (ফেমিলি) অমা ইনৌ নৌনা শেমগৎপদা মশাগী দায়িত্ত খঙদ্রবা মীশক অমা হায়বদু ঐ ওইরগদ্রা খল্লি । অমরোমদা ঐ ইশাগী অঙাংসু লৈবা পামদে । মমিং লৈরবা, অফাওবা মীওই কয়াগী অঙাংশিংদি অয়াম্বনা তাইবং অসিদা ৱাগল্লি, কনাগুম্বশিংনদি মখোয় অদুবু, হৌখ্রবা মপা মপুশিং অদুগুম্না য়াম্না মরুওইনা আশা তৌনৈ, অমসুং মখোয়না চাংচত্তা মীয়াম পূম্নমক্কা মান্ননা লৈরকপদা ঙাকপিনিংদবা পোকই । অসুম তৌদুনা, মখোয় অয়াম্বদি, অমরোমদা মওং শোয়রবা ৱাখল ৱাৎপা মীওই ওইগল্লি ।"

বার্লিন সহরগী শরুক তংখায় অমদগী হেন্না এল্লাইদ বোম্বরশিংনা থুগায়খ্রে । হিটলর মশাগী ওইবা পুক্নিং ৱাখলগী খল পুজবা ঙম্লক্ত্রে । মখুৎ নিক্লক্লে । মহাক চেকশীন্না লৈগদবনি হায়না ইভানা হায়জবা মতমদা, মোমোন নোক্তুনা হিটলরনা খুমখি - "ঐগী কোক নিকপা, কোক ঙাওরক্তুনা হাইববুদি, খুৎ নিকপনা হেন্না ফৈ ।" অমুক্কা হন্না ইভানা হায়রকই - "ঐনা হায়গদৌরিবা ৱাফম অসি নহাক্লা করিসু পুক্নিং চঙবীদে, ঐদি নহাক্কি হকচাঙগী মরমদা অশুক্কি মতিক লাংতক্লে ।" হিটলরনা পাউখুম পীদ্রিঙৈ, ইভাদা মুন্না য়েংদুনা লৈখি । মহাক্কি মমিৎ অনিমক্তা ৱাখলনা থল্লবা মঙাল অমা লাকখি, মহাক্কি খোঞ্জেল মেঙথরকই, তপথনা হায়রকই "নহাক্তনি ৱাফম অদু হায়রিবা, নহাক্তনি ঐবু চেকশীনবীরিবা ।

লৈবাক্কি ফিভম নোংম নোংমগী শোকচীল্লকই । ১৯৪৫গী ফেব: তাং ৮দা ইভাবু বারঘোফ হায়বা লম অমদা থৈদোকখ্রে, অসুম্নসু হায়জীন্নদুনা মদুদি, করিগুম্বা মহাকসু(হিটলর) মফম অদুদা লাক্লগে খল্লকপদা হিটলর মশাগী দরকার ওইবা মরম পূন্নমক ইভানা ফংহনগদবনি হায়না । অহানবদদি ইভা চৎনিংলমদবনি অদুবু মপুক্লিং ওনখি মহাক চৎখি ।

ম্যুনিক্তা লৈবা ইভাগী লৈফম "ভিল্লা, অদু মওংতানা থল্লন্মী । মীনায়শিংদা মহাক্কী হুই অহুম অদুবু চেকশীনবীনবা ফজনা শিন্নরমই । মমা মপাগসু উনরমখি মহাক্না চৎলমদাইদা । নোংমদি, ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্কি পুক্লিং ওল্লক্কুনা বার্লিন্দা হল্লগে খল্লকখি । ১৯৪৫ মার্চ তাং ১৪ মহাক্না ম্যুনিক থাদোকপা নুমিৎ অদুমক্তদা য়েক্লবগী এরোপ্লেন ময়াম্না অকিবা ফংনা মফম পূন্নমক্তা মীশি মীনা থোকহনখি । ইভানা তোংলিবা কার অদুদসু বোম্বিং তৌনবা হোৎনরকপদা, মহাক্কি ড্রাইভর গালেন হায়বদুনা অশোয় অঙাম য়াওরোইদবা মফম অমদা থৌজিন্দুনা থমহৌবদগী করিসু শোকখিদ্রে । চাকাগী টায়ার অমদি কাপখায়খ্রবদা স্পেয়ার অমা খুদক্তা শিনজিল্লগা অমুক হন্না অৱাং পাংনা থৌরক্লমই । ইখঙ খঙহৌদনা কার অদু অমুক লেপখি, ড্রাইভর অদুনা ইভাদা লাওরকই - "গারিদগী থোকখ্রো, লোৎফম তান্ন চেল্লো ।" মখোয় অনি অহিং অদু বংকর অমগী মনুংদা লোৎখি, নোংঙাল্লকপদা অমুক হন্না লাক্কুনা, মখোয় মশাদি খুদোংথিবা য়াওদনা বার্লিন য়ৌরক্লে । রৈচ চান্সেল্লোর, মপুংফানা থুগায়রম্বা উবদা ইভা, থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইখিদে, মপুক্লিংদা ফাওরকই মদুদি - - শান্নরিবা লিলা, হায়বদি লানফম অসিদা জর্মনগী মতিক ময়ায় কম্না লোইশিল্লকপগী খুদম অমরা হায়দুনা খল্লকই ।

বার্লিন হেক য়ৌবগা, হিটলরগী লৈফম তান্ন খুদক্তা চৎখ্রে । মহাক্না কা অদুদা চঙশীল্লকপা মিকুপ অদুদা হিটলরনা মহাকপু ঙাইহাক য়েংলগা শাওশিন্নদুনা হায়রকই - "ঐনা নঙবু বারঘোফতা চৎলু হায়বা নৎত্রা ? "ইভা, পাউখুম পীরমদে, ইংনা তপ্না হিটলরগী মখুৎ পায়শীল্লগা মোমোন নোক্কুনা লৈরমই । মশা মউ, মখুৎ মশা কনথোক চামথোক্লুনবা কা অদুদগী

ইভানা থোকখ্রিঙৈদা, হিটলরনা মাগী সেক্রেটারিশিংদা হন্না হন্না ঙাঙখি - "মী পুম্নমক বারঘোফতা চৎখিবনা হেন্না খুদোংচারবা মতম অসিদা কনা অমুক হৌজিক বার্লিন্দা লাকখিনি - - - ।" পুবা ঙন্নক্রবা থম্মোয়গী পোৎলুম অমগা লোয়ননা ৱাফম অসি মহাক্না হন্না হন্না হায়খি ।

ইং ১৯৪৫ এপ্রিলগী তাং ২০নি । ইভানা হিটলরগী চহি ৫৭ (য়াংখৈতরেৎ) শুরকপগী মপোক নুমিৎকি থৌরম অমা লাল্লক্কি মৈখু মরক্তুদা পাঙথোকখি । নুমিৎ অদুগী মতুং নিনিগী মতমদদি, হিটলরগী থাজরবা মীওই - গোরিং, আলবর্ট স্পিয়ার, অমসুং হিমলরনচিংবা ছুতি লৌদুনা চৎখ্রে । হিটলরনা মাগী অরোয়বা মতমফাওবা লৈগনি হায়না লেপখ্রবা বংকর অদুগী মনুংদা মথন্তা লৈহৌরে । হুম্লিশুবা নুমিত্তা রিবেনত্রোপসু মঙোন্দা বিদাই পীবা লাকখি, মহাক্না ইভাদা হায়জখি - "ইবেম্মা ! নহাক্তনা হিটলরবু মফম অসিদগী পুথোকখিবা ঙমগনি, মঙোন্দা হায়য়ু, নহাক নশামক মহাক্না লোয়ননা বার্লিন থাদোক্তুনা চৎখিবা পামজৈ হায়না । মদুতনা ওইগনি, জর্মনি লৈবাক্কিদমক্তা নঙনা তৌজবা ঙম্বা অচৌবা থবক অমদি ।"

ইভা, নুংগী অৱাবা ৱাখল কয়া লোৎশীল্লগা খুমজরকই - "নহাক্না হায়রীবা ৱাফম অদুগী ৱাহে অমা ফাওবা ঐ মঙোন্দা হায়ররোই, মথন্তা মহাক্না নীংজবা অদু লেপ্পসনু, বার্লিন্দা লৈবসি অচুম্বনি হায়না মহাক্না খল্লবদি, ঐসু মফম অসিদা মহাক্কা লৈমিন্নগনি ।"

চহি কয়াগী মমাঙ, কুইখ্রবা ইং ১৯২৫ গী মতমদা হিটলরগী য়াম্না নকশীন্না তিন্নখিবা মরুপ আর্নস্ত হনফান্সতাঙ্গল কৌবা নুপা অদুদা মহাক্না হায়খিবা অমা লৈ - "মীশক অমগী লমচৎ নৈনবদা লম্বী অনিখক লৈ, অহানবদা, মীশক অদুনা লুহোংদুনা লৌরুরিবা নুপী - - - অতোপ্পা অমনা মহাক (মীশক) অদুনা শিখিবগী মওং - - ।" হৌজিকমতম অদু হিটলরগী মফমদা য়ৌরকপগুম থোক্লে, মশাবু বিচার তৌজনবা অমসুং চাংয়েং অনি অদু পাঙথোক্লবগী, খঙদোক্লবগী মতম লাক্লে ।

থোক্লগদবা অরোয়বগী মতম অদু সেকেন্দ খুদিংগী নকশীল্লক্লি । খুদোংথীরগদবা, অৱাবনা থোঙজিন্দা লেপ্লরবা মতম অসিদা থাজখিদ্রবা

থৌদোক অমগা থোক্লরে । নুমিৎ অদু এপ্রিলগী তাং ২৬নি ইং ১৯৪৫ কী । নহানমখৈ মখোয়গী পাওখোল্লোই ওইনা লৈরকপা নহা ওইরিবা পাখংমচা অনি ইভাবু উনবা লাকখি । ইভাদা মখোয়না থৱায়চঙনা হায়জরম্বা ৱাফমদি খুদোংথীবগী অরোয়বা মিকুপ অদু ফাওবা মখোয় হিটলরগী মনাক্তা লৈজগে হায়না মপুক্লিং লেপচখিবগা লোয়ননা, মখোয়না হিটলরগী মফমদগী পামজখিবা অমদি মখোয় অনিবু, মতম কুইনদগী মখোয়গা নুংশিনজরক্লবা লৈশাবী অনিগা লোয়ননা মফম অদুদা জুরা-জুরা লুহোংজবগী অয়াবা অমত্তং পীবীয়ু হায়বসিনি । ৱাফম অসিদা ইভাগী থম্মোয় শোকখি অমসুং ৱাফম অদু হিটলরদা তমখি । পাখংমচা অনি অদুনা হায়জরীবা থবক অদুবু হিটলরনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা, লানগী লোৎফম ওইরিবা বংকর মনুং অদুদা অতোপ্পা মী কনাসু য়াওদনা, পাখং লৈশাবী জুরা জুরা অনিদুগী লুহোংবগী থবক পাঙথোকপিখি । হিটলর অমসুং ইভা, মখোয় অনিদমক লুহোংবা অদুদা য়াওখি, থৱায় নুংঙাইবা অমসুং পেনজবগা লোয়ননা হিটলরগী মপুক্লিংসু চাউখৎখি, মমিত্তা হরাও নুংঙাইগী মঙালগা লোয়ননা লুহোংলবা পাখং লৈশা কাংবু অনিগী মফমদা লুহোংবা অদুগী য়াইফ ৱাহৈ পীবীখি ।

ইং ১৯৪৫, এপ্রিল তাং ২৮, অহিং নোংয়াইগী মতমদি য়ৌদ্রিঙৈ, কা অদুদগী ইভা মথন্তা থোরকই । খোঙদগী তোন ফাওবা মশাগী লৈজবা অকে অমৌগী ফীজোল শেৎচীল্লমই । মনি মুক্তা, সনা-লুপাগী লিক মখল, খুজি, পাম্বোমফাবীনচিংবনা লৈতেংজে । ঙাইহাক্কি মতুং মিনিট খরা লৈরগা জস্তিস ওব পিস কী থবক পুবা ৱাল্টর ৱাগনর মফম অদুদা লাকই, তেবল অমগী মথক্তা ফাইল অমা থল্লে । ইভানা ফাইল অদু হাংদোক্লুনা য়াওরীবা চেনা অদু য়েংনা য়েংনা হিটলরনা সহি তৌনবা হেক লুকথজরকপা মতম অদুদা অল্লাইদ ফোর্সকী প্লেনশিংনা অনকপদা থাদরকপা বোম কয়া পোকখায়রকপা অদুবু, হিটলরগা মহাক্কা লুহোংবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লিবগুম খনজরম্মী । হিটলরনা চেশিং অদু সাইন তৌরিঙৈদা, য়াম্না নকশীন্না পোকখায়রকপা বোম অমনা বংকর অদুগী সিলিং প্লাস্তরদগী অঙৌবা বিলামাতি মপাক, মচেৎ, মকুপ কয়ানা মখোয়

অনিগী কোকথক্তা চাইথরক্লবদা, হিটলরনা মোমোন নোক্তুনা হায়খী - "জর্মনিগী চৎনবী মতুংইন্না, লুহোংনরিবা নুপা নুপী অনিগী মথক্তা চেঙ চাইথবা অদু ঙসিগী'সিনা ওইরেদো ।" মতম অদু এপ্রিলগী তাং ২৯নি, নোংয়াই মতুং পুঙ অনি তারকপা । লুহোংলবা ইভা অমসুং হিটলরগী মফমদা, বংকর মনুং অদুদা লৈরিবা মীওই খরনা হরাও নুংঙাইগী পাউজেল পীরকপদু, হিটলরনা হরাওনা ফংজখি, মহাক্না অসুম্নসু হায়খী - "ঐনা মতম পূম্নমক্তা নীংজবা, পামজবদি, ঐগী ওস্ত্রিয়াদা লৈহৌবা ইয়ুম লমদমদা, ঐনা ওইরিবা চান্সেল্লরগী ফম অসি থাদোক্লম্লগা, অমুক হনজখিবা অমসুং অচম্বা নাগরিক (লৈবাক্কি মীওই) অমা ওইনা মফম অদুদা ইভাগা লোয়ননা য়ুম্লিং খুল্লিংজরুবা অদুনি । হৌজিক্তি, মদুগী মতম লৈরক্রে, ঈশ্বরনা নিংলিবা অদু অসুম ইনবা তারে ।"

লৈমিন্নরবা নুপা নুপী ওইনা, হিটলর অমসুং ইভা ফমুং অমত্তদা পুন্না হিপমীন্নখিবদি, নুমিৎ অদুনা অহানবনি । অহিং অদুদা মখোয় অনিগী হনিমুন লোইরে । অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইভা, বংকরগী মপান অহাঙবা মফম অদুদা থোরকই, মশম মনা নিংথিজনা হাৎলি, মপুক্লিং নুংঙাইনা উখি । বংকরদা লৈরিবা মীওইশিংদুনা মহাকপু করম্না মিংগৌগদবনো খল্লুরগা মখোয়সু হাইরপ চম্মম্নখি । ইভানা নোক্তুনা হায়রকই- "নখোয়না কৌনিংলবদি, ঐবু ফ্রাও হিটলর কৌরো।" হিটলরসু মপুক্লিং হরাওনা ব্রাফম অদুদা মতেঙ পাংশিল্লমই, অদুগা লোয়ননা মখোয় অনি অয়ুক্কি ব্রেকফাস্ত চামীন্নখি । হিটলরগী মখুৎ নিকপা মরমনা, মহাক্কি পেন্ট (খোংগ্রাও) মথক্তা চা মহি হৈজিনজবা অদুবু ইভানা চেকশীন্না নপথোকপিরমই ।

হৌজিক বংকরদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক মথঙ মথঙ মরন্নাই অশিবগী লম্বীদা চৎনখিবগী মতম য়ৌরক্লে । স্যানাইদ কেপসল অদু হিটলরনা মহাক্কি হুই ব্লোন্দি-দা চাংয়েং তৌরুবদা ব্লোন্দি শিরে । মহাক্না খল্লি, "স্যানাইদ অসি শেংলে, মসিনা ঐবু মীনশ্লরোই ।

ইং ১৯৪৫ এপ্রিল তাং ৩০ পুং অনি মখায় তারকপা মতমনি, ইভা অমসুং হিটলর পুন্না চাক চামীন্নখি । পুং অহুম মখায় তারকপা মতমদদি,

বংকর মনুংদুদা লৈরিবা মীওই পূম্নমকপু মখোয় অনিনা বিদাই তৌরম্মী। হিটলরগী মায়থোঙ চীং লেমখি, ইভাগী মায়থোঙদসু মোমোন নোকখি। হিটলরনা পামজবা, অমুবা ফিজোলদা ইভা য়াম্না চীং লেম্না উখি। হিটলরনা ইভাগী মখুৎ পায়দুনা লন্নাই কাদ চঙখ্রে অথাবা য়োৎকি থোঙজাও'দু মতুংলোমদা মখোল থোক্লা লোনশীল্লম্লে।

মিনিট খরগী মনুংদা পিস্তোল কাপ্পগী মখোল তাখি। থোঙ অদু হাংদোক্লুবদা, হিটলর অমসুং ইভা ফমুং অমত্তদা পুল্লপ তাদুনা লৈরম্লে। হিটলরগী কোক্কি চুবাদগী লেপ্তুনা ঈ চেম্থরমই, ইভা, তুম্লিবগুম্না হিটলরদা ঙাশিন্দুনা লৈরী। পিস্তোল অদু নাকন্দা তারম্লি, মখোয় অনিগী থৱায় য়াওদ্রবা মায়থোঙদা মোমোন নোকপগুম উরি।

অশিবা হকচাঙ অনি অদু মপান্দা পুথোরক্লে। হিটলরগুম্বা মীওই অমনা শিবদা লৈবাক অমনা তৌফম থোক্লবা সনমান, ইকায়খুম্নবগী ওইবা অচৌবা থবক অমগী শরুক অমত্তা য়াওদনা, মখোয় অনিবু, অশাঙবা খুদেং, ইরুজফম তব অমদা হিপহল্লগা (থল্লগা) মথক্তা গেসোলিন (পিট্রোল) হৈজীল্লগা পোৎলোইবগী থৌরম লোইশিনখি। মতৌ অসুম্না, খ্বাইদগী হেন্না তমথিনা কিনখ্রবা অদোল্ফ হিটলরগী নুংশি ৱারীদি পৃথিবীগী নুংশি ৱারী কয়াগী মরক্তা মতম চুপ্পগী ওইনা হিংদুনা লৈহৌই অমসুং মাগী নুংশিজরবী ইভা, মীওইবা কয়ানা নিংশিংনহৌরী -।

জোন ফিট্‌জরাল্‌দ কেন্নেদিগী নুংশি লিলা

মতম অমদা য়ু এস কী প্রেসিদেন্ট ওইখিবা জোন ফিট্‌জরাল্‌দ কেন্নেদি, মপুকচেল তপ্লবা, ফিদম্লিংঙাই ওইরবা মীশক অমা ওইনা পৃথিবী শীন্না খঙনখিবনি। অদুবু, মরম অমদা য়াম্না ঙক্না থোকখিবদি, পৃথিবীগী মনুংদা দিমোক্রেসি (গনতন্ত্র) চৎলবা খ্বাইদগী চাওরবা লৈবাক অমগী প্রেসিদেন্ট ওইখিবা মহাক্না, শিবা ফাওবদা মথৌনা হনখিদবা জর্মনি লৈবাক্কী অদোল্ফ হিটলরগা, মখোয় অনিমক্কি থম্মোয়দা লৈখিবা তোপ-তোপ্না মান্নরুবা নুংশিবগী ৱাখল অদুনি। হায়নবা লৈখি, মখোয় অনিমক্না ইংগা আউদ কৌবী জর্মন লৈশাবী অমগী মফমদা নুংশিবগী মমি তামিন্নরুই, নাকল অনিমক্না ইন্দ্রিগী ইখৌ লাংবা কোক্লরুই।

ইং ১৯৩৬, ম্যুনিক ওলিম্পিক পাঙথোকখিবগী মতম অদুদা ইঙ্গা, চহি ১৬ শুরে। মহাক, দেনিস-আমেরিকানগী লৈশাবীনি অমসুং ওলিম্পিক অদুদা য়াওখিবনি। মতম অদুদনি মহাকপু হিটলরনা উখিবা, অমসুং ইকুই কুইদনা নুংশিনরকখিবা। মখোয় অনি পূন্না ফোতো নম্মীন্নখি, মদুনা মরম ওইদুনা, ফেদেরেল ব্যুরো ওব ইনভেস্তিগেসন (এফ বি আই) গী অরোনবা ফাইলদা মখোয় অনিবু চিংনবগী মমি তাখি।

ওলিম্পিক লোইখ্রবা মতুং ফাওবা ইঙ্গা, জর্মনি লৈবাক্তা মতম খরগী ওইনা লৈহৌই। হিটলরনা নুপী অমগী মফমদা পুক্লিং চঙলকপসি মতম কুইগন্দে হায়বা ইঙ্গাগী ৱাখলদা ফাওরকই, মরম অদুনা মঙোন্দা লৈরম্বা হিটলরগী নুংশিবদু ময়েং তারক্লে। ইঙ্গা, আমেরিকাদা হল্লকখি, মফম অদুদা মহাক ৱাশিংটন টাইম্‌স হেরালদগী করেস্পোন্দেন্ট, পাউ পীবা মীশক ওইনা থবক ফংলে। মতম অদুদা, নাজিগা মরী লৈনবা নত্রগা নাজিবু মীনুংশি উৎপিবা মীওই পূম্নমকপু এফ বি আই না কূপশেন শেন্নরমই। ব্যুরো অসিগী জর্মনিদা লৈবা এজেন্টশিংদগী হিটলর অমসুং ইঙ্গাগী অরোনবা মরী লৈনখিবগী পাউ অমসু ফংলবদা, ইঙ্গাগী মযুমদা অরোনবা কেমেরা থমদুনা মহাক্কি চৎথোক চৎশিন কূপ্না শেন্নখিরমই।

অসিদসু নত্তনা, ইঙ্গাগী য়ুমদা কোয়রকপা মীওই কয়াবুসু চেকশীন্না য়েংলমই । নোংমদি ব্যুরোগী স্পাইশিংনা মখোয়গী হেদ ক্কার্টর্সদা খঙহল্লকখি মদুদি ইঙ্গাগী য়ুমদা লাকপা খ্বাইদগী মরু ওইনা শক্লায়বা মীশক্তি ৱাশিংটনগী নেভেল হেদ ক্কার্টর্সদা লৈবা য়ু এস নেভিগী লেফ্‌টনেন্ট, জোন ফিটজরাল্‌দ কেন্নেদিনি হায়না । জোন এফ কেন্নেদি অসি, মতম অদুগী য়ু এস কী প্রেসিদেন্ট রুজভেল্টকী মরুপ, অমরোমদা গ্রেট ব্রিটেনদা য়ু এস কী অম্বাসাদর ওইরিবা জোসেফ কেন্নেদি হায়বদুগী মচানুপানি ।

জোন কেন্নেদি অমসুং ইঙ্গা, নুংশি চান্ননা, মশা-মশা য়ানবগী মওংদা লৈমিন্নরিঙৈ কাপহৌবা অরোনবা ফোতো কয়া অদু উবদা ব্যুরোগী ওফিসিয়েল মীওই কয়ানা খমথেংনা ঙকখিবনি । মখোয়গী অৱাবা নুংনাংবা পোক্লিবদি য়ু এস নেভেলগী অরোনবদি জোন এফ কেন্নেদিগী মখুত্তা লৈবনিনা, করিগুম্বা মহাক্লদি খঙহন্নীংদবা মরম কয়া, ইঙ্গাগী মফমদগী হিটলর য়ৌখিবা থোক্লবদি য়ু এস কী য়াম্না অকায়বা, অশোয়বা ওইরক্কদৌরিবা অদুনি । খুদক্তা পাউ অদু জোন এফ কেন্নেদিগী মপা জেসেফ কেন্নেদিগী মফমদা থাখ্রে । থবক অদুগী মখা তারকপদদি, জোন এফ কেন্নেদিবু খুদক্তা, হেদ ক্কার্টসকী থবক পুহনবগী মহুত্তা পাসিফিক মহাসাগরগী লানফমদা থাদোকখিরমই ।

জোন এফ কেন্নেদি, লাপ্না চৎখিবগা লোয়ননা, মহাক অমসুং ইঙ্গাগী অতেনবা মতম খরগী রোমান্স (নুংশি থৌদোক) অদুসু লোইখ্রে । মখোয় অনি কায়নরবা তুংদা, এলিসিয়া কৌবী পোলেন্দগী জ্যু লৈশাবী অমগা অমুক জোন এফ কেন্নেদিগা নুংশিনখি । নুংশিবগী থবক্লা কা হেনজিল্লকপদগী কোন্নেদিনা মহাকপু লুহোংগনি হায়না ৱাশক্লম্মী, অদুবু কেন্নেদিগী মপা যোসেফ কেন্নেদিগী ৱাখলনদি লুহোংবা অদু য়াখিদে, চুন্নগী মখোয়অনি নুংশি মরী লৈনবদু নত্তনা । এলিসিয়া মমিৎ য়াম্বীনি, ঈরাং পুবীনি, কেন্নেদিগা লোয়ননা লুহোংবা য়ারোই হায়বা মপাগী ৱাফম অদুদা মৈ হৌনা শাওরকপদগী জে এফ কেন্নেদিগী মথক্তা ফোংনা কোর্টতা আপিল তৌরকখি । কেন্নেদি শাগৈগী ইজ্জত অমনা, কনাগুম্বা, কনাগুম্বী অমগা কোর্টতা ফোংনা মাইয়োক্লবদু পামদবনা, কোর্ট য়ৌদনা ৱাফম অদু এলিসিয়াগা লোয়শিন্ননবা হোৎনরকখি । মমৈথঙদদি দোল্লার

মিল্লিয়ন তংখায় অমা এলিসিয়াদা পীরগা কেস অদু মহাকপু লৌথোকহনখিবগা লোয়ননা মতম পূম্নমক্কি ওইনা মখোয় অনি লাপথোক্লখ্রে ।

অরোনবা লুহোংবা

কেন্নেদি, ইহান হানবা ওইনা জেক্কলিনগা ইং ১৯৫৩ দা লুহোংবনি । মহাক্কি লুহোংবসি মসিনা অহানবনি হায়নরবসু লুইস এল ব্লাভেল্ট কৌবা নুপা অমনা ইবা লাইরিক "ব্লাভেল্ট ফেমিলি জেনিওলোজি" হায়বদুগী মতুং ইন্নদি জে: এফ: কেন্নেদিনা দ্যুরী কর মালকোম কৌবী নুপী অমা হান্না লুহোংলুরগা খাইনখি হায়বসিনি । হায়রীবা নুপী মহাকসু অনিরক নুপা অনিদা মথঙ মথঙ লুহোংলুরে । অহানবগী নুপানা ফর্মিন দেজলাজ IV অনিশুবদুনা জোহন বর্সবেক কৌই । কেন্নেদিনা দ্যুরীবু লুহোংবা মতমদা য়াম্না চেকশীন্না, নুপী অদুনা হান্না লুহোংলুবগী, খাইনখিবগী মরী লৈনবা রিকোর্দ, চে-চাং পূম্নমক মাঙহনখি হায়নৈ । ব্বারীগী মতুং ইন্না, দ্যুরী হায়বী নুপী অসিদি জে এফ কেন্নেদিগী ময়াম্বা Joe (জো) গী লোয়নরম্বী গার্ল ফ্রেন্দ নিসু হায়নৈ । ময়াম্বা জো শিখ্রবাতুংদা য়াম্না তোয়না জে এফ কেন্নেদিগা দ্যুরীগা অহিং কয়া হোটেলদা য়ারেকমিন্নখি । ইং ১৯৪৭ দা দ্যুরী হায়বী নুপী অসি, লোরেন কোপ্পর হায়বী নুপী অমগী হান্নগী নুপাদা অমুক লুহোংখি । লোরেন কোপ্পর হায়বী অসিমসু, কেন্নেদিগী নক্লবা মরুপ জোন সার্মোন কুপ্পরদা লুহোংলুরগা অমুক খাইনখি । মদু মহাক্কি মরীরক লুহোংবনি হায়নৈ । অঙকপা অমনা, জে এফ কেন্নেদি অমসুং দ্যুরী, মখোয় অনিগী মফমদগীদি, মখোয় অনি লুহোংবা, খাইনবা অদুগী মরমদা মীনা পঙ্ঙাঙ ঙাঙনবা, য়েৎনবা কয়াগী মরমদা, মশাগী ওইবা ব্বাফম, মোত অমত্তা ফোঙদোক্লরকখিদবা অদুনি ।

পামেলা টর্নর

জোন এফ কেন্নেদিগী মপা যোসেফ কেন্নেদিনা, হান্নদগী হৌনা মচানুপাবু য়ু এস কী প্রেসিদেন্ট ওইবগী থাক অদু ফাওবা য়ৌহন্নিংবগী আশা অমা থম্লকখি । পম্বুং অদু য়ৌরকপগী অহানবা খোঙথাঙ অমা ওইনা জে এফ কেন্নেদি সিনেটরগী মীখলদা কারকখি । সিনেটর ওইরক্লবা মতম অদুদা

মহাক্কি প্রাইভেট সেক্রেটরি ওইখিবদি চহি কুনমাথোইদা শুরক্লিবী পামেলা টর্নর হায়বী অদুনি । মখোয় অনি লুনা চান্ন তিন্নৈ, নুংশিনৈ, নুংশিনবগী অরোনবা মরী থম্লরকই । কেন্নেদিগী মরায়বক খুদোংথীরমগনি, মহাক্কি রাজনিতিগী আশাগী মণ্ডলান কায়রমগনি, করিগুম্বদা পামেলাগী নুংশি লাংদগী মতম চানা নানথোক্লমদ্রবদি ।

ইং ১৯৫৮ গী কালেন থাগী মতমনি । কেন্নেদিগী নুপী জাক্বলিনসু হানিস পোর্ট হায়বা মফম অদুদা নুংঙাইনা মতম লেনথোক্কুনা লৈরম্মী । পামেলা দি জোর্জ টাউনদা লৈবা মিসিজ লিওনার্দ কেটর্স হায়বী নুপী অমগী, দালানগী অহানবা মথোলদা মথন্তা কনাসু য়াওদনা লৈবনি । নোংমগী অহিং অমদি, মিসিজ কেটর্স, করিগুম্বা খোঞ্জেল অমা তাবদগী, তৃম্বদগী মিকপ থোক্লমই । অহিং অদু, নোংয়ায় মতুং পুং অমা তারক্লে । মিসিজ কোটর্সনা মপান থোরকপদা উরে, জে: এফ কেন্নেদিনা পামেলাগী থোঙনাওদা নুংকুপ মচা লংখৎলগা, মহাক কুমথরক্লবা তৌরম্লিবা ইঙ্গিত, লোয়ননা করিগুম্বা কুমথরক্রবদি বেলকোনিদগী পামেলাগী কা য়ৌনবা মহাক কারক্কনি হায়দুনা মঙোন্দা কিহল্লম্লিবা অদু । ঙাইহাক লৈরগা পামেলা কুমথরক্লে, অদুগা কেন্নেদিবু মহাক্কি ফমুং কা য়ৌনা পুশিনখ্রে । থৌদোক অসিদা, অশেঙবা খৃষ্টিয়ান ওইজবা কের্টর্স মতৈ মনাওগী অচুম্বা চৎপগী ব্রাখলদা শোকহনখি । মতুংদদি, পামেলাগী ফমুং কা অদুগা থংননা লৈবা কা অমদা কনাগুম্বা অমত্তা খঙহন্দনা টেপ রিকোর্দর অমা থমখ্রে । অহিং অনিদি, পামেলা অমসুং কেন্নেদি মখোয় অনিনা ঙাঙ্গন শানবা ব্রারী অদুখক্ত নত্তনা কা অদুদগী থোরকপা য়াবা মখোল পূম্নমক রিকোর্দ তৌখ্রে । টেপ তা ফাজিলহৌরবা পূম্নমক অদুনা কেটর্স মতৈ মনাওদা ফজনা খঙহনখি, মদুদি তৌরিবা থবকশিং অদু অমোৎপা অরানবা মখল অমগী নুংশিনবনি হায়বদু । অসিগী মতুং তারকপা ওইনা, পামেলাবু মফম অদু থাদোক্লবা কেটর্স মতৈ মনাওনা হায়রক্লে । ব্রাফম অদুদা করিসু নাচুংবা লৈতনা, পামেলাবু জোন কেন্নেদিনা জোর্জ টাউন্দা লৈবা মেরি পিনচোট মায়র্স হায়বী নুপী অমগী ময়ুমদা লৈননবা থৌরাঙ তৌরম্মী । মফম অদুদা পামেলাগী লৈফম হোংলে । মফম অদুদসু মখা তানা চংথরম্মী মখোয় অনিগী নুংশি লিলাদি ।

ইং ১৯৫৮ দা জে. এফ কোন্নেদি, য়ু এস প্রেসিদেন্টকী মীখলদা কেন্দিদেট ওইখি। মতম অসিদনি জে. এফ কেন্নেদিবু শাওখিবা কেটর্সনা :- মখোয়না লৌশিলহৌবা টেপ অদু শীজীন্নরগা কেন্নেদিবু মীয়ামদা খঙহল্লগা চোপহল্লগে হায়না থৌরাঙখিবা । মখোয়না খনখি লৌশীনখিবা টেপ অদুখক্তনদি মতিকচাদবা য়াই, অদুনা অতৈ খরগা অমুক খোমজীনখিগে হায়দুনা । ৱাখল অসিগা লোয়ননা, জুলাই তাং ১১ গী নুংদাংদা, পামেলাগী লৈফম য়ৌবা লম্বী অদুদা মখোয় অনি থৌরাঙ তৌদুনা লৈখি । ঙাইহাক্কী মনুংদা, পামেলা অমসুং কেন্নেদি, য়ুম অদুদগী থোরকমিন্নরগা কার তোংদুনা চৎখ্রে । লম্বীদা লৈরম্বা কেটর্স মতৈ মনাওগী কার অদু পামেলানা খঙলমগনি খনবদগী মিসিজ কেটর্সনা মদু হুন্দোক্লম্লগা অতোপ্পা কার অমদা অমুক লাকলম্মী ।

নোংয়াই মতুং পুং অমা তারকপদা পামেলা অমসুং কেন্নেদি হল্লকমিন্নবদু মিসিজ কেটর্সনা উবমক্তদা, মখোয়না তৌরিবা থবক অদুগী অরানবদু পুথোক্তুনা ঙাঙবা হৌরকই । কেন্নেদিনা কেটর্সরোমদা মমায় লৈশীন্দুনা য়েংলকপদা মিসিজ কেটর্সনা পায়রিবা কেমেরা অদু উরে, খুদক্তা কেন্নেদি, মখুৎ অনিমক্লা মমায় খুমজিল্লগা মখোয়বু শাওরপ্লা, অদুক থেঙলবা মতমদা, মফম অদুদা করি তৌগে হায়দুনা লৈরল্লিবা - - অমসুং কয়াম থৌনা ফরদুনা মহাকপু ফোটো লৌননবা হোৎনরল্লিবনো হায়না হংখি । মিসিজ কেটর্স নসু ৱাহৈগী লান অদু মাইয়োক্লবা হৌরকখি । মহাক্লা লাওশিল্লকই অমসুং হংলকই - কয়াম থৌনা লৈনা অচূম্বা চৎপা খৃষ্টিয়ান অমগী মায়খুম উপশীন্নরগা য়ু এস প্রেসিদেন্টকী মীরেপ অমা ওইগে খল্লিবনো হায়না । মতাঙ অসিদা জোন এফ কেন্নেদি করিসু খুম্বা ঙমখিদে, উপাই লৈখিদে ।

মথঙগী নুমিত্তা, কেটর্স মতৈ মনাও অদু জোন কেন্নেদিগী মপা য়োসেফ কেন্নেদি উনবা চৎখি । মখোয়না মরিক চূম্না পাউদম্লুরে, মহাক্কি মচানুপা কেন্নেদিগা পামেলাগা লোনদীন্নবগী মরী মখোঙ পুম্নমক । কেন্নেদিবু পোকপা জো না ইয়াঙ য়াংনা খুম্লকখি - "ঐহাক য়ুরোপতা থুনমক চৎকদবা লৈরে, অদুনা ৱাফম অদুগী মতাঙদদি নখোয়না থোকপা

অদুমতৌনিংবা অমা তৌহৌরো ।” মহাক করিসু ৱানিংঙাই লৈতে হায়বসি মপা অদুগী ৱাখলনি, অমরোমদা মহাক্নসু মুন্না খঙই মদুদি কেটর্স মতে মনাওনা কৈদৌনুংদসু মদু অরুবা ৱাফম ওইনা পুশিল্লকপা ঙল্লোই হায়বা । অহল ওইরবা কেটর্স নুপা নুপী অনি অদুদি পাক হনবা লৈতনা নোংমসু পামেলাগী য়ুম মনাক্তা ঙাইদুনা লৈরুই । হন্দকমুক্তি, কেন্নেদিনা মখোয়বু, মহাক্না চৎলিবা লম্বী’দুদগী মখোয় মশানা য়ানিংনা হক্নে দাকখিদ্রবদি কৈদৌনুংদা অফবা ওইরোই হায়না চপ চানা মাইয়োক্নবা হৌরক্কে । ৱারোল অদু তাবদা মিসিজ কেটর্স, মাগী কারদগী থোরক্লগা কেন্নেদিদা লাউ খোংনা চৈরকই, অমসুং মখোয়গী অরোনবা থবক পূন্নমক অদুগী রিকোর্দ তৌহৌরবা তেপ মখোয়না (কেটর্স মতে মনাও) পায়রিবনিনা- - কেন্নেদি মহাক্না পুকচেল শেংলবা, কেথোলিক কাংবুগী অফবা কেন্দিদেত অমা ওইনা প্রেসিদেন্টকীদমক চোংথোকপদি মতিক শুকচা চাদে হায়না শাওনা ঙাঙখি । মতাঙ অসিদসু জোন কেন্নেদিগী মায়থোং লাংশিন্না তূমিন্না লৈখি । মিসিজ কেটর্সনদি হনবা লৈতনা চেলেঞ্জ তৌখিবনি, শীঙনখিবনি, মরম পূন্নমক মীয়াম মাঙদা ফোঙদোক্নবা হোৎন-হোৎননা, অদুবু মহাক্কি অনিংবা অদু পাঙথোকপা ঙমখিদে । মমৈথঙদদি, প্রেসিদেন্টকী লমজেলদা জোন এফ কেন্নেদি, মায় পাক্লদুনা আমেরিকাগী প্রেসিদেন্টকী ফমথোন কাখিরমই ।

মেরি পিনচোত মায়র

জোন এফ কেন্নেদিনা পামেলাগীদমক ভারা পীদুনা থম্লুবা য়ুম অদুগী মপু মেরী পিনচোত মায়র হায়বী অদুসু ইং ১৯৬১ গী মতমদদি কেন্নেদিগী নংশিতেনগী নিসান থাফম ওইরকখি । মায়রগী দায়রীদা অসুম্না ইরম্মী হায়নৈ -“ইং ১৯৬১ গী মতম অসিদা ঐহাকপু হৱাইট হাওসতা প্রেসিদেন্টনা লৈমিন্নসি হায়দুনা কৌরকপনি । মতম অসিদা ঐহাক্তি কেন্নেথ নোল্লান্দ কৌবা আর্তিস্ত অমগা হায়নখিবা লৈবনা প্রেসিদেন্টকী ৱাফম অদু ইনজবা ঙমখিদে ।” পিনচোত মায়রনা কয়া থওইদবগী মওং অদু লৈদুনসু প্রেসিদেন্টনা হন্না হন্না তকশীল্লক্লবদা মমৈথঙদদি মায়রনা নোলান্দগা থম্নরিবা মরী অদু নাকল অনিমক্তা মাঙজনা লোয়শীন্নরগা,

পিনচোত মায়র মশামক প্রেসিদেন্টকী মথানুংদা মশাগী ওইজবা পূন্নমক থাদোকচখি ।

রাজনিতি অমসুং সমাজগী থবক থৌরম কয়াগা মরী লৈননা প্রেসিদেন্টকী নুপী জাক্কলিনসু মরক মরক্তা হ্বাইট হাওস থাদোক্তুনা অরাপ্পা লমদা চৎখিবা, লৈরুবা য়াওই । জাক্কলিন্না হ্বাইট হাওসতা লৈতবা মতম অয়াম্বদা, মেরী পিনচোত মায়র হায়বীদু য়ুমদা লাকপা অতিথী অমা ওইনা, অহিং নুংথিল প্রেসিদেন্টকা লৈমিন্নে । নোংমগী থৌদোক অমদা, মরাজুৰানা হায়বা চুরুট খরা মায়রনা প্রেসিদেন্টকীদমক পুরকই । চুরুট অদু থকপগী চাংয়েং কুম্মৈ অমা হরাওনা পাঙথোক্লবা প্রেসিদেন্টনা নুমিৎ লেপ্লে অমসুং মায়রবুসু য়াওননবা খঙহল্লে । নুমিৎ অদুদা কেন্নেদি চুরুট অমা থক্লবফাওবা করিসু মশাদা নিসা পান্দবগুম তৌরম্মী, অদুবু ঙাইহাক লৈরগদি মহাক পঙনোক্তা নোকপা হৌরক্লে । কোংম্ব্‌ংদা মায়রদা হায়খি - মদুদি থাখায় অমগী মতুংদা হ্বাইট হাওসতা তৌগদৌরিবা দ্রগ-কী কনফরেন্স অদুদা প্রেসিদেন্ট মশামক্লা মরাজুৰানাগী মরমদা খঙলবনিনা য়াম্না নুংঙাইনা ঙাঙবা ঙম্লগনি হায়না ।

অহানবা চুরুট অদু থকখ্রবগী তুংদা, ঙাইহাক লৈরগা অমুক জোন এফ কেন্নেদিনা অনিশুবা অমসু থকখি । হন্দকমুক্তি মহাক মমিৎ উইশিনখ্রে, মহাক্কি খাঙনবা মোন মথক্তা তাশিন্দুনা লৈরে । করি অমত্তা লেং ওৎতনা জোন কেন্নেদি তুমিন্না লৈখিবদুদা, মায়র মপুক্লিংদা অকীবা ফাওরক্লে, মহাক্লা প্রেসিদেন্টপু হাৎলবরা হায়দুনা । অদুবু প্রেসিদেন্ট শিবা নত্তে, মহাক নিসা অদুদা নুংঙাইথোক্লা লৈবনি । অহুম শুবা মরাজুৰানা চুরুট অমা, থক্লবা মতুংদদি, পোৎশক অদু মতম চুপ্পগী ওইনা বিদাই তৌরম্মী । মহাক্লা মায়রদা হায়খি - “মসিদি গানজাগা মান্নদে, ঐনা নোংমদি নঙবু গানজা পীথক্কনি “থা অমরোম লৈরগা কেন্নেদিনা মায়রদা মরাজুৰানা চুরুট অমা পুরক্লবা হায়রকপদদি মায়রনা পুরকখিদ্রে । জোন এফ কেন্নেদিবু মীহাৎপা খরনা হাৎপিখ্রবা মতুংদা ইকুই কুইদনা, করিসু মরাল লৈতবী পিনচোত মায়রসু মরায়বক্তা নোংমৈ কাপশীন্দুনা হাৎপীখিবনি । মীহাৎ অদুবুদি ঙসিফাওবদা কন্নানসু খঙনদ্রবা অঙকপা অমা ওইনা অদুম লৈখ্রে ।

জুদিথ কেম্পবেল

মতম অমদা, হোলিউদকী মমিং চৎলবা ফিল্ম স্তার ফ্রাঙ্ক সিনাত্রা হায়বা নুপা অদুনা জুদিথ কেম্পবেল কৌবী নুপী অমবু মাগী মরুপ জোন এফ কেন্নেদিগী মফমদা শক্তাক্তুনা খঙনহনখি । মতম অদুদা কেন্নেদিদা খঙবা ঙমখিদবা অরোনবা অমদি - জুদিথ হায়বী নুপী অদুদি, আইনগী ৱাংমদা অরোনবা থবক তৌরিবা মী-কাংবু অমগী লুচিংবা সাম জিয়ানকানা হায়বদুগা নক্লবা নুপী অমনি হায়বা -- অমসুং মীশক অদুনা মাগী থৌইনশিন অমদগী জুদিথপু কেন্নেদিগী তূম্ফম কা য়ৌনা থাজীল্লকখিবনি হায়বদুসু খঙবা ঙমখিদে ।

জুদিথনা ১৯৭৫ গী দেসেম্বর ১৭ তা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি লৈখিদ্রবা প্রেসিদেন্ট কেন্নেদিগা মহাক্কা মশা মশা য়ানননা নক্লবা মরী অমা ১৯৬০ দগী ১৯৬২ ফাওবা লৈনরকখিবনি হায়না, ৱাফম অদুদা এফবি আইগী দিরেক্তর জে ইদগার হুভরনদি, হায়রীবা অরোনবা মরী অদু ১৯৬১ গী মনুংদতা খঙবা ঙমখি । মতম অদুদগী হৌনা, দিরেক্তর ইদগার না প্রেসিদেন্ট কেন্নেদিবু চেকশীন্না খঙহনখিবগী মরমদি জুদিথনা সাম জিয়ানকানা হায়বা নুপা অদুগা মরী লৈনৈ হায়বা খঙলকপদগীনি । মতাঙ অম্বায়দগীনি জুদিথ হায়বী নুপী অদুনা হ্বাইট হাওস-তা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা, অথীঙবা পীরকখিবসু । জুদিথ মশামক্তসু ফোঙদোকচখি, য়ামদ্রবদা মতম কুনলক্তুম্বগী থৌদোক্তা মহাক্লা হ্বাইট হাওই-তা লৈবা প্রেসিদেন্টকী ফমুংদা হিপখি হায়না । মহাক্লা হায়রীবদুসু অচুম্বা ওইগনি - মরমদি ইং ১৯৬১ গী মার্চ্চ '৬২ ফাওবদা, কেন্নেদিগী ম্যুজিয়মদা লৈবা তেলিফোন লোগবুক অদুদা মহাক্কি মমিং (Judith) হায়বসি লুম্ফুতরারক ইদুনা য়াওরী । করিগুম্বা মতাঙদনা মহাক্লা কেন্নেদিবু কৌরকপা, করিগুম্বদনা কেন্নেদিনা মঙোন্দা পাউ পিরকপা য়াওরী ।

পুক্লিং মথুম মরাঙ হৌনা

ওইজবা অমা ফংখিবা -

ৱাশিংটনদা লৈবা মেদিয়াগী পাউ খোম্নী নুপী অমনসু প্রেসিদেন্টকী মফমদা য়াওরীবা নুংশি নুংওলগী হীরম অসি খঙজনীংবগী তানজা অমা ঙাইজরকখি । খঙনীংলিবা হিরম অদু অরোনবনি, অদুবু প্রেসিদেন্টতা হংজবগী খুদোংচাবদু ফংজদে । নোংমা প্রেসিদেন্ট য়াওনা ময়াম চাক চানবগী থৌরম অমদা, মহাক্কি অরোনবা ৱারী খঙনীংলিবী নুপী অদুবু প্রেসিদেন্টনা মীয়াম অদুগী মরক্তা লোন্না হায়রমখি মদুদি কনা অমত্তা খঙহন্দনা মহাক মথন্তা প্রেসিদেন্টকী কাদা শৎ চঙলক্লবদি য়াম্না মরু ওইবা পাউ অমা মঙোন্দা পীগনি হায়না । পাউমী অমগী মফমদদি, ময়াম্না হান্না খঙনদবা মরু ওইবা পাউ অমা খঙবা ঙম্বা হায়বসি য়াম্না পুক্নিং হরাওনিংঙাইনি, অমরোমদনা পাউ অদু মী অতোপ্পা য়াওদনা প্রেসিদেন্ট মশানা পীগদৌরিবনি । থোইদোক্লা হরাওবগা লোয়ননা পাউ খোম্নী নুপী অদু থীন্দনা প্রেসিদেন্টকী মতুং ইন্দুনা মহাক্কি কা য়ৌখ্রে । কা মনুং অদুদা প্রেসিদেন্টনা নুপী অদুগী পুক্নিং হকচাঙ চরাঙনহনখি, মশাগী নুংশিবগী ৱাহৈশিংনা ঙাওহনখি । নুপী অদুসু থোইদোক্লা হরাওজবা পোকখি, মহাক প্রেসিদেন্টকী মনাক নকশীনজবা ফংলগনি খনবদা । মতুংদসু মহাক অসুম হৈনরক্লে, প্রেসিদেন্টকী মনাক্তা লাক্লগা মহাক্কী অপাম্বা, ইখৌলাংজবা কয়া ফংজবা ঙম্বদা - - - ।

মেরিলিন মোনরো

কেন্নেদিগী নুংশি কাংবু ওইখিবী নুপী মরুপশিংগী মশিং ওম্থোক্লা য়ামখ্রে । মখোয় কয়া অদুগী মরক্তগী খ্বাইদগী মরু ওইখিবী অমসুং খ্বাইদগী শকহেনবী নুপী অমদি মেরিলিন মোনরো হায়বী ফিল্ম স্তার অদুনি । ফজবগী রানি ওইখিবী, হায়রীবা মেরিলিন মোনরো অমসুং জোন কেন্নেদি, মখোয় অনিগী লৈনখিবা মরীদি কনানসু খঙদবা য়াওখিদে, কেন্নেদি মশাগী নুপী জেক্বলিন ফাওবনসু খঙখিবনি । প্রেসিদেন্টকী মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখিবা অহিং অমদা, ৱাখল হকচাঙ ঈহৌননা অহিং অথেঙবফাওবা মেরিলিন মোনরোনা- "হেপ্পি বার্থ দে তু য়ু, হায়বা ইশৈ অমা ফজবা তাম্থাদা শক্নুনা জগোয় শাখি, অমসুং ইশৈ হেক লোয়বদা প্রেসিদেন্ট না প্লেটফোর্মদা কাখৎলগা মোনরোবু থৱায়

হকচাঙ য়াওনা থাগৎচখি । অহিং অদুদা তিল্লিবা মীয়ামগী মমাঙদা জোন কেন্নেদিনা লাওথোকখি মদুদি, শুমহৎলবী, নিংথিরবী মোনরো না হরাওনা ইশৈ শক্কুনা মহাকপু ওকপিরিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদগীদি মহাক নিংজবা থুংলে হায়না খনজরগনি অমসুং মহাক্কি রাজনিতিগী ওইবা পুন্সী, পোলিতিক্সদগী পোত্থাজরগনি হায়না - - ।

সিনেমা, দ্রামানচিংবা কুম্মৈ লিলাগী থৌদোক ৱাথোক ইশিনবা নুপা, আর্ল ৱিলসন্না মহাক্কী লাইরিক "শো বিজিনেস লেইদ বেয়ার" (লিলাগী থবক্লা লোইনমক উহল্লে) হায়বা লাইরিক অদুদা হায়রীবনা, য়ুনাইতেদ স্তেট্স কী প্রেসিদেন্টপু মেরিলিন মোনরোগী হৈ-শিংনা, নিংথিজনা উৎলবা ইন্দ্রিগী ঈরাঙনা,, শাথেক্লা মৈ হৌনা শুমহৎখ্রবনি । ৱিলসন্না হায়বা মতুং ইন্না, মখোয় অনিগী ওইবা, নুংশিনবগী অথোৎপা মরীদি মোনরোনা শিদ্রিঙৈ চহি অমগী মমাঙদগী হৌরক্লবনি । নিয়ু য়োর্ক সহরগী কার্লিল হোটেল, বিভর্লি হিল্স হোটেল, হৱাইট হাউসনচিংবা অতৈ মফম কয়া, করি অমুক হায়গনি, কেরোলিন মিংথোনবা প্রেসিদেন্টকী মরন্নাই প্লেন মনুংদফাওবা মনিংতম্লা মখোয় অনিগী নুংশি লিলা চৎথনরকপনি । ৱিলসনগী ৱারীদা মখা তারম্মী নোংমা মোনরোনা প্রেসিদেন্টকা লৈমিন্নরুরগা হল্লকপদা মাগী কোইনদবা মরুপ অমদা অশুম্না ফোঙদোক্লমখি- "প্রেসিদেন্টকী য়াংলেন নাবা অদু খরমখৈদি ফরম্লগনি খল্লি ঙসিদি ।"

মতম অমদা মেরিলিন মোনরোনা খনজখিবা অরানবা ৱাখল অমদি, জোন কেন্নেদিনা মহাকপু মপুং ওইনা, চপচানা নুংশিরবনিনা, জেক্কলিন কেন্নেদি (প্রেসিদেন্টকী নুপী) বু শোয়দনা খাইনখ্রগনি অসিনি । ৱাখল অসিমক্লা মহাকপু অফ ফত্ত কাউহন্না নোংমা কেন্নেদিগী মনাওনুপা য়ু এসকী এটোর্নি জেনরেল ওইরিবা রোবার্ট কেন্নেদিগী মফমদা অশুম্না ফোঙদোক্লুরে মদুদি মহাক্লা লৈবাক অসিগী ফার্স্ত লেদি ওইবসু য়াই হায়না । ৱাফম অদু তাবদা রোবার্ট কেন্নেদি ঙক্কবা ঙমখিদে অমসুং ৱাফম অদুগা মরী লৈননা ময়াম্বা জোন কেন্নেদিবু চেকশীন্নবা হায়খি, অদুম ওইনমক মেরিলিনগী ফজবা মশক, শুমহৎপা মওং মতৌদগী জোন কেন্নেদিনা নাম্থোকপদি অরায়বা নৎলমদে । নিংবা থুংজদ্রবী, নিংবা

কায়রবী মেরিলিন মোনরো ১৯৬২ গী আগস্ত তাং ৫ দা মথস্তা আত্মাঘাত তৌদুনা শিজখি । ওইরম্বসু য়াই, করিগুম্বা মহাক্না হিংলম্লবদি, মঙলান অদু মঙফাওনরম্বসু ।

ফিদ্দল ফাদ্দল অমসুং স্তাফ কাংবু

মতম অমা, নাসাউ (NASAU) কনফরেন্স তৌরিঙৈগী মনুংদা বৃটিশকী প্রাইম মিনিস্তর হেরোলদ মেকমিল্লন অমসুং ফোরেন মিনিস্তর আর এ বি বটলরগী মফমদা জোন কেন্নেদি মশাগী, থাজনবা নুংশিনবা মরুপ মপাঙ ওইবগী মওংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, অমদি মহাক্না তৌরিবা, চৎলিবা থবক ইংখাঙ পূম্নমক্তা, মতম শাংনা কনাগুম্বী নুপী অমা লোয়নজবা ফংদ্রবদি মঙোন্দা হৈনিংবা পোক্তনা কোক চিকপগী লায়না অমা লৈ, অদুবু কোক চিকপগী অৱাবা অসি কয়া পঙনদি থোকখিদে, মরমদি মতম লৈবা খিবিক্তা মহাক্কি অনাবা, অৱাবদু কোকপিনবা মাগীদমক্তা লাংতক্ল জবা নুপীগী মশিং ৱাত্তে, অসিনি । হায়রীবা মরম অসি থোক্তনবা হায়দুনা, কনফরেন্সকী মতম অদুদসু বৃটিশ প্রাইম মিনিস্তর অমদি ফোরেন মিনিস্তরনা মহাক্কিদমক্তা মশক মতৌ ফজবী নুপী অনি থৌরাঙ তৌখি । মখোয় অনিমক সেক্রেটারিয়েল ৱার্ক্সতা হৈথোই শিংথোইবী ঙাক্তনি । প্রেসিদেন্টনা চৎখিবা মফম খুদিংদা মখোয় অনিগা লোয়নখি । মখোয়গী তৌগদবা থবক চপচানা পীদ্রবসু প্রেসিদেন্টনা লৈরু-লৈরুবা মফমগী অনকপদা মখোয়গী ক্বার্টর্স, লৈফম পীরম্মী । মখোয় অনি অদু মথংশিৎনা ফিদ্দল অমসুং ফাদ্দল হায়না প্রেসিদেন্টনা মমিং থোল্লি । নাসাউ কনফরেন্সতা মেকমিল্লনগা উনবা মতমদসু হায়রীবা নুপী অনি অদু প্রেসিদেন্টকা লোয়নরকখি, মখোয়না প্রেসিদেন্ট কেন্নেদিবু মকোক চিকহনখিদে ।

অতোপ্পা অমনা, জে এফ কেন্নেদিনা প্রেসিদেন্ট ওইদ্রিঙৈ সিনেটর ওইরিঙৈদা মহাক্কা নকশীন্ননা নুংশি চান্নখিবা নুপী অমবু মহাক্না প্রেসিদেন্ট ওইরক্লবদা, নুপী অদুবু মহাক্কি নেসনেল সেক্যুরিতি কাওন্সিলগী স্তাফতা থবক হাপ্লিখি অমসুং মতম অয়াম্বদা মহাক্কা লোয়নখি । নোংমদি, য়াচঙলকপা মতমদা নুপী অদুগা লোয়ননা মশাগী ফমুংদা

পোত্থারিঙৈদা, মপান্দগী কনাগুম্বনা থোঙ থীল্লকখি । জোন কেন্নেদি, শাওনিংবগা লোয়ননা ফমুংদগী কুমথরগা থোঙ অদু খঙহাং হাংদোক্লুবদা উরে, ফোরেন এফেয়ার্সকী অচৌবা ফম্নাইবা অনি অরোনবা কেবলগী পাউ পুদুনা ফাইলগা লোয়ননা লেপ্লম্বদু । মখোয় অনিদুনসু ইফোং ফোংনা উখি প্রেসিদেন্টকী ফমুংদা হিপ্লিবী নুপী অদুবু । প্রেসিদেন্ট, ফুরীৎ অচোনবা (গাউন) লিৎশিনবসু নংহৌদ, ইফিং ফিংনা, থোঙ অদুসু থিংজিলহৌদ, থারক্লিবা পাউ অদু পারগা মশাগী ৱারোল ইশিল্লগা সহি (সাইন) তৌদুনা থাদোকখি ।

মেন্সফিলদ অমসুং দিক্কিন্সন

জোন কেন্নেদি অসি মহাক্কি মতমদা মমিং চৎখিবী, মশক মতৌ ফজবী হোলিউদকী ফিল্ম এক্ট্রেস জেন মেন্সফিলদ অমসুং ইনজি দিক্কিন্সন কৌবী নুপী অনিগসু মরী লৈনরম্মী হায়নৈ । জেন মেন্সফিলদ অসিদি ইং ১৯৬৭ দা এক্সিদেন্ট অমদা শিখিবনি । মহাক্না ফোঙদোক্লম্বদা, প্রেসিদেন্ট কেন্নেদিগা মখোয় অনি, চহি অহুমগী মতমদি নকশীন্নবা লাকখি অমসুং মরক মরক্তা মখোয় অনিগী হকচীনবা নুংশি থৌদোক লৈখি হায়বসিনি ।

ইনজি দিক্কিন্সন্না হায়বনা- "প্রেসিদেন্ট কেন্নেদি, ঐহাক্না নুংশিনবা নুপাদি নত্তে, ঐখোয় অনিগী মরীদি অতোপ্পনি ।" ইং ১৯৬০ দা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদু হৌদ্রিঙৈগী নুংদাংদা কেন্নেদি শাগৈগী মীয়াম, পিতর লোফোর্দকী য়ুমদা তিনখি । নুমিৎ অদু, পিতর লোফোর্দ হায়বসিনা কেন্নেদিগী মচলনুপী পেট কেন্নেদি লুহোংবা নুমিৎনি । লাক্লিবা অতিথি ময়াম অদুগী মরক্তা হোলিউদগী ফিল্ম স্তার কয়াসু য়াওখি, ময়ামদুগী মরক্তা ইনজি দিক্কিন্সনসু অমনি । নুমিৎ অসিদনি, জোন কেন্নেদিগা মখোয় অনি উনখিবসু -- । মতুংদা মখোয় অনি অশুম অশুম নকশীন্নবা হেল্লকখি । কেন্নেদিবু প্রেসিদেন্ট খল্লে হায়না লাওথোকখ্রবা মতুংদা কেন্নেদি মশামক ইনজি দিক্কিন্সনবু থাগৎচবা ফোঙদোক্লুনবগীদমক ময়ুমদা চৎখি । ইনজিনা হায়- "মহাক্না ঐবু বার্ত্তন তৌরক্কনি তাকপিরমই, অহানবা, মানা প্রেসিদেন্ট ওইবগী ইনোগুরেসন নুমিৎ অদুদা -- । ঐ

ঙকপনা ৱা ঙাঙবা থোকখিদে, ঐদি ইচম চম্মা মহাক্কি ভোত খোমজরুবতনি - - ঐদি মহাক্না হায়বা অদুগুম্বদি খক খল্লুদে, মদুগীসু মহাকপু থাগৎচবা ঙমখিদে ।”

জোন কেন্নেদিগা মহাক্কা মতম খরা তিন্নরম্বা অদুগীসু নিংশিংবদা নুংঙাইরবা মতাঙ কয়া ইনজিগী মফমদা লৈখি । ইনজি দিক্কিন্সন্না মহাকপু মীচং মীখায় নাইদবা, পুকচেল চাওরবা মীশক অমা ওইনা লৌজৈ । জোন কেন্নেদি, মীপুম খুদিংদা মহাক্কী তৌফম থোকপা থবক তৌজবা ঙম্বা, শক্তি লৈবা নুপানি । মহাক্কি থম্মোয়দি নুংশিবনা থন্না লৈখিবনি, মহাক্কা য়াম্না নকশীন্নবা মীশক কয়াগী মফমদদি, মহাক মশামকপুসু পীথোকচবা ঙম্বা নুপানি ।

“ফ্রাঙ্কলিন দেলানো রুজভেল্ট অমসুং মিসসি”

পুন্সি হায়বসি অঙকপনি । নুপী নুপা অনি লৈমিন্নবগী পুন্সীদসু অঙকপা কয়া লৈরি । মতম অমদা আমেরিকাগী প্রেসিদেন্ট ওইখিবা ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্টকী নুপী ইলিনর হায়বী অদুনা, ইং ১৯১৬ কী মতম, মহাক্কি মচা ৬ (তরুক) লৈরবগী তুংদা মশা মথন্তগী ওইবা ৱাখল অমগী ফিরেপ মতুংইন্না মহাক্কি নুপামক্কা লাপথোক্লনা লৈবা হৌরকখি । মতম অদুদগী হৌনা, ইলিনর অমদি ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্ট, নুপা-নুপী ওইনা পুন্না লৈমিন্নবা পুন্সীদগী লাপথোক্লনা লাকই । অমরোমদা, রুজভেল্ট হায়বা নুপা অদুদি, মশাগী ৱাখল থোৎচবা, থম্মোয়নুংদা নুংশিবগী ঈহুল চেনবা মীশক্নি । মহাক্কি নুপীগী অঙকপা শাজৎ অদু হৌরকপা মতমদা রুজভেল্টকী চহি ৩১ (কুন্থ্রামাথোই)দমক শুরী । রুজভেল্ট মশামক্কি ওইনদি, লোয়নজবা মাগী নুপী অমা য়াওদনা, মঙোন্দগী নুংশিবা হায়বদু ফংদনা হিংবগী পুন্সী মরেল অদুদি মঙোন্দা য়াম্না হৈনদবা, ওইথোক্তবা ওইনা থোকলম্মী । অসিগুম্লবা পুন্সীদা মখা চত্থনা অশুম হিংলকপনা, মতমগী মতুং ইন্না, মশাগী নুপীনি হায়রীবা ইলিনরনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা মহাক্কি ওইনা লোয়নরীবী নুপী লুসি মর্সর কৌবী অমগা ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্টকা নুংশিনরক্লে । নোংমা মাগী নুপী ইলিনরনসু লুসিনা ফ্রাঙ্কলিনদা ইবা চিথি অমা ফংখি । মহাক খঙলে, মাগী নুপাগা লুসিগা নুংশিনরে হায়বা - - । ইলিনরনা রুজভেল্টতা হায়খী- “মরী অদু থদৎনৌ, নৎত্রবদি নঙগী পোলিতিক্স, রাজনিতিদা অমাঙ অতা কয়া লাক্কুনা পোলিতিক্সকা নঙগা কায়নগনি।” ফ্রাঙ্কলিন্নসু লুসিবু থাদোক্লগনি হায়না খুমখি । মতম অদুদা লুসি অসি মহাক্কি সেক্রেটারিনি । ফ্রাঙ্কলিন্না মহাকপু থাদোকখি, ৱাফম অদু অরুবা ওইরকহন্দনা লোয়শিনখি ।

ফত্তবী মাগী নুপীগী খুজিল থৌরাঙদগী, লুসিবু কায়নবদা ফ্রাঙ্কলিন ঙাওচৎনরকই, মহাক্তি পুকচেল শেংবী, নুংশিবা খঙবী পুক্লিং তপ্পী, মহাক্কী ওইবা থবক্তা মতেঙ পাঙবী নুপী অমা মশাগী পুন্সীদা তঙাইফদবা

ওইনা খনজবা মীশক্তি । হৌজিক্তি মাগী লোয়নজবী, পুক্নিং হকচাঙগী অপাম্ববু নিংবা থুংহনবী মশাগী অৱা-নুংঙাইবদা চপচানা শরুক য়ামিন্নবী কনাগুম্বী অমত্তা মাগী ওইনা লৈরক্লবদা মহাক খাঙজবা ঙমলমদে ।

হাঙলক্লবা পুন্সীদা (মিসসি)

হান্নগী সেক্রেটারি লুসি মর্সর থবক তোকখ্রবা মতুংদা ফ্রাঙ্কলিন্না মারগ্যুরিত হিলান্দ কৌবী চহি কুন্নিথোই শুরবী লৈশাবী অমা মাগী সেক্রেটারি ওইনা অমুক হাপলে । হায়রীবা লৈশাবী অদু ফ্রাঙ্কলিন্না য়াম্না নুংশিজনা “মিসসি” হায়বা মিংগৌ অমদা লোয়নরম্মই । মতুং ফাওবসু মিংগৌ অদুদা পূম্নমক্না খঙনখ্রে, অমসুং হায়রীবা লৈশাবী অসিগী লাইবক্তসু পুন্সীচুপ্পা ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্টকী সেবাদা মশাগী ওইজবা থাদোকচৌ হায়না তমখ্রমানে । নুপী অমনা নুপা অমগী মফমদা কৎথোকচবা, পীবা ঙমজবা থবক থৌরম, হিরম মখল শুনা মহাক্না রুজভেল্টকী মফমদা কৎথোকচখি ।

লাইবকথীবদগী ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্ট অসি ইং ১৯২১ গী মতমদা পোলিও লায়নানা নারক্লবদা, মিসসি হায়রীবী মহাক্কি সেক্রেটারি অদু নত্তনা মহাক্কি তাংজফম মীশক অমত্তা লৈখিদে । মতম অদুদা, মহাক্কি হান্নগী নুপীনা পোকপা অঙাং পূম্নমকসু স্কুল তম্নরিবা মতমনি, অতোপ্পা অমদনা ইলিনর হায়বী মাগী নুপী অদুমসু মীরক তিল্লিবনি হায়না মতম চুপ্পা য়ুমগী মপালদা লৈখ্রবীনি । পোলিও হায়বা লায়না অদুনা ফ্রাঙ্কলিন মশাগী ইন্দ্রিগী ওইবা কামগী শক্তিদা শোকহল্লম্বা, মাঙহল্লম্বা থোক্লবদি, ইলিনরনা ফ্রাঙ্কলিনগা লৈমিন্নগে খনবনি, অদুবু মদুগী ওন্ন তৈনবদা, মেদিকেল রিপোর্টকী মতুং ইন্না ফ্রাঙ্কলিন মশাগী ইন্দ্রিগী ওইবা অপাম্বগী থবক্তা করিসু অকায়বা লৈতে হায়রকপদগী, ইলিনর মশানা হান্না লেপখ্রবা, ফ্রাঙ্কলিনদগী তোঙান্না নাম্থোক্কুনা লৈবগী পুন্সী মরেল অদুদা খুভম চেৎনা লেপ্পগা চৎনিং-চৎনিংবা মফমদা চত্তুনা মাগী মতম লেনখি । অসিগুম্লবা লুরবা মতম অসিদনি ফ্রাঙ্কলিনগীদমক্তা মিসসিনা পাম্মোম তিংখিবা । মহাক ফ্রাঙ্কলিনগী প্রাইভেট সেক্রেটারি ওইবতা নত্তনা, মশাগী মথৌ পাক-চাওখি । মহাক ফ্রাঙ্কলিনগী চুঙ্গোয়নি, য়োকচবীনি, অমরোমদা লৌথুপ লৌকোই লৈনদ্রবা মরুপনি ।

মেরিলেনদা লৈবা ফাইদেলিতি এন্দ দিপোজিত কম্পেনিগী ভাইস প্রেসিদেন্ট অমা ওইনা ফ্রাঙ্কলিন্না চহি অমদা দোল্লার লিশিং কুনমঙা তানশিনবা ঙমখি, অমরেমদা ইন্মেট অমসুং মারজিনাগা লোয়ননা আইনগী থবক (লো প্রেক্তিস) তৌমিন্নখি । অসিগুম্লবা থবক কয়া অসিগী চৎথোক-চৎসিন পূম্নমক, লোয়ননা কারদা কাখৎপা কৃমথবা অমসুং দালানগী সিরি কাখৎ-কৃমথ অসিনচিংবা পূম্নমক্তা কনাগুম্বগী তেংবাঙ তঙাইফদনা ওইরকপা অদুগীদমক্তা মতম পুম্বদা মহাক্কি নাক্ত মখুৎ তিংথোক্কুনা লেপখিবদি মিসসি হায়রীবী মাগী সেক্রেটারি নুপী অদুনি । পোলিওনা নারবা ফ্রাঙ্কলিনগী, নিংজোন্দগী খুমিৎ ফাওবা য়োৎকি চগোনা (অরাওবা য়োৎকি খুজিগুম্বা) য়োমশীনখিবনি । মশাবু তুদনবা ঙাকচনবগীদমক মখুৎ নাম্মনা লিচৈ পায়দুনা চৈশু শুই, অদুম ওইনমক মহাক্কি থাঙ্গৈশেংবা মতেংদি মিসসি নত্তনা কনাসু লৈখিদে ।

রাজনিতিদা ফ্রাঙ্কলিনগী লমজিংবসু ওইরিবা, মহাক্কি চান্নবা মরুপ, লুইস হোৱে হায়বা নুপা অদুনা মখোয় অনি (ফ্রাঙ্কলিন অমদি মিসসি) গী লৈনরিবা চান্নবা মরুপ মপাঙ ওইবগী মওং অদুদা থোইদোক্না হৱাওজখি । মহাক্কি ৱাখলদসু, খুদোংথিনা ৱারবা মতম অদুদা ফ্রাঙ্কলিন্না তঙাইফদনা দরকার ওইবা নুপীদি মিসসি হায়বী অসিমক্নি হায়বসিনি । মতম অদুদা, মিসসিদি মহাক্কি ইমুং-মনুং অমসুং শাগৈ নাতৈদগী মপুং ফানা লাপথোক্লরগা ফ্রাঙ্কলিনগা লোয়ননা মখোয় অনিগী পুক্লিং হকচাঙ অমত্তা ওইদুনা লৈখি । মশামক্কী থবক ওইনা ফ্রাঙ্কলিনবু চেকশীন্না য়েংশিনজখি । মিসসিনা হায়- "মহাক মশানা অতোপ্পা মী অমা মতেংগীদমক্তা কৌশিনবগী দরকার লৈতে, চুম্না হায়রবদা, কৈদৌনুংদা মহাক্লসু হায়দে, ঐসু ইশানা ঐঙোন্দা অমুক হায়দ্রবসু অদুম খঙজে ।" ইং ১৯২৪ দা ফ্রাঙ্কলিনগী অচৌবা হি অমা লৈশিল্লি, হি অদুবু মহাক্না "লারুকো" হায়না মমিং থোল্লি । লুম্বু-লুম্বু শারবা সমুদ্রগী ঈপাক্তা, মহাক্কি হি অদুদা তোংদুনা মতম লেনজবনা, অমসুং পোলিও লায়নাদগী ফগৎলক্লবা মশাগী শাজেল তৌজবনা মহাক্কি নুংঙাইজবা ওইরম্মী । মতম অসিদসু মিসসি, ফ্রাঙ্কলিনগা থাদোক্লখিদে । পূংজা খূদিং, মপুং ওইনা মহাক্না মতম লেনমীন্নখি । চহি অমা চুপ্পা, অশুম্না, সমুদ্র ৱাংমদা লৈখ্রবা ফ্রাঙ্কলিনবু

নোংমতসু মহাক্কি নুপী ইলিনরনা মনাক্তা লাক্লগা করম করম তৌরিবা হায়না কৈদৌনুংদসু হংখিদ্রে ।

ফ্রাঙ্কলিন, মখোঙগী শাজেল তৌবা ওইনা, ইরোয়বগী অমুবা ফিজোল শেৎলগা সমুদ্রগী ঈশিংদা কুমথদুনা শান্নে । মিসসিসু, মহাক্কি ইরোয়বগী ফিজোলদা মতম চূপ্পদু ফ্রাঙ্কলিনগী মনাক্তা মহাকপু শেন্নদুনা লৈগনি । ফ্রাঙ্কলিন্না মহাক্কি মতেঙ পামলক পামলকপা মিকুপ্তুদা, মখুৎ তিংথোকচদুনা মিসসি, শারবা, নুমিৎযুংবা মতমগী নুংশা অদুদা ফ্রাঙ্কলিনগীদমক থৌরাঙ তৌদুনা লৈ । ফুট মঙা ইনচি তরেৎ ৱাংবী, তিংদা য়াংদা ফজবী মিসসি মতম চূপ্পা মহাক্কি মায়থোঙদা মোমোন মোমোন্দা নোকচৈ । মতম খরগী তুংদা, ফ্রাঙ্কলিনগী মখোঙ অনিমক ইনৌ নৌনা পাঙ্গল য়াওরক্লবদা, অমসুং অথেনবা সমুদ্রগী ঈশিঙদা মহাকপু শেন্নবীবা য়াওদনা চপতিংনা লেপ্পা ঙস্লক্লবদা মিসসিগী থম্মোয়দা হরাওবগী ঙমখৈ নাইখিদে । ফ্রাঙ্কলিনগী পুন্সীগী শরুক অমনি হায়না খন্নরকলে । অমরোমদা, মখোয়না তোংদুনা চৎলুবা হি অদুদা য়াওবী, চাকথোংবী নুপী "দোরা" হায়বী অদুনদি, মতম পুন্থা মিসসিগী মরমদা নুংনাংবা পোকখি । চহি লোইশিল্লকপা মতমদা, পীফম থোকপা শেল অসুক লৈরী হায়দুনা দোরানা থারকপা বিল অদুদা অশুম্না ইরকখি- "মিস হিলান্দ অমদি মিস্তর রুজভেল্ট অনিমকপু ঐখোয়না য়াম্না ইকায়খুম্নজে । ঐখোয়না নহাক্কি অমসুং রুজভেল্টকী ৱাখল তৌজে । নৌরিবী ইবেম্মা, নশাবু চেকশীনজৌকো ।"

হৌখিবা মতমদা, অৱাবনা লোইশিনখ্রবা ফ্রাঙ্কলিন অমসুং লুসিগী, নুংশি নুংওলগী থৌদোক ৱাথোক পুম্নমক দোরা হায়বী অদুনা খঙজ উজখিবনিনা, মতম পুন্থদা মহাক্না কিজবা পোকখিবদি ইলিনরনা মাগী নুপাগা মিসসিগা লৈনরিবা মরী অদু খঙলক্লবদি, শোয়দনমক মিসসিগী মফমদা হু কামশিনবীরক্কনি হায়বদুনি ।

ৱাফম অসিগী মতাঙদদি, মিসসিগী মফমদা করিসু অকিবা, চিংনবা লৈখিদে । মহাক্না ফ্রাঙ্কলিনবু মরম চানা নুংশিখি । মহাক্কিদমক্তা শিরবসু মহাক চিংনখিদে । ৱাফম অসি মমৈথঙদা থোকসু থোক্লগদৌরী ।

ইলিনরনা মিসসিগী মফমদা মপুং ফানা ওনশীন্দুনা চিকপসু ঙম্লম্বনি, অদুবু ফিভম অদু হৌজিক্তি মাগী মখুত্তা লৈত্রে, মতম হেনখ্রে। মহাক্তি মচাশিংসু চাওরক্কে, মখোয় পুম্নমক্কা খঙখি মমা মপা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা য়েংথিনবগী মওং অদু - - -। নাকল অমরোমদনা, মিসসিনা য়াম্না চান্ননা মখোয়বু পোকপা মপাগা হিংমিন্নরিবা অদুসু মহৌশাগী ওইফম থোক্লবা মওং অমনি হায়বদুগী ৱাখলদা মখোয়সু শরুক য়াখি। ইচম চমজনা, মখোয়না মিসসিদা খঙহনখিবদি করিগুম্বা মখোয়গী মপা ফ্রাঙ্কলিনগা মখোয় অনিগী ওইনরিবা মরী অদুদা মমা ইলিনরনা অশাওবগী মৈ কামশিল্লক্লবদি, মখোয় মপাগী মীচঙদা লেপকনি, অসিনি। ৱাফম অসিগা চপ মান্ননা ফোঙদোকচখিবনি ফ্রাঙ্কলিনগী মমানসু। মহাকসু ইলিনরগী মরমদা করিসু খনবীখিদে, ইলিনরনা ৱাফম অসি পুখৎলকপা মতম পুম্নমক্তা মহাকপু হৈনিংদবা, য়েংনিংদবা উৎখি। মমৈথঙদা ইলিনর, মশাগী থৌরাঙ অদু মায়থীরে হায়বা খঙলক্লবদা, ফ্রাঙ্কলিন্না ভারা পীদুনা থন্লিবা ভালকিল হাউসতা মাগী মরুপ নানসি কুক অমসুং মারিওন দিকরমেনগা লোয়ননা লৈরুনবা চৎখি।

মতম অসিদা (১৯২৮) দিমোক্রেতিক পার্তিগী নেসনেল কনভেন্সন ফমখি। ফ্রাঙ্কলিন, কনভেন্সন অদু য়াওরুবদা, মাগী মরুপ মপাঙশিংনা মাবু আমেরিকান প্রেসিদেন্সিগী মীখলদা মমিং পীখৎনবা কন্না তকশীল্লক্লমই। মহাক্তি য়াখিদে, অদুবু অমত্তা ওইবা ৱারেপনা মহাকপু নিয়ু য়োর্ক গবর্নরগীদমক ময়াম্না নোমিনেত তৌবদুদি মহাকসু য়ারে। ফ্রাঙ্কলিনগী মচানুপা ইলিওট রুজভেল্টনা ইবা মাগী নিংশিং ৱারীদা অসুম্না য়াওরী - "লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অদুদা ফ্রাঙ্কলিন মায়থীহনবীয়ু হায়না মিসসিনা ঈশ্বরদা প্রার্থনা তৌখি, মরমদি করিগুম্বা মহাক্না ইলেক্সন্দা কারক্লবদি, মশানা হোৎনজরিবা চৎপা ঙম্লনবগী শাজেল অদু মহৈ য়ান্না তৌজবা ফংবগী মতম ফংলরোই, অসিনি।

কোক ঙাওরবা ইলেক্সনগী কেম্পেন অদুদা মতম চুপ্পা মহাক, ফ্রাঙ্কলিনগা লোয়নখি অমসুং মশা শোকচীন্না চৎপা খোৎপদা ফ্রাঙ্কলিন্না ফংখিবা অৱাবা পুম্নমক অদুগীদমক্তা মহাকসু ওম্থোক্লা ৱাজখি।

ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্ট ভোত কারে, গবনর্র ওইরে । ইলিনর য়াওনা, মহাক্কি ইমুং মনুংগী মীওই পুম্নমক, গবনরগী লৈফম অচৌবা দালান অদুদা লৈরুবা তাখি । মতাঙ অদু য়ৌরকপদনি, তানজাগী খুদোংচাবা অদু লৌরদুনা, সমাজগী মমাঙদা ইলিনর মশামক গবনরগী নুপীনি হায়বদু উৎচবা পামজরকপা - - । মহাক্কি নুপাগা অতোপ্পা নুপী মিসসিগা হৃকচীন্না লৈনখ্রবা নুংশিগী মরী, মহাক্কি মফমদদি হৃগী মশক ওনখ্রবা খারবা মহাও অদুবু খঙনা খঙনা তংজখিবা । গবর্নরগী লৈফম, য়ুম অদু চাওরবা দালান্নি, তৃম্ফম কা মাপন য়াওনা, কা খুদিংমক্তা ইরুজফম, অতোপ্পা মফম কয়াদা ইশৈ শকফম, মী লাক্লগা উনফম, ব্রেকফাস্ত চাফম, লাইরিক পাফম অমসুং মরাঙ কায়না হাঙলবা, তপথোক্তুনা থম্বা, মী লাক্লগা লৈফম ওইনবা কা কয়া । অয়াম্বা তৃম্ফম কাদি অনিশুবা মথোলদা লৈ । ইলিনরগীদি মনিং ইথঙ থংবা কা অমদা মশাগী ওইনা খনজখি । হোল অদুগী মখাদা লৈবা কাচিন ওইরপ তৌবা মফমদা ফ্রাঙ্কলিনগী চাওরবা বেদরুম অদু মিসসিগী অদুগা হেক থংননা শেম্লমই । কা অনি অদুদি থোঙ মচা অমদা ফাওদোক ফাওজিন য়াই অমসুং মিসসিগী কা অদোমদগী থোঙগী মিংশেল অদুদা পর্দ্দা অমা য়ানথরী । হায়রীবা থৌরাঙ অসি, ইলিনর মশামক্লা তৌবনি । মতম অদুদা মশাগী ব্রাফম অমসু থমখি মদুদি ফ্রাঙ্কলিনগী পুন্সীদা মিসসিনা লৌরিবা থৌদাং পুম্নমক খল্লুরগা, মসিনদি চপচারবা থৌরাঙ ওইরে । অশুম্লা, অয়াম্বা মতমদা ফ্রাঙ্কলিনগী অনৌবা দালান অদুগী নুংঙাইরবা, নুংশাগী মঙাল ফংলবা কা অদুদা কনাগুম্বনা চঙশীল্লুবা মতম অয়াম্বদা, মিসসিনা মহাক্কি অহিংগী ফিজোলদা লৈরম্বা থেংনবসি মহৌশাগী ওইদবা নত্তে । অনিগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিবগী নকশীন্নবা মরী অদু লোৎশীন্দুনা থম্লনবা খক হোৎনজদে । নোংমদি মিসসি, ফ্রাঙ্কলিনগী মতম্পাক্তা ফমলগা, ফ্রাঙ্কলিন্না কোনশিন্দুনা লৈরম্বদু মচানুপী ইলিওটনা উরুরে । ফ্রাঙ্কলিন তপ্পা হৌগৎলকপদু ইলিওটনা ময়ামদা তমখি । ময়াম পুম্নমক্কি ব্রাখলদা, মওং অদু করিসু অকায়বা অরানবা ওইনা খন্দনা অসুম্না ফোঙদোক্লখি মদুদি মিসসি হায়বী মহাকসু মখোয়গী ইমুং মনুংগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরবনি হায়না ।

অরু অরুবা মতাঙ নত্তবদা, ইলিনর, ফ্রাঙ্কলিনগা লোয়ননা কার অমদা মিসসিসু য়াওনা চৎমীন্নবদা, মনীং ইথঙ থংবা সিটতা মিসসিগা

ফ্রাঙ্কলিনগা পূন্না ফম্মিন্নে । মখোয় অনিমক্কি মতম্পাক্তা ফি অমনা কুপশিল্লি । মতম অসিৱাইদা মিসসিগী চহি কুম্থ্রা শুরক্লে । ফ্রাঙ্কলিন্না মাগী মরুপ মপাঙশিংদা ইচম চম্না হায়জে । "মিসসি অসি ঐগী পুক্লিংমক্কি ।" ফ্রাঙ্কলিনগী থম্মোয়না পামজবদু মহাকপুনি হায়বা খঙলবসু, কৈদৌনুংদা মিসসি মশামক নুংশিবদা ঙাওদুনা, থবক থৌরম কয়াবু কাউথোক্লা লৈখিবদি নত্তে । মশামক য়াম্না পুকচেল শেংলবী নুপী অমা ওইনা, নুংশিজবা মীশক অমবু লাৎচবগী মওংদা, মীশক অদুগী সেবা মপুং ফানা তৌখি অমসুং নুপা অদুবু (ফ্রাঙ্কলিন) নুংশিজবনা পুন্সীগী শিন্থানি খনজখি । অমরোমদা ফ্রাঙ্কলিনগী নুপী ইলিনর, ওইরক্লিবা মপুরোইবগী ফমথোন অদুদা পুক্লিং হেন্না চঙবা অমদি চাওরবা য়ুম অদুগী য়ুম্বুরেম্বী অমা ওইজনিংবগী ৱাখলদা মতম পুম্বা মী খঙহন্দনা লাল অমা ফ্রাঙ্কলিনগী মাইয়োক্তা হৌনা হৌনা লাকপদগী মশা মথন্তা কোন্নদি ফ্রাঙ্কলিন্না লেল্লিবা নুংঙাইরবা পুন্সী অদুগী শরুক য়াজনিংবা, লোয়ননা গবর্নর অমগী চাওরবা য়ুমদুদা য়ুম্বুরেম্বী অমা ওইবগী অধিকার অদু মশা মথন্তা লৌজখিদ্রে । মাগীদি, আলবানিদগী নুমিৎ খুদিং, নিয়ু য়োর্ক ত্রেন (রেলগারি) ফারগা নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা মাগী স্কুল অমা য়ৌননবা চৎলগা য়ুমশকৈশগী য়াচঙবদা হল্লকপনা মহাক্কি থবকনি । ইলিনরনা মতৌ অসুম য়ুম অদুদা লৈত্রবনিনা, মিসসি অসি, ময়াম্না য়ানরবা, গবর্নরনা লৈরীবা য়ুম অদুগী য়ুম্বু নুপী অমা ওইনা অদুম ফিভম্না খঙনরবা হায়বদু ওইরে । ৱারবসু ৱানা য়ুম অদুগী থবক থনা পূম্নমক, মী লাকপা খোৎপগী উনবনচিংবা ঙম্নমক মহাক্লা তৌরম্মী । ইলিনরগীদি আলবানি চৎপনা মহাক্কি অরুবা অৱাবা থবক ওইহনজখি । মিসসিনা অমুক্তং হায়খিবা অমদি লৈ - "মানা, (ইলিনর) নোংমগী মনুংদা তেলিফোন্দা কৌরকপসি কুনমরীরক্কুম্বদি ওইগনি ।"

পুং মঙা তারকপা মতম অয়াম্বদা ফ্রাঙ্কলিন্না মিসসিবু মনাক্তা ফমহল্লি, মহাক্কি থক্কদবা থকই, মিসসিদসু মহাক্লা থক্লিবদু লানশিল্লি । মিসসিনা, হরাওজনবা হায়দুনা গ্লাস অদুদগী অনি অহুমলক্কুম্বদি মহাক্লা চূপ্তুনা থকই ।

য়ু এসকী প্রেসিদেন্ট ওইরকপা

ইং ১৯৩২ দা ফ্রাঙ্কলিন দিলানো রুজভেল্টপু দিমোক্রেতিক পার্তিগী মীহুৎ ওইনা আমেরিকান প্রেসিদেন্সিগীদমক থাগৎলমই। ইলেক্সন য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক, অয়াম্বা নুমিত্তা মাইল ১৩০০ গী লম শিনথুংনা, ত্রেনগী খোঙচত্তা চৎলি, অদুগুম্বা খোঙচৎ কয়াদসু মহাক্কি মিসসিগা লোয়নখি। অসিগুম্লবা ইলেক্সন কেমপেন, (মীখোম খোঙচৎ) কয়াদা ফ্রাঙ্কলিন্না খাঙজখিবা মশাগী ওইবা হকচাঙগী অৱাবশিংদু উবদা মিসসিসু য়াম্না ৱাজখি, অদুম্নদি ওইরগা হ্যুবর্ট লুভরবু ভোত মিল্লিয়ন হুস্ফুতরাগী মথক্তা হেন্দুনা আমেরিকান প্রেসিদেন্সিগী ফম ফংলবদা, মহাকপু ইহান হান্না ওকচদুনা চূপচখিবদি মহাক্কি মিসসি হায়বী অসিনি।

প্রেসিদেন্টকী ফম থিন্দোক্লবা মতুংদা, ইলিনরনা মিসসিবু হৱাইট হাউসকী অহুমশুবা মথোলদা লৈবা, মশামক্কী লৈফম কা অদু শিন্নখি। কা অদুদি, প্রেসিদেন্টকী স্তদি রুম অদুগসু ফাওদোক ফাওজিন য়াবা মফম অমদা লৈবনি। ফ্রাঙ্কলিন্না প্রেসিদেন্টকী ফম পায়রকপদগী হৌনা অয়ুক খুদিংগী মিসসিগী ওফিসতা হাইরপ য়েংশিল্লম্বা, মখোয় অনি, গুদ মোর্নিংগী গ্রিতীং পীনবা অসিমদি নুমিৎ খুদিংগী তোকপা য়াদ্রবা থবক্নি। মতুংদা ওফিস স্তাফকী মীওই খরগা লোয়ননা মিসসি প্রেসিদেন্টকী কাদ চঙলক্কনি অদুগা নোংমদুগী থৌরম শীন্দোক্কনি। কনাগুম্বা মীশক অমনা অরুবা ৱাফম অমা প্রেসিদেন্টকা লোয়ননা খন্নবগী মতাঙ লাকপদা, ৱাফম অদু অহানবা ওইনা মিসসিগী মফমদা খঙহনবা তাই। শম্না হায়রবদা, মতম অদুগী হৱাইট হাউসকী অশেঙবা য়ুমলীংবী নুপী অমসুনি। প্রেসিদেন্ট য়াওনা, প্রাইভেত দিন্নর পার্তি অমসুং অচম্বা চা পার্তিনচিংবদা মহাক্না মকোক ওইনা শীনজরগা, অচা অথক পূম্নমক চেকশীন্না চেক তৌই অমসুং ফস্ফমগী মথঙ মনাও নাইবা নিয়ম পাঙথোকই।

জো কেন্নেদিগী ৱাফমদা য়ানিংদবা

ফ্রাঙ্কলিন রুজভেল্টনা মিসসিবু য়ৌনা নুংশিবসি, মহাক্না তিন্নবা মরুপ-মপাঙ মীপুম খুদিংদসু খঙহন্দুনা লাকখি। মতুংগী চহিদা

আমেরিকাগী প্রেসিদেন্ট ওইরক্কদৌরিবা জোন এফ কেন্নেদিবু পোকপা মপা, জো কেন্নেদি হায়বা অদুসু ফ্রাঙ্কলিনগী মতমদা মমিং লৈরবা দিমোক্রেট অমনি । মহাক অদুবু ফ্রাঙ্কলিন্না ব্রিটেন্দা আমেরিকাগী অম্বাসাদর ওইনা লৈহল্লমই । মতম অদুদা ব্রিটেনগী ফিল্ম এক্ট্রেস ওইনা মমিং চৎলবী গ্লোরিয়া স্বানসনগা জো কেন্নেদিগা লৈনরকপা নুংশিনবগী মরী অদুনা, মতম খরগী মতুংদদি মহাক্কি (জো-কেন্নেদি) মিংচত্তা শোকলকপা, মীয়ামা ঙাঙনরকপা অদুনা অকায়বা অশোয়বগী ফিভম অমা য়ৌরক্লে । ফ্রাঙ্কলিন্না খনখি- "ৱাফম অদুনা য়ু এস কী মিংচত্তা শোকলকপা তারে, " হায়না । মরম অসিদগী জো কেন্নেদিগী মফমদা - গ্লোরিয়া স্বানসনাগা লৈনরিবা মরী অদু লোইশিল্লু হায়দুনা ফ্রাঙ্কলিন্না তকশীল্লকখি । ৱাফম অদুদা জো কেন্নেদিনা খুমখি- "মহাক শোয়দনা য়াগনি - - তৌবতবু ফ্রাঙ্কলিন্নসু মিসসি লিহান্দবু থাদোক্লবদি, হায়দুনা । পাউখুম অদুগী মনুংদা য়াওরীবা কোচি অদুগী মশক অমদি খঙনফম থোকই হায়বসি ফ্রাঙ্কলিনগী মিৎয়েংদা থমখি । তানজা অদু লাক্লে, জো কেন্নেদিনা মীয়াম মাঙদা ফোংদোকখিবা ৱাফম - "হিটলরনা বৃটিশ আমেরিকানগী অপুনববু মায়থীবা পীবা য়ারে ।" হায়খিবা ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না, মহাকপু ইকায়বা পীবা ওইনা, প্রেসিদেন্ট রুজভেল্টনা বৃটেন্দা অম্বাসাদর ওইরিবা জো কেন্নেদিবু খুদক্তা, আমেরিকাদা হল্লকহনখি । জো কেন্নেদিনা ৱাশিংটন এয়ারপোটতা থুংলবা নুমিত্তুদা চৎনবী মতুং ইন্না মহাকপু ওকপীনবা কেবিনেটকী মেম্বর অমত্তা ফ্রাঙ্কলিন্না থারকলমদে, অদুগী মহুত্তা, মহাক্কি শকহেল্লবী মিসসি এয়ারপোর্টতা মেমোন নোক্তুনা লেপহল্লুই ।

লাইবক্তা তম্বা

য়ু এস কী প্রেসিদেন্ট অমা ওইবদা মায়োক্লবা তারবা, পোখাফম খঙদ্রবা থবক থৌরম পূন্নমক পাঙথোকপদা, ফ্রাঙ্কলিনগা লোয়ননা মিসসিনসু চপ মান্ননা অৱাবগী শরুক য়াজখি । মতম অদু, পার্ল হার্বরদা জাপানীজশিংনা আমেরিকান জাহাজ মপৈদা বোমগী এতেক তৌরকপা মতম অদুদি য়ৌদ্রি । ১৯৪১ গী কালেনগী মতমনি, য়ু এস সরকারনা

ঙমজবা মতিঙ উত্তুনা লান অদু য়াওবগী ৱাখলদা প্রেসিদেন্টকী কোক য়াম্না শারম্মী । মিসসিগী পুক্লিংদা কিজবা পোকখিবনি, প্রেসিদেন্টকী হকচাঙদা করি ওইরক্কদবনো হায়বদু খল্লুবদা । মহাক্না খনজখি, শোয়দনমক প্রেসিদেন্টকী হকচাঙদা অশোয়বা লাক্কনি হায়না । মিসসিনা ৱাজবা, পাখৎপা অসি অদুক্কী মতিক য়ৌশিনখ্রে, মদুদি, নোংমা হৱাইট হাউসকী পার্তি অমদা মহাক অকনবা স্ত্রোক অমদগী ৱাস্থখি । স্ত্রোক অদুদগী মহাক পুংখায় অমরোমগী মতমদি ৱাঙাঙ্বা থোকখিদে । ফরক্লবা মতমদসু ৱা ঙাঙ্বদা ময়েক শেংদ্রে, চৎপদসু য়াম্না তপ্না চৎলে । মহাকপু হোসপিতালদা লায়েংলম্বদগী, ফ্রাঙ্কলিন্না হায়বা মতুং ইন্না ৱার্ম স্প্রিংস কোটিজ কৌবা মফম অমদা পুহন্দুনা থমখি । মথঙগী নুমিত্তা ফ্রাঙ্কলিন্না মিসসিগী নাক্তা লাকই, মহাক্না উনরৈ, অদুবু নোংম নোংমগী লানদি অশুম নকশীল্লকপা অমসুং কনশীল্লকপদগী প্রেসিদেন্টপু হৱাইট হাউসদগী কৌরক্লবদা, অথুবা ওইনা ৱাশিংটনদা অমুক হন্‌বা তাখি । মহাক্না চৎখিবদা, মিসসিগী মিৎলু অনিদা মপিনা নিক নিক লাউনা লৈখি । মশাগী দায়রীদা অশুম্না ইরমখি হায়নৈ "ঙসি মানা চৎখিবদা ঐনা কপচৈ, ঐ ইশাগী নত্তে, মহাক মথন্তা ইচিক চিকলুরগনি হায়বা ৱাখল'সিদনি - - অসিদনি ঐনা কপখিবা ।"

প্রেসিদেন্ট রুজভেল্ট, হোনোলুলু য়ৌখ্রে । মফম অদুদা এদমাইরেল নিমিঝ অমসুং জেনরেল মার্ক অর্থরগা লোয়ননা জাপানবু মায়থীবা পীনবা লানগী ফিভম খন্নখি । ফ্রাঙ্কলিনগী পুন্সীদা অৱাবগী পাউ লাক্লে, নুমিৎ অদু ১৯৪৪ গী জুলাই তারিখ ৩১ দনি, মহাক্কি মফমদা মশাগী পুন্সীবু কৎথোকচখ্রবী মিসসি, অনিরক শুরকপা বি পিগী স্ত্রোক্তা মহাক্কি অরোয়বা ওইখ্রে । অৱাবগী পাউ অদু ফংলবদা, পোৎলুম পুহৌরবা ফ্রাঙ্কলিন্না মহাক্কি মিসসিনা সংসার থাদোকখিবগী ৱারোল অমা হৱাইট হাউসতগী থোকহন্নবা মশাগী অইবা (ড্রাফ্ট) অমা থারকখি । অইবা অদুদা য়াওরকই- "চহি কুনগী মতম হেন্না থম্মোয় শেংনা তৌজখিবা মহাক্কী থবক অদুবু নিংশিংবনা, ঐ ইশাগী ওইনা মাঙজরিবা ৱাখল অসিবু হেনকৎহল্লি ।"

মিসসিগী অরোয়বা সংস্কারগী থৌরমদা ইলিনরনা ফ্রাঙ্কলিনগী মহুৎ শিন্দুনা য়াওখি । সংস্কারগী মতম অদুদা মহাক তূমিন্না লেপ্তুনা লৈখি, অমসুং মতুংদসু মখোয়গী ইমুং মনুংদা, মিসসিগী মরমদা করিগুম্বা ৱাহৈ অমত্তা পন্নখিদে । তমথিরবা থৌদোক অসিদা, মাইল লিশিং কয়া লাপ্না লৈখ্রবা ফ্রাঙ্কলিনগী মফমদদি মশামক পৃম্মাঙ মাঙজরবা উপাই লৈত্রবা মীশক অমগুম মপুক্লিংদা ফাওখি ।

মিসসিনা লৈখিদবগী পাউ অসি তাবদা ফ্রাঙ্কলিনগী মচানুপা ইলিওটনা শোনখি - "ওহ! মতৌ করম্না ঐগী ইপানা অৱাবসি খাঙগবা ।" তশেংনমক মিসসিনা তাইবংপাল থাদোকখিবা অসিনা ফ্রাঙ্কলিনগী পুন্সীদা কনাসু লৈজদ্রবগুম মথন্তা ইচিক চিক্লা লেপহৌরবনি । মিসসিগী অহানবা বি পি স্ট্রোক্তা, ফ্রাঙ্কলিনগী মায়থোঙদা অৱাবগী মমি তাবা হৌখ্রে, মখুৎ অদু ফাজিনবা ঙমদনা মরক মরক্তসু নিকলে, মহাক্কি মায়থোঙ অদু, য়েংবদসু থুনমক অহল ওইশিল্লকপগুম উরে ।

মতম অদুদা মাগী নুপী ইলিনর, করিগুম্বা অমত্তা খঙশীন্নদনা লৈখি, অমসুং করিগুম্বা মিকুপ্তসু ফ্রাঙ্কলিনবু থেমজিনবগী ৱাহৈ ফোঙদোকখিদে - - । মতম অদুদা মশাগী হকচাঙদি চপচানা ফরী অমসুং ফ্রাঙ্কলিনগী নুপী অমা ওইবগী মশাগী ফংফম থোকপা শরুক্তি মিহৌচাওবগা লোয়ননা মপুক্লিংদা য়োক্তুনা থল্লি ।

মিসসিনা তাইবংপালদগী চৎখ্রবা মতুং থা নিপানগী মতম খক্তনি ফ্রাঙ্কলিনগী পুন্সীনা হিংদুনা লৈখিবা । হায়রীবা থা নিপানগী মতম অসিগী মনুংদনি পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও কনশীল্লকপগা লোয়ননা ফ্রাঙ্কলিনগী মকোক্তা পোত্থাফম খঙদনা ৱাহনখিবসু । অদুসু নত্তনা, অনৌবা প্রেসিদেন্ট মীখলগী ইলেক্সনগী মতমসু য়ৈশীল্লকপগা লোয়ননা মহাক্কি ৱাখলদা লৈতাফম খঙলক্তবা মতমসুনি । মতম অদুদা মহাক মথন্তা ঙায়খি, ইচিক চিকখি, মহাক্কি মচানুপী আন, মপাবু সেবা তৌজবা লাকখিবনি, লোয়ননা মহাক্কি খন্থবা ঙম্বা থম্মোয়না মপাগীদমক্তা খল্লগা, লুসি মার্সর কৌবী মতম অমদা মপাগা নুংশিনখিবা নুপী অদু মপাগা উনহন্নবা খুজিল থৌরাঙ তৌজখি, মপাগী ৱাখল ইংগদ্রা হায়দুনা - - ।

ফ্রাঙ্কলিনগী অরোয়বা ওইনা ইদুনা থল্লম্বা মহাক্কি ৱিল অদুনা মিসসিগী মফমদা লৈখিবা য়ৌনবা নুংশিবগী ৱাখল অদুদগী খরা লান্না চৎখিব্রা হায়না খ্বাইনা ঙাঙনখিবা ৱাফম অমদি- মহাক্কি ইনকমগী অপূনবা দোল্লার ক্রোর অমা, লাখ চাম্মাপল, লিশিং নিফু, চাম্মাপল মরীফুতরা মাপল (১,৯,৪০,৯৯৯) গী তংখায় গুন্বা অমদি মিসসিগী হকচাঙ লায়েংবগী বিল শিংদোকখ্রগা লেমহৌরিবশিং অদুনা ইলিনরগীদমক খাক্নুনা থল্লম্বা অদুনি। মহাক্কি ৱিল অদু মিসসি লৈখিদ্রবা মতুংদসু অমুক হোংদোকখিদ্রে। ওইবা য়াই, পৃথিবী পুম্বদা মহাক্না খঙহন্নিংলম্বসু মদুদি - মিসসি হায়বীদু মহাক্কি পুন্সীদা কয়াম মরু ওইখিবা মীশক্লো হায়বদু - - - । ফ্রাঙ্কলিন্না মশাগী লনথুম পুম্নমক মিসসি অমসুং ইলিনরদা তংখায় তংখায় য়েনবীরম্লবসু, ইলিনর হায়বী মাগী নুপী অদুদি ফ্রাঙ্কলিন্না থম্মোয়শেংনা লুসি অমসুং মিসসিগী মফমদা চপ মান্নবা য়েনথোকখ্রবা মহাক্কি নুংশিবগী শরুক অদুগী মচেৎ অমফাওবা ফংজখিদ্রে। লুসি অমসুং মিসসি, মখোয় অনিদি অমনা অমবু মিহৌনখিদে, খম্বন্নখিদে।

জুলফিকর আলি ভুত্তো অমসুং হুসনা সৈখ

মতম অমদা পাকিস্তানগী প্রেসিদেন্ট ওইরম্বা জুলফিকর আলি ভুত্তো, মতিক মগুন চেল্লবা, থবক ঙম্বা, থোইদোক্লা আশা চাওখ্রবা রাজনিতিক অমনি । মহাক মশক মতৌ ফজে, মহাক্কি ফজবা শকফমদা মীগী পুক্লিং চিংশিল্লি । মহাক্কি থম্মোয়দি অথোৎপা ৱাখলনা মপুং ওই অমসুং মতম অয়াম্বদা মহাক্কি পুক্লিংনা হৈনজরবা, নুংশি নুংওলগী ৱাখল চেল্লবা মীতানি । মহাক্কি মরুপ মপাঙ পূন্নমক্লা মহাকপু "জুলফি" হায়না নুংশিনা কৌনখি ।

মহাকপু পোকপা, শক্লায়রবা মপা ইবুংঙো সাহনাৱাজখান ভুত্তোনা মহাকপু সিন্দ (Sindhu) দেসতা লৈবা ইনাকখুল্লবা জামিদার অমগী মচানুপী সিরিন আমির বেগমগা লোয়ননা লুহোংবিবা মতম অদুদা মহাক্তি, মীরৈবাক, সমুদ্র ৱাংমদা মহৈ তম্লি । সিরিন হায়বী নুপী অদুদি অদুক হাক্লা মহৈ মশিং হৈহৌদ্রবী নুপীনি, মতম অয়াম্বদা ধর্ম্মগী চৎনবীদা মুসলমান নুপীগী ফিজোল শেত্তুনা লৈজবীনি । মতমগী ঈরাঙ চুরবা, অমরোমদা লন্দনগী লিংকোন ঈন হায়না খঙনরবা অৱাঙবা থাক্কি মহৈ তম্ফম অদুদগী বার এট লো পাস তৌদুনা লাক্লবা ভুত্তোনা মাগী নুপী সিরিন আমির বেগমগী মফমদা হকচীন্না নুংশিবগী ৱাখল চেনবা ঙমখিদবা অদুদি মশানা তারবা মহৌশাগী মওংনি । ইং ১৯৫১ দা জুলফিনা মহৈ-মশিং তম্বা লোয়রদুনা সিন্দ দেসতা হল্লকপা মতম অদুদদি পাকিস্তান লৈবাক শেমলল্লে । মতম অসিদনি, ইরানগী শাগৈ অমদগী হৌরকপী, মশক মতৌ ফজরবী নসরত হায়বা লৈশাবী অদুগা জুলফিগা উনখিবসু । মহাক, নসরত হায়বী লৈশাবী অদুগা নুংশিনখি । অমসুং ইকুই কুইদনা মহাকপু অনিরক শুবা ওইনা লুহোংদুনা লৌখি । ইসলামগী চৎনবী আইন্না য়াবনিনা, মহাক্কি লুহোংবা অদুদি করিসু অরুবা ৱাফম ওইখিদে ।

ভুত্তোগী হান্নগী নুপী সিরিন আমির বেভমবু ভুত্তো ইমুং মনুংগী লারকানাদা লৈবা অতোপ্পা লৈফম আল মুরতিজা হায়বা মফম অদুদা থম্বীরমই । মরক মরক্তসু ভুত্তোনা মহাক্কি মনাক্তা লাকই অমসুং লারকানাদা চৎপা খুদিংগী, মহাক্কি মনাক্তা লৈরুবদি শোয়ফদে । মুসলিম

নুপী অমগী চপচাবা শক্তমদি ওইজবী, মহৈ-মশিংসু হৈহৌদ্রবী আমির বেগম্না ইং ১৯৫৩ দগী মাগী মপুরোইবা ভুত্তোনা চঙশীল্লকখ্রবা রাজনিতিগী পুন্সীদা করিসু মতেঙ পীবা ঙমখিদে, অমরোমদা লাইবকথীবা অমদি, আমির বেগমগী মচা অমত্তসু পোকখিদবা অদুনি । মচা পোক্তে হায়দুনসু, ভুত্তোনা মাগী মফমদা করিগুম্বদসু তাথি তাওইনা খক তৌবীখিদে ।

মতমগী মতুং ইন্না জুলফি মশাগী ওইবা পুন্সীগী শরুক্তা বেগম নসরতনা মরু ওইবা মফম অমা ওইরক্লে । মতম অসুম কুইরকপগা লোয়ননা মহাক্তি জুলফিকর আলি ভুত্তোগী পামজরবী, খ্বায়নসু হেন্না ব্যবহার তৌনা খঙনরবী বেগম নসরত ভুত্তো, নোংম-নোংমগী মীয়াম্না ইকায় খুম্নবসু হেল্লক্লে । কারাচিদা লৈবা ৭০ ক্লিফ্টন হায়না খঙনবা, সমুদ্রদা মায়ওনশীনবা ভুত্তোগী য়ুম ইংখোল অচৌবা অদুগী ফুট তরা ৱাংবা য়োংকী থোঙ্গাল (গেট) অদুগী মথক্তা মিং অনি হক্লবা (নেম প্লেট) অনি থেংলি, অহানবনা- সাহনাৱাজ খান ভুত্তো, অনিশুবনা- জুলফিকর আলি ভুত্তো, বার এট লো-হায়না । হায়রীবা লেমজরবা গেট (থোঙ্গাল) অদুগী মনুংদা লৈখ্রিবা চাওরবা ভুত্তো ফেমিলি, ইমুং মনুংগী ওইবা সভা (ময়াম তিন্নবা থৌদোক) কয়াদসু বেগম নসরতনা ময়ায় তাঙবলদা লেমজনা ফমখিবা কয়ারকসু য়াওখি ।

মীয়ামগা লোয়নবা হৌরক্লবা ভুত্তোগী পুন্সীগী তাঙ্কক্তা, নসরত বেগমসু শরুক য়াবা হৌরকই । মহাক্না ভুত্তোগী মচানুপা অনি অমসুং নুপী অমা পোকখি । মচানুপা অনি অদু মথঙশিংনা মির মুরতাজা অমসুং শাহনাৱাজ মিংথোল্লি, মচানুপী অদুনা বেনাজির হায়না খঙনৈ । মমৈথঙদা, জিয়াউল-হক্কি মতমদা ভুত্তোবু হাত্তোকপিখ্রবদা অমসুং মচানুপা সাহনাৱাজসু শিখ্রবদা, ভুত্তোগী ৱারী অমদি মিংচৎপু অমুক হিংকৎহন্নবা হোৎনরকখিবদি, লৈহৌরীবা মচানুপা মির মুরতাজা অমসুং মচানুপী বেনাজির ভুত্তোননি । মপা লৈখিদ্রবা মতুংদা ইকুই কুইদনা বেনাজির, পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিস্তরসু ওইখি । ভুত্তোগী রাজনিতিগী পুন্সীদি থৌদোক ৱাথোক্লা থল্লি । মাগী পুক্লিংগী অপাম্বা, মাগী ৱাখলগী মচুসু মখল মখানি অমসুং অৱাঙবা থাক্তি ঙাক্তনি । মহাক্তি, ৱাখল লুনা খনবগী মহুত্তা, থবক মরম কয়াবু লায়না খন্দোকপসু ঙম্বা, অমসুং নুপী ওইবীশিংগী ফজবা, শুহৎপদসু পুক্লিং লুপ্পা মীদানি । মতম অমগী

নোংপোক পাকিস্তানগী শরুক অমা ওইরম্বা, হৌজিক্কি মনিং তম্লবা লৈবাক বাঙ্গলাদেস হায়না খঙনরবা লম অসিদা ইং ১৯৬১ দগী ৬৬ ফাওবদা প্রেসিদেন্ট আয়ুব খানগী মতমদা ভুত্তোনা বিদেশিগী থৌরম পুবা মন্ত্রি অমা ওইনা য়াম্না তোয়না চৎপা তারম্মী । অসুম্না, নোংপোক পাকিস্তান্দা মহাক্না লাকপা মতম অমদনি,- ধাকা সহরগী ইনাকখুল্লবা, লল্লোনবা নুপা অবদুল আহ্‌দকা উনদুনা শকখঙনখিবা - - । অতোপ্পা লৈবাক্তা পাক শন্না পোৎ থাদোক থাজিনগী থবক তৌবা অমসুং অতোপ্পা লৈবাক্কি শেল, লোন্না য়োম্হোক য়োনশিন তৌবগী থবক্তা তঙায়ফদনা ভুত্তোগুম্বা মীশক অমগী তেংবাঙ দরকার ওইরম্বা মীশক অমনি মহাক অদু । ভুত্তোবু অবদুল আহ্‌দকী ইমুং-মনুংগা শকখঙনবা মীশক অমা ওইজবা ঙম্লবা হায়দুনা, অমসুং মহাক্না চানবিবগী মিৎয়েং অমা ফংজবা ঙম্লবা, নোংমা অবদুল আহ্‌দ হায়বদুনা ভুত্তোবু ইকায়খুম্ননা ময়ুমদা পুরগা মাগী নুপী হুসনা শৈখপু শক্তাক্তুনা শকখঙনহনখি । মতম অদুদা, মচানুপী অনি লৈরবী হুসনা শৈখ, অউবা কনাগী পুক্লিং শুমহৎনা মশক ফজবীনি । হুসনা লৈখনা ভুত্তোগী পুক্লিং ব্রাখল, মহাক্কি থম্মোয়বু ফাজিনখ্রে অমসুং লৈনরক্লিবা মরী অদু মীয়াম খঙহন্দনা, লোত্তুনা থম্বা য়ারক্রে । ভুত্তোগী ফজরবা শকওইদা হুসনাসু শুমহৎখি, মখোয় অনি নুংশিনবগী মরী হেনজিন্নরকখি । অবদুল আহ্‌দনা পূম্নমক অদু খঙজীন্নখিদে, মহাক্কি মশাগী শেল তানবনা মাগী নুপীদগী হেন্না নুংশিবা মীদানি । পাকিস্তান সরকারগী মখাদা, মাগী থবক অদুগী ফিভম চেৎলিবমখৈ মাগী নুপী অমসুং ভুত্তো, অনিগী মরক্তা ওইরক্লিবা মরম কয়াদা অদুম পঙশীন্নদুনা লৈখি । মন্ত্রি ফমদগী ভুত্তোনা হেক তোকখিবগা অমসুং ভুত্তো মশামক সরকারগী মায়য়োক্তা লৈখিবগা, আহ্‌দনা মাগী নুপীদা খঙহনখি মদুদি ভুত্তোগা মখোয় অনি লৈনরিবা মরী অদু খুদক্তা তোক্কবদি, থুনমক মাগী নুপী হুসনা শৈখপু খাইনগনি হায়দুনা । হায়রীবা মতম অসিদদি হুসনা শৈখ, ভুত্তোগা খম থেংনা নুংশিনরক্লবা তানজা অদুনি । মহাকসু মনুং কনবী নুপীনি, ভুত্তোগী ওইরকপা য়াবা, তুংগী চাওরবা আশা অমা, মাগী ব্রাখলদা থমখিবা মরম্না মাগী নুপানা মঙোন্দা কিহল্লক্লিবা অদুদা মহাক করিসু নীংহন্নখিদে, মহাক ভুত্তোগী ব্রাখল থাদোকখিদে । অশুম তৌনা, মমৈথঙদদি মাগী নুপা আহ্‌দনা হুসনা শৈখপু খাইনখি । মতুংদদি হুসনা শৈখ, মনিং তম্লবী নুপী অমা ওইনা ধাকা সহরগী য়ুম অমদা লৈনা লৈনা ভুত্তোবু নুংশিবদা মশাগী ফিভম চেৎনা লৈবা হৌখ্রে ।

লুহোংবা

হসনা অমসুং ভুত্তোগী পুন্সীদা, শকাব্দ ১৯৭১ গী মতম অদুদি থৌদোক্লা থল্লবা, য়াম্না মরু ওইরবা মতম অমা ওইখি। পাকিস্তান মশাদগী নোংপোক পাকিস্তানগী শরুক অমা মাঙখ্রগা, নিংতম্বা লৈবাক বাঙ্গলাদেশ হায়রীবসি পোক্লকপা মতমনি। ধাকাদা লৈবী হসনা শৈখ, তৌফম অমত্তা খঙখিদে, চম্মন্নরমই, করম তৌনা মাগী নুংশিনবা নুপাগী মনাক্তা য়ৌগদগে খল্লুবদা - - । চহি অদুগী সেপ্তেম্বর তাং ২০ দা জুলফিকর আলি ভুত্তো পাকিস্তানগী প্রেসিদেন্ট ওইরক্লে। মতাঙ অদুদা হসনানা খনজখিবদি, মহাক্লা নীংজবা অদু থাঙ্গেশেংনা ওইরক্লে অমসুং মতমগী মতুং ইন্না, মহাক্কা নুংশিনরিবা নুপা অদুনা শোয়দনমক মহাকপু ইস্লামাবাদতা কৌরক্লগনি হায়বসিনি - - - ।

প্রেসিদেন্টকী পাব্বার পায়রবা তুংদা অচৌবা পোৎলুম অনি ভুত্তোগী কোকথক্তা লাকপা হৌরে,- অহানবা পোৎলূমদি, লানগী বন্দি ওইনা ভারতকী জেলদা ফাজিন্দুনা লৈখ্রবা পাকিস্তানগী আর্মী জেনরেলময়ামগা লোয়ননা অতৈ সিফায় কয়াবু জেলদগী থাদোক্লবা হোৎনবা- - মশিগা চপ মান্নবা পোৎলূম অমনা, হসনা শৈখপু পাকিস্তান্দা পুরক্লবা হোৎনবা অসিসুনি। হায়রীবা অরুবা ব্বাফম অনিমকসি, ভুত্তোগী নিংজবা থুংনা, পেনজনা সিমলাদা ফমখিবা লৈবাক অনিগী কনফরেন্স অদুদা পাঙথোকচবা ঙমখি। হসনা গা লৈনরুবা মরী অদু ভুত্তোনা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা, ইতিং তিংনা শ্রীমতি ইন্দিরা গানধীগা খন্নজবদা, শ্রীমতি ইন্দিরাগী অকায়বা লৈত্রবা, হৈথোই শিংথোইবা ব্বাখল পুথোকপিদুনা ভুত্তোগী মতেং পাংবীনবা থৌরাঙ পায়খৎপিখি। পুকচেল চাওরবী, পাক চাওনা ব্বাখল লৈরবী শ্রীমতিজিনা হসনা শৈখ অমসুং মাগী মচানুপী অনি, মচে অমা, লোয়ননা মৌপ্পা, মখোয় মঙাবু ধাকাদগী পাকিস্তানগী ব্বাব্বালপিন্দিদা লাকহল্লগা লৈননবগী থৌরাঙ পাঙথোকপিখি। মফম অদুদা, হসনা শৈখ, প্রেসিদেন্ট ভুত্তোগী ওসফিসিয়েল ওইবা লৈফম অদুগা হেক মায়য়োক্লনা লৈবা য়ুম অমদা মপুক্লিং লৈতানা লৈজবা ঙমখি।

মতম অদুদা ভুত্তোগী অনিশুবা নুপী নসরত ভুত্তোদি কারাচিদা অদুম লৈরি। রাব্বালপিন্দিদা নসরতনা লাকপা মতমদা ভুত্তো ১দি হসনাগী

অনৌবা নুংশি ৱারী অদু খঙলে, অদুবু ৱাহৈ অমফাও মপুরোইবগী মফমদা ফোঙদোকচখিদে, ওইরম্লিবা মওং অদু খঙলকপদা মহাক্কি নুংদা চাল্লবসু। মহাক্না খঙজখি মদুদি করিগুম্বা মহাক্না মপুরোইবগী মফমদা মহাক্না নুংঙাইজদবা অদু হেক ৱাকৎলুবা থোক্লবা, শোয়দনমক মহাকপু হুন্দোকপিগনি, খাইনবীগনি, মহাক মরায়বক থীগনি হায়বসি। মতম অদুদি ভুত্তো, খ্বাইদগী অৱাঙদা থাক অমদা শক্তি লৈরবা মীশক্লি, মহাক্না তৌনিংবা থবক্তা করিসু অপনবা লৈত্রবনিনা, করিগুম্বা মঙোন্দা অশাউবা পোকহনখিবা তারবদি হায়দুনা মহাক য়াম্না কিজখি।

ইং ১৯৭৩ গী মতমনি, ভুত্তো, মদিনা অমদি মেক্কাদা চৎলগা উমরা পাঙথোক্লুবা তাখি। মতম অদুদা, মাগী মরুপ মৌলানা কাওজর নিয়াজিনা ধর্ম্মগী থৌরম পুবা মন্ত্রি ওইরি। নোংমা মৌলানা নিয়াজিনা ভুত্তোদা হায়খি- "মেদিনা চৎলগা পাঙথোক্লুগদবা উমরা অদু হেন্না অশেঙবা ওইনবা, ঈশ্বরনা য়াবীনবা, নহাক্না নুংশিজরিবা হুসনা শৈখবু ধর্ম্মগী মতুং ইন্না লুহোংলগা, (নিকাহ) পাঙথোক্লগা চৎপনা ফরোইদ্রা ?" ৱাফম অসিমদি ভুত্তোনা হান্নদগী হৌনা কয়ারক খনখ্রবনি, নিয়াজিনা হায়রিবা পাউতাক অদু মতমচানা ভুত্তোনা লৌখি অমসুং চিক্লা লুহোংবগী থবক (নিকাহ) পাঙথোক্লবা মাগী মরুপ্তা হায়জরবদা হরাও হরাওনা নিকাহগী থবক অদু মাগী মরুপ্না তৃমিন্না লোইশিনবীখি।

চুম্না হায়রবদা, নিয়াজি অসিসু হুসনা শৈখনা য়াবা, য়ানিংবা মীশক কয়াগী মরক্তা অমনি। মহাকপু ভুত্তোগী কেবীনেটতা য়াওহনখিবসু মহাক্লনি। মতম অদুদা, হুসনা শৈখ, চপচানা মতিক মঙাল লৈরবী অমনি। ভুত্তোগী পুক্লিং ৱাখল পুম্নমক মপুং ফানা হুসনাগী খুবামনুংদা লৈ হায়বদু সরকারগী অচৌবা ওফিসর অমসুং রাজনিতি তৌবা কয়ানা ফজনা জ্ঞান তানরবা ৱাফম্লি। ওফিসর কয়ানা মশাগী নোল্লুকচবা উত্তুনা, ব্যবহার তৌনা, হুসনা না চানবীবতবু ঙাইদুনা লৈনরিবা মতমনি। মহাক্না হায়বা, হৌদোকপা ৱাফম অয়াম্বদসু ভুত্তোনা হেক্তা য়ানিংই, য়াদবা ঙমদে। মমল য়াম্লবা খুদোল পোৎ কয়া, মনিমুক্তাগী লৈতেং হুসনাগী মফমদা ভুত্তোনা খুদোল তৌখি।

লল্লোন ইতিক তৌবগী হৈনবী ৱাখল অমদি, হুসনা শৈখকী মফমদসু, মহাক্কি অহানবা মপুরোইবগী মফমদগী চৃশীন্দুনা লৈহৌরে, অদুনা, ভুত্তোনা য়ারবা নুপী অমা ওইনা, মতম অদুদা মহাক্না হৈনজবা লল্লোন ইতিক্কি

থবক্তা য়ারিবমখৈ খুদোংচাবা লৌহৌনবসু হোৎনজখি । হিরম অসিগা মরী লৈননা মঙোন্দা লাকখিবা ৱাখলদি, আবু ধাবী গী সাসন তৌরিবা, লৈবাক ঙাকপা নুপা অদু ভুত্তোগা লুনা তিন্নবা মরুপ অমনি খঙলকপগা লোয়ননা, মফম অদুদা অচৌবা হোটেল অমা হাংদোক্লবা মপুক্লিংদা লেপ্লে । ৱাফম অসি হুসনানা ভুত্তোগা খন্নরবা তুংদা, থুনমক পাকিস্তানগী কলচরেল দিলিগেসন অমা হুসনাবু লুচিংহল্লগা আবু ধাবীদা থানবা ভুত্তোনা থৌরাঙ তৌখি । আবু ধাবীদা লাক্লবদা, হোটেলগী ৱাফম অদুসু লমদম অদুগী লুচিংবা অদুগা খন্নরগা, মতুং তারকপদদি হুসনাগী নিংবা থুংনা থবক পাঙথোকচবা ঙমখি অমসুং হোটেল অদুনা হুসনাগী মফমদা ফজরবা অচৌবা শেন্দোং কয়া ফংহনখি ।

কারাচিদা :-

জুলফিকর আলি ভুত্তো, পাকিস্তানগী প্রেসিদেন্ট ওইদুনসু, মশাগী ওইনা, পঞ্জাবতা লৈবদা ফিভম চেৎতবা অমগী অকিবা ৱাখল লৈবনা, কারাচিদা মতম পুম্বগী ওইনা মাগী নুপী হুসনা শৈখকা লৈমিন্নবা মাগী ফিরেপ অমা লাকখি । অশুম্না মহাক কারাচিদা লৈফম হোংখি । অহানবমক্তদা ভুত্তোনা মাগী অহুমশুবা নুপী হুসনা শৈখকীদমক্তা, কারাচিগী ঙাংলৈনবা সমুদ্র মপান, "হোক্স বে" হায়না খঙনবা মফম অদুদা ফজরবা য়ুম অমা শাহনখি । মহাক্কি অহাঙবা মতম খুদিংদা, মফম অদুদা লাক্লগা হুসনাগা নুংঙাইনা লৈমিন্নে । মতুংদদি, ক্লিফটন এরিয়াদা লৈবা মফম অমদা ভুত্তোনা অমুক হন্না শাবা মশা নাল্লবা য়ুম (পোস ভিল্লা) দা লৈরুনবা চৎখি । য়ুম অদুবু মহাক্না - "মনজিল" পস্থুং হায়না থোল্লি । মফম অসিদনি, হুসনানা ভুত্তোগী মফমদা নিংবা থুংহনবগী, মশাগী অপেনবা ৱাখলগী থাক অমা য়ৌজরকপা ঙমখিবা, অমসুং ভুত্তোনসু মহাক্কি অনিশুবা নুপী নসরতকী মতমদগী হৌনা ময়েক শেংলবা নুংশিবা হায়বা পোৎশক অমবু ইখৌ লাংনা ঙাইজরকপা অদুগী মপুং ওইরবা চপচারবা খুদম অমা হুসনাগী থম্মোয়দগী মহাক্না ফংজবা ঙমখিবা ।

মতমগী খোংচৎ মতুং ইন্না, কারাচিদা লৈবা মফম অসিদগী হুসনা শৈখ, সমুদ্র ৱাংবগী লমদা লৈখ্রবা মফম কয়াদা, পোৎ মখল মখা কয়া থাদোক থাজিন তৌবগী কারবারদা মওং তানা চাওখৎলক্লে । য়াম্না পুক্লিং চঙনা, লৈতানা ট্রাভেল এজেন্সি অমগা লোয়ননা ফাইব স্তার হোটেল অমসু শাখ্রে । অশুম্না মহাক্তি, মহাক্না শীল্লিবা থবক থৌরম

কয়াদগী লাকপা শেল খোমজীনজবা অমসুং মনিং তম্না খরচ তৌজবনা মশাগী শিন্থা ওইরম্মী। মহাক্না তানশিনখিবা শেলগী চাওরবা শরুক অমদি মাগী মৌপ্বা চানন্গী লুহোংবদা মরাঙ কায়না খরচ তৌখি।

কারাচি এয়ারপোর্টতগী ক্লিফ্টন্দা লৈবা, হুসনাগী য়ুম য়ৌরকপা লম্বী অদু কারাচি ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না ফজরবা লম্বী অমা ওইনা শেমখি, অমসুং জাতিগী মরায়বক অমবু মখুত্তা পায়রিবা মীশক অদুনা মাগী চান্নবীগী মফমদা তোপ তোপ্পা মওং অমা উৎচবগী ওইনা, নৌনা শেন্বা লম্বী অদুবু মরাঙ কায়রবা ইলেক্ট্রিক থাওমৈনা লৈতেংহল্লম্মী। হোটেল ইন্টর কন্তিনেন্টেলদা পাঙথোকখিবা লুহোবা অদুদা লাকখিবা অতিথি পূন্নমক্কিদমক্তা থকফম- চাফম- লৈফম অমত্তা চিংথদনা থৌরাঙ তৌখিবনি। মমিং চৎলবী পাকিস্তানগী শৈশকপি নুরজহাঁন অমদি শৈশকপা মেহন্দি হাসান অহিং চুপ্পা, নুংশিরবা, নুংঙাইরবা ইশৈ শকপীখিবগীদমক লুপা লাক্ষ অমমম নজরানাগী নুমিৎ অদুদা মখোয় অনিমক্তা খুদোল তমখি। কারাচি সহরদা পাঙথোকখিবা লুহোংবা কয়াগী মরক্তা অমত্তা ঙাইনা, মান্নবা লৈতনা চিঙলেম্না চাওনা পাঙথোকখ্রবা লুহোংবা অদু, ভুত্তোগী অনিশুবা নুপী নসরত ভুত্তোগী পুক্লিংদা নীংশিংদুনা লৈখি। ইং ১৯৮৭ কী দিসেম্বর তাং ১৮ দা নসরত গী (ভুত্তোগী অনিশুবা নুপী) মচানুপী বেনাজির ভুত্তোগী লুহোংবা অদুসু, মমাঙদা থোকখ্রবা হুসনাগী মৌপ্বা চানন্গী লুহোংবা অদুগা চপ মান্ননা অমসুং মদুদগী হেন্না অচাওরম কানা হোংগদবনি হায়বসি লুহোংবা অদুবু শীল লাঙখিবা নুপাশিংগী মফমদা খঙহনবগা লোয়ননা য়াম্না চাউনা, মপুংফানা পাঙথোকখি।

নসরতকী নিংবা কায়রকপা

হুসনা শৈখ অমসুং ভুত্তো লুহোংখ্রে হায়বা নসরতনা খঙলকপা মতমদা মশাগী ব্রাখল পুবা ঙল্লমদে। পাকিস্তান লৈবাক্কি অহানবা, লেমজরবী নুপী অমা ওইজবগী ব্রাখলদা মহাক্না শাগৎচরুবা মঙলান অদু পূমতোয় তোইনা কায়খ্রে। অশুম্নসু হায়নখি মদুদি, মহাক্না তূম্নবগী গূলি চাং হেন্না চাশীল্লুবদগী লায়েংশঙদা পুদুনা লায়কন্নখি। হায়রীবা পাউ অদু খুদক্তা ফংলবা ভুত্তোনা, মহাক্কি ব্রাখলদা অকায়বা করিসু থোকহন্দনা, নুমিৎ নিনি লৈরগা উমরাগীদমক সাওদি আরাবিয়া খোঙচৎকী ওইনা লাকপদা মহাক, নসরতকী মনাক্তা চঙলক্লমই। নসরতনা মঙোন্দা হায়রকপা, ঙাঙ্লকপা পূম্নমক মহাক্না য়াখিদে। মহাক্না নসরতকী মফমদা

অমুক কোইথোক্লুবা লৈতনা চুমদ্রিংনা খঙহনখিবদি, হুসনা শৈখ অসি মহাক মশাগী ওইনা লন্নাই ৱাফম অমা ওইরে হায়বসিনি, অদুগা হুসনাবু মহাক্কি অহানবা নুপী (ফার্স্ত লেদি) গী ফমথোন লৌরবী অমা ওইনা লোয়নবগীদমক্তসু মঙোন্দা মহাক্কি অপাম্বা ফোংদোক্লবনি হায়না। অমরোমদা অমুক ভুত্তোনা নসরত তা থাজনবা হায়রম্বা ৱাফম অমনা-পূম্নমক অদু ওইদুনসু, ভুত্তোনা মীয়াম্বু লোয়নরীবা পুন্সী অদুগী মনুংদদি হুসনাগী করিসু মফম পীরোয় হায়বসিনি।

হুসনা লন্দন্দা চৎখিবা

ভুত্তোনা পাকিস্তানগী কনস্তিত্যুসন অমুক শেমদোক্কুনা হোংদোকখি। প্রেসিদেন্টকী ওফিস থাদোক্লবা মতুং ১৯৭৩ গী আগষ্ট তাং ১৪ দা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিস্তর অমুক ওইরে। মতম অসিদা মাগী অহুমশুবা নুপীগী লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা য়াম্না চাউখৎলকপা মতমনি। ইং ১৯৭৭ কী ইলেক্সন্দা নেসনেল এসেমব্লীদা কারকপা ভুত্তো কাংবুগী মীশিং অশুক্কি মতিক য়ামখ্রে, হান্নগী মীখলদা অমুক্তসু থোকখিদ্রিবগী মওংদা। ইলেক্সন্দা অরানবা, আইন্না য়াদবা থবক কয়া তৌখি হায়দুনা ভুত্তোবু মরাল শীবা হৌনরকই। শীরকপা মরাল কয়াদুগী মরক্তা, সরকারগী মীওই কয়াবু শেরান্ননা শীজিন্নখিবা, ভোট থাদফমদা অকল-অরীংগী থবক তৌখিবা অমসুং ভোটরশিংবু পয়শানা লৈখিবা অসিনচিংবা কয়া মহাক্কি মায়য়োক্তা লৈবা মীওইশিংনা থাঙ্গৎনরকখি। হৌরক্লিবা শীঙনবগী ঈহৌ অদু ইংনা তপ্পা মায়োক্লখিদবা নত্তে ভুত্তো, অদুম্নদি ওইরগা, অচুম্বা ৱাফম খরনদি মহাকপু নীকহনখি। মতম অসিদা, মহাক্লা নুংশিজরবী হুসনা শৈখ, মমল য়াম্লবা মাল-চাং, লল-থুমগা লোয়ননা লন্দন্দা থাদোকখিরম্মী অমসুং মফম অদুদা লম অমা লৈরগা লৈহনখি। অশুম্নসু হায়নৈ মদুদি মহাক্লা হান্নদগী হৌনা তানশিনখ্রবা চাওরবা শেনফম কয়াদি লন্দনগী স্বিজ বেঙ্কতা থমজিনখ্রবনি হায়না।

শকাব্দ ১৯৭৭ গী জুলাই তাং ৫ দা পাকিস্তান লৈবাক অসি নমদুনা মিলিটারি সাসনগী মখাদা থমখি, লোয়ননা ইলেক্সন্দা ভুত্তোগী লাম্বা ওইখিবা চৌধুরী জাহুর ইলাহি কৌবা নুপা অমনা, পাকিস্তান ঙাক্লিবা মিলিটারী সরকারদা, ভুত্তোগী নুপী হুসনা শৈখনা সনা-লুপা কয়ামরুম পুদুনা লন্দন্দা চেনখিবদু, অমুক হল্লকহনগদবনি হায়বা, শীঙনবগী ৱাফম অমা মীয়াম মাঙদা পুখৎলকখি। মতাঙ অসিদগী হৌদুনা ভুত্তো

হুসনাগী মরী অসি খবর কাগজ কয়াদা, মীয়াম মরক্তা তোয়না তোয়না খন্নবা, নৈনবা হৌরক্লে । ভুত্তো হাৎকদবনি হায়বা অহকপা ৱাফম অমা লাহোর হায় কোর্টতা য়েৎনরকপা মতম অদুদনি হুসনা শৈখনা লন্দন্দগী জোন মেথ্যুজ কৌবা লোয়ার (উকিল) অমা ভুত্তোগীদমক থারকখিবা অমসুং হুসনানা তৌরকখিবা থৌরাঙ অদুনসু অমুক্তা হেন্না নাকল অমদা জাহুর ইলাহিগী ৱাফম অদু চুম্মী হায়বা প্রমান তৌখ্রে । মী অমা ওইনা মশাগী ৱাখল, পুক্লিংগী মিৎয়েংদা কুপথনা খল্লুরগসু হুসনা শৈখ হায়বীদু থোইদোক্লা পুকচেল চাওবী নুপীনি হায়বদি মী খ্বাই পূম্নমক্লা খঙনবনি । মহাক্লা ভুত্তোগী মচানুপা অনিমক, মপা হাৎপিখ্রবা মতুংদা মহাক্কা লোয়ননা লন্দন্দা পুরগা নাওকোন্দুনা লৈমিন্নখি । নসরতকী মশাদা লায়না অমনা হকচাঙ শোকচীন্না নারক্লবদা, লন্দন্দা লায়েংনবগী থৌরাঙ তৌখিবসু মহাক্লি ।

ভুত্তোনা শিদ্রিবঁে, জেলদা পুন্সী লেল্লিবঁেগী মতমদা হুসনাবু উনিংবগী ঈখৌ লাংখি । মহাক্লা পাকিস্তানগী দিক্তেটর জিয়া-উল-হক কী মফমদা হুসনাবু মহাক্কা জেলদা অমুক্তং উনহল্লগা অমুক লন্দন্দা হনখিবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়জরুবদা, জিয়ানা পাকিস্তান্দা হুসনানা লাকপদি করিসু অয়েৎপা পীদনা, অমুক হন্না লন্দন্দা পাইখিবদি য়ারোই হায়না খুমখিবগী হায়নবসু লৈ । তশেংবমক্তি, নসরত অমসুং বেনাজিরনসু হুসনানা জেলদা ভুত্তোবু উনবদু পামখিদবনি ।

হুসনাদি ভুত্তোগী নুপীশিংনা মঙোন্দা থল্লিবা হৈনিংদবগী ৱাখল অদু ওইদুনসু মতম পুম্বদা মখোয় পূম্নমক্কি মফমদা পুকচেল চাউথোকপা উৎচখি, মহাক্লা ঙমজবগী থাক অদু ফাওবদি মখোয়গী মতেং পাংখি । বেনাজিরগী লুহোংবদসু অচৌবা শেনফম কয়া মহাক্লা লন্দন্দগী থারকখি ।

- লোইরবা -

★ ★ ★

মনম নুংশিরবা আতরগুলাব
হেক্কে নিংলবদি ঐখোয়না
আতরগুলাবকী লৈখোক্তা
তিংখংপাল্লি কাউরোইদবনি।

নোংঙাল্লকপগী অনৌবা
অয়ুক্কী নুংশিবা শক্তম
উনিংলবদি ঐখোয়না
অহিংগী অমম্বা মতম খাঙলক্কদবনি।

মিখা পোন্দনা নিংতম্না
হিংজবা পুন্সীগী মমলদি
ওইজবা থাদোকপা কৎথোকপা
অৱাবা খাঙবতনা ওইগদবনি।

নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস
২১-১২-৩১
বোম্বে